নৈতৈ কীর্ত্তন

পণ্ডিতরাজ

মণিপুরী বিশ্বভারতীগী— ৮০শুবা গ্রন্থমালা।

মৈতৈ কার্তন

(মাগী প্রগতিশীলতা অমসু সনাতনীয়তা)

—— :(✤): ——

শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মানা ইবা।

শ্রীথম্মাম মধুমালি সিংহনা
ভাগ্যবতী কার্যালয়— ইম্ফাল, মণিপুরদা ফোংবা।

শ্রীথোকচোম সামন্তজিৎ সিংহনা
চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কসতা ছাপা তৌবা।

মণিপুর—১১৬৫।

মমল—[illegible]

হোংদোককদবা অমা।

লমাই ২৫০ দা মবিস্থুবা পর্যং—

১ + ৩ 0 বু

+ ৩ 0 ১ না হোংগনি।



মৈতৈ কীর্তনগী য়াহৌদোক।

—:—

ওঁ

"ভদ্রং নো অপি বাতয়ো মনঃ।" (ঋগ্বেদঃ ১০।২০।১)

হে মৈ-ও। নংনা ঐখোইগী পুক্নিংবু অফবগা তিন্নাহনলু—নংবু লৈসি লৈথোনবদা মতিক চাহনলু।

কলি যুগকী ধর্ম্মদি কীর্তননি, অস্নুম্না শ্রীভাগবতনা হাঙ্গী। মাসিগী অর্থদি শ্রীভাগবতনা হাঙ্গী, সত্য, ত্রেতা. দ্বাপর, অমসু কলি, যুগ মরিলি, মাসিনা হঙ্কন হঙ্কনহুনা ওন্না ওন্না প্যাল্লি। অসিগুম্বা যুগমবি অসিদা যুগ যুগ অহুদা মীওইবনা চৎকদবা ধর্ম্ম অহু ওইহুনা তাইবংপানবাগী মপুনা* অবতার তৌই। মাহুদি, সত্য যুগকী ধর্ম্মদি "ধ্যান" =তৎতনা নিংবনি, মাহু ওইনা তাইবং মপুনা অবতার তৌহুনা সত্য যুগতা পোকপা মীবু ঙাকপী। ত্রেতাদনা গোম-মৈহুংদা পোৎ থাহুনা লাইবু চাহনবানা ধর্ম্ম ওই। ত্রেতাদা তাইবং মপুনা মৈ ওইনা অবতার তৌই। দ্বাপরদানা হৈ, লৈ, চন্দন, নাচিংবা কত্তুনা অমসু যাগ যজ্ঞ তৌহুনা লাৎপনা ধর্ম্ম ওই। অহুনা দ্বাপরদা লাংনকম শ্রীকৃষ্ণ ওইনা অবতার তৌই। মাস্নুম তৌহুনা কলিদানা "কীতন" না ধর্ম্ম ওই। মরম অহুনা তাইবংপানবাগী মপুনা "কীর্তন" ঈশৈ (ঈশ) ছকপা ওইনা কলিদা অবতার তৌই। মাসিগী তাৎপর্যদি ঐখোইনা "কীতন" বু কলিযুগ অসিদা সংসংনা উই। মাহুদি মতম অসিদা অবতার তৌরিবা তাইবং মপুবু সংসংনা উবনি। কীতনবু উবা. ফংবা হাঙ্গবা আসদি ঈশ্বরবু উবা, অমসু ফংবানি,: মাসিদগী হেনবা অমা লৈতে। মাহুবু থাইনাগী লাইরিক্তা লাইগা উনৈ, য়াঙাংনৈ অসিনাচিংবা হাঙ্গী, মাহুদি মতম মতম অহুগী ধর্ম্মগা উনাবাবু হাঙ্গবনি।

তাইবংমী পুম্নামক্কী জাতি খুদিংগী ধর্ম্ম ইমান মান্নদে। হিন্দু, য়হুদি, বৌদ্ধ, খৃষ্টান, জৈন, মোষলমান, অসিনাচিংবা জাতি পুম্নামক্কী মহাক মহাক্কী তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম অমাঙম লৈ। পৃথিবীদা লৈবা জাতি পুম্নামক্কী ধর্ম্ম পুম্নামকতা কীর্তন=ঈশৈহকপা ঙাক্তনি, মাহুবু ঐখোইনা "জাতীয় সংগীত" কৌই। মাহুবু লক্ষ্য তৌহুনা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গী, কলিদা তাইবংপানবাগী মপুনা কীর্তন ওইনা অবতার তৌই। মাসিগী রহস্য (অথুপ্পাবা) দি অসিনি, মাহুদি,—তাইবংপানবদা লৈবা লাইরিক অহানবা লাইরিক্তি বেদনি। মাহুমক্তদা ঋগ.বেদ সংহিতানা অহানবনি। বেদনা তাইবংমীওইবনা

তৌগদবা—চংকদবা ধর্ম্মবু তাকই। মানা তাকপা ধর্ম্মনা ধর্ম্ম পুম্নামক্কী অহানবনি। মাকম অসি তাইবংপানবগী পণ্ডিত অয়াম্বনা য়ানরবনি। কেনা তাকপা ধর্ম্মনা যুগ যুগ খুদিংদা থোদো তিন্নাদবাদগী মপান্দা উবা মশকতা হোংই, তৌইগুমম্ম মহুংদদি তান্নাদগী করি অমত্তা হোংদে। মাহুদি আদি যুগতা ঋত্বিকসীংনা যাগ যজ্ঞ তৌই। মতম অহুদা পুরোহিত ব্রাহ্মণসীংনা সামগান তৌই। মাহুম তৌহুনা সঙ্কীর্ত্তনা লৈরম্বদগী হৌজিক কাম্ববা সংগীতকী থোক্লোতা হোংলক্লবনি। কলিগী অবতারদি শ্রীভাগবতনা "সংকীর্ত্তনগী, হাঈ।

হৌজিকনা কীর্তন ওইরবা ধর্ম্ম অসিদি অহানবা আদি যুগতগী খরা খরা হেনগৎলকলিবনি। মহাক্কি প্রগতিশীলতানি হাঙ্গবদি ক্রমবিকাশনি। যুগ যুগ খুদিংগী মথং মথং হেনগৎলকলিবনি। তৌইগুমম্ম মতমনা মহাক্পু কুপস্রিন্দুনা মীওইবনা মপান্দা উরক্তে থংগকতে। মাচু মাহুগুম্বা মতম মতমদা তাইবংপানবা অসিবু পাপনা কুপসিনলকই। অদু অদুগুম্বা মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌই। শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীগীতাদা হাঈ,—

"যদা যদাহি ধর্ম্মস্য গ্লানির্ভবতি ভারত।
অভ্যুত্থানমধর্ম্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহং ॥"

হে অর্জ্জুন! মতম মতম অতদা ধর্ম্মনা মোৎথরক্লবদা পাপনা চাওখৎলক্লবদা ঐনা ঐবু পোক্হনদি।

পরিত্রাণায় সাধূনাং বিনাশায় চ দুষ্কৃতাং।
ধর্ম্ম সংস্থাপনার্থায় সম্ভবামি যুগে যুগে ॥"

অকবা মীবু কমনবগী মমক পাপ তৌরসীবু মাংহনবগীদমক ধর্ম্মবু লেপনা থম্নবগী মমক যুগ যুগ (মতম মতম) খুদিংদা ঐনা অবতার তৌই। খুদমগী মমক পাপমগী মথৈদা তাইবংপানববু পাপনা কুপ্সিনখ্রবা, ধর্ম্মনা মমৎতা লৈখ্রবদা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌই। ইবুঙোনা ধর্ম্ম পুম্নমক্পু তাকপিদুনা অৗর পুম্নমক্তা ধর্ম্মবু লৈহনলম্মই। মাহুদা অর্জ্জুনদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঈরম্মই,—"ঐনা (শ্রীকৃষ্ণ) বিবস্বত্তা, বুধি, নুমিৎনা মচা মহুদা, মহুনা ম'গী মচা ইক্ষ্বাকু নিংথৌদা তম্বি, মাম্মা তৌহুনা ধর্ম্ম অসিবু ইক্ষ্বাকু নিংথৌদগী রাজর্ষিসীংনা মথং মথং তমজুনা মীওইবদা সন্দোকই। হৌজিক্কি মতম কুইরহুনা ধর্ম্ম (যোগ) অদু মাংখরে, মরম অসিদগী হৌজিক অদোক হৈবা ঐনা নংঙোন্দা তাক্লিরনি, হে অর্জ্জুন নহাক ঐগী সখানি, ভক্তনি, অদুনা গুপ্তা অসি নঙোন্দা তাকলিরনি। মাসিমক্তু শ্রীকৃষ্ণনা হাঈরমই, হে অর্জ্জুন। যুগ অসিবু জনক নিংথৌনা হাঙ্গবদি মিথিলা লৈপাক্কী নিংথৌসীংনা চুংশিনি, মাদুগুম্বা তৌবগুম্বা নংহু ধর্ম্ম অসি তৌ।

মাহুম তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপিরম্বা ধর্ম্ম অদু কলি যুগ অদুমক মাংখ্রে। মাহুম তৌহুনা ভারত পুম্নমক পাপতা লুপখ্রবা মতমদা কলিযুগকী চহী ১৪০৭ চাদা অনি মথাই বাইদা ভগবান, জগন্নাথেন অমুক অবতার, রূপ গুপ্তা অবতার

তৌই। বুদ্ধ অবতার অমিদা শুইহা যোগবু পুখোকত্তুনা ভারতকী পাপকী মপৈ পুরমক ভঁকথোকত্তুনা ভারত পুম্ববু অমুত্তগী মপক ওইবা বৌদ্ধ ধর্মনা য়োক্লমই। বৌদ্ধ যুগতা ভারততা সাহিত্যনা থম থেংনা চাওখৎখি। মাত্তুদা কাব্য রস পুম্নমক্কী শৃঙ্গার রসনা অকেনবনি। শৃঙ্গার রসদা স্বকীয়াভাবতগী পরকীয়া ভাবনা হেন্নি, হাঙ্গৈ বু বৌদ্ধ সহজিয়াসীংনা পুথোক্লকই। পৃথিবীগী পণ্ডিত পুম্নমকনা শৃঙ্গার রসবু নিপা ঙুপীদা পান্দুনা (উদাহরণ তৌদুনা) উৎলি। বৌদ্ধ ধর্মদি ঈশ্বরবু নানিদে, অদুনা বৌদ্ধনা মাখোইগী থম থেংনা চাওখৎলবা সাহিত্যবু অচম্বা নিপা ঙুপীদা পান্দুনা লেং লমই। মাস্তুম তৌদুনা বৌদ্ধনা ভারততা চহি চামঙা হেনগৎলমই, মথংগী চামঙা অমনা হনখরকই। মুপনা চহি লীসিং অমা লৈরমলগা ভারততা বৌদ্ধ ধর্ম মুংখি। মথুং দা বৌদ্ধগী ভক্তিবাদবু যামুনাচার্যনচিংবা বৈষ্ণবা চার্যসীংনা শেংদোক্লদুনা অহাংবদা দক্ষিণ (মথা থংবা) ভারততা পরকীয়া ভাবতা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুর প্রেম রসবু ছক্লকই, = কীর্তন তৌই। মাত্তুগী মথংদা শ্রীকৃষ্ণ কীর্তনমনা অরাংথংনা ভারততা লাকই, মাত্তুগী মতুংদা বাঙ্গলা লৈপাক্কা লাকই, ইথ্রাইদগী অহানবদ • বাঙ্গলাদা কবিজয়দেবনা বৌদ্ধ সহজিয়াগী অচম্বা নিপা ঙুপীদা পানবা কাব্যদগী লৌদুনা মতাক্কা ফজরবা মেংলবা পদাবলীনা গীতগোবিন্দদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী পরকীয়াভাবতা মধুর প্রেম রসবু ছক্লকই। মাত্তুগী মথংদা কবি বিদ্যাপতি, কবি চণ্ডীদাস মাদুগী মথংদ গৌড়ীয় বৈষ্ণব কবি ময়ামনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুর প্রেম রসবু ছক্লকই।

কবিজয়দেবগা গীত গোবিন্দনা মাগী ফজবা মক্না তাইরং পুম্বাবু স্মরহৎখিবনি। অদুবু অমরোমদা কবিজয়দেবগী মতুংদা বঙ্গদেশ পুম্বা নিপা ঙুপীনা ওক্কনবা ওকচাক্ থোকখরে। অচিংবা ওক্কবাগী অভিসারনা উমা য়ানা পুথা পুমলেং লেংখি। অমারোমদা তান্ত্রিক সাধনাগী সাযু চাবা, থাকনা লাওবনা মক্লা লৈপাক অসি পাপকী অকুম্বনা থাংবা ওমদাদুনা ফেং ফেং হাঙ্গৈদুনা লাংখি। মতম অসিদা শ্রীঅদ্বৈত প্রভুনা ভাগিরথী গঙ্গাদা হুকাব তৌদুনা তাইবংপানবাগী মপুং কৌই। মাত্তুদগী শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুনা অবতার তৌই, অসুম্না গৌড়ীয় বৈষ্ণবাচার্যসীংনা হাঙ্গৈ।

প্রভুনা চহি ২০ হেল্লবদা গয়াদা শ্রীঈশ্বর পুরিদগী বৈষ্ণব দীক্ষা লৌদুনা কীর্ত্তনবু লৌক্লই, নবদ্বীপতা প্রভুনা কীর্তন প্রচার তৌই। চহি ২৫ দা লপোক প্রভুনা চহি ৬ চুপনা বাঙ্গলা, উড়িষ্যা, বৃন্দাবনদা হজং হন্দা লেংদুনা ধর্ম্ম প্রচার তৌই। মথুং অদুদা দক্ষিণ ভারততা লেংদুনা প্রভুনা মনাই রামানন্দগী মানিদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমতত্ত্ববু হাঙ্গৈহন্দুনা তাক্লই। অদুগা গৌড়দেশদা শ্রীরূপ সনাতনদা মাত্তু পীদুনা বঙ্গদেশদা প্রচার তৌই। মাস্তুম তৌদুনা প্রভুনা বৌদ্ধনা ফোংদোক্লবা মধুর প্রেমরসগী তত্ত্ববু শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমতত্ত্বনি, হাঙ্গৈবাবু থংহনলি। অদুগুম্বা প্রেমগী ঈচেনদা লুপহনবিরমই। ইবুঙোশু অদুম্বা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমামৃতবু থক্নুনা ইবুঙোগী সানানিংলিবাগী মথৈ নীলাচলদা লেনখি

প্রভুনা মানবলীলা সংবরণ তৌখিবগী ইথিন থিন্দানা শ্রীনিত্যানন্দগী উদারতাদা বৌদ্ধ সহজিয়াসীংনা চংদুনা প্রভুগী ধর্মনা শুনা মোৎ থাখি, মাত্তুগী ইতিহাসনা সাক্ষী। প্রভুগী ভুমদা শ্রীনরোত্তম মহাশয়ঠাকুরনা থরা ঙাক্লমই। তৌইগুমসু মমৈদি

শাস্ত্রসীংনা পাণ্ডল নিংথৌদা হাঙ্গিজিন্দুনা নিংথৌগী য়াথংনা সংকীর্তন তৌবা থিংখি। নবদ্বীপ থামেশ্বর শ্রীগৌরাঙ্গবু লৈবুংদা ফুমহুনা লোৎলি। মতম অতুদা শ্রীগৌরাঙ্গগী ধর্ম্ম মুৎথরে হাঙ্গিবামকপু য়াথ্রবনি। মাসিদা বৈষ্ণবসীংনা থম্লাখি, প্রভুগী অবতারহি ব্রাহ্মণনি, নরোত্তম মহাশয়ঠাকুর শূদ্রকায়স্থনি। শ্রীকৃষ্ণনা তাকপী "ইমংরাজর্ষয়োবিদুঃ" ধর্ম্ম অসিবু রাজর্ষি (নিংথৌ অথোইবা) সীংনা থংই। ক্ষত্রিয় জাতিনা ভাগবত ধর্ম্মবু হৈ, অমসু সন্দোকই। অতুমক্তদা মিথি নিংথৌসীংনা চৎলি, মাথোইনা সন্দোকই। শাস্ত্রদা হাঙ্গি, শ্রীশুকদেব মহাযোগীনা ব্যাসগী য়াথংদগী মিথি নিংথৌদগী ভাগবত ধর্ম্ম তমই।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভুনা মানবলীলা সংবরণ তৌখ্রবা মতুং চহিচতম হেনগ্রক্রবদা প্রভুগী ধর্ম্মনা নবদ্বীপতা লৈত্রবা মতমদা প্রভুগী ধর্ম্মনা সংস্কৃতিগী ঈচেন ওইনা মিথিল পাট=মৈতৈ লৈপাক মণিপুরদা চংলকই। মাতুদা মিথি নিংথৌসীংদা শ্রীগৌরাঙ্গ ধর্ম্ম-না চংলক্কনা লৈরে। মাহুবু আস্বাদন তৌগে হাঙ্গিতুনা দারুব্রহ্মগী মূর্তি ওইতুনা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দনা আবির্ভাব ওইখি। মাতুদগী মাগী লৈপাক্কী মাগী থোকনক্কম মিথিল রাজবংশদা চংবদা ভাগবত ধর্ম্মনা মাগী অমুবা মূর্তি পুরগনা মণিপুরদা ঙানথোকখি। মিথিলনিংথৌনা=মৈতৈনিংথৌনা নবদ্বীপ তান্না চত্তুনা মুৎথ্রবা গৌরাঙ্গগী ধর্ম্মবু অমোক নৌনা সন্দোকলুই। মাতুম্না মিথিল নিংথৌনা সন্দোকপা বমত্রবদি হাজক্কি বাঙ্গলাগী ইতি হাসগী লামাইদা গৌর ধর্ম্মদি প্রলয় ফাউবা য়াহিপথরগনবান, তৌবিমল অসবু গৌ-ড়ীয়বৈষ্ণবসভানা শকলিবনি।

হৌজিক্কি শ্রীকৃষ্ণনা হুমিংতা, হুমিংনা, মনুদা, মনুনা ইক্ষ্বাকুদা তম্বিবা ভাগবত ধর্ম্মনা মিথি নিংথৌসীংনা চৎলকপনি। কালগী গতিন, মুৎলুরবদগী মিথিল পাট=মৈতৈ লৈপাকতা চংলক্কনা মিথি=মিথৈ=মিতৈ=মৈতৈ নিংথৌমচানা=মৈ-তৈনা ভাগবত ধর্ম্মবু বিশ্বজগৎ থুংনা সন্দোকথরে। শ্রীগৌরাঙ্গনা বাঙ্গলা, উড়িষ্যা, দক্ষিণ ভারততা মচেংথরা, বৃন্দাবনতা সন্দোক্রমই, মৈতৈনা সান্দোকপদি তাইবং-পানবা পুম্বদা থাকচনা লৈতনা সন্দোকথবে, মহাকপ্তু তাইবংপানবানা মণিপুরী নৃত্য অমসু মণিপুরী কীর্তন কৌই। অসিগুম্বা ভাগবত ধর্ম্ম অসিগী "মৈতৈ কীর্তন"-গী মথৈবু মৈতৈ কীর্তন কৌবা লাইরিক অসিনা পন্দুপ অহুমদংনা বর্ণনা তৌতুনা অহানবদা ফোংদোকচরিবনি।

শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা।

মেরা নোংমা পানবা=মণিপুর ১১৬৫।

—:(*):—

ৱাফম তাকপা লামাই মসিঙ।

১। মৈতৈ কীর্তন, মহাক্কী অসম্বা ইতিহাস	১
২। কীর্তন, মহাক্কী অর্থ	৩
৩। কলিযুগকী ধর্ম্মদি সংকীর্তননি	৫
৪। কলিদা সংকীর্তন হৌদোকপা মহাপ্রভুগী অবতার, মহাক্কী সম্প্রদায়	৭
৫। মহাপ্রভুনা হৌদোকপা নাম সংকীর্তন	৯
৬। মহাপ্রভুনা লম্বোইবা	১০
৭। মহাপ্রভুনা বৈষ্ণবধর্ম্ম প্রচার তৌবা	১১
৮। গোদাবরী তুরেন মপানদা মহাপ্রভুগা রামানন্দরায়গা উনবা	১২
৯। প্রভুনা হংজনা সাধ্যসারবু রায়না মপং মথং হাঙ্গৈবা	১৪
১০। রায়না গোপী প্রেম্না সাধ্য সারনি হাঙ্গৈবা	১৬
১১। শ্রীরাধা, শ্রীকৃষ্ণ অমসুং প্রেমগী তত্ত্ব ঙাংনবা	২০
১২। রায়না প্রেম বিলাস বিবর্ত ব্যাখ্যা তৌবা	২১
১৩। মাহূদা "পহনরি ঈশৈ শকপা" মাহূগী ব্যাখ্যা	২১—৫০
১৪। নামকীর্তন	৫০
১৫। লীলা কীর্তন	৫৪
১৬। রসগী মশক অমসুং মথক	৫৫
১৭। শৃঙ্গার রস অমসুং মাগী মথক	৭০
১৮। কান্তা ভাবকী হৌঙ্গাস	৭৩
১৯। বেদনা হাঙ্গৈবা মণিপুর	৭৮
২০। অর্জ্জুননা মণিপুর চৎপা মহাভারতনা হাঙ্গৈবা	৯২
২১। মৈতৈগা ফুঙ্গা মৈ হঙ্ডাংপা	১০১
২২। মৈতৈ কীর্তনগী মৈতৈগী অর্থ	১০৪
২৩। প্রাচীন ভবনগী ব্যাখ্যা	১০৫
২৪। সনামহিগী মমিং মমাম	১১২
২৫। সনামহিগী তেংথাবা	১১৮
২৬। লাইপুরৈ লোম্বা	১২১
২৭। পাট = পাকশব্দগী অথ	১২৪
২৮। ব্যাসনা কংলৈবু মণিপুর কৌবা কয়া কুইরে	১২৭
২৯। পুরৈলোম্বা সনামহিগী মতম	১২৮
৩০। এক মলাইগী রারি	১২৯
৩১। পুরৈলোম্বানা পোইরৈতোনগা থোরকপা মতম	১৩৯
৩২। চৈবাওবা	[illegible]
৩৩। মিথিলীংনা আর্য মহাযুগ হৈরকপাগী থুদম	১৪৮
৩৪। মিথিলাংনা কংলৈদা বি, সি, ৮০০ গী মমাংদা চংলকপাগী থুদম	১৫৭
৩৫। কাংজৈনা করমদোনা ক্যালেণ্ডার ওইবা	১৬৩

৩৬। মৈতৈবোনদা সগোন কাংজেতবু কাংজৈ কৌই — ১৬৪
৩৭। মহাভারতনা তাকপা নোংপোক — — ১৭০
৩৮। বৈদিক ধর্ম্ম জহানবা শশক — — ১৬৮
৩৯। জ্ঞান মার্গ — — — — ১৯১
৪০। সাংখ্য মার্গ — — — — ১৯৬
৪১। যোগ মার্গ — — — — ১৯৭
৪২। মৈতৈগী সনাতন ধর্ম — — — ১৯৮
৪৩। শ্রীশ্রীভাগবতং — — — ১৯৯
৪৪। শ্রীশুকদেবগী [illegible] — — — ২০০
৪৫। শ্রীমহাপ্রভুগী [illegible] ভাগবত ধর্ম্ম — — ২০৪
৪৬। শ্রী ভাগবত [illegible] ভাগবত ধর্ম্ম — — ২০৪
৪৭। শ্রীভা [illegible] ধর্ম্ম — — ২০৫
৪৮। ভাগবত [illegible] — — ২০৭
৪৯। শ্রী [illegible] পা — — ১০৮
৫০। [illegible] তৌপা — — ২০৮
৫১। [illegible] — — ২০৯
৫২। [illegible] — — — — ২০[illegible]
৫৩। [illegible] — — — ২২০
৫৪। [illegible] — — ২১৭
৫৫। [illegible] — — — — ২২১
৫৬। [illegible] — — — ২২৩
৫৭। [illegible] — — — ২২৫
৫৮। [illegible] এবা — — ২২৮
৫৯। [illegible] উংগা — — ২৪১
৬০। [illegible] — — — ২৪৭
৬১। [illegible] — — ২৪৯
৬২। বারামে [illegible] — — — ২৫০
৬৩। লম্বা [illegible] — — — ২৫৪
৬৪। মোহন, মেল অথবা — — — ২৫৫
৬৫। [illegible] স্তোত্র — — — ২৫৬
৬৬। মৈ[illegible] হেন্দোকপা — — ২৫৮
৬৭। কীর্ত্তনগী [illegible] প্রেম রস ছকপা — — ২৬০
৬৮। গৌড়ীয় [illegible] কীর্ত্তন ইতিহাস — — ২৬২
৬৯। গাথা [illegible] — — — ২৬৩
৭০। ভক্তি [illegible] — — — ২৬৮
৭১। মৈতৈগী অনোবা [illegible] কীর্ত্তন্না পুন্নমক্তগী হেনবা — ২৭১

—:(*):—

মণিপুরী বিশ্বভারতীগী

মৈতৈ কীর্তন

(মাগী প্রগতিশীলতা অমসুং সনাতনীয়তা)

———— ॐ ————

[illegible] সৌন্দর্য্যাবসন্তং তং বন্দে নন্দসুতং মহঃ ॥
বিশ্বস্য ভারতী [illegible] সদা প্রবর্ত্তিনীং বন্দে মমজীহ্বাগ্রনর্ত্তিনীং ॥
প্রণম্য মাতরং ভক্ত্যা শ্রী [illegible] বৈষ্ণব কীর্ত্তনং বক্ষ্যে শ্রীঅত্তোম্বাপু শর্ম্মকঃ ॥

———

মৈতৈ কীর্তন।

মণিপুরদা মৈতৈনা [illegible] বাগ্তনবু "মণিপুরীয-কীর্ত্তন" হাঙবদি— [illegible] লৈ। [illegible] সদা ওইরিবা মাগী মওং অসি [illegible] নোংমা-নোংমাগী ওইনা চাউখৎলিরি। [illegible] খোঙলেনা মৈতৈ কাতনবা মণিপুরদা, উপানবিন মাগী [illegible] লেবাক্তনা পীকসন্দুনা লৈকবে। মৈদিঙু কাম্বাগী মা [illegible] তাগী চাগৎপা অহানবা তবাগী মন্দ দা স্বপ্নদগী শালগ্রাম ওইনা শ্রীমদ্ধনা মেথনগুমা ইনংলংনা পাইথবকই। মাতুবু পাং-নিংথৌনা ফংলুত্তনা মৈদিঙু কাম্বদা পাবমই। মতম অতুদা লৈবা ব্রাহ্মণনা তাক্তুনা শ্রীবিষ্ণুদা যজ্ঞামিশ্রন কৎতুনা নিংথৌ ক্যাম্বনা মহাপ্রসাদাবু চাই। [illegible] হাঙই— 'নিংথৌগী মশাদা পকপা অনাবা কোকথি।" মাতুদগী হৌতনা শ্রীবিষ্ণু মৈতৈ নিংথৌনা লাংলকই। বঙ্গ-দেশগী ইতিহাসদগী খঙই, মখোদি— মতম অতুদা নবদ্বীপতা শ্রীমন্মহা-প্রভু পোক্করি।

মৈদিঙু চরাইরোংবা য়া মংাকথক্কী খুংগী চা তবাংবেং লোইরমদাইদা মৈতৈনা নিংথৌগা লোইননা ব্রাহ্মণ্য ধর্ম্মদা দাক্ষা লৌত্রনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম লৌই। কুম অদুদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগা মহাদেব নিংবা য়াওগা তিন্নবা নাদবা ধর্ম্ম অনিনা অপনবা লৈতনা মণিপুরদা তিন্নথি। মণিপুরদা মৈতৈনা চান্নবা উপাসনা তৌবকপদি পার্ব্বতী পর-মেশ্বরনি। অকোনবদা সংশক্রিবা ধর্ম্মনা শ্রীবিষ্ণুবু উপাসনা তৌবনি। অনি অসিগী অমগা অমগা তিন্নবা যাদনগী য়াওংকা ভাবত্বরম অপুম্বর মসিং নাইদনা ঙনা খুম-প্রবনি। শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈ, - "ভবব্রতধরা যে চ যে চ তান সমনুব্রতাঃ। পাষণ্ডিন স্তে ভবেয়ুঃ সৎ শাস্ত্রপরিপন্থিনঃ" (ভাগবত ৪।২।২৮) মহাদেব নিংবা পুন্নমক থাঙ্গে-লেংবা পাষণ্ডীনি অমসু সচ্ছাস্ত্রগী বিরোধীনি, অসিনি। অমসু বিষ্ণুস্মৃতিনা হাঙ্গৈ, —

"যথা শ্মশানজং কাষ্ঠং সর্ব্বকর্ম্মসু গর্হিতং। তথা চক্রাঙ্কিতো বিপ্রঃ সর্ব্বকর্ম্মসু গর্হিতঃ।"

—চক্রগী খুদম পুবা বৈষ্ণবশুদি য়া কমদা তাবা অশিনগা মৈথাক শিংকুম্না মাংই, থবকপুম্নদা চম্নবা য়াদে। অসিনি মাস্নম তৌত্রনা মকৈ মকৈ খংননবা তিন্ননা লৈবা য়াদবনি। ঐথোইনা ওজিক পুরাণদা তাবিবা দংজা হাতাংগুম্বা (স্বপ্নিল স্মৃতি) দক্ষ যজ্ঞ ধ্বংশ হাঙ্গৈবা অতু ধর্ম্ম অসিগী য়াথোকবনি

নিংথৌ য়াইফরেন য়াইফবা চৈথাংবাংগা য়া মহাকথক্তদি ধর্ম্ম অনসিনা প্র-য়াগ তীর্থরাজদা গঙ্গা যমুনা তিন্নমন্নবা মখা অমদা তিন্নথি, মাথোক অনি না তিন্নথিবা অতুদগী মৈতৈ কীর্ত্তনদা মং মং লেনখাকখুনা মৈতৈগী ওসিদা উন্নিবা সংকীর্ত্তন মহাবন্নবম অসিনা মণিপুর সনা শেপাব অসিনা ভানথোইবিবনি।

মথংদা গাপনলোব মগাবাংগী য়া মং কথক্তা শকপা কীর্ত্তনবু বঙ্গদেশ কৌই। মাদুদি বঙ্গদেশগী কীর্ত্তননি, বঙ্গালী অমনা বানথোকম পইত্রনা লেপা অসিনা বঙ্গ দেশ পালা কীর্ত্তনবু মনুকানা শেননই। নিংথৌরবা গরিবনবাজ অসি মাদি মণিপুরগী য়াক্রবংশগী প্রতাপশীল। নিংথৌ ন। কীর্ত্তনদা পুকনিং চংবা, থৈবা, ফজবা, পুন্নমকপু য়ামতি শাইথইনা বরনা লেতে। মতু পাবগদি মহাকপু ঐথোইনা শ্রীমম্ন-হাপ্রভুগী শক্তা.বর্শনি, হাঙ্গনংই। মহাবনা বাতনদা মেতবোননা শকথিদে, বাজ লাগা হৃদয়গ্রাহী ওইবা মহাজনস্যা পদাবলীন ত্রক্তা শন্নমই। নিংথৌবেন অসিগী জীবনগী মমৈদা শ্রীহৈমচা শান্তিদাসগী ঙাংনাংনা পরমাথ কৌবা ধর্ম্ম অমা প্রচার তৌনবা হোৎনবমই, ধর্ম্ম অদুবু প্রজাসিংনা লৌথিদে। শান্তিদাসনা ধর্ম্ম প্রচার তৌবদা মণিপুরদা য়াম্না মাঙথিবা ফংগি। মানা নিংথৌদা ইনসিন্দুনা মৈতৈগী মমন নাইত্রবা শাস্ত্রকিক ময়াম্খু মৈ থাখি। শাস্ত্রম হাঙ্গৈনে, মাদুদি শান্তিদাসনা হাঙ্গৈরমই, মৈতৈ রোননা ঈশৈ শকফদে, তৌহৈদে তাতবং মপুনা তারোই। মৈতৈগী ঈশৈশকপা তারা

তৌখ্রে। মাতুংদা কপলুববদি অযুক তুংথিন সিবগা কাক ওইহনা অহিং সিবগা মকু ওইহনা মকোইসুঙোনজিংদা পাইসিননি, নবক তাই। মাসুমতৌহনা শান্তিদাসনা মৈতৈ লোনবু অমসুং মৈতৈগী সনাতন ধর্মবু মুং তৌবমই। অসিগুম্বা মহাক্কী থৌদো ময়াম অসিগী শান্তিদাসনা গরিবনবাজ মহারাজগা মীওইবা লীলা লোইথ্রবদা নোংমখি।

খৃষ্টগী চাহিবানিপানগী অহানবা চহীগী অহানবা তুবাদা মৈদিঙু ভাগ্যচন্দ্রজয়সিংহনা ফম্বান ফোংই। নিংথৌরেন অসিনা শ্রীমন্মহাপ্রভুগী শ্রীলোকনাথ গোস্বামীদগী থাইংথিবা শ্রীনরোত্তম মহাশয়গী শাখাদা শ্রীরূপ পরমানন্দদগী গৌড়ীয় দীক্ষা লৌই। মাহুদগী মৈতৈনা গৌড়ীয় ধর্ম চৎপা হৌই। নিংথৌরেন অসিগী অমগা চাংদম্নবা শ্রীপাদবা ভক্তিগী চৈবনা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দনা কান্যা উদয়াচলদা ঙানথোকখি। শ্রীশ্রী৺গোবিন্দদা নিংথৌরেন ভাগ্যচন্দ্রজয়সিংহনা কৎপা সংকীর্তন অমসুং রাসনৃত্যনা মতম অসিদা মণিপুর কীর্তন অমসুং মণিপুরী রাস কৌহনা হৌজিক ফাউবা ঙানথোকপিবা অসিনি।

কীর্তন।

কীর্তন অমসুং সংকীর্তন অনিসি মশা অমত্তনি। কৃৎধাতুগী অর্থনা থাগৎপা (প্রশংসা) হাঙ্গই, মাহৌদা অনট প্রত্যয় তৌবগা কীর্তন ওই, মহাক্কী কীর্তিগা ধাতু অমত্তদগী থোকনিন্নবানি, অর্থদা চপমান্নৈ, সংস্কৃত সাহিত্যদা শিংথ্রবা নীগী যশ (মিংচৎপা) কীর্তি হাঙ্গনৈ। হিংলিবাগী মিংচৎপা যশ অমসুং খ্যাতি অসিনাচিংবা হাঙ্গনৈ। তৌইগুমসু মসিদা এংসিনগদব অমালৈ, মাহৌদি—শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজবৃন্দাবনদা প্রকট লীলা সান্নরিঙৈদা ব্রজবাসাসিংনা ইবুঙোগী মাংদা ইবুঙোগী যশোগাথা ছকপাবু শ্রীভাগবতনা কীর্তি কৌই।

বর্হাপীড়ং নটবরবপুঃ কর্ণয়োঃ কর্ণিকারং,
বিভ্রদ্বাসঃ কনককপিশং বৈজয়ন্তীঞ্চ মালাং।
রন্ধ্রান্ বেণোরধরসুধয়া পূরয়ন্ গোপবৃন্দৈঃ,
বৃন্দারণ্যং স্বপদরমণং প্রাবিশদ্গীতকীর্তিঃ।

(শ্রীভাগবত, ১০ম স্কন্ধঃ)

শ্লোক অসিদা শ্রীভাগবতনা শ্রীকৃষ্ণগী বিপিন বিহারী বেশবু বর্ণন তৌবি, মাহুদি,—শ্রীকৃষ্ণগী মংপানবা পুম্বাগী কান্না থোইবা [illegible] পীবা স্নাহকচাং মওংনা রঙ্গভূমিদা জগো[illegible] [illegible] অথোইবাগী মওংনি. [illegible] রাহোং মতু নাদা কর্ণিকা নাচোম, [illegible] চানবা[illegible] চেনখিবা অমৃতনা বেণুবু মাগী অহোবাবু থনহন্দুনা [illegible], [illegible] সখাসাংনা ইবুঙোগী কীর্তিবু শকপা, শ্রীকৃষ্ণন ইবু [illegible] মাগী সান্নরন বৃন্দাবনদা লেংসিনখি।

শ্রীভাগবতকী বচন অসিদা [illegible], [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী কীর্ত্ত ছকপা হাঙ্গৈবদি "কীর্তন" [illegible] [illegible] অঙ্গ মাপনগী মহংদা অনিস্নবা অমনি. অসুম শ্রী[illegible]তনা [illegible],

"শ্রবণং কীর্ত্তনং বিষ্ণো স্মরণং পাদসেবনং।
অর্চনং বন্দনং দাস্যং সখ্যমাত্মনিবেদনম্।"

([illegible], ৭ম স্কন্ধ)

কীর্তনগী চপাবা মৈতৈবান [illegible] [illegible] বাই। মাহুদি—ঈশ ছকপা ঈশৈ ছকপা [illegible], [illegible] জিক্কি ঈশৈ ছকপা কৌ[illegible]। [illegible] কীর্তন কৌদে। [illegible] কৌ[illegible]। মাবু মৈতৈবোনদা ঈশ ছকপ[illegible]

কীর্তন তৌবা হাঙ্গৈ[illegible] অমব থংনৈ, মহাক্কি নবদ্বীপ্তা শ্রীশ্রী[illegible] মা[illegible] সংকীর্তনবু পুথোকপী। মাদুগী [illegible] পুম্নমক থমখি। মাদু [illegible] অংনা মণিপুরদা চংলকতুনা মৈতৈনা [illegible] কীর্তন তৌবা হাঙ্গী রগা থংনৈ, মাসি অচুম্বনি। কচদি [illegible] তকলোহ [illegible] য়াদে। খুদম ওইনা উৎপাদ্ম য়াই, মাহুদি, [illegible] সাদক [illegible] ভুবারামনা শ্রীমন্মহাপ্রভুগী অবতার তৌদবিদ্দা তৌবা [illegible] কীর্তন [illegible] ভুকারাম বা ছকলমই, শ্রীগঙ্গানা ভগবান[illegible] [illegible] পুম্নবু পান বিরগা অমোক শ্রীচরণদা চংখি। সংকীর্তন [illegible] ইন। সাধুগী [illegible] থা থোরকতুনা শিবতনা মরম [illegible] ওইনবা [illegible] [illegible] শ্রী বন-দ তিনখি। তাইবংবু পানবিবা শ্রীগঙ্গা অমসু শ্রীহরি কীর্তনগী বারা অনিমক

পণ্ডিত পাবনা [illegible] গৌড়ীয় বৈষ্ণব মাসি। [illegible] অসি [illegible], [illegible] শ্রীনাম পবন বাগাদের পাপম অভিবর্ধন [illegible] — শ্রী [illegible] বি থমাই মসু [illegible] অনিসনা [illegible] মহুদি [illegible] ভান [illegible] গঙ্গানা [illegible]।

মাদু [illegible] সংকীর্তন না [illegible] বিনীতবঙ্গ নানা [illegible] পুষ্পবৃ শেদি। [illegible] মায়াং [illegible] পাবা য়াদ। [illegible] সংকীর্তন অমুনা একাদশস্কন্ধ। [illegible] ব্রাহ্মণ [illegible] হায়—

"কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষা কৃষ্ণং সাঙ্গোপাঙ্গাস্ত্রপার্ষদম্ ।
যজ্ঞৈঃ সংকীর্তনপ্রায়ৈর্যজন্তি হি সুমেধসঃ ।"

(শ্রীভা [illegible], ১৫।১২)

[illegible] অমুনা [illegible] সুদর্শন [illegible] শাংলম [illegible]

[illegible] অমুম্না শ্রীভাগবতনা হায়,

কলিং সভাজয়ন্ত্যার্যা [illegible] ।
যত্র সংকীর্তনেনৈব সর্বস্বার্থোহভিলভ্যতে ॥
নহ্যতঃ পরমো লাভো দেহিনাং ভ্রাম্যতামিহ ।
যতো বিন্দেত পরমাং শান্তিং নশ্যতি সংসৃতি ॥

(১) [illegible] অসি শ্রীগোবিন্দ [illegible] শ্রীকৃষ্ণ অসনা গৌড়ীয়সম্প্রদায় [illegible] নিরপেক্ষা ওইনা [illegible]।

কৃতাদিষু প্রজা রাজন্ কলাবিচ্ছন্তি সম্ভবং।
কলৌ খলু ভবিষ্যন্তি নারায়ণ পরায়ণাঃ ‖
ক্বচিৎ ক্বচিৎ মহারাজ দ্রবিড়েষু চ ভূরিশঃ।
তাম্রপর্ণীনদী যত্র কৃতমালা পয়স্বিনী ‖
কাবেরী চ মহাপুণ্যা প্রতীচী চ মহানদী।
যে পিবন্তি জলং তাসাং মনুজা মনুজেশ্বর ‖
প্রায়ো ভক্তা ভবিষ্যন্তি বাসুদেবে মলাশয়াঃ ‖

(শ্রীভাগবত, ১১।৫।২৫—৪০)

মচিন্তা লৌবা গুণ থংবা আর্যসিংনা কলিযুগপু ইবাইথুমনৈ, কলিদা সংকীর্তন তৌবনা মরম ওইদুনা অপাম্বা পুম্বাবু ফংই। তাইবংপানবদা হন্না হন্না পোকপা জীব সীংগী সংকীর্তন তৌববু ফংবদগী হেন্না বান্নবা অমা লৈতবা। সংকীর্তন তৌবদগী থমথেংবা শান্তিবু ফংই, তাইবংপানবদগী লাননি। সত্যনা চিংবা অহোপপা যুগতা পোক-পাসীংনা কলিদা পোকচাগ হায়না নিংই, কলিদা শ্রীনারায়ণদা ভক্তি তৌবাসীংনা পোক্কনি। হে জনক নিংথৌ কবি কবিগুম্বা মফমদা দ্রাবিড়স্থানা য়াম্না পোক্কনি। তাম্রপর্ণী, ঈসিংফম্বী কৃতমালা, পুন্য অথাইবী কাবেরী, নোংচুপতম্না চেনবী মহানদী, তুবেনসীং অসিগী ঈসিং থকপা মীসিংনা অরুবা পুকনিং ওইদুনা ভক্ত য়াম্না পোক্কনি।

শ্রীভাগবতকী বচৈসিং অসিনা তাকলি কীর্তনগী মঙালংবা ভারততা হানলি। পুরাণ অতোপপদসু হায়রি ভক্তিদি মথাথংবা শক্তিগী হায়না ওই। মাসিদগী চংবা ওংলে মাতমদা শ্রীশ্রী গৌরনিত্যাই প্রভু অনিবু "সংকীর্তৈক পিতরৌ" = সংকীর্তনগী হৌদোকপনি হায়বা অসিদি শাস্ত্রকী মফম অতোপা লৈতবা স্বপনাগী বঙ্গদেশতদা ওইরবা কীর্তন মথল অমাবু পেথ অনিনা হৌদোকই হায়বান, সংকীর্তন পুম্নমকপু হায়বা নত্তে মাগুম্না লৌদ্রবদি শ্রীভাগবতকা কাইনরে।

শ্রীভাগবতনা তাকলিবা কীর্তন অসিদি ভাগবত ধর্ম্মগী কীর্তননি, মাহুদি দক্ষিণ ভারততগী হৌরকপনি। অদুগা কীর্তন হায়বা পুম্নামকপুদি দক্ষিণ ভারতনা হৌদোকপা নত্তে। ব্রাফম অসিবু খুদম উত্তুনা ব্যাখ্যা তৌবা য়াই, মাহুদি মণিপুরীয় কীর্তন, অসিগী মশা পুম্না-মকপু থুগাইদুনা এংলগা ফংবা মহাক্কী মূলদি মণিপুরনি। মণিপুরনা লম পুম্নমক্কী অহানবনি। ধর্ম্ম শুম্না মণিপুরদগী সন্দোকখিবনি। বেদদগী মহাভারত ফাউবা প্রাচীন গ্রন্থপুম্বানা মাহুগী মৃৎথৎপা য়াদবা

সাক্ষীনি। মণিপুর কীর্তনদি মণিপুরগী ময়নাইনি। মতমগী পাঙ্গলনা য়াম্না হুম্ভাকবাদগী অমৌবা যুগতা অনৌবা ফীজোম্না অমোক হুন্না লৈত্তেংবনি।

১৪৮৫ খৃষ্টাব্দদা ফাল্গুনী (লমদা) পূর্ণিমাদা বঙ্গবরেণ্য মহাপুরুষ শ্রীগৌরাঙ্গ দেবনা নবদ্বীপ ধামদা পোকই। মপানা পণ্ডিত অথোইবা জগন্নাথমিশ্র, মমানা শচীদেবীনি। মাখোই অনিনা য়াম্না লাকণ্ডম ফাওমদবা মচাবু লাইবিক লাইসু তমহনলোই, লাইবিক হৈত্তবা অপংবা ওইনা থমগে নিংই, মচা অহন বিশ্বরূপনা লাইবিক তমতুনা চহি ১৬ তা লম্বোইখি। নিমাইবুদি মূর্খ ওইনা থমগে নিংলি। মচা নিমাইদি লাকনা ফ'নাবা য়াবা অঙাং নত্তে। মনিং তৌনা লাইবিক তমহন্দবা ঙমদরে। নিমাই চহি ১২ সুবদা মপা জগন্নাথমিশ্র থুপখরে। নিমাইনা পুকনিং অনি লেংদনা অডকপাগী মশক ওইনা লাইবিক তমই। নবদ্বীপকী পণ্ডিত অথোইবা অমা ওইরে। মরনাইগী টোল অমা লিংখৎলে, মাহুদা লাইরিক তম্বিবা হৌরে। মাগী চহি ২২ দা লক্ষ্মীদেবীবু লুহোংই দিগ্‌বিজয়ী পণ্ডিত কেশব কাশ্মীরীবু জয় তৌই।

পণ্ডিত নিমাইনা স্বর্গীয় পিতৃদেবগী তীর্থ তৌনবাগীদমক গয়াদা চৎলি। পণ্ডিত নিমাই তীথদা য়াম্না কন্নানারে।(শ্রীভাগবতকী চতুর্থ স্কন্দদা হায়ি, তাইবংপানবা পুম্নমক এংমুংশেনদা মিনা তাবাগুম্না থাকচবা শৈতনা লৈবা বেদবু মাগী অর্থ খংনবাগীদমক মৌন, সংযম, নিয়ম তৌদুনা পুকনিং অনি লোংদনা অভ্যাস তৌবা মীবু ব্রাহ্মণ অমসু বৈষ্ণব কৌই,) মহাক্কী খুয়াগা উমুনবু কোক্তা হাপনবদি মী অদুগী মশাদা লৈবা পাপ পুম্না কোকই! অদাবা, অনাবা, লাইপকথিবা পুম্না কোকই। অমসু অকবা গুণ পুম্নমকনা মী অদুদা পুলপ চংলকই, হায়ি। মাদুগী মতুংইন্না পণ্ডিত নিমাইনা বেদাভ্যাসী ব্রাহ্মণগী পদরজঃ লৌদুনা কোক্তা হাপপদা অনাবা কোকলে। গয়াদা প্রতিষ্ঠিত শ্রীবিষ্ণুপাদদর্শন তৌবদগী পণ্ডিত নিমাইগী থমোইদা প্রেমগী ইহান হানবদা উদয় ওইখি। মফম অদুদা শ্রীঈশ্বরপুরীদগী পণ্ডিত নিমাইনা বিষ্ণুদীক্ষা ফংই। শ্রীমাধবেন্দ্রপুরীনা নোং অনৌবা হৌবা উবদগী শ্রীশ্রীকৃষ্ণ প্রেম ফংখিবনি। মহাক্কী শিষ্য শ্রীঈশ্বর পুরীদগী শ্রীবিষ্ণুপাদউবদগী শ্রীশ্রীকৃষ্ণ প্রেম ফংবা পণ্ডিত নিমাইনা বৈষ্ণব দীক্ষা ফংলে, অদুগা "সংকীর্তন" তন্নকই।

শ্রীমাধবেন্দ্রপুরীদি শ্রীগৌড়েশ্বরপাদ মাধবগী সম্প্রদায়নি। বেদান্তী দ্বৈতাচার্য শ্রীমন্মাধবদগীনা শ্রীমাধবেন্দ্রপুরীগী মথক ফাউবাদা প্রেমভক্ত ওই-

খিবা থেংনদে। শ্রীমাধবেন্দ্রপুরীনা প্রেমভক্তি মহা কল্পবৃক্ষগী মূলনি। শ্রীঈশ্বরপুরীনা অঙ্কুর মযোনান। শ্রীমন্মহাপ্রভুনে, শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুনে, অমসুং শ্রীঅদ্বৈতচার্যনে অহানা প্রেমভক্তি মহাকল্পবৃক্ষগী অচৌবা মশা অহুমনি। শাখা (মশা) শ্রীনিত্যানন্দ অমসুং শ্রীঅদ্বৈত অনিদা পানবা মশা মচাময় মগী মনানা বঙ্গদেশ পুম্বাবু চঙ্হন্দুনা। মাহুদা পানবা মধুর প্রেমভক্তিনা মাগী অমৃত ফলবু বঙ্গ, উড়িষ্যা অমসুং শ্রীবৃন্দাবনদা পীজরমই, অদুগা শ্রীমন্মহাপ্রভুদ্ উইব শাখ শ্রীলোকনাথ, মাঙান্দগা শ্রীনরোত্তম, মাঙোন্দগী মথং মথং লাক্তুনা শ্রীরূপপরমানন্দদগা শ্রীভাগ্যচন্দ্রজয়সিংহ ভক্ত রাজর্ষি ফাউবা লাকপা মরম প্রেমভক্তিনা শত্যদা অনি চুপনা মণিপুরবু মহাক্কী যোগীন্দ্র মুনীন্দ্রনা খনুগ্নানা লাম্বাদ দবা মধুর প্রেমগী অমৃতবু পীথকলি। হুজিক অসিমক মহাক্কী মতমনি।

শ্রীনিমাই পণ্ডিত গদাদা [illegible] কলে। তুনা [illegible] ঠাকুরাণী নিম্ব চিকতুনা নোঙ্গাবমলে। অশোক [illegible] ঠাকুরাণী [illegible] তৌই, মতম অদুদা প্রভুগী চহি ২২ হেন্দবি। মতম অদুদা [illegible] অমসুং প্রেম [illegible] পুন্নমক্তি সুনা লৈ। বিদ্যা [illegible] ঙক্বা অনি [illegible]। পণ্ডিত অথোইবা বাসুদেব সার্বভৌম [illegible] ভক্ত মচাপা অনৌবা হুমিং অমা [illegible] রঘুনাথ, স্মার্ত [illegible] রঘুনন্দন আগমবাগীশ কৃষ্ণানন্দ [illegible] নবদ্বীপ খামদা [illegible] শ্রীগৌরাঙ্গ [illegible] অদুগা মরক্তা [illegible] অমুক [illegible]। [illegible] ভাগবত দিব্যশক্তিনি। যুগ যুগ [illegible] কলিযুগদা পাপনা মীওইববু কুপসিনখ্রবা [illegible] থাউ-ম পাইহুনা মীওইবং [illegible] অদুদি [illegible] গৌরচাঁদ অসিনি। মতম [illegible] পুজা তৌরমদা মী মবোক্তা হাপপা [illegible] উপাসনা থাকতুনা লাওবা খোলাওমক্তনা নাকোং [illegible] মতম অদুদা বৈষ্ণবসিংনা হাঙ্গৈ, অদ্বৈতাচার্যনা চিংবনা হুঙ্কার [illegible] বৌই অদুদগী শ্রীগৌরাঙ্গনা নবদ্বীপতা অবতার তৌরনি।

শ্রীনিমাইনা শ্রীঈশ্বরপুরীদগী মন্ত্রদীক্ষা ফংবদগী হৌতুনা শ্রীশ্রী৺কৃষ্ণ প্রেম্না অমোক্তোইনা পুমচাও ভাওখরে, ইবুঙো মহাক্তি মতম অতুদগীনা নিমাই পণ্ডিত ওইদবে। মুমদা হল্লকপগা কপতুনা কপহন্দুনা জগোই সাতুনা সাহন্দুনা শ্রীবাসগী মাঙ্গোনদা শ্রীকৃষ্ণ প্রেম ঈথক হৌহন্দুনা তাইবংদা ওইথোক্তবা "কীর্তন" হৌখি, মাসিদগী শ্রীগৌরনিত্যাই প্রভু অনিনা সংকীর্তনগী অনিস্মুদবা মপানি, হাঙ্গৈবনি। প্রভুগী টোল থিংখরে। লাইবিক য়োমসিন্দুনা মনি পুনসিনবগা শিষ্যসীংনা কোইবতুনা কীর্তন তৌই। শিষ্যসীংনা হাঙ্গৈজতুনা প্রভুনা নাম সংকীতন তম্বী। ময়ামগা লোইনতুনা শকই, নামসংকীর্তন, মাতুদা শকপা,—

হরি হরয়ে নমঃ কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ।
(যাদবায় কেশবায় গোবিন্দায় নমঃ)
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন ॥

শ্রীগৌরাঙ্গগা সংকীর্তননা মাস্থুম তৌতুনা নবদ্বীপতা হৌগৎলবদা মথং মথং শ্রীনিত্যানন্দ লাকতুনা তিল্লবে, শ্রীঅদ্বৈতাচার্যদি হান্নন্না লৈরে। মতুংদা যবন হরিদাস লাকই, মহাক্তি, কাজিগী শাসনদা কৈথেন ২২ দা লীকচৈনা ফুই, অতুবু প্রহ্লাদগুম্না মাগী হরিনামদা ওইবা কচিবু থাদোকখিদে। গদাধর, মুরারি, নরহরি, দামোদর, অসিতা নত্তে, সাংথাবা ওম্বা নত্তে চহি ২৩ তা চংলকলিবা পাখং অতুদা ওম্না তিল্লবে। নগর কীর্তন তৌরদা নদীয়া লপত্রৈ হাইরাগুম নিরলে।

মাতুগী মথংদগীদি প্রেমগী বন্যা হৌরকলে, মাতুদা শান্তিপুর অপুম্বা লুপথরে, নদীয়া পুম্বা ভাউথখরে। মাতুদগী মথং মথং হৌরকপা ঈথকনা বঙ্গদেশ থোক থোক নিক থরে। জগাই মাধাইগুম্বা মহাপাতকীমকপুম্ব শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমনা লানবিরে। তৌইগুমম্থু নিন্দুককী মরৈদি অতনবা লৈতে। মযুমদদি সুন্দরীযুবতী থমজিনবগা, মী পুম্বাগী মান মর্যাদা থম্বা, মিংচৎতা ভাক্তগা কবম্না হরিভক্তি প্রচার তৌগনি। পণ্ডিতসীংমকসু মাতুদা য়াওবে। মংংদাসু মপানদাসু ত্যাগব্রত তৌবা নিপাগা মতৌদগী প্রচার তৌবা নত্তনা করম্বা ফিদসু লোকসমাজনা মান মর্যাদা তৌগদগে? মাগী কৌরতা থমদ্রবা ত্যাগীতগা মীওইবাগ থমোইগা তিম্নাগদবনি। শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা মীওইবা পুম্মকনা অপনবা লৈতনা শ্রীহরিগী নামামৃতপান তৌবা য়ানবগীদমক নোংমাগী

হুমিংতা থেংলবা সুরুবা অহিংদা চান্নাথোইবী যুবতী পত্নী শ্রীবিষ্ণুপ্রিয়াদেবীবু, অহন ওইরবী মমা শচীদেবীবু মহাক্কী পেন্নাকম ওইবী ভাগিরথী শ্রীগঙ্গাবু অচানবা পোকনফম নবদ্বীপপু হুন্দোক্কনা শ্রীগঙ্গা পার তৌহনা যুম থাদোকহনা লেংখরে। মাহুদি ভারততা অনিসুবা বুদ্ধদেব অমা থোরকলে। তৌইগুমহু বুদ্ধদি তাইবংপানবাগী অরাবা কোক্লবা ঙসি সিগনি পাওত্তাক্কবা, হয়েং সিগনি পাউজেলদবা তাইবং মালংবানগী অংবাববু করম্না কোক্কদগে হাঙ্গইহনা তত্ত্বথিবা চেনখিবনি। শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুদি মাহু নত্তে। অরাবাগী মৈচাকনা কাইনবাগী মৈনা চাক্কনা ৱারবা, ওনহনা থোইহনা লৈরবা তাইবং মৈগী মৈচাক্কগী থাকচবা লৈতনা জীব পানবা পুম্বাবু শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমামৃত পীথক্কে অহাবা পুম্নমক কোকহনগে, মরজগংকী ৱাংমদা লৈব নিত্যধাম, নিত্যবৃন্দাবন, নিত্যলীলা, উহনগে, হাঙ্গইবাগীদমকতা প্রভুনা লেংখরে, বুদ্ধগা প্রভুগা অনিগী চাংদম্নবা কৈদৌঙংদাসু য়ারোই। বুদ্ধদেবগী বৌদ্ধতত্ত্বদি নৈতিক চরিত্রদা হাপলনি, মাহুদা নিত্যধাম, নিত্যলীলা, নিত্যমূর্তিগী মফম লৈতে। শ্রীগৌরাঙ্গগী তত্ত্বদি প্রেমতত্ত্বনি। মরজগংতা তারবা ৱারবা জীবনা প্রেমতত্ত্ব ফংলগা ওইবা প্রেম মূর্তিদি যুগ খুদিংদা ওইথিদবা মশকনি। মতুংদাসু ওইররোইদরা? কনানা হাঙ্গইবা ঙমগনি। কবি জ্ঞানদাসনা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমামৃত থক্লবা বৈষ্ণবকী প্রেম মূর্তিবু শক্লমই, –

রূপ লাগি আঁখি ঝুরে গুণে মন ভোর।
প্রতি অঙ্গ লাগি কাঁদে প্রতি অঙ্গ মোর ||
হিয়ার পরশ লাগি হিয়া মোর কাঁদে।
পরাণ পিরীতি লাগি থির নাহি বাঁধে ||

(কবি – জ্ঞানদাস)

হুমিৎ চুপ্পা কপ্পা মক্কনা তপথব, ঙমদ্রবা বৈষ্ণবকী পুকনিংনি। বৈষ্ণবকী মীৎ অনিমক হুমিৎচুপ্পা চুহনাতা লৈরবা নোংনি। মীৎতগী চেন্থরকলিবা পীগী ঈচেন অহনা তংলরোইদবা ঈচেননি। বৈষ্ণবনা পামই, মহাকনা নিত্যসেবাময় দেহ, ওইহনা নিত্যরূপপু। নিত্যধাম নিত্য শ্রীবৃন্দাবনদা সান্নারিবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী নিত্যলীলাবু মীকুপ মীকুপ খুদিংগী অনৌবাদগী অনৌবতা ওইনা যুগল কিশোরগী যুগল রূপপু ইবুঙো ইবেমা অনিগী সনাহকচাং খুদিংবু শোক্কনা সেবা তৌনিংবনা কপহনাতা লৈ, তপথবা ঙমদরে ইবুঙো ইবেমাগী নিত্যসেবাতবু পাম্বানা ঙাওহনা লৈ,

শ্রীমন্মহাপ্রভুগী প্রেম তত্ত্বদি মাসিনি। অসিগুম্বা প্রেমবু জীবপুম্বা খাক-চবা নৈতনা পীগে হাঙ্গৈবাগীদমকতা প্রভুনা লেংখিবনি। য়ুমদগী প্রভুনা ভাগিরথী শ্রীগঙ্গা লান্দুনা লেংখরে, । কেশব ভারতীদগী শাস্ত্রীয় সংন্যাস লৌই, মতম অদুদা প্রভুগী নাম শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য কৌখরে, হান্নাগী " নদের নিমাই " লৈখিদরে। মতম অদুদা প্রভুনা চহি ২৪ সুই।

মাদুগী মতুংদগী শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভুনা চহি তরুক চুপনা মথাংবা অমসুং লোং-চুপথংবা ভারত কোইদুনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম প্রচার তৌই। অহানবদা পুরীধামদা বাসুদেব সার্ব্বভৌমবু শিষ্য ওইনা লৌসিনবী। কাশীধামদা প্রকাশানন্দ সরস্বতী বৈদান্তিক সংন্যাসীবু প্রভুগী মততা পুশিনবী। গৌরদেশগী বাদসাহ হুসেন সাহগী মন্ত্রী তাইবং-পানববু পামদ্রবা রূপ অমসু সনাতনবু প্রয়াগতা অমসু বারানসীদা লৌসিনবী। চহি তরুক অসিগী মতুংদা মথাংবা ভারততা গোদাবরী তুরেন মপানদা রামানন্দরায়গা প্রভুগা উনখি। মাদুদা রসতত্ত্বগী আলোচনা তৌনখি। প্রভুনা মনাই রামানন্দদা পাজন পীদুনা মহাক্কী মচৌন্দগী শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমতত্ত্ববু লৌই। মাদুবু গৌরদেশদা শ্রীরূপ, সনাতনদা তাকদুনা গৌড়দেশদা প্রভুনা প্রচাব তৌই। প্রভুনা শ্রীমদ্ভাগ-বতপু প্রমাণ চূড়ামনি ওইদুনা প্রেমতত্ত্ববু প্রচাব তৌই। তৌইগুমসু শ্রীভাগবততা গোপীপ্রেমবু প্রেমপুংগী অহেনবা ওইনা হাঙ্গৈ। গোপীপ্রেমদি অবৈধ প্রেমনি। বৈধ প্রেমদগী অবৈধ:প্রেম্না হেনববু য়াম্না নিংথিনা শ্রীভাগবতনা তাকই। অদুম্নদি ওইরগা শ্রীভাগবতনা কনাগুম্বী গোপী অমতগী মিংনু পন্দুনা হাঙ্গৈদে। শ্রীরাধাগী প্রেমদি য়াম্না খুপখ্রবা অমসু কনা গুম্বা অমতনসু থল্লদ্রনসু ফংবা ঙমদবা প্রেমনি। ইবেমাগী প্রেমদি অতিগুহ্যনিগূঢ় প্রেমগী পরাকাষ্ঠা অরোইবা থমথোংবা ঙমথেনি। ইবেমাগী শ্রীরাধা হাঙ্গৈনা নামসু অদুনি অতিগুহ্যনিগূঢ় নামনি। মরম অসিদগী শ্রীভাগবতনা ইবেমাগী প্রেমবুদি হাঙ্গৈ, অদুগা ইবেমাগী নাম্বুদি জীবজগৎতা ফোংনদি হাঙ্গৈরমদে। থুপ্পদি মহাকনা মথুপথ্রবা ইবেমাগী নামগা লোইননা ইবেমাগী প্রেমবু জীবজগৎপুম্বদা পীগে হাঙ্গৈদুনা অবতার তৌবা ইবুঙোনা মনাই রামানন্দ রায়গী মচৌন্দগী লৌদুনা প্রচার তৌবনি। বেদপুম্বা ইবুঙো মহাক্কী য়াথংনি, অদুবু ইবুঙো মহাক্কী মতিক ম-গুণদি সাধুগী মচিনদগী প্রচার তৌবা হৌনৈ, অদুনা প্রচার তৌনবগীদমক প্রভুনা মনাই রায়বু হাঙ্গৈহনবনি। মাদুমক শ্রীভাগবত দশমস্কন্ধদা ব্রহ্মান স্তুতি তৌবদা হাঙ্গৈ,—

"জ্ঞানে প্রয়াসমুদপাস্য ন মন্ত এব জীবন্তি সন্মুখরিতাং ভবদীয়বার্ত্তাং।
স্থানস্থিতাং শ্রুতিগতাং তনুব ঙ্মনোভির্যে প্রায়শোঽজিত-
জিতোঽপ্যসিতৈ স্ত্রিলোক্যাং ॥"
(ভাগবত, ১০।১৪।২)

হে ইবুংগো। নহাক্কি ভমফমবানিদি হাঙ্গিনাবু ভমফবাস্ত্র নই, নহাক্কী ননাইসিংগী চিন্দগী থোকপা নহাক্কী মতিবপু লাকবা ভীনসীংনা মান্ত্রব পুকনিং হকচাং অমত্তা ওইনা লৌক্তবতনা জ্ঞান ফংলে হাঙ্গিনা তাপদবাস্ত্র নশাকপু ভ্রমই।

মথাথংবা ভারত কোইনা মতমদা গোদাবরী তুবন মপানদা প্রভুগা রামানন্দগা ভাংনথিবা অতুদি স্বামি শঙ্করগী মতমমিশ্রগা অমিনা উননা অত্তগুম্ন শিষ্যগা গুরুগা থংনবা অত্থু নত্তে। পরমরসিক অমিগী নিংতম্পানদা লৈনবা কৃষ্ণ প্রেমগী ইথকনা মপু মনাই অনিবু প্রেমগী চাংমদা লৈতনা ক্ষুচাইদে। লপঙনবা সঙ্গমনি। প্রভুনা গোদাবরী মপানদা লৈকই। গোদাবরী উবনা পংনা যমুনা সিংসই মপান্দা লৈবা ননমা বৃন্দাবন ওইরবে। বন উবগা প্রভুনা জংলাং সাগনা ইশা শকই। গোদাবরীদা চাইথবগা গোদাবরী নাম্দুনা মপান্দা লা থোকখ। থবা লেংথোক্লগা কমচুনা প্রভুনা লোথোই। পংগা ফমগনা নাম সংকীর্তন তৌই মতম অসিমক্তদা রামানন্দরায় দোলায় কোংজনা লাকই। গোদাবরী স্নান তৌগ নিংজনা পুঙ্গশন মৈতুনা গোদাবরীদ কুমপথি। মাগী লোইনাবা লেপ্তবা মা মাম গোশ্নাবকই হৌনাবি মতুংইন্না স্নান তৌ ন তৌব। ভুন মাগা উদা রামানন্দরায়নি খংলে। মহাকপু উনদিংবনা প্রভুগী তৌবাংবা লোকই। অমকপু পুকনিং তপথাত্তুনা প্রভুনা থাংই। রামরামনন্দনা উথাক্তুগা সংন্যাসী উবদা চাবরব। মহিৎ চামা থোক পাওমা ভানবা অঙংবা ফি লংপ, ফজবা মা চাবগী সনা হকচাং উবনা যাম্না ফক্ক। চংসিন্নকত্তুনা দণ্ডবৎ তৌনা থবমই। প্রভুনা হৌরক্তুনা হঙ্গ ‘কৃষ্ণ কৃষ্ণ লোল্লু। প্রভুনা মাবু আলিঙ্গন তৌনই। হমকপু হঙই— নহাকপু রামানন্দর?’ মানা খুমই— ‘ননাই ঐ মা, ... মা শুদ্রনি।’ মাতু হায়রগা ... কৌর্নি।

প্রভুনা মনাইবু বে নলগা চানমা তুনা লৈথ। হবুংগী মহৌশাগী প্রেমনা থোনকলে। মপু মনাই অনমক ... কোয়তুনা লৈপাক্তা তুথবে। যুম্বীগুন ল দবা হুনা লোবা, পী তাবা, তুচুংবা, কুচ গুনবা. অনিমক্কী চিন্দা হিকনা হিকনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোনবা, মাতু উবদা ব্রাহ্মণ-সীংনা ঙকলে। বৈদিক ব্রাহ্মণগীনা বিচার তৌতুনা হংই, সন্ন্যাসী অসিগী মতিক মগুণদি সংসংবা ব্রহ্মগা মানৈ। শূদ্রবু কৈল্লগা কবিগীনো? কপলিবা। মহারাজ পাত্র অসিম্তু পণ্ডিতনি। কবিগীনো মানা সংন্যাসী বু শোক্লগা ইফিং ফিংগৎপা। মাস্তুম তৌতুনা ব্রাহ্মণসীংনা নিংনবে। প্রভুনা অতোপ্পা মীসীংবু উবগা প্রেম হঞ্জন্দুনা লৈবে। হাম্নাগী মতৌ

ওইনা প্রভুনা ফমদে। নোক্কনা পভুনা হাঙ্গী, সার্ব্বভৌম ভট্টাচার্য্যনা নহাক্কী নগুণবু তাকই, ঐনা নহাকপু উনগে হাঙ্গীদুনা হোৎনবিরনি। ঐনা মাসিদা লাকপদি নহাকপু উনগে তৌরনি, ফগে, যাম্না, নহাকপু হুজিক উনবে। হায়না হাঙ্গী, সার্ব্বভৌমনা মনাই ওইদুনা হাঙ্গীবিবনি। ইত্তুংমক্তদাসু ঐগী যনবাব খননিবর্নি। মহাক্কা খোজান্দগী ওসি নহাকপু ঐনা উজবে। ঐনা মীৎইনা পোকপাগী পুন্নামদ ওসি মহৈ যানলে। সার্ব্ব ভৌমদা নহাকনা কৃপা তৌবা, মাংগী খুদমনি, মাসি। সার্ব্বভৌমবু নহাক্কা চানবিবা মক্কনা অমাংবা শাস্ত্রফদবা হীব ওসি নংনা শোকপীবে। নহাক্তি সংসংবা ঈশ্বর নারায়ণনি। কদাই। ঐনা নিংথৌ-খনবা বিষয়ী শূদ্রনি। ঐবু নংনা উবদি বেদনা যাদবনি। ঐবু শোকপাসু তুক্কচদবে, বেদগী য়াথং থাদোকপাসু নহাক্না থৌনহন্দবে। নংনা থাজানবা মক্কনা নিন্দা তৌবা থবকপু তৌবে। নংদি সংসংবা ঈশ্বরনি. [illegible] চৎপু হননা শংগনি? নংগী থোজাননা ঐবু উহনবিবে। [illegible] হৌনবীনি। অতু মকপু অতোনবাগী মযুন্দা চৎ[illegible] তৌদবা নগে। ঐগা লোই-নবা ব্রাহ্মণ লীসিং অমাসিনা [illegible] দগী মপুক্রিং লোইনা পেৎখবে, মাখোইগী মচীনদ "কৃষ্ণ নন্দ" [illegible] তাবে, মাখোই পুন্নামক মতু চুংলে, মাখোই পুন্বাগী মনাং[illegible] হবে। নহৎ নাত্তী অসিনা নহাক্তি ঈশ্বরনি। অসিগুম্বা অপ্রাকৃত গুণ অসি থ[illegible]পানবদ ওইবা হৌনদে। প্রভুনা হাঙ্গী, নংদি মহাভাগবতনি। নহাকপু [illegible] পুক্রিং পেৎখিবনি। অতৈদি থম্লহনা ঐগুম্বা ম[illegible] সংস্পর্শকসু নহাকপু শোকপদা কৃষ্ণপ্রেমদা তাওথবা। মাসি খংহনা সার্ব্বভৌমনা নহাক্কা তিন্ন নবা ভাকলকই। মাগুম তৌদনা মপু মনাইনা অনিমক্কী গুণবু থাগৎনৈ। মতম অসিমক্তদা বেদহৈবা বৈষ্ণব ব্রাহ্মণ। অমা লাকই। মানা প্রভুবু দণ্ডবৎ তৌনা খুকন্দুনা নিমন্ত্রণ তৌই। প্রভুনা বৈষ্ণবনি খংদুনা নিমন্ত্রণ লৌবে। মোমোন নোক্কনা প্রভুনা রামানন্দদা হাঙ্গী। নহাক্কা নচিন্দগী শ্রীকৃষ্ণগী কথা তানিংই। অমোক নহাক্কা টনসি। যনা খুমই, অতো-নবারু শেংবগে হাঙ্গী। [illegible] মং নিদং [illegible] লেংবিক্ত। অতু ওইরবদি ননাই ঐ শেংগনি। ঐগী ফত্তবা পৃকচেন অসি মাহুম তৌরবদি

শেংগনি। অনিমক অদু ক ইনাবাবু খাংবা ওনদে, অদুমকপু দণ্ডবৎ তৌনা খুকল্লগা বামানন্দ চৎখ্রে। প্রভুনা ব্রাহ্মাগী মযমদা শেংদুনা ভিক্ষা তৌবে। উনিংবামক্তনা খংবা ৬ [illegible] লাক্তুনা উনখ্রে। দণ্ডবৎ তৌদুনা খুকমই বাযবু প্রভুনা কৌল্লি। অনমকনা মা [illegible] তবা অচিকপা মফম অমদা ফমলে। প্রভুনা হাঙ্গ,সাধ্যবু নির্ণয তৌনবা শ্লোক অমা হাঙ্গীযু। মাদু তাবগা বায রামানন্দন হায়ি,—"স্বধর্ম্ম চৎপনা বিষ্ণুভক্তি ওই"।

"বর্ণাশ্রমাচারবতা পুরুষেণ পরঃ পুমান্।
বিষ্ণুরারাধ্যতে পন্থানান্যস্তত্তোষ কারণং॥" (১)

২ প্রভুনা হাঙ্গ,— [illegible] অমা হাঙ্গীযু।
বাযনা খুমই, [illegible] শ্রীকৃষ্ণদা কর্ম ফংগে হাঙ্গী-
দুনা [illegible],—

"যৎ করোতি যদশ্নাসি যৎ জুহোষি দদাসি যৎ।
যৎ [illegible] তৎ কুরুষ মদর্পণং॥" (২)

৩ [illegible] অমা [illegible]।
বাযনা [illegible]

"সর্ব্ব ধর্ম্মান্ [illegible] মামেকং শরণং ব্রজ।
অহং ত্বাং সর্ব্ব পাপেভ্যো মোক্ষয়িষ্যামি মা শুচঃ॥" (৩)

৪ প্রভুনা [illegible]।
বাযনা খুমই, [illegible] সারানি।

"ব্রহ্মভূত প্রসন্নাত্মা ন শোচতি ন কাঙ্ক্ষতি।
সমঃ সর্ব্বেষু ভূতেষু মদ্ভক্তিং লভতে পরাম্॥" (৪)

---

(১) ব্রহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শূদ্র [illegible] ইনবা আশ্রমদা লৈদুনা শ্রীকৃষ্ণ উপাসনা তৌবনা [illegible] নবা ওই, মাদু নওনা অতোপ্পা অমা লৈতে।

(২) শ্রীকৃষ্ণনা [illegible] তৌবা পবক খ্বা চাবা, হোম তৌবা, দান তৌবা [illegible] পুম্নমকপু শ্রীকৃষ্ণদা কৎপু।

(৩) শ্রী কৃষ্ণনা [illegible] তৌগনু) [illegible] ফৎপবাই হায়না [illegible]।

(৪) ব্রহ্মদা লেপ্পনা লৈববা, পুকনিং শেংলবা, অবাবদা পুকনিং থক্কৎতবা ফগদ-

৫ প্রভুনা হাঙ্গী,— মাসিদি মপানগী অচম্বনি মথং অমা হাঙ্গীয়ু।

রায়না খুমখ, জ্ঞানশূণ্য (জ্ঞান য়াওদবা) ভক্তিনা সাধ্যসারনি।

"জ্ঞানে প্রয়াসমুদপাস্য নমন্ত এব,

জাবন্তি সন্মুখরিতাং ভবদীয় বার্ত্তাং।

স্থানস্থিতাঃ শ্রুতিগতাং তনু বাঙ্ মনোভিঃ,

যে প্রায়শোঽজিত জিতোঽপ্যজিত স্ত্রিলোক্যাং॥" (৫)

(৬) প্রভুনা হাঙ্গী, মাসি মপানগী অচম্বনি মথং হাঙ্গী -

রায়না খুমই প্রেমভক্তিনা সাধ্যপুং। সান, -

"যন্নাম শ্রুতিমাত্রেণ পুমান্ ভবতি নির্ম্মলঃ।

তস্য তীর্থপদঃ কিংবা দাসানামবশিষ্যতে॥" (৬)

(৭) প্রভুনা হাঙ্গী, অসিমক্তানি মথং হাঙ্গীয়ু।

রায়না হাঙ্গী, সখ্যপ্রেমনা সাধ্য পুম্বাগী সারনি। (৭)

"ইত্থং সত্যং ব্রহ্ম সুখানুভূত্যা দাস্যংগতানাং পরদৈবতেন।

মায়াশ্রিতানাং নরদারকেণ সার্দ্ধং বিজহ্রুঃ কৃতপুণ্যপুঞ্জাঃ॥

(৮) প্রভুনা হাঙ্গী মাসিনা মাসানি মথং হাঙ্গীয়ু।

রায়না হাঙ্গী বাৎসল্য প্রেমনা সাধ্য পুম্বাগী মচিনি।

বিরবু ফংনিংদবা অমসু পুন্নমকপু চপমান্নবা উৎবা মীনা ত্রেণা ভক্তিং ফংই।

(৫) ব্রহ্মানা শ্রীকৃষ্ণদা স্তুতি তৌবদা হাঙ্গীবা, জ্ঞানগাদমক দনা তানববু থাদোক তুনা সাধুসীংগা মচিনদা থোবকপা ইবুঙো নংগী কথাগী মথং মধুমদা লৈতুনা চং-লুবা নত্তনা তাবা, অতুগা হকচাংনে, শাথংনে, পুকনিংনে পুমনমকসিমা খুকমতুনা হিংবা অতুগুম্বা মীনা ইবুঙো নহাকপু উম্ফনবা ওইতুনসু উমই,—

(৬) অম্বরীষদা দুর্ব্বাসনা হাঙ্গী,— হে নিংথৌ অংগোইবা! মহাক্কী নামগী তাবাতনা মীওইবনা পুকনিং শেংবা অতুগুম্বা অশেংবা তীর্থপাদ শ্রীকৃষ্ণগা মনাহগী কবম্বা পোৎ অমা কংদবা লৈগদগে? (মাসিনা দাস্য ভক্তিনা হেনবনি)।

(৭) শ্রীভাগবততা জ্ঞানী সাধুসীংগী মরিদানা ব্রহ্মসুখ ওইবা, দাস্য ভক্তসীংদানা মাথোইগী অথোইবা মবুঙো ওইবা, অমসু মায়াদা ঙাবিবাসীংদা অচম্বা মী অমাং অমা ওইবা শ্রীকৃষ্ণগা শোইনাতুনা মরূপ মপীগা ওইনা সান্নামিন্নাবিবা সখা গোপসীং অসিনা পুণ্যগী মপৈ কয়াম্বরন্মু তোপ্রবনি। (মাসি সখ্যগানি)।

নাঽয়ং কিমকরোৎ ব্রহ্মন্ শ্রেয় এব মহোদয়ং।
যশোদা বা মহাভাগা পপৌ যস্যাঃ স্তনং হরিঃ॥
নেমং বিরিঞ্চো ন ভবো ন শ্রীরপ্যঙ্গ সংশ্রয়াঃ।
প্রসাদং লেভিরে গোপী যত্তৎ প্রাপ বিমুক্তিদাৎ॥ (৮)

(৯) প্রভুনা হাঙ্খি, মসিনা অথোইবনি মগ অমসু হাঙ্খিখো।
রায়না হাঙ্খি, [illegible] সা [illegible] পুম্বা সার্বনি।
"নায়ং শ্রিয়োঽঙ্গ উ নিতান্তরতেঃ প্রসাদঃ,
স্বর্যোষিতাং নলিনগন্ধরুচাং কুতোঽন্যাঃ।
রাসোৎসবেঽস্য ভুজদণ্ডগৃহীত কণ্ঠ-
লব্ধাশিষাং য উদগাদ্ ব্রজসুন্দরীণাং॥"
"তাসামাবিরভূচ্ছৌরি স্ময়মান মুখাম্বুজং।
পীতাম্বরধরঃ স্রগ্বী সাক্ষাৎ মন্মথ মন্মথঃ॥" (৯)

শ্রীকৃষ্ণ্য ফংনবা উপাধি [illegible] শ্রীকৃষ্ণ [illegible] মফং য়ামই, অতুম্বদি ওইবগী শ্রীকৃষ্ণগী [illegible] পুম্নমক্কী [illegible]। মসি বিচার তৌবগা থং [illegible]।

রায়নে প্রভুনা [illegible] নুংসিবা থরদং সন্দোকলি।

মাওইনা [illegible] ভক্তিতনি। ভক্তি অঙ্গ পুম্নামক্কী [illegible] বনি। শ্রবণ, কীর্তন, স্মরণ, পাদ-

---

(৮) পরীক্ষিৎনা [illegible], নন্দনা করম্ব অথোইবা পুণ্যবু তৌখিগবা? যশোদানা [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী থকখিবা। শুক-দেবনা পরীক্ষিৎতা হাঙ্খি, [illegible] গোপী যশোদানা ফংলিবা শ্রীকৃষ্ণগী থৌজাল অসিবু তাইবংশম্বা [illegible], [illegible] অমসু শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গদা লৈবী লক্ষ্মীনাসু ফংবা ঙমদে।

(৯) রাসলীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা [illegible] পান্থোকনা চেৎনা কোন্দুনা থৌজাল পিন-বিখিবী গোপীনাংনা ফংব [illegible] শ্রীঅঙ্গদা লৈবা লক্ষ্মীনা অমসু [illegible] মনমনঙ্খী [illegible] করম্না ফংগনি।
রাসদা [illegible] গোপীগী প্রেমনা খাংবা ঙমদবা সংসংবা কামদেবগী কামদেব ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা [illegible] থোন্দনা বৈজয়ন্তী মালা সিন্নবা মো মোন ২ মোক্নবা গোপীসিংগা মথাংদা থংহানা লেপ্লিকখি।

সেবন, বন্দন, দাস্য, সখ্য, আত্মনিবেদন। মাপন অসিমসু মথক্কী তরুকপুম্না চুম্নাগী ভক্তি হাঙ্গৈরগতা থংনৈ। দাস্যনে, সখ্যনে, আত্মনিবেদনমে অহুম্না প্রেমভক্তি হাঙ্গৈরগা থংনৈ। পুক্নিংগী অথোংপাবু ঐগী ঈখাথংবদা ওইরগা চানবা কোই। ইথক থোংবদা ওইরগা ভক্তি কোই।

মাসিগু মীচমদা পান্দুনা ব্যাখ্যা তৌরবদি,— কনাগুম্বা অমনা (১) মাগী লৈপাক্কী নিংথৌগা মতিক মগুণবু তাঙ্গি, তানিংই। ২) মাহুবু মচিন্নাসু খুঙাইহুনা হাঙ্গি। (৩) মপুংফানিংনাসু নিংথোবু মান মপুংফা নিংসংই, নিংথৌবু থন্দুনা লৈ। (৪) নিংথৌগী মানা মেজবা সেবা থৌগন লাপনা লৈহুনা তৌই। (৫) মাগী ভমজবা পোৎ কৎলি। (৬ ম ন নিংথৌবু থুংমই। মাসুম্না মথং মথং হেনগৎলকপনা ভসুবা ফাউবাসি নিংথৌ ভক্তি তৌবনি। মাহুনা মথংনা (৭) নিপা অহুনা নিংথৌগী মনাই অমা ওই-রগা নিংথৌনা মাবু শকখং মাইথংনিবে। (৮) মাহুগী মথংদা নিপা অহুগী ভক্তি লৈবা নিংথৌনা নিংথৌনা মাবু মাসি ঐগী ইনাই অমনি, অসুম্না থাজরে। নিপা অহুসু নিংথৌনা মাবু থাজরে, হাঙ্গৈবাবু থংলে, মাসুম তৌহুনা নিংথৌগা মনাইগা লৈনরিবা ভাওভ অহুবু সখ্যভক্তি কোই। মাহুগী মথংদা (৯) নিপা অহুনা মাগী ভক্তিনা হেনগৎলকপদগা মাগী কান্নবা এংদমে, সুপনাগী মানা তৌরিবা পুন্নমক নিংথৌগী খুঙাইবা মনংতা তৌনা, নিংথৌনাসু মাবু মানা তৌখিবা পুম্বা ঐগী ভাক্তনি, থংলে অনি অহু মশা অমত্তা ওইনাথরে। মাহুবু আত্মানিবেদন ভক্তি কোই। মাসিদা নিপা অহুনা নিংথৌ মনাই ওইবনে, নিংথৌনা মাবু থাজবনে অমসু নিংথৌতাগী ওইন্না থবক পুম্নমক তৌবা মাগী পুম্নমক থাদোকপনে অহুম অসিবু প্রেমভক্তি, মথক্কী তরুকপু চুম্নাগী ভক্তিতা কোই। দাস্য, সখ্য অমসু আত্মনিবেদন মখল অসিদা মবুঙোবু ঐগীনননগা মাগীনি হাঙ্গৈবা মরি অমা হেমগৎলি, অহুনা মাথোই অহুম্নু প্রেম হাঙ্গৈবা বিশেষণ অমা চাপপনি। মথক্কী তরুক অহুদদি ঐগীনি অমসু মাগীনি হাঙ্গৈবা অহু মাওহুনাসু প্রতিপদ হৌগংপদা ভাইরিবা চন্দ্রগী কলাগুম্বনি, মাবু এংবদা উদে। অহুনা মাহুবু প্রেম ওইহুনাসু হকোং তক্লোংমা প্রেম হাঙ্গৈবা বিশেষণ অসি চাপলদে।

বৈষ্ণব দর্শননা প্রেমভক্তিবু মখল মঙা থোকনা থাইদোকই, মাহুদি শান্ত,দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসু মধুর, মঙা অসিনি। মাথোই মঙাসিনা অঙৌবা, লুংসিৎ, মৈ, ঈসিং অমসু লৈপাক পঞ্চভূতনা তৌবগুম্না গুণ অমামম হেন্জৎহুনা অরোইবা মঙাসুবদা গুণ মঙামকনা তিন্নি, মাহুদি অঁতিয়াদা থোঙ্গেনতা লৈ, লুংসিৎতা থোঙ্গেনগা শোক-পগা অনি লৈ, মৈদা থোঙ্গেনগা শোকপগা মচুগা অহুম লৈ, ঈসিংদনা হাঙ্গৈপ্রবা অহুম অহুগা মহাওগা মরি লৈ। অরোইবা লৈপাক্তদি থোঙ্গেন, শোকপা, মচু,

মহাও অমসু মনম গুণ মঙামক লৈ। মাসিগুম্না মধুরদা গুণ মঙানা তিল্লি, হাঙৈব দি শান্তদগী শান্ত, মাত্তদগী সখ্য, মাত্তদগী বাৎসল্য, মাত্তদগী মধুরনা মথং মথং হেনগৎলি। মধুর-উজ্জ্বল=শৃঙ্গার মিং অতুম অসি মশা অমতনি।

শান্তরসগী ভক্তদি সনক, সনন্দন, সনাতন, সনৎকুমারনচিংবনি জ্ঞাননিষ্ঠদি ওই রগা ভক্তগা তিন্নকবদগী সাধুসঙ্গগা কৃপানা মুক্তি ফংনিংবা থাদোকতুনা মপুকনিংদা ভক্তিগী বাসনা লৈবাপুম্বা শান্তরসভক্ত ঙাক্তনি। দাস্যভক্তনা ব্রহ্মা, মহাদেব, সু অমসু উদ্ধব, দারুক, শ্রুতদেবনচিংবনি। সখ্য ভক্তনা ব্রজদা সুবল, হস্তিনাপুরদা অর্জ্জুননাচিংবনি। বাৎসল্যন' বসুদেব, দেবকী, নন্দ, যশোদানচিংবনি। মধুরনা মথ রাদা কুব্জানচিংবনি দ্বারকাদা পট্টমহিষ'সিংনি। ব্রজদা গোপীসিংনি।

প্রেমভক্তি মখন মঙা অসিগী মথং হেনগৎপা অসিদি অচম্বা মীরম্বেনদা ইরাই লাইনা উরিবা অসিমঙাই,—মানা তাইবংপুম্বাগী মপুনি, হাঙৈতুনা মুংসিবদগী, মাদি ঐগী ইবুঙোনি, ঐনা মনাইনি হাঙৈনা নিংবনা হেনলি, মাত্তদগী মাদি ঐগী ইচানি, হাঙৈনা নিংবনা অমোক হেনলি, মাত্তদগীদি মাদি ঐগী ইপুবোইবনি, হাঙৈনা নিংবনা হেনলি, মধুরপ্রেমভক্তি অসিতনা শ্রীকৃষ্ণবু ইহেনহেন্না ফংই। অসিগুম্বা মধুরপ্রেম অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু ওমই, অমুম্না শ্রীভাগবততা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙৈ। মাত্তদি —

ময়ি ভক্তির্হি ভূতানামমৃতত্বায় কল্পতে।
দিষ্ট্যা যদাসান্মৎ স্নেহো ভবতীনাং মদাপনঃ॥

গোপীসিংদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙৈ, হে গোপীসা' ঐঙোন্দা ভক্তি তৌবা জীবনা তাইবংপানদগী লানবা মোক্ষ ফংই, নখোইগীদি লাইপক ফত্তুনা গোপী নখোইনা ঐবু হুংসিবে, মাত্তনা ঐবু নখোইনা ফংবনি।

শ্রীকৃষ্ণগী ব্রাশক অমা লৈ, মাবু ইবুঙো মানা থাদোক্তে, মাত্তদি, জীব অত্তনা ইবুঙো মাবু নিংবা মনিং অত্ত ওইনা ইবুঙোনা জীব অত্তবু নিংই।

যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাং স্তথৈব ভজাম্যহং।
মম বর্ত্মানুবর্ত্তন্তে মনুষ্যাঃ পার্থ সর্ব্বশঃ॥

শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হাঙৈ,—পৃথাগী মচা! মী অত্তনা ঐবু নিংবা মনিং অত্ত ওইনা ঐসু মী অত্তবু নিংই, মীপুম্নামকনা ঐগী লম্বেন্দা লাকপা

ঙাক্তনি (ইবেমাসীংনা শ্রীকৃষ্ণবু মপুবোইবনি, নিংই; শ্রীকৃষ্ণসু ইবেমাসিং অদুবু কান্তানি ঐগী চান্নাবানি হাঙৈনা নিংই)।

শ্রীকৃষ্ণনা গোপীসিংদা হাঙৈরমই, ব্রজগী গোপীসীংনা শ্রীকৃষ্ণবু ঐখোইগী পতিনি, হাঙৈনা নিংবা সিগীদি মতিক চানা শ্রীকৃষ্ণনা সিংবা ঙমদে, রাদি গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাইখ্রবা অদুনি, ঐবু নিংবাগা মান্ননা ঐনা নিংই, অদুদি হাঙৈরগা গোপীনা শ্রীকৃষ্ণদা নিংবা অদুপতি শ্রীকৃষ্ণনা গোপীবু নিংবা ঙমদে, অদুনা হে গোপীসা। ঐনা নখোইদা প্রেম লমন সিংবা ঙমদনা তোল্লে হাঙৈ,—

"ন পারয়েহং নিরবদ্য সংযুজাং,
স্ব সাধুকৃত্যং বিবুধায়ুষাপি বঃ।
যা মা ভজন্ দুর্জ্জরগেহ শৃঙ্খলাঃ
সংবৃশ্চ্য তদ্বঃ প্রতিযাতু সাধুনা ॥"

হে গোপীসা! কবিগুম্বা দোষ অমত্তা য়াওদনা ঐগা তিন্নাররবী গোপী নখোইগী লমনবু ঐনা লাইগী পুন্সি অমা চুপনাসু লমন খুম্বা ঙমলোই। নখোইনা থাদোকপা ঙম্বা হৌনদরবী যুমগী অফা-অপুনপুম্বা থদংতুনা ঐতবু নখোইনা নিংখ্রবনি, ঐনাদি মাদুগী লমন খুম্বা ঙমদ্রবনিনা নখোইগী ফজবা অদুমক্তনা নখোইগী লমন খুম্বা ওইরসনু।

মাসুম তৌদুনা প্রভুদা রায় রামানন্দনা ভক্তনা তানগদবাদি কান্তা প্রেম অসিতনি, হাঙৈদুনা হঙ্গৎলি। মাদুতারগা প্রভুনা রায়দা হাঙৈ,—

(১০) প্রভুনা হাঙৈ,— কান্তাপ্রেমনা সাধ্যগী ঙমখৈনি, অচুম্বামকনি,
ঐবু থৌজানবিদুনা মাসিগী মথংদা কয়িগুম্বা অমত্তা হাঙৈবিখো, ।
রায়না খুমই, মাসুম্না মমাংদৈদো কনাগুম্বা অমতনা হংথিদরি।
অসুপকুইবা অসি কনাগুম্বা অমত্তা ভাইবংপানবদা থংথিদরি।
কান্তা প্রেমসীংগী মথংদা রাধাগী প্রেমনা সাধ্যশিরোমণিনি।
মহাক্কী প্রেমবু শাস্ত্র পুম্বানা থাগৎলি।

অনয়ারাধিতো নূনং ভগবান্ হরিরীশ্বরঃ।
যন্নোবিহায় গোবিন্দঃ প্রীতো যা মনয়দ্রহঃ ॥ (১০)

(শ্রীভাগবত ১০।৩০।২৪)

---

(১০) শ্রীকৃষ্ণনা রাসগী হৌগংলকপদা শ্রীরাধাবু পুদুনা অন্তর্দ্ধান ওইখ্রবদা গোপীসীংনা

(২৯) প্রভুনা হাঙ্কি—মাসি তাকপা ঐ য়াম্না পেল্লে মথং হাঙ্গিয়ু। নহাক্কী নচিন্দগী অমৃতগী ঈচেননা তুরেন চেনলে। রাস সাম্মরিঙৈদা গোপীসীংবু কিজুনা রাধাতবু হুন্দুনা লোথলি। রাধাগীমতকা গোপীপুম্বাবু হুন্দোকলে। মাডুনা থংলে বাধাতদা শ্রীকৃষ্ণগী অচেৎপা অনুরাগ ওই। রায়না হাঙ্গি. তাবিয়ু প্রভু শ্রীরাধাগী প্রেমগা মাসিগা মানৈ হাঙ্গনা চাংদম্নবা লৈতে। গোপী পুম্বাগা লোইনাজুনা সাম্মরিঙৈদ। শ্রীকৃষ্ণনা গোপীপুম্বাবু হন্দোক্লুনা শ্রীরাধাবু থিবা বনদা কপ্তুনা কোইনা ২ চংলি। প্রেমগী লীচৎতি থোই-থ্রবনি, মাগুম তৌগনি হাঙ্গিবা থংদে। রাস সাম্মবিঙৈদা শ্রীরাধানা সাউদুনা চৎখরে। শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধা উদ্রবদা রাথি। শ্রীকৃষ্ণনা নিংই, রাস সাম্মাগনি। শ্রীরাধা যাওদনা রাসলীলা ওইবা য়াদবে। কোইদুনা সাম্মবিবা রাস মণ্ডলীবু থাদোক্লুনা শতকোটি গোপীবু হুন্নেক্লুনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীবাধাবু থিরকই। মাসিদগী থংলে শ্রীরাধানা [illegible] পুম্নমক্কগী মাসুপ য়াম্না হেনলি। প্রভুনা হাঙ্গি, মাদুতা থংগে হাঙ্গিদুনা [illegible] নাক্কা লাকইবনি। রসবস্তু পুম্বা তাবে মাসিদগী থংগে। মাসিগী মথংদা [illegible] হাঙ্গিয়ু। শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ শ্রীরাধাগী স্বরূপ। বসগীতত্ত্ব প্রেমতত্ত্ব কবিনো? [illegible] থৌজানবিদুনা তত্ত্ব অসি হাঙ্গিবিয়ু, নহাক নত্তনা [illegible] অসি হাঙ্গিবনবা [illegible] লৈতে, রায়না হাঙ্গি, ঐদি কব অমত্তা থংজদে। নংনা হাঙ্গিনু হাঙ্গিবতা [illegible] ইরোন লোমজবনি। নংনা [illegible] হাঙ্গিজবনি। নংনা থমোইদা [illegible] হাঙ্গিদোক্কে। কব্রি হাঙ্গিবগা ফগান, ফংলোই থংজদে। প্রভুনা হাঙ্গি, [illegible] ন্যাসীনি। মায়াবাদনা তাউদুনা ভক্তিতত্ত্ববু ঐদি থংদে। সার্বভৌম [illegible] মক অসি শেংই, ঐনা প্রেমভক্তিগা বা মাঙোন্দা হংই। মানা হাঙ্গি [illegible] তত্ত্ব থংদে। রামানন্দনা পুম্নমক থংই, মাদি অসিদা লৈতে। অদুনা নহাক্কী [illegible] ঐ লাকপনি। নংনা ঐবু সংন্যাসীনি, নিংদুনা থাগৎপনি, কৃষ্ণগী তত্ত্ব [illegible] গুরুনি। ব্রাহ্মণ কব্রি শূদ্র কব্রি নাইবাগে? ঐবু সংন্যাসীনি, হাঙ্গনা নমথাক তৌবগনু। শ্রীকৃষ্ণতবু অহিংসা বন মহুংদা কোইনা কোইনা থিরকপদা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণচিহ্ন তাবগাবু উরে, মাদুবু এংদুনা এংদুনা লাকপদা মরক্তা শ্রীরাধাগী চরণচিহ্নসু তারবা উববদা গোপী সীংনা ঙাংনবা হাইহনি। অর্থদি— "হে ইত্তাসা! শ্রীকৃষ্ণগা লোইনদুনা চৎলিবী অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু আরাধন তৌথ্রবীনি। মনাইগী অন্নাবা কোকহনবা মনিংতৌবা ঈশ্বর মহাকনা গোপী ঐথোই পুম্বাবু হজেনদুনা মহাক্তু চানদুনা অচিকপা মফম অসিদা পুদুন চৎলিবনি।" মফম অসিদা শ্রীভাগবতনা "রাধা" নাম অসিবু "রাধিতঃ- রাধা + ইত." হাঙ্গনা শ্লেষালঙ্কারনা কোদোকই। অসিনা গোপী পুম্বাদগী শ্রীরাধানা হেনলি, হাঙ্গ-। শ্রীভগবতনা কোংনা তাকলে।

শ্রীরাধাকৃষ্ণগী তত্ত্ব তাকতুনা ঐগী নিংবা পূরণবিয়ু। মাতু তায়গা বায়না মহাত্তি প্রেমী মহাভাগবতনি। মাগী পুকনিংবুদি শ্রীকৃষ্ণগী মায়ানা কুপসিনদে। অতুমকপু প্রভুগী ইচ্ছানা রায় ইত্তাও ওাওয়ে।

বাযনা হাঙ্গী— ঐদি নটনি, বঙ্গভূমিদা খোকলিবনি, ইবুঙো নহাকনা সুত্রধাবনি, নহাকনা সাংনবা জগোইতা ঐনা সাজবনি। ঐগা লৈংনা বীনা যত্ননি, নহাকনা বীনা খোংবনি। নহাকনা নিংবতা ঐগী চিম্না হাঙ্গীজবনি। মাসুম তৌতুনা বায়না শ্রীকৃষ্ণতত্ত্ব শ্রীবাধাতত্ত্ব অমসু প্রেমতত্ত্বপু হাঙ্গী। মাসুম তৌদ্রনা রায়গী মচিন্দগী পুম্নমকপু –

(১২) তাবগা প্রভুনা হাঙ্গী, মাসিসু মাসি ওইবে, মথং অমা হাঙ্গীয়ু। বায়না খূমট. মাসিগী মথংদ ঐগী বুদ্ধিনা চংবা ঙমদবে। ঐনা নিংই, প্রেম বিলাস বিবর্ত কৌবা অমা লৈ। প্রভুনা ঐঙোন্দা তাকপিবিবসি মাংবু ওইবমগদবা। ঐদি প্রভুনা হাঙ্গী- [illegible] না হাঙ্গীজবনি। প্রভুনা মথং অমা হাঙ্গীযু তাকপীবগা মাদুবু ঐনা নিংসংই। [illegible]না হাঙ্গীং প্রভুনা ঐবু নিংসংহনগা ওইবা য়াই। প্রেম বিলাস বিবর্তদি ঐগী [illegible] কপা খোকখোই। ঐনা লেংবা ঈশৈ অমা লৈ মাদুনা প্রেম বিলাস [illegible] ওইনা হাঙ্গী। মাদু তাবগ প্রভুনা মানি নত্তে হাঙ্গীবা থ বিগনি। [illegible]না তাকপীবে, নংগা ঈশৈ অদু শকউ তাগে। বাযনা মাগা কবিতা অদু শকই, [illegible]দ,

"পহিলহি রাগ নয়ন ভঙ্গ ভেল। অনুদিন বাড়ল অবধি না গেল ‖
না সো রমণ না হাম রমণী। দুহুঁ মন মনোভব পেখল জানি ‖
এ সখি সে সব প্রেম কাহিনী। কানু ঠামে কহবি বছুরহ জানি।
না খোজলুঁ দূতী না খোজলুঁ আন দুহুকেরি মিলনে মধ্যত পাঁচবাণ ‖
অব সোই বিরাগ তুহুঁ ভেল দূতী। সুপুরুখ প্রেমকি ঐছন রীতি ‖
বর্দ্ধন রুদ্র নরাধিপ মান। রামানন্দ রায় কবি ভান ‖

ঈশৈ খাস শক্রকপদ. প্রভুনা ভক থঙংতুনা তাম লিন কগোই সাবগী লিম্না তুম্বা খোংব তায়গা লুবাক্তগী মঙক থাজংপগুমই। ঈশৈ শকপা লোন্দবি মথাংদা লবি চিংবা "না সো রমণ না হাম রমণী, দুহুঁ মন মনোভব পেখল জানি।" মাসি য়্রোবদা প্রভুনা লেংসিনলকতুনা ওকলে, ওকলে. হাঙ্গীতুনা বায়গা মখিন মেদনা থাংখি। ঈশৈ অসিনা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী হাঙ্গীদোকপা খোক্তব প্রেম বিলাস বিবর্তগী অথ পপাবু ঈঙ্গিততা ওইনা উংলি। মাবু উৎলিব মতা অদুদি "না সো রমণ, না হাম রমণী" – "মহাকনা রমণ নত্তে, ঐনা রমণী নত্তে" অসিনি।* মসিন প্রেম বিলাস

* রমণ = মুঙাইবা = মবা রমণী = মুঙাইনবী = মতু।

বিবর্তগী অথ্‌পপবু ইঙ্গিং তৌদুনা থহনলি। প্রেম+বিলাস+বিবর্ত, অহুম অসি তিল্লগা "প্রেমবিলাস বিবর্ত" হায়বা অসি থোকপনি। প্রেমদি পাম্বা নত্তে। চুংশিন-নি। চুংশিনবগী বিলাস=পাম্ববু প্রেমবিলাস কৌই। বিবর্ত শব্দ ইথাইনা থংনবা অর্থদি "অণ্ডকপা" হায়ি। চৈতন্যচরিতামৃতগী টীকাদা শ্রীবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তী গোস্বামীনা বিবর্তবু বিপরীত=ওন্ন তৈনবা হায়ি। শ্রীজীবগোস্বামীনা উজ্জ্বল নীলমণিদা উদ্দীপন বিভাগ প্রকরণ ২২ শ্লোকগী টীকাদা "বকারেঃ স্মৃথি নববিবর্ত।" দা বিবর্তবু পরিপাক=মুম্বা, হায়ি। মাদুদি থমথেংবা অর্থ অসিবু থ হনলি। অদুনা মাসি পুন্নমক্কনা তিল্লগা থোকপা অর্থাদ "চুংসিংগী কুপ্পদা চুংসিবগী মাঙুপ চুংসি, হায়বা থোক্কবা থমথেংগ্রবদা থোরকপা অণ্ডকপবু প্রেম বিলাস বিবর্ত কৌই। মাসিগী অর্থ থংনবগীদমক অমম্ত মাদু থ'লগা মহাক্কী রহস্যবু থংননবা মনিং মমাংদগী হৌদুনা রাইগী মমেক খুঁদিগী মসিং নাইদনা আলোচনা তৌগদবনি। মাদু নত্রবদি অলঙ্কারগী ভূমিকা ওইদ্রিবা ঐথোক্কগুম্ব মীদম [illegible] য়ানা থোক্কই, [illegible] অসিবু থরা শাংনা নৈনবা ভাবে। শ্রীবাবাকৃষ্ণ গী প্রেমগী মাংবী [illegible] থাইদগী হেন্না লুই, মাদুগুম্না ইতিহাসদা মাগী রহস্য ওই।

প্রেম বিলাস বি[illegible]র্ত্ত

কবিরাজ গোস্বামীনা চৈতন্যচরিতামৃতদা শ্রীমন্মহাপ্রভুগা রায় রামানন্দগা অনিগী রহস্য মিলননা মরম ওইদুনা "প্রেম বিলাস বিবর্ত"বু ব্যাখ্যা তৌই। মাদু মথক্কা হাঙ্গখ্রবা অদুনি। মাদুদা রাবেংগী ফীবমনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী তত্ত্বগী রহস্যদা প্রেম বিবর্তবু মাসিনা মহেনলে হাঙ্গনা তশেংতশেংনা তাকলে। রহস্য-গোপনীয়=থুপনা থমগদবা হাঙ্গবনি। অথুপ্পা হাঙ্গবা নত্তে। ফোংদোকপা মপান্দা ওইবা য়াদবাবু অথুপ্পা কৌই, মাদুদি চিন্নামকপু পন্নাদবাসোং অদুনি। রহস্য হাঙ্গবদি থুপকদবা মাবু থুপনা থমগদবা হাঙ্গবনা মাবু ফোংদোক্লগা মাগী অরুবা অদুবু মীচম্না খংদদুনা ইরাই লাইবা ওইনা নিংদুনা মহাকপু থংলোইদবাবু রহস্য-গোপনীয় কৌই। মাদুদি প্রেম বিলাস বিবর্ত অসিমনি।

প্রভুনা সাধ্য নির্ণয়বু রায়দা হংই, রায়না অমামম খুল্লগা প্রভুনা মথং হাঙ্গখো ২ হাঙ্গদুনা মথং মথং হায়ি। মাপনমুবা পাউথুমদা রায়না কান্তা প্রেমনা সাধ্যসারনি, খুমই, মাদুগী উদাহরণদা কবিরাজনা মাগী চৈতন্যচরিতামৃতদা গোপী প্রেমবু উৎলি। শ্রীভাগবতকী বচনদা মাদুনা

হাঙ্গ, গোপী প্রেমনা লাইগী মপী অমসুং পুন্নামক্কী মবেমা লক্ষ্মীদগীসু গোপীনা হেনলি। মাহুনা থংনরে, দ্বারকাগী ইবেমা রুক্মিণীনাচিংবী পট্ট-মহিষীসীংদগীসু ব্রজগী গোপীসিংনা হেনলি। অহুনাদি মথুরাগী কুব্জানা-চিংবা ইবেমাসিংবুদি করিবু হাঙ্গদগে? গোপীনা পুন্নামক্কী হেনবগী মরমসু গ্রন্থকারনা শ্রীভাগবতকী বচননা উংলি। মাহুদি—শ্রীকৃষ্ণনা রাসলীলাদা অন্তর্দ্ধান তৌরুবাদগী লেংলক্রবদা ব্রজগোপী পুন্নামক্কা ইবুঙোনা ইবে-মাসীংদা ক্ষমা প্রার্থনা তৌবদা হাঙ্গ, "যা মা ভজন্ দুর্জ্জরগেহ শৃঙ্খলাঃ সংবৃশ্চ্য তদ্বঃ প্রতিযাতু সাধুনা" ব্রজগোপী নখোই পুম্নানা থদংপা ঙমকদবা, য়ুম্বানবাগী অফা অপুন পু...কপু থদক্তুনা ঐবু সেবা তৌখ্রবানি, নখোইগী লম্মনদি ঐনা সিংবা ...নখোইগা অফবা লমচৎ অহুনা লমনসিংবা ওইবসু, অ... ...না মসে হুনা চংপা পরংব্রহ্ম শ্রীকৃষ্ণবু মথুরাগী লম্বেনদা ডই, ...না মাহুদা নুঙা বাবু চিন্না হাঙ্গদোকপা থোক্কে। ব্রহ্মাগী মঙান খজিক্তা ফংবদা যোগী সমাধি ওইবিবনি, অথোইবা ব্রহ্মবু উবদা কুব্জানা নুঙাইবা অহুবু হাঙ্গদোকপাঙম্বা হৌনদে। মাহুবু শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম কৌদে, মাহুদি শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বনি। অপাম্বগা, নুংসিবাগা, চাংদম্নাবা থাম্নবা য়াবা নত্তে। ফদিগা সনাগা গুম্বনি। রাণী কুব্জানা ঙাহাক লৈরগা থনখি, ঐবু অম্নুপ নুঙাইহনবা ইবুঙোসিবু ঐনা কবম্না পেলহনসিবা? ঐগী পুরিবা চন্দনসি কৎতুবা নুঙাইহনগে নিংহুনা শ্রীঅঙ্গদা চন্দনবু মথুৎনা কংলি। মাহুদা কুব্জাদা প্রেম পোকলে। প্রেম কৌবাদি ঐগী নত্তবা নুংসিবাগী নুঙাইননবা তৌবাবু কৌই। তৌইগুমসু কুব্জা রাণীনা ইবুঙোদা চন্দন কৎপদা শ্রীঅঙ্গবু মথুৎনা শোক্তুনা নোংথাংনা পাইরুবামীবু চিংবাগুম্না পরংব্রহ্মগী ব্রহ্মানন্দনা হেক চিংই, ইবেমনা ঙসাই ইবুঙো পেম্নবা চন্দন কৎকে কাওথরে। মাগী নুঙাইবা অহুবু পুবা ঙমদহুনা ইবেমনা ইবুঙোগী ফীজিদা পাইহুনা ঐদি ইবুঙো নংবু থাদোকপা ঙম্রোই হাঙ্গ, মাহুদি. ত্রেতাদা রাক্ষসী শূর্পনাথাগুমলে। মাহুদি ইবুঙোদদি করিসু ওইদে। মাবু উরগা পামলোইদবা মুপীবু লৈবা হৌনবরা? মাহুদদি পুন্নামক্কা ওইবা সাধারণনি। কুব্জারাণীনা চন্দন কৎনিংবা ইবুঙোবু নুঙাইহন্নিংবা প্রেম খজিক্কং ফাওবা মরমদগী ইবেমাগী রতিবু সাধরণী রতি কৌই, শূর্পনাথানা রতি ইয়াও য়াওদবা স্বপনগী মন্নাতা মওইনিংবনা মনাক্তোন কেনবনি। গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গ,—

"যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাং স্তথৈব ভজাম্যহং"

মী অক্রুরনা নিংবাবু ঐরন্না নিংহ শ্রীরামচন্দ্রগী মপী অনিস্মনা এংদবা কৌবা চেৎখ্রবা ব্রতবু লৌথোক্কে, অনিস্নুনগ মানা শ্রীপাংগী মতু পঙ্গে অকিনি, শ্রীরামগী সুপনখানা পৌথোকে নিংহ, শ্রীরাম প্রভু সুপর্নখাগী পৌথোক্কে নিংহ, মনাও স্মৃণনা মাতু উত্নুনা সুপর্নখাগী হংনবা নৈতব ময়দবা অগ্রোনফম নাত্তেনতু শ্মশানাদি সিননবা লৌথোকপীবে। ঈশ্বরদ অনিংবত্তা পীবনি। কুব্জ ন ঐদি নবু থাদোকপা ঙমদ্রোই, শ্রীকৃষ্ণনা মথুরদা লেংতুনা সান্নরই। সুপনখাদগী হেনখিবা কুব্জ না বতি থজিকা কংগুবদা শ্রীকৃষ্ণনা মাগা শমনদি যোগন্দ্র মুনীন্দ্রনা ফংবা ঙমদ্রবা ইপুঙগী শ্রী স্বর্ণ কুঞ্জাবানীদা পীথোকই, অদুনা ইবুঙো মাবু "অচ্যুত" কৌই।

ইবেমা ব্রজ জান শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নাবা খুঙাইনবাগীদমকতা মাগী চন্দনবু কং . . . রতিবু কংই। তৌকুমসু শ্রীঅঙ্গবু শোক্রবদা খুঙাইমনখিদনা শ্রীকৃষ্ণ . . . হমগে খুঙাইতনগে নিংবা কাওথি। মাতুদা দ্বারকাগী পটমহিষী ইদেনসিংদ . . . দ্বারকাগী মহারাণী ইবেমা নিপাননকনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্ননবা খোগন তৌই। . . . কনাসু নৈক্রবা মতমদা অংদা শয্যাগী মথক্তা ইবেমাসীংনা থবাব . . . ইবুঙোবু চেৎনা কোন্দুনা থমই, পরংবন্ধনবারতিবু চেংচেৎনা কোল্লবামতুন ইবেমা সীংনা ইবুঙো . . . মহা . . . ঙুন্ . . . খুমিৎচুপ্পা . . . খুঙাইনবতা . . . যৌদ . . . , অদুবু লক্ষ্ম কোটিদগী হেনবি পুবনাদি . . . রুক্মিনীনাচিংবী ইবেমাসীংগী রতিবু সঙ্গসারতি কৌই। দ্বারকাগী ইবেমনা ঐবু ইপানা ইবুঙনা শিশুপালনা থাজরে, খুৎোংগদোরে, ইবুঙো ঐবু লৌবিবো নংগী নখোঙথুয়া থাগী ননাই ওইজগে। ইবুঙোগী সদাইদা খুংগংতুনা পৌবিয কৌই। খুৎোংবাগী, বব থোকলে, সম্প্রাদানগীদমক ব্রত তৌবিবী ইবেমানা পার্ব্বতী থুরম্বা মন্দিরদা থোরক পদা শ্রীকৃষ্ণনা লেংসন্দুনা ফাহনা ইবেমাবু পুরকপনি। মাসুম তৌদুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেন হনগে সেবা তৌগে হাঙ্গীবাগীদমক্তা পামুবা, খুংসনা, অকিবা ইকাইবা পুম্নমক হুক্ত . . . না অকাঅপুন থাদোক্তনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণদা চংজখবী ইবেমাসীংনি। লক্ষ্মীদেবীদি মথুংতা নৈপবেং পাইতুনা নংনা পাম্বা নিপাদা ববিযু হাঙ্গৈতুনা থাদোক্লগা মানা ইথ্বাইদগী হেন্না পাম্বা থন্দুনা শ্রীবিষ্ণুদা নরিবনি, মাতুগা শ্রীরুক্মিনীনাচিংবী ইবেমাসীংগা পাবা য়াবা নাত্তে। অসিগুম্বী রুক্মিনী, সত্যভামানাচিংবী ইবেমাসীং অসিদগী অমোক ব্রজগী গোপীসীংনা কয়াদা হেনবা, মাতুদা হেনগ্রাবা ব্রজ প্রেম অতুদি ব্রহ্মানাচিংবনা ঙকথ্রবনি, দ্বারকাগী ইবেমাসীংনা মাতুপ মায়দি থাদোকপা ঙম্লগা মথোং পোংনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চেন্নকপা ঙমদে। ঐবু লৌবিরোনাও হাঙ্গৈতুনা দুক্ত থারকই। মাথোইগী মপাদা

গুরুজনগী ভয়, লোকভয় চান্নরা কোক্তে। অদুগা দ্বারকায়োরগা বিবাহ তৌবা ব্রাহ্মণনা শোনবা যজ্ঞগী মৈনা সাক্ষী ওইবসু পামদ্রি। লোক মর্যাদা হৈজিং পুদনী হাঙ্গীবা অচোপপবু কিবি, মবনাইগী অপাম্বা চান্নরা কোক্তে ব্রজগী গোপনীঙোনসিংদি মাদুগুম্বা অদু মনম ফাউবা য়াওদে। পুন্নমক লোকভয়, গঞ্জনা, বঞ্চনাপুম্বা জলাঞ্জলী তৌখ্রবনি। মদা অন্নাবা য়াম্না থোকপা অংগা ব্রজগোপাগীদি হুঙাইবা হেনগৎপনি অমক অকিবা য়াম্না থোকলগা হুঙাইবনি শ্রীকৃষ্ণগা বেণুগী খোঞ্জেল তাবগা শ্রীকৃষ্ণগী নাক তাম্না হেক্তা চৎখিবানি। মতুক অমা লীন অমুবা উবগা শ্রীকৃষ্ণগী পাম্বোমবু নিংসংদুনা লিনবু শেংদুনা মশাদা হাপদুনা পেনবা ইবেমাসীংনি। মতোন তুমখ্রবা তিঙ্খংদা, তা গুমনা মতোন থৌখ্রবা থৌ মতোনদা নৌদ-নৌরবা ইবেমাসীংগী শ্রীচরণনা থাদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎপদা থম্বানগী ফমুংদা চৎপাগুম হুঙাইবা, ব্রজগী চাক্লবা হুংশা বাডবাগ্নিগুম্বদা বনদা চৎপাবু উন্না কোক্তা হাপ্পগুম নিংবা, ইবেমাসীং অদুগী শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা রতি অদুবু তৌবাঙম্বা-সমর্থা রতি কোই। ব্রজগী ইবেমাসীংনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণবু চেৎনা কোন্দুনা থৌগল তৌবদা মাখোইগী অকনবা থবাক্তা হাপপবু ইবুঙো না নাখিগনি, হাঙ্গীনা য়াদুনা জ্ঞানমাংবী ইবেমাসাংনি। অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা "যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাং স্তথৈব ভজাম্যহং" "মীনা ঐবু নিংবগী মতুংইন্না ঐনা নিংই" দি হাঙ্গীংগা ব্রজগোপীনা নিংবগুম্বদি শ্রীকৃষ্ণনা নিংবা ঙমদরে, নিংদুনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীমুখমকনা রাসলীলাদা তাকপীবমই— "হে গোপীসা! ঐনা নখোইগী প্রেমগী লমল সীংবা ঙমদবে।" হাঙ্গীখি। অসিগুম্বা গোপী প্রেম অসিবু রায়না হাঙ্গীবা তাবগা প্রভুনা খুমই— সাধ্য পুম্নামককী লেংদ্রবা মচিদি কান্তাপ্রেম = গোপীপ্রেমনি, মাসিতনি ফংগে হাঙ্গীনা তান-গদবদি, চুমলে, অরেপপনি, হাঙ্গীনা খুমই। অদুগা মথং হাঙ্গীথখো হাঙ্গী-দুনা অমোক হংথবি।

রায়না খুমই,— মাদুদা শ্রীকৃষ্ণতত্ত্ব শ্রীরাধাতত্ত্ব অমসু প্রেমতত্ত্ববু হাঙ্গীরে। মা দুদা প্রেমবিলাস বিবর্তসু য়াওথরে। অদুমক্তদা প্রভুনা হাঙ্গী, "এই হয় আগে কহ আর।"—মসিনি মথং অমা হাঙ্গীবু। মাদু তাবদা রায়না থংদরে পুন্নমক স্মরবমক্তদা করি অমোক লৈরিবগে, থনলুবদা লাম্বা কংদে। রায়না খুমই, "আরবুদ্ধি গতি নাহিক

আমার—অতোপপা অমা ঐগী খুদিনা চংপা ঙমদ্রে। মায়গী পাওথুম অচুম্বনি, মা-
হুনা মাওনবা মীথ্য অঁথদি মৈতত্রে, মাসিদা মাওংগী হাজিল্লুনা "মীহু নত্তবা" অঁমথু
মাগী খুদিনা থিনবা চংদা ঙমদ্রে। প্রভুনা হাঙজিন্নিংবু মাগী পথোহাল লিংসন্নবনি,
মাঙ্গীগী 'আনা' লেৎপা উৎপেদি। হৌদে অদুনা প্রেম বিলাস বিবর্ত্তবু অমা হাঙ্গী অদি-
দি হায়দে। 'প্রেমবিলাস বিবর্ত্তদি কদাই লোকই?' অদুদি শ্রীকৃষ্ণনা লৈবা অমা, অ-
মসু শ্রীরাধানা লৈবা অমা অনিনি। মায়না প্রভুনা হাঙবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম
বিলাস বিবর্ত্তবু উদাহরণ পীবদা হাঙখ্রে। শ্রীরাধানা লৈববুদি হাঙখিদে। মায়না
মাগী উৎপে অঙ্গ নিজ্জিলকপদা 'প্রভুনা হাঙহন্নিংবা ঐগী উৎপেদা হাঙখ্রবা তাব্রে থং-
লে' অদু অঁকমদি শ্রীরাধাগী প্রেম বিবর্ত্তবু উৎপে অদুনা লাইবনিনা রায়না প্রভুনা
থংবা লোয়নবা হঙজকই, ইদুঙো নহন্না হাঙহন্নিংবতা ঐনা হাঙবনি। ঐনা ঐগী
উৎপে অমা নিংসংলে, মাসিদা প্রেম বিলাস বিবর্ত অমা হাঙ্গে, মাদুবু ওইবা তারে,
নংগা তানিংবসি। অসুম্না ঐনা থনদি, চুমদ্রি, চুমদে, হাঙবদি নংনা ঐগী উৎপে অদু
তায়গা থংবিগনি। প্রভুনা মাথং পিরে, উৎপে অদু হুকলে, চুমলবদে "না সো রমণ,
নাহাম রমণী" দা ওকলে ২ তোকলো হাঙজুনা প্রভুনা মাগীবু থামলে। মাসুম তৌহ
না কবিরাজ কৃষ্ণদাসনা 'কবিগী হৌনবি খারেংনা' মরম ওইদুনা প্রেম বিলাস বিবর্ত্তবু
মায় "লীলাকা 'ব্যাখ্যা' তৌরে মাদুগী 'অর্থ' অর্থানি হাঙদ্রবা "হুইবনী 'হুইমনা হুং-
লিবা' মাহুন খুদি হাকিবা লোউবা বা বৈষ্ণবদা লোয়কপা অদুকদু প্রেম বিলাস
বিবর্ত কৌই। মাদুগী অথেংবাদি [illegible] ওইবনি, অতৈদা ওইদে।

মথক্তা [illegible] থাকদু তেমনা অসোক হাঙবা।

মায়না প্রভুনা [illegible] সাধ্যসাধনদি কাত্তাজননি — ব্রজগোপীগী প্রেমা অহেনবনি,
অদুগা [illegible] থাগু উৎপা প্রভুনা চুমই ক্ষামিনা মরোনলে। সোঙ্গিনরে মক অমা
[illegible] অদুগা অকপী মাগী অর্থদি গোপী প্রেমদা গোপী কনানা হেনবাগে অহেনবা
গোপীগী প্রেম হাঙই। মায়না মাগুদা থুমই, শ্রীকৃষ্ণতত্ত্ব শ্রীরাধাতত্ত্ব অমসু প্রেমতত্ত্ব
[illegible]সে। মাদুগী উদাহরণ পীবদা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমবিলাসবিবর্ত্তবুদি মাওথরে, তৌইঙমসু
শ্রীরাধাগীদি হাঙখিদরি। অদুনা প্রভুনা রায়দা হাঙ্গে,— "এহো হয় আগে কহ
আর।" — প্রভুনা হাঙ্গে, মাসিনি মথং অমা হাঙই। শ্রীকৃষ্ণগীদি তারে শ্রীরাধাগীসু হাঙই
অসি হাঙখিবনি, মাদু তাবদা রায়না ওকই, পুকনিংদা থাজি কখি চিংথরে, পুকনিংনা
হায়রি, চিংথদরে থুরে, প্রভুনা মায়গী পুকনিংদা তাকলে শ্রীরাধাগী বাংদি, শ্রীকৃষ্ণ
গীদা তারবদি ঐনা লেপদে অসিনি। মরম অদুনা শ্রীরাধা প্রেমবিলাসবিবর্ত্তবু তাকহন্নিংতা
ওইনা উৎপা মাগী উৎপেবু রায়না নিংসই। মায়না থনলে, শ্রীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়ই,

"উহ অপোহ" নিংসুংবা কাইবদি কৃষ্ণ ঐনা তৌরম্বনি। মাসি মারমদা প্রভুনা তৌবা নত্তে, জীব পুন্নমক্তা তৌবনি খংবা, নিংসংবা. খংদবা, কাউবা পুন্নমক জীব পুম্বাগী থবোইদা গদা লৈরবা মানা [illegible]। [illegible] [illegible] -[illegible] পাপ পুণ্যগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] ওইবনা [illegible] হেরো [illegible], [illegible] প্রভুনা ত:[illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] হায়রিবা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম বিলাস, বিবর্ত্ত দি গীত গোবিন্দ মহাকাব্যগী [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং অনিশুবা [illegible] [illegible]। মাদুদা বিচার তৌদুনা হাঙ্গ, মাদুদি,—

কংসারিরপি সংসারবাসনাবদ্ধশৃঙ্খলাম্।
রাধামাধায় হৃদয়ে তত্যাজ ব্রজসুন্দরীঃ॥১॥

পদান্বয়—কংসারিঃ (শ্রীকৃষ্ণসু) [illegible] ([illegible]) [illegible] [illegible] [illegible] (সংসারবাসনাগী [illegible] [illegible]) [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible]) ব্রজসুন্দরীঃ (ব্রজসুন্দরী [illegible]) তত্যাজ ([illegible])॥ ১॥

শ্রীকৃষ্ণসু থমোইদা শ্রীমতী রাধিকাবু চেকনা হাপথরে, ইরেমা মহাশক্তি শ্রীকৃষ্ণগী মরিদা কাউতমদবা পুক্লিংগী তুংবকম ওইবীনি, অদুনা মহাকপু থনথিবা অদুনা কনমনদুনা ব্রজসুন্দরী পুন্নামকপু থাদোকখরে ।১।

১। করিনা অহানবা অমসু অনিশুবা সর্গদা শ্রীরাধা শ্রীকৃষ্ণ অনিগী প্রেমগী চাংনমনবা লৈতবা অথোইববু উৎথরে, অদুগা শ্রীমতী রাধিকাগী উৎকণ্ঠাবু করিনা হায়রগা হুজিক্তি, শ্রীকৃষ্ণগী উৎকণ্ঠা বর্ণন তৌবা হৌরে, মাদুদি কংসারিঃ অপি— শ্রীকৃষ্ণসু অসুমাসু (অপি) অমা হাপ্পবগী মরমদি 'শ্রীরাধাতনা শ্রীকৃষ্ণ আসক্ত ওইবা নত্তে. শ্রীকৃষ্ণসু শ্রীরাধাদা আসক্ত ওই হায়রিবা ভাবনি। "সংসারবাসনা বদ্ধশৃঙ্খলাম্" হায়রিবা পদ অসিনা "রাধাম্" হায়রিবা বিশেষ্য অসিবু বিশেষণ তৌরি, মাদুগী অর্থদা টীকাকার অমনা পায়রই, মাদুদি "সংসার বাসনা বদ্ধে— সংসারগী বাসনাদা পুনবদা, শৃঙ্খলাম্ মোংহিংবী রাধানি, অর্থাৎ শ্রীকৃষ্ণবু সংসারগী বাসনাদা পুনবদা ইরেমদা মোংহিংগী মপক্কুমনা শ্রীকৃষ্ণবু কারি হায়রবনি। সংসার হায়রবদি তাইবংপান্নবু কৌই, বাসনা হায়রবদি অহানবদা থংবা [illegible] পাখা [illegible] [illegible] কৌবনা মরম, ওইদুনা [illegible] [illegible] কৌই, অদুগুম্বা বাসনাগী বদ্ধ—পুনবদা [illegible] মোংহিংবী হায়রবগী অপা [illegible] কাউতমদবা অপাম্ববু চেংসিনহনবা হায়রবনি। মসিদা পূজারি গোস্বামীনা "সংসার" হায়রবসিবু তাইবংপান্নবা হায়রিবা অর্থ পায়দে "সং-চংবোরবা"

ইতস্ততস্তামনুস্মৃত্য রাধিকামনঙ্গবাণব্রণ খিন্ন মানসঃ।
কৃতানুতাপং স কালিন্দিনী তটান্তকুঞ্জে বিষসাদ মাধবঃ ॥২॥

অনঙ্গবাণ ব্রণখিন্নমানসঃ (কামগী তেন্না থিনদুনা শোকপনা পুকনিং শাররবা) কৃতানুতাপঃ (নিংঙমদবমক্কনা পুকনিং চাক্লবা) সঃ (অদুগুম্বা) মাধবঃ (মাধবনা) কলিন্দনন্দিনীতত্তান্ত কুঞ্জে (কলিন্দগী মচানুপী যমুনাগী মপানদা লৈবা কুঞ্জদা) ইতস্ততঃ (এংলোম ওইরোমদা) তাম্ (অদুগুম্বী) রাধিকাম্ (রাধিকাবু) অনুস্মৃত্য (খিদুনা) বিষসাদ (রাখি) ।২।

কামদেবগী তেন্না থাবগী অনাবনা রাববা শ্রীকৃষ্ণনা নিঙমদবগী মুঙাইতবনা পুক্লিং চাক্লদুনা যমুনা মপান্দা লৈবা কুঞ্জদা মফম মফম খুদিংদা শ্রীমতী রাধিকাবু কোইনা কোইনা থিদুনা রাখি। ২।

সার-মচি ওইবা বাসনা অমুম্না ব্যাখ্যা তৌই, মাদুবু ক্লিষ্টকল্পনা ওই। মরমদি সংসারগী হাঙ্গিবদি তাইবংপানবা শেম্বগী, বাসনা হাঙ্গিবদি মাংদবা মক ওইবা সংস্কার—(আত্মাদা পকপা খুদম) গী অদুগুম্বা বন্ধন হাঙ্গিবদি তিন্নবা, মাদুগী রোংহিং ওইবী হাঙ্গিবদি তাইবংপানবগী মাংদবা মক ওইবা আত্মাদা লৈবা সম্বন্ধ পুম্নমকপু মথং ননাউ লাইনা তন্না লৈননবগী কারণগী মশক ওইবী মহাশক্তি (প্রকৃতি) গী মশক ওইবী শ্রীমতীরাধিকানি অমুম্না অর্থ হনব ই, অদুগুম মমুম্না দার্শনিক ব্যাখ্যা অসি কবি জয়দেবনা কাব্যগী সরস ওই ... শুষ্কতন ... দার্শনিককি ব্যাখ্যাদু লেংফম থোকতে ... না অর্থ দ ... লাইবা সরস ওইবা কাব্যগী ব্যাখ্যানা লেংবনি অদুনা ক্লিষ্ট ওইবা ব্যাখ্যা থাদোক্লগা ইসম চম্বা অর্থনা সরস ওইনা গৌরনা কবিগী ভাবতা সরস ওইবা হেল্লি, মরম অদুনা "সংসার বাসনা বদ্ধশৃঙ্খলাম্' হাঙ্গিবদি তাইবংপানবগী কাউঙমদনা অপাম্বগী চুখিবনা শ্রীকৃষ্ণনু পুন্নবগীদমক্তা শ্রীকৃষ্ণনা ফ রিবা রোংহিংগুম্বী শ্রীমতী রাধিকানি অমুম্না ব্যাখ্যা তৌবা টীকাকারসিংনা পামই।

২। শ্লোক অসি বংশস্থ বৃত্তনি। শ্লোক অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী—বিবহাবস্থাদা তৌবা মওং অমু হাঙ্গিরি। মাসিদা শ্রীকৃষ্ণবু "মাধব" হাঙ্গিবা নাম অসি লেংবগী তাৎপর্য্য দ মা হাঙ্গিবদি লক্ষ্মীগী ধবঃ মপুবোইবনি—শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা মতম পুম্নমক্তা চাম্নবী প্রীয়া লক্ষ্মীবু পুদুনা ইথা থানদনা লৈবিবনি, অদুবু লক্ষ্মীমক লৈ হাঙ্গিবা ফাওবা নিংসিংদনা শ্রীমতী রাধিকাতবু'থ। ইবেমাগী প্রেম্না বারিবা মতৌ পুম্নমক অসি বর্ণন তৌবনা শ্রীমতী রাধিকানা লক্ষ্মীরুচিংবদগী হেনবসি মাম্নপ হেনলি হাঙ্গিবা ধ্বনি অসি কোংলোকলি।

মামিয়ং চলিতা বিলোক্য বৃতং বধূনিচয়েন।
সাপরাধতয়া ময়াপি ন বারিতাতিভয়েন ॥
হরি হরি হতাদরতয়া গতা সা কুপিতেব ॥ধ্রু॥৩॥
কিং করিষ্যতি কিং বদিষ্যতি সা চিরং বিরহেণ।
কিং ধনেন জনেন কিং মম জীবিতেন গৃহেণ ॥৪॥

হরি হরি (অৱাবনি) হতাদরতয়া (মহাকপু লুন তৌহৌদবনা) সা (রাধিকা-না) কুপিতা এব (সাউরবীমক ওইদুনা) গতা (চংখ্রে) মবমদি ইয়ম্ (অসিগুম্বী রাধিকানা) বধূনিচয়েন (বধূসংনা) বৃতম্ (কোইধনা) মাম (ঐবু) বিলোক্য (উত্তুনা) চলিতা (চংখ্রে) ময়া অপি (ঐসু সাপরাধতয়া (অপরাধ তৌবগী মতৌ ওইদুনা) অতিভয়েন (য়াম্না কিত্তুন) ন নিবারিতা (থামদ্রে)।৩।

সা (রাধিকানা) চিরং বিরহেণ (কুইনা ঐগা কাইনবনা) কিম্ (করিবু) করিষ্যতি তৌগনি) কিম্ [illegible] করিবু) বদিষ্যতি (হাঙ্গগনি) [illegible] কম্ করি কান্নগনি) জনেন (মীন) কিম (ক [illegible] ন্নগনি) [illegible] তন (হিংবনা) গৃহেণ যম্না) কিম (করি কান্নগা [illegible]

[illegible] না গো [illegible] লৈরিদা ঐবু রাধিকানা উত্তুনা চংখ্রে। ঐসু লান্নবা ওইবনা [illegible] রাধাবু থামহৌদবে, ওনথোক্লা রাখ্রেদা, [illegible] তৌহৌদবনা সাউরদুনা রাধিকানা চংখ্রবনি।৩।

রাধিকানা ঐগা কুইনা উনদ্রবদুনা কাইথরবদা করম্বা থবক তৌগনি, করি হায় হাঙ্গগনি ঐগী হৈবননা করি তৌননি, মীনা করি তৌননি, ঐগী পুন্সিনা অমসুং য়ুম। করি তৌনগনি। ৪।

৩॥ মাতৈ অসিনা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনি উনখ্রে হাঙ্গবা গংনবে। এসু লাল্লবা ওইবনা হাঙ্গবদি অতোপপা।সংগা সানদবগা ইকাইবা অকিবনা ঐবু করম্না উহনগদগে হাঙ্গদুনা লোৎতুনা "সাউগঙ্গ" "থৌজানবিযু" হাঙ্গবনচিংবা হাঙ্গদুনা থামহৌদরে হাঙ্গবা ভাবনি।

৪। ঐগা কুইনা কাইনবা বিরহনা রাধিকানা করি তৌগনি হাঙ্গবদি বিরহগী অৱাববু করি উপায় তৌগদগে ? হাঙ্গবনি। করি হাঙ্গগনি হাঙ্গবদি ঐগী অকব গুণ হাঙ্গদ্রিগদ্রা ? হাঙ্গবনি অমসুং "কিং বদিষ্যতি" হাঙ্গবাস কাকুম্ববনা হাঙ্গবা। ঐইনা অর্থ তৌরগা অহুম হাঙ্গগনি মাত্তুদি – করিগুম্বা ঐগা লোইনদুনা লা ভাংনগদবা ? হাঙ্-

চিন্তয়ামি তদাননং কুটিলভ্রু কোপভরেণ।
শোণপদ্মমিবোপরি ভ্রমতাকুলং ভ্রমরেণ ॥ হরি হরি০ ॥৫॥

তামহং হৃদি সঙ্গতামনিশং ভৃশং রময়ামি।
কিং বনেঽনুসরামি তামিহ কিং বৃথা বিলপামি ॥ হরি হরি০ ॥৬॥

উপরি (মথক্তা) ভ্রমতা (পাইরিবা) ভ্রমরেণ (খোইমুনা) আকুলম্ (থল্লবা) শোণ পদ্মম্ ইব (থম্বাল অঙাংবগুম্বা) কোপভরেণ (অসাউবনা থল্লতুনা) কুটিলভ্রু (পিঙম খোইরবা) তদাননম্ (মদুগী মাইথোংবু) চিন্তয়ামি (ঐনা নিংলি) ৫।

অহম্ (ঐনা) হৃদি (থমোইদা) সঙ্গতাম্ (লৈবা) তাম্ (রাধাবু) অনিশম্ (অতৈংপা লৈতনা) ভৃশম্ (খোইজোকনা) রময়ামি (নুঙাইহনগে) বনে (বনদা)

থম্বাল অঙাংবগী মথক্তা খোইমুনা কোইপাই পাইবনা থনবাগুম্না সাওদুনা পিঙম খোইরবা রাধাগী মাইথোংবু ঐনা নিংই। ৫।

ঐগী থমোই মনুংদা লৈবা রাধিকাবু থমোই মনুং অসিদা অসুমক ইতৎতুনা থমদুনা য়াম্না নুঙাইহনগে, থমোইগী মপান্দা বনদা থিসিবা ? কবিদৌনি বনি। ঐগী লম্না করি তৌগনি ? হাঙবদি নাহাকপু নত্তনদি নম্না কবিগু কাননদ হাঙবনি লন লৈত্রবদি মী অমত্তসু লৈয়রোই অদু ওইরবস্তু নাং মাহাব, নত্তনদ কবি কাম্নগদগে ? করিসু কাম্নদে হাঙগনি। মী লৈত্রবদ গো নদ কনানা ঙাকপিগনি হাঙববু মহাকপু নত্তনদি গোধনদি লাইবত্তনা ঐনাবু হিংদনা কবি কম্নগনি ? হাঙবনি অমসু জীবমকসু কাম্নত্রবদা লৈননবা যুমনা কবি তৌনবদাগ হাঙবা ভাবনি।

মাসি বিরহগী অনুস্মৃতি কৌবী অহমসুবা অবস্থানি অসুম্না থংনগনি, মাদু "অর্থানামনুভূতানাং দেশ কালানুবর্ত্তিনাম্। সাততোন পরামর্শো মানসংস্থাদনুস্মৃতঃ" হায়্না থংত্রবা বিষয়সিংবু মকম অমসুং মতমগী মতুংইন্না ইতত্তনা থনববু অনুস্মৃতি কৌই অসুম্না রসার্ণবনা হাঙৈরি। অমসুং "কিং ধনেন" হাঙবা পঙক্তি অসি বঙ্গদেশগী পাঠদা মামদে "কিং ধনেন কিং জনেন কিং মম সুখেন গৃহেণ" অসুম্না বঙ্গাক্ষরদা হাঙৈ অদুগা পুজরী গোস্বামীগী স্তবে ধিনী টীকানাসু মাদুদা ব্যাখ্যা তৌই অদুবু ঐখোইনা মাদু লৌদরে মরমদি— মাদুদি ছন্দ কাঙৈ, ছন্দকাঙনা জয়দেব মহাকবিনা শাদুগুম্না লেংগনি হায়না খাজদে। মরম অসিনা রসিক প্রিয়া অমসু রস মঞ্জরী কৌবা টীকানা তৌবা ব্যাখ্যা অমসু মখেগী সংস্করণগী মনুং ইন্না মূলদা লৌখংদে।

৫। শ্রীকৃষ্ণগী রাইহে অমিনা গুণোৎকীর্ত্তন কৌবা বিরহগী মরিসুবা অবস্থানি অসুম্না থংনগনি মতুম্নি লোকপ্রসিদ্ধবাদাতি বাক্যেনাত্মনঃসিদ্ধেক্ষণৈঃ। ন তস্ত সদৃশং কশ্চিদ ইত্যাদি

তস্মি খিন্নমসূয়য়া হৃদয়ং তবাকলয়ামি।
তন্নবেদ্মি কুতো গতাসি ন তেন তেঽনুনয়ামি ॥ হরি হরি ॥৭॥
দৃশ্যসে পুরতো গতাগতমেব মে বিদধাসি।
কিং পুরেব সসম্ভ্রমং পরিরম্ভনং ন দদাসি ॥ হরি হরি০ ॥৮॥

কিম্ (করিনো ?) তাম্ (বাধাবু) অনুসরামি (থিগে) ইহ (মাসিদা) বৃথা (অবেদ্দা) কিম্ (করি.না ?) বিলপামি (কপপা) ।৬।

তন্বি (হে তন্বী রাধে) তবঙ্গদয়ম্ (নহাক্কী থমোইদু) অসূয়য়া (ঐঙোন্দা দোষ তৌবনা) খিন্নম (রু ববনি অসুয়া) কলয়ামি (ঐনা উরে) তৎ (মরম অদুদগী) নবেদ্মি (ঐনা হন্দাদে) কুতঃ (কাবদগী) গতাসি (কনা চৎখিবা ?) তেন মরম অদুদগী) তে নহাক্কী মবিদা) ন অনুনয়ামি (ঐনা থুরম থাজংদুনা থেমদরে) ৭।

দৃশ্যসে (নংবু উবে) মে (ঐগী) পুরতঃ (মাংদ) গতাগতমেব (অমো-কচৎ অমোক হল্লকপবু) বিদধাসি (নহাকনা তৌরি) কিম্ (করিনো ?) পুরেব মাছুনা অংেম্বা নত্তবা, হুংসিবী রাধা নৈতবা মক্কম অসিদা কপসিরা ? কান্নদে। ৬।

হে তন্বী। নহাক্কী থমোইদু হুমিৎচুপ্পা ঐবু দোষ তৌবামক্তনা রাববিনি হাঙ্গনা ঐনা উবে, নহাক্না ঐগী থমোইদগী চংখোখ্রিবাসি করি-গীনো হাঙ্গবা ঐ করিনা খংদনি, খংতি মরম অদুনা ঐনা থুরুমদুনা থেমদরে।৭।

ঐনা নহাকপু উরে, ঐগী মাংদা নহাকনা অমোক চংলি, অমোক গুণ কীর্ত্তণন্। অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ লীলা খিখিকনা বাহে রাজা, থৌদো, মিরোক অমসু নিংথেংনা মহাক্কা মানবা লৈতবা ওইনা হাঙ্গবসু গুণ কীর্তন কৌই অদুনা রস শাস্ত্রনা হাঙ্গবি।

৬॥ শ্রীকৃষ্ণনা থমোইদা সংসংনা লাকবা ইকৈবাসু উরগা থজি ঐগী থমোইদা সং-সংনা লৈবা অসিদা অহুমক ইকৈবাবু পোনহনসিরা চাবকি চুমসিনবীবু উবা কাবনা বনদা চৎতুনা থিহুনা তেংথাহুনা কপসিরা মাছু কান্নদে অউবা মকম থমোই অসিদা অহুমক ইবেমাবু পেলহনগে হাঙ্গবনি।

৭॥ শ্রীমতীবু থমোইদা উরবদগী অমোক হেক উথিজবনা হাঙ্গৈরিবনি, মাহুনা উথি তবা অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাবু চঙ্কেকপা ওইনা থোকতুনা অতোপপী ভগবতীসিংগা সা নরুবা অদুগী সাউহুনা চৎখ্রবনি হাঙ্গবগী ভাবতা হাঙ্গবনি। শ্রীকৃষ্ণনা থজি চংখিবদু ঐবু স.উহুনা চংখিবনি অদুবা ঐন্না "ঐ শাক্তে" হাঙ্গহনা থুকনুংগদবু "ইবেমানা

ক্ষম্য^তামপরং কদাপি তবেদৃশং ন করোমি।
দেহি সুন্দরি দর্শনং মম মন্মথেন দুনোমি" হরি হরি ॥৯॥

(মমাংঙৈগুম্না) সসম্ভ্রমম্ (তকুপ তরাংনা) পরিরম্ভণম্ (আলিঙ্গনবু) ন দদাসি (নংনা পীদবে) । ৮ ।

ক্ষম্যতাম্ (অপরাধ ঙাকপীয) কদাপি ([illegible]দোঙৈদসু) তব (নহাক্কী মরিদা) ঈদৃশম্ (অসিগুম্) অপরম্ (অতোপ্পা অপ রাধবু) ন করোমি (ঐনা তৌদরি) [illegible]) মম (ঐগী মরিদা) দর্শনম্ (নহাকপু উব [illegible] দেহি [illegible] মন্মথেন ([illegible]বংগী মশক ওইদুনা কন্দর্পনা) [illegible] ([illegible]চাক্লে)

লাকই, অ[illegible] [illegible]ো? মম[illegible]ৈ[illegible]ন্ন ঐবু নহাক্না তকুপতরাংনা কোন দরিবা । ৮।

হে সুন্দরি বাবে। ঐনা তৌবা অপরাধ ঙাকপীয়ু, নঙোন্দা ঐনা লাল্লিবসি মাসুম্না অমোক্তা তৌজদ্রিবনি. নহাকপু উহনবিয়ু নহাক য়াউদবদা ঐবু কন্দর্পনা চাকলে। ৯।

স উবি হাঙ্গবা উবদুনা তৌথিদবে" অসুম্না ইবুঙে না হাঙ্গাব। মাংগী ভ রতি –"প্রতপ্তস্তৈব সংসা সপিব স্তোয়বিন্দবঃ" অসৌবা ঘীদা ঈশং হুঞ্জনবগুম থোকতুনা হেন্না বা থোক্লগনি হাঙ্গনা কিদ্রনা হাঙ্গজদবনি হাঙ্গবা ভাবনি।

৮॥ বাহে অসি অমোক হন্না ইবেমাবু উরদুনা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গবি, মাসিমক্তি মফম খুদিংদা অতৈমা উথিদবে, শ্রীমতী রাধিকামক্তা উথবে। মাসিদি অভিজ্ঞসিংনা হাঙ্গবি "প্রাসাদে সা পথি পথি চ সা পৃষ্ঠতঃ সাপুরং সাপর্য্যঙ্কে সাদিশি দিশি চ সাতদ্বিয়োগাতুরস্য। হং হো চেতঃ প্রকৃতিরপরা নাস্তিতে কাপি সা সা সা সা সা সা জগতি সকলে কোঽয়মদ্বৈতবাদঃ।" অর্থাৎ মচাম্নবী চাম্নবনা কাইনবিঙৈ মতমদা মফম মফম খুদিংদা নিংশিবী অদুতা উদুনা অদ্বৈতবাদী, বেদান্তীসুংনা [illegible] ঐদুনা উব ঙম্না হুংসিবা হুংসিয়ৌ, মউই।

৯॥ ইবেমাবু অমোক উদ্রগনা হাঙ্গবি হে সুন্দরি! ঐনা লাল্লিবসি মমাঙৈদদি অসুম্না অমোক্তা তৌজখিদ্রিবনি হন্দক্তা ঙাইরি হাঙ্গবা থনবিদুনা ঐবু ঙাকপীয়ু, নহাকপু উদবনা কামদেবনা ঐবু চাক্লরে নহাক্কী নশক অদু উংতুনা ঐবু কনবিয়ু, অর্থাৎ নথাপোনবনা লানলুরবদি বারকপীবা হৌন তাদ্রোকপীবদি চুমদে, নহাকনা ঐবু উহন্দনা লৈদ্রনা মনাক্তা ঐবু থম্বিদবসি কনমল্লে তৌবিদু হাঙ্গবা ভাবনি।

বর্ণিতং জয়দেবকেন হরেরিদং প্রবণেন।
কেন্দুবিল্ব সমুদ্রসম্ভবরোহিণী রমণেন ॥ হরি হরি॰ ॥১০॥

* * * * *

বদসি যদি কিঞ্চিদপি দন্তরুচি কৌমুদী, হরতি দরতিমিরমতিঘোরম্।
স্ফুরদধরসিধবে তব বদনচন্দ্রমা' রোচয়তি লোচনচকোরম্ ॥১॥

হরে প্রবণেন (শ্রীহরিদা পরায়ণ ওইবা) কেন্দুবিল্বসমুদ্র সম্ভবরোহিণী রমণেন (কেন্দুবিল্ব কৌবা সমুদ্রদগী থোকপা থা ওইবা) জয়দেবকেন (জয়-দেবনা) ইদম্ (মাসিবু) বর্ণিতম্ (হাঙ্গথি) ।১০।

* * * * *

যদি (মতম অতূদা) কিঞ্চিৎ (করিগুম্বা) বদসি (য়াঙাংবা) তদা (মতম অতুদা) দন্তরুচি কৌমুদী (৺য় ২জবনা থাবল ওইহনা) অতি-ঘোরম্ (ওন্থোকনা স্নুক্রবা) দরতিমিরম্ (মীপাইবগী মশক ওইবা অমম্ববু) হরতি মাংহল্লি। তব বদনা চন্দ্রমা (নংগী মাইথোং থানা) স্ফুরদধরসি-ধবে (নংগী ঙাল্লবা অধরগী অমৃত কংন্বগীদমক) লোচনচকোরম্ (ঐগী মিৎ নোয়িনবু, রোচরতি (পামহল্লি।১।

হরিদা পরায়ণ ওইবা, কেন্দুবিল্বগী মশক ওইবা সমুদ্রদগী থোকপা থা ওইবা জয়দেবনা শ্রীকৃষ্ণগী বিরহগী রাগৈ অসি লেংই।১০।

* * * * *

নহাকনা করিগুম্বা রা ঙাংবিরবদি নহাকী য়াগী মঙাল্লা মেংনবা থাবল ওইহনা ঐগী অকিবগী মশক ওইবা স্নুক্রবা অমম্বাবু মাংহল্লি, নহাকী মাইথোং থানা ঐগী মিৎ অনিগী মশক ওইবা নোয়িন্দা নহাকী অধরগী মশক ওইবা অমৃতম্বু পামহল্লি। ১।

১০। বীরভুম কৌবা জেলাদা অজয় কৌবা তুরেনগী মনাক্তা হৃজিক কাওবা কেন্দু-লি কৌবা খুন অমা লৈ মাতু থাইনগী কেন্দুবিল্ব কৌবা শ্রীজয়দেব গোস্বামীগী গোকনফম অহৃনি! মফম অহুদা কবি অথোইবা জয়দেবনা লিংখৎলম্বা শ্রীবিগ্রহ অমা হৃজিক কাওবা লৈরি, মাতুদা চহি খুদিংগী তিলসংক্রান্তি হুমিৎতা মেলা তৌহনা হৃজিক কাউবা মাপু বৈষ্ণব মামনা তিতি। কবিনা মতাং অসিদা মহাকী লম অসিদা লৈবা মাগোইগী শাগৈ অহুবু মামনা চাউবা সমুদ্র ওইনা কন্নানা তৌরি। রোহিণী রমণ-হাঙবদি চং-মবিদা রোহিণী কৌবী থবানমচাকপু থানা মামনা পামই চাউবনা থাবু মফম অসিদা রোহিনী রমণ হাঙ।

* * * *

১। হে প্রিয়ে চানবী হাঙনা কৌবদি "হুংসিবনা তৌথোকয়কপা পুনমক হংসিব

প্রিয়ে চারুশীলে মুঞ্চ ময়ি মানমনিদানম্।
সপদি মদনানলো দহতি মমমানসং,
দেহি মুখকমলমধুপানম্ ॥ ধ্রুবম্ ॥

প্রিয়ে (হে চান্নবী) চারুশীলে (হে লৈচৎ ফজবী! রাধে) ময়ি (এঙোন্দা) অনিদানম্ (বাগ লৈতবা) মানম্ (মানবু) মুঞ্চ (থাদো-কউ) সপদি (নংনা মানতৌবা মতমদা) মদনানলঃ (কামগী মৈনা) মম (এগী) মানসম্ (পুক্নিংবু) দহতি (চাকই) মুখকমল মধুপানম্ (নংগী

হে রাধে হে সুদতি য়া ফজবী নহাকনা এঙোন্দা থাঙ্গৈশেংনা সাউ-ববদি নহাক্কী মিৎকী ওইবা থৌবা তেন্না থাবিয়ু, মাতুনস্থ পেন্দ্রগা নহাক্কী মক্তা ওন" হাঙ্গৈবনা নহাকনা তৌবরা পুন্নকলি এগী মবিন্দি মমিং চুপ্প ইন্নংতা মুংসি হাঙ্গৈবা ভাবনি, অনন চুন্নগী সিংনা গোকপা মথুন অন্নগী মশক ওইন্নবস্থ অগরু চন্দনদগী গোব্বা নৈথুন্দ সুহাইনবা ওইবা অত্তগুম্ন নগায়। এবু চৈংতুনা ভাংলিবা য়াঙা পুন্নকত্তু। কৃষ্ণ কৌয়া এগী নবিনদি ওহাকনা মুংসিবগী মশক ওই হাঙ্গৈবনা অনুধবর্নন, মরম অদুনা "বদসি কিঞ্চিদপি—" নংনা কবিগুখা বা ভাংলগা নহাক্কী য়াগা মচাম্না থান্ন ভাবুনা এগী অকিবগী মশক ওইবা সুক্লবা অমম্বু মাংহল্লি হাঙ্গৈবা বাংত অসিনা হান্নবা হাঙ্গৈ। বাইহ অসিদা ইবগী য়াগী অন্নংবা মঙা-নবুনা থারপ ওইবা অমস্থ শ্রীকৃষ্ণনা অতোপপা মুপীগা সানকবগী এনু রাধানা কন্নি হাঙ্গৈবমগবা ইঙ্গৈনা কনা ২ নাকপদগী শ্রীকৃষ্ণগী পুকনিংদা ওইবকপা অকিববুনা "অমম্বা" ওইনা হাঙ্গৈন্নি। শ্রীকৃষ্ণনা কিনা লৈবা হৌনদে 'যদ্ ভয়াদ্ বাতিবাতোযং" মাবু কিবনা মুংসিৎনা সিংগলি, অথাৎ মাবু বদন তাইবংপানবনা মাগী মাগা মশিল তৌন্নিবনি অস্থুম্না শ্রুতিনা হাঙ্গৈ, অমস্থ স্মৃতিনা হাঙ্গৈ "যদ্বিভেতি স্বয়ং ভয়ং" অকিবা হাঙ্গৈবদুনা ইবুঙো মাবু কিবনি, অদুনা কনাবু কিবা হৌনবগে অদুম্নদি ওইবগা ইবুঙো মাদি রস পুম্নমক্কী তুংনফর্ম্মন, ভয়ানক বসস্থ ইবুঙো মাঙানদা। নৈফম থোকই ইবুঙো মহাক্কি প্রেমগা মথাপোনবনি প্রেম্না মহাকপু ভমই, অদুনা প্রেমগী তুংনকম ওইবা ভক্তদদি ইবুঙো মহাক্কা কি, মাখোল হুরুবদগী মমা যশোদানা চৈরগা কি, প্রেমবতী শ্রীমতীগী মকমদা শ্রীকৃষ্ণদ থাঙ্গৈমকশেংনা কি, ইবেমদা লাম্ভুরে অতোপ্পী মুপীগা সান্নকনব ইবেমনা প্রণয়কোপ ওইবে, মাতুদগী ইবুঙোনা ওস্থোকনা কি, শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাবু কিবা মকি অসি মংগ.ধন্দা অস্থুম্না তৌই, হাঙ্গৈনবা লোন নৈতে নিরুপাধি প্রেমগী নিরুপাধি ভয়নি হাঙ্গৈগদরা? ইবেমতদা ইবুঙোনা ওইবা প্রণয় ভয়দু অনির্ব্ব-

সত্যমেবাসি যদি সুদতি ময়ি কোপিনী,
দেহি খরনয়নশরঘাতম্।

মাইথোং থম্বালগী মধু থকপবু) দেহি (পীয়ু) সুদতি (হে য়া ফজবী) যদি (মতম অদুদা) ময়ি (ঐঙোন্দা) কোপিনী (সাউবনী) সত্যম্ ঐব (থাঙ্গৈশেংবা) অসি (ওইবে) তদা (মতম অদুদা) খরনয়ন শরঘাতম্ (থৌরবা মিৎকী মশক ওইবা তেন্না থাবিয়ু) দেহি (পীয়ু) ভুজবন্ধনম্

পাম্বোম অনিনা অকনবা থৌবি ওইদু। ঐবু পুনবিয়ু মাদুনসু ওক্তরগা চনীয়নি। অদুগা ভয়ানক্কী অচম্বা অকিবা হাঙ্গৈবাসদি কাব্যদা রস ওইবনি লৌকিকতদি থেংনবিঙদদি রস ওইদে মাদুদি মালতী মাধবতা নিংথৌগী অঘোরঘণ্টগী মালতী মধবতা রস ওইখিবা নত্তে অদুগা নাট্যদদি সমাজিক্ত রস ওইরি মাসিং গুম্বা অকিবসি লৌকিক ভয়ানকনি অলৌকিক ভয়দি মশা মশাদসু রস ওই, অর্জুনা বিশ্বরূপ উবদা অর্জুনদা রস ওই। শ্রীকৃষ্ণনা ইথেমাদু কিয়া অদু অলৌকিকনিনা শ্রীকৃষ্ণদা রস ওই। * তৌহগুমসু মধুর রসদা অকিবনা রস পুষ্টি ওইববদি য়াম্ দ্রগা ওইগদবনি অমসু অকিবনা মঙক্লা অকিবদু কোক্ত গাম্মক হাঙ্গৈজবা, চংজবন চিংবা তৌবা তৌনবদু ইকাইকাইদনা থাঙ্গৈশেংনা কিববা শ্রীকৃষ্ণনা শবেমদা হাঙ্গৈজরি মাদুদি— "চাকশীরে" হে লমনং ফজবী হাঙ্গৈবদি মপুংগী বদা নৈসিংলথানবী ববর্ণিনী ওইবনি হঙ্গৈবা; মদুগা ভারতি "ভবন্তি বরাণিন্মো দুঃখিনাং বেদনাচ্ছিদঃ" লমনং ফজবী গুপী হাঙ্গৈদা অসিগীদি য়াববা জানগী অর্থবা মাংহনবা তৌনবিনি অদুনা য়াবনা কুষ্ঠ কৌ। ঐগী অথাংদি নংনাক্তন মাংহনগদ নি হাঙ্গৈবা ভাবনি। মাদুমক হাঙ্গৈ— "মুক্তায় ন মনিদন" অর্থাৎ অনিদাংম্ মনম লৈতবা মানবু হাঙ্গৈবদি ঐনা অতোপ্পা গুপীগা সাম্মকবগী চন্দ্রপুরকপা নত্তু ঐগী ককাংদা মংহোশানা লৈবা চিহ্নবু নহাকনা পাংথন থনবতনি অদুনা ঐঙোন্দা সাউদুনা ওইরবা মান অদু অকা য়ণনি মাদু, ময়ি মুগ্ধ ঐঙোন্দা থাদোকপীয়ু তৌবিগনু হাঙ্গৈবনি, মাদুগী ভাবত্তি নহাক্না সাউবগা ঐনা কি ঐগী থমোই অসিনা অকিবা ভযানক রসগী "ভী" কৌবা

* অর্জুনা বিশ্বরূপ উবে, কিবনা থক ২ নিকই, তৌইগুমসুং ঐগী ইবুংঙোনি, ঐবু ষুংসিদুনা কিহনবনি হাঙ্গৈবা অর্জুনা কাউদে। অদুনা অর্জুনদা কিনা ২ হুডাইবা পোকই। লৌকিক প্রেমদা ষুংসিবা হাঙ্গৈবসি চাম্নবা লৈবা তৌনদবনা মানা গায়া পাম্বী গুপীদা লাদুরগা মাগী ইন্দ্রিয়চরিতার্থগাম্মক ফংনবোহ হাঙ্গৈনা অম্বা নিপা গুপীগী কিননা অদুদি রস ওইদে মাদুনা নাটাদা সামাজিকতা রস ওইববদি য়াই।

ঘটয় ভুজবন্ধনং জনয় রদখণ্ডনং,
যেন বা ভবতি সুখজাতম্ ‖ প্রিয়ে০ ‖২‖
ত্বমসি মম ভূষণং ত্বমসি মম জীবনং,
ত্বমসি মম ভবজলধিরত্নম্।

(পাম্বোম অনিনা পুনবাবু) ঘটয় (তৌ) রদখণ্ডনম্ (য়ানা চিকপাবু) জনয় (খোকহললু) যেনবা (মাহুনা মরম ওইহুনা) সুখজাতম্ ভবতি (নুঙাইবা ওইরা) তৎ (মাহু) কুরু (তৌ)।২।

ত্বম্ (নংনা) মম ভূষণম্ অসি (ঐগী লৈতেংনি) ত্বম্ (নংনা) মম (ঐগী) জীবনম্ (পুন্সিনি) ত্বম্ (নংনা) মম (ঐগী) ভ০জলধিরত্নম্ অসি (সংসার সমুদ্রগী রত্ননি) ইহ (মাসিদা খুকমজবা) ময়ি (ঐঙোন্দা)

য়ানা চিকপীয়ু মাহু পুম্নামক্কসু নত্তে মাসুম তৌবগা নুঙাইগনি হ ঈবতা খন্দুনা তৌখিয়ু।২।

হে রাধে! নংনা ঐগী লৈতেংনি, নংনা ঐগী পুন্সিনি, নংনা ঐগী

স্থায়ি ভাব ওইরবদি শৃঙ্গার রসগী অকাইবা ওইগনি মা. ওইহনগদ হাঙ্গীর্দ। "স্ফুরদধর সিধবে তব বদন চন্দ্রমা রোচয়তি লোচন চকোরম্" হাঙ্গীবাসদা নহাক্কী মাইখোং থানা ঐগী মিৎ নোয়নবু নহাক্কী অধরামৃত পামহল্লি হাঙ্গীবাসদা 'স্ফুরদধর সিধবে" হাঙ্গীবা চতুর্থী অসি নিমিত্তার্থে চতুর্থী ন রোচয়তি ক্রিয়ানা নিজন্ত ওইবনা "রুচ্যর্থানা প্রীয় মানঃ" হাঙ্গীয়া সূত্রনা চতুর্থী ওইবা নত্তে। মবমদি অতোপপা অমবু পামহনববু "রুচি" কৌই অদুনা ইবেমগী বদনচন্দ্রগীদি রুচি অদু ওইদে। শ্রীকৃষ্ণগী লোচনরূপ চকোরবু পামহল্লি হাঙ্গীবনি, মাহুদি নোয়িন কৌবা উচেকনা। + থা উয়গা খাগী থাবল অদু পামহুনা অহিংদা আকাশদা থবক্না হেক লৈরিবা মথৈ কোইনা পাইয়া অদুগুমনা ঐগী মিৎ অসিনা নহাক্কী অধরামৃত অদু পামহুনা নহাক্কী মাইখোংবু এংহুনা লৈরে, থাম্বোকপা ত্মদরে হাঙ্গীবনি।

২। হক্কী থাহৈ অসিগী অথুপপা অভিপ্রায়দি "প্রীয়ে অপরাধিনি দণ্ডএরোচিতা নোংনোংশা ইতি ভাবঃ" ঐগী ওইবা মীনা দাঙ্গবদি মহাকপু মতুং মনাও তৌদনবা দণ্ড তৌই অদুগা তানখোকপদি তৌবিকম খোক্তে হাঙ্গীবা ভাবনি।

+ নোয়িন হাঙ্গীবা উচেক অসি মণিপুরদা লৈতে, ঐনা উত্তর ভারতদা উয়কই, মচুদি লমথুম্বগী মচু মাঙ্গি চাওবনা অয়োকপা অথাকপা খুজু লাল মরুম চাউই. মণিপুরদা লৈতবা উচেক অদুগী মমিং মণিপুরদা চহমরম্বা অসিদি ব্রাহ্মণগুম্বা লৈত্র বসু মাখোইনা হায়া উয়কপদগী খোলবা মমিং ওইরনি।

ভবতু ভবতীহ ময়ি সততমনুরোধিনী,
তত্র মম হৃদয়মতিযত্নম্ ॥ প্রিয়ে০ ॥৩॥
নীলনলিনাভমপি তন্বি তব লোচনম্,
ধারয়তি কোকনদরূপম্।
কুসুমশরবাণ ভাবেন যদি রঞ্জয়সি,
কৃষ্ণমিদমেতদনুরূপম্ ॥ প্রিয়ে০ ॥৪॥

ভবতী (ইবেমা নংনা) সততম্ (অতৎপা লৈতনা) অনুবোধিনী (অতুকুলা ওইবা) ভবতু (ওইসনু তথা (মাড়দ) মম (ঐগী) হৃদয়ম্ (থমোইনা) অতি যত্নম্ (য়াম্না যতন তৌ।।"।

তন্বি (হে কৃশাঙ্গী—খরাংবা ...) তব লোচনম্ (নহাক্কী মিৎনা) নীলনলিনাভমপি (থবো অস ...) কোকনদরূপম্ (অঙাংবা থরেগী মচুগ) ধারয়তি (পু ...) নংনা যদি (মতম অতুদা) কুসুম-

---

তাইবংপানবকে বা সমুদ্রদা লৈবা রতননি ঐনা নঙোন্দা চংজবা থুকমজবা মাতুনা নাহাক্কা ঐবু থজানবিগা ওইসনু অমুম্মা ঐগী থমোই অসিনা অতৎপা লৈতনা হোৎনজরি। ৩।

হে তন্বি! নংগী থবো অসংবা মানবা মিৎ অসিনা হজিক্তি থরো অঙাংবগী মচু ওইখ্রে, অদু ওইববদি নহাক্কা মিৎনা লৈপা মতৌ ওইরলিনা

৩। হে কৃষ্ণ নংগী চায়বা অতোপপাগী মান কোকনবা হোৎনজো ঐদি নহাক্কী কায়বা নত্তে হাঙ্গৈগদবনি। হাঙ্গ "ত্বমসিমমজীবনম্" নংদি ঐগী পুনসিনি অর্থাৎ নংনা রাগা ঐনা হেন্না বাই, নংনা হুডাইরগ ঐনা হেন্না হুডাই অদুনা নসি ঐগী হিং নবা পুনসিগী মশকনি হাঙ্গৈবা ভাবনি "ত্বমসি মম ভূষণম্ নংনা ঐগী লৈতেংনি" হাঙ্গ রদি নংগা লোইননবতনা ঐগী ফজবা কান্তি ওই অদুনা অতৈ অতোপপা অলংকার অমদি কায়রে নংতনা ঐগী লৈতেংনি হাঙ্গৈবনি। "মম ভবজলধিরত্নম্"— নংনা ঐগী তাইবংপানবা সমুদ্রদা লৈবা রতননি হাঙ্গৈবদি লাইববা মীনা রত্ন ফংজরগা হরাউবা অদুগুম্না ঐনা নংবু উরগা হরাউই, হুডাই অদুনা নহাকসি ঐগী মণিনি হাঙ্গৈবনি তাই-বংপানবা সমুদ্রগী রতননি, হাঙ্গৈবদি রতনদি সমুদ্রদা লৈ অদুনা ৎতনা অথোইবা নাংনা তাইবংপানবা সিন্ধু সমুদ্রগুম্না রতনগী পোকফম লৈকম ওইবে অদুনা ঐগী মরি-নদি ঐগী রত্ন নং লৈরবা তাইবংপানবগী সমুদ্র ওইবে হাঙ্গৈবা ভাবনি।

স্ফুরতু কুচকুম্ভয়োরুপরি মণিমঞ্জরী,
রঞ্জয়তু তব হৃদয়দেশম্।
রসতু রসনাপি তব ঘনজঘনমণ্ডলে,
ঘোষয়তু মন্মথনিদেশম্ ॥ প্রিয়েং ॥৫॥

শরবাণভাবেন (কামগী তেনগী মওং ওইনা। ইদম্ (অসিগুম্বা। কৃষ্ণম্ (কৃষ্ণ ঐবু) রঞ্জয়সি (চুহল্লবদি) এতৎ (অসিগুম্বা মীৎকী মচু অসি) অম্বুরূপম্ (মশক্কা চাবে)। ৪।

মণিমঞ্জরী (মণিগী পরেংনা) কুচকুম্ভয়োঃ (কুচুগী মশক ওইবা চফু অনিগী মথক্তা) স্ফুরতু (নোই চাউববা খরাংগী মখাথংবা মফমদা) রসনাপি (খাংশবিক পরেংনা) রসতু (মখেন থোকসন্নু মন্মথনিদেশম্ মিত্তুনা নৈগী তেন পাইবা কামগা তেন ওইতুনা ঐবু থাবিয়ু, অতুগা ঐবুস্নু নংগী মিত্তা অঙাংবা চুথবিবা অতুগুম্মা চুহনবিয়ু, মাতুম্মা তৌবা থোক্লবদি নহাক্কা নিং অমুবনা ঙাংখরিবাতু মতিক চাই হাঙ্গনি। ৪।

মণিগী পরেংনা কুচগী মশক ওইবা চফু ২ দা হাঙ্গহু-লসনু, অতুগা নংগী পমে ইবু ঙানহনসন্নু, নহাক্কী নোইববা খরাংগী মখ দা থাংসবিকনা মখোন নিংথিনা থোকতুনা কামগী য়াথাবু তন্না হন্না হাঙ্গসন্নু। ৫।

৪। শ্রীকৃষ্ণনা মঙাং অসিদা শ্রীমতীদা রসিকতা ওইনা হঙ্গর, মাতুগী ভাবতি অসিনি—হে কৃশাঙ্গী রাধে! নগাক্কী মিৎ অসি মহৌশাদি পরবা অশংবা শাকাইবগুম্না মিৎপানদা কাজলনা লেতেংতুনা মঙংদা অঙোবগী শয়াইদা মিৎনগানা ফজবনি মাতুবু "নীলোৎপল" থবো অশংবা মাল্লি, হুজিক্তি মাম্মনা মিৎ অত্তু ঙাংনা উবে থবোঅঙাং ঘণ্ডমখ্রে। অতুনা ঐনা থংলে ইবেমা নংসি "অনুরঞ্জনী" কৌবা বিদ্যা অমা হৈরে (অনুরঞ্জিনী হাঙ্গবদি মচুশংবা অথ অমদা মীবু হুংসিহনবা হুঙাইহনবা ঙম্মা মহৈবু কৌই) অমুম্না ঐনা থল্লে মাতু থাঙ্গশেংনা হৈরবদি কৃষ্ণ কৌব অমুবা ঐবু অনুরঞ্জন ওইহল্লু। ঐবুস্নু নংগী মিৎ অমুববু ঙাংহনবগুম্না ঙাংহল্লু অর্থ অমনা ঐবু হুঙাই হনলু) মাতু ঙমলবদি নহাক্কী অনুরঞ্জিনী বিদ্যাতু মহৈ য়ানলে মাতক মগুণ লৈরে হাঙ্গনা থ নসি হাঙ্গবনি।

৫। নহাক্কী মিৎনা অঙাংবা মচুবু পুরে, নংনা ঐবুস্নু হুংসিহনগে মরম অতুনা মণিমঞ্জরী সিবরী নহাকনা নহাক্কীথবাকপু নিংথিহনলগাদ মতিক চপাহবে হাঙ্গবা ভাবনি, মাসিদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গরিবদি কেলিগী মশক ওইবা শুভকর্ম্মগী হৌগৎলকপদা মঞ্জরী

স্থলকমলগঞ্জনং মম হৃদয় রঞ্জনম্,
জনিতরতিরঙ্গপরভাগম্।
ভন মসৃণবাণি চবণদ্বযম্,
সরসলসদলক্ত করাগম্ ॥ প্রিয়ে০ ॥৬॥
স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং,
ধেহি পদপল্লবমুদাবম্।

(কামগী যাথ বু ঘে যযত্ন (হন্না হন্না হাঙ্গৈসনু)। ৫।

মসৃণব ণি (হে ফজবা রাহৈ ঙাংবী হে রাধে ভন (নংনা য়াথং পিয়ু স্থলকমলগঞ্জনম (স্থলকমলবু ঙমজবা) মম হৃদযবঞ্জনম্ (ঐগী থমোইবু ঙংহনা জনত রতিরঙ্গ পবভাগম্ বতিলীলাগী হৈসিংবদা মহৈ মহৈ অমনা অমবু ফজহনবা) চবণদ্বযং (খোং অনিবু সরসলসদলক্ত-করাগম্ ফুইনা নিংথিজববা অঙাংববু) কবনাণি ঐনা তৌগে। ৬।

স্মবগবলখণ্ডনম বামগী হুবু মাংহনবা মণ্ডনম্ ঐগী কোক্তা লৈতেং ওইবা উদাবম ফজবগা পদপল্লবম্ নখোং উনা অনৌবাবু মম ঐগী শিবসি কোক্তা ধেহি (নংনা হাপ্পীয়ু) মযি (ঐওন্দ দারুণঃ (খাঙঙ-

হে রাঙাং ফজবা বাধে। নহাক্না ঐওন্দা যাথং পীনবিয়ু, মাতুদি নহাক্কী স্থলকমলবু ঙমজবা কৃষ্ণ ঐগী থমোইবু ঙাংহনবা নখোং অনিবু ফুইন নিংথিজববা অঙাংবা ওইহল্লগে, মবমদি নহাকা নখোং অনিতুনা রতিকেলিগী হৈসিংবদা অমবু অমনা মহৈ মহৈ ফজহনবা। ৬।

হে বাধে। নহাক্কী ফজনবা নখোং উনা অনৌবাবু কামগী হু কোক্নবা ঐগী কোকতা হাপ্পীয়ু, মাতুনা ঐগী কোকী লৈতেংনি, ঐওোন্দা খাঙমত্রবা

হাপপা ঘটচন্থু হান্ননা খিনবা হোৌন অতুনা কুচ অনিবু চক্থু ওইনা মণি মালাবু মক্সবী ওইনা হাঙ্গৈ। খ্বাহদা শিন্নিবা খাংসন্নিকনা মখোন হোৌবনা খাংগী মথাথংবা অনোই বা মফমদা লৈতুনা কামগী য়াথং হন্না ২ হাঙ্গৈসনু "সান্নবো ২" অসুন্না খাংসন্নিকনা লাউ সনু হাঙ্গৈবা ভাবনি।

৬। হন্দক্কী পদ অসিগী ভাবতি শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাদা প্রার্থনা তৌরি হে রাধে নহাক্কী নখোং অনিবু ঐনা বাবক রস তৈতুনা ঙাংহনজগে অতগা ঙাংলবা নখোং অনিনা ঐবু অমোক বিপরিত রতিলীলাগী ক্রোঞ্চ বন্ধন (মথক্তা হাঙ্গৈখবে) নডিংবদা ঐগী হৃদয়বু ঙাংহনুগনি। মাসুন্না তৌরবদি ঐন্না নহাক্কী খোংবু ফজহনবা, নহাক্কী খোংনা ঐবু

জ্বলতি ময়ি দারুণো মদনকদারুণো,

হরতু তদুপাহিতবিকারম্ ॥৭॥

ইতি চটুল চাটুপটুচারু মুরবৈরিণো,

রাধিকামধি বচনজাতম্ ।

মত্রবা মদনকদারুণঃ কামগী পীড়াগী মৈচাক্কী মশক ওইবা ফুমিংনা জ্বলতি (চাকলে। তদুপাহিতবিকারম্ (মাতুনা থোকহনবা ৱাস্থবনাচিংবাবু) হরতু (মাংহনসনু ।৭।

ইতি (অসুম্না) চটুল-চাটু পটু-চারু ফজবা অপেনবনা তিনবা হৈসিং-বা-ওনৌ ওনৌবা) পদ্মাবতীরমণ জয়দেবকবি ভাবতীভণিতম্ (পদ্মাবতীগী চান্নবা কবি জয়দেবগী ভাবতী কৌবা রাবেংনা হাঙৈবা। অতি শাতম্ (থোইদোকপা মুভাইবগী মশক ওইবা মুরবৈরিণঃ শ্রীকৃষ্ণগী। রাধিকাম্ অধিবচনজাতম্ । শ্রী রাধা [illegible] মপে অসিনা। জয়তি প্রু-

---

কামগী মৈচাক [illegible] ওইদুনা চা [illegible] অৱাবনা ঐগী ৱাস্থবনচিংবা ওইরিবসি নংগী [illegible] কোক[illegible] ।৭।

পদ্মাবতীগী চান্নবা কবি জয়দেবগী ভাবতী কৌবা ৱাবেংনা হাঙৈবিবা থোইদোক্লা মুভাইবগী মশক ওইবা, রাধিকাদা হাঙৈবা মুরারি শ্রীকৃষ্ণগী

ফজহনবা ওইদুনা ৱতিলৈনাগী হৈসিংবদা মহৈ মহৈ অমনা অমবু অমনা ফজহনবা ওই-গনি হাঙৈথনি।

৭। স্মরগরল—কামগী হু হাঙৈবদি মলয়চিংদগী লাকপা চন্দনগী মনমনুবা নুংসিংপু হাঙৈ বনি, মরমদি বিরহগী ওতমদা মলয়গী নুংসিংনা হু ওইদুনা চাকই। অদুনা কামবুনা লিন ওইনা হাঙৈবসি। অদুগা ইবেমাগী থোংবুনা কামগী হু কোকহনবা ওইবনা লীনগী হু কোকনবা উনাগী হিদাক ওইনা হাঙৈদুনা ইবেমাবুনা গারুড়িক—লিনগী মাইবা ওই-না হাঙৈবনি। লিনগী মাইবনা লিন চিক্লবা মীবু মথোংনা কাউদুনা অমসু উনাগী মন্ত্র শোন্দুনা হিদাক তৌবা অদুগুম্না কাম কোবা লিনগী হনা হায়বা ঐগী অৱাবনি কোক হনবিয়ু হাঙৈবনা থবনিনি। অমসু ইবেমাগী শ্রীচরণনা য়াম্না যেংবা অমসু নৌবা অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা অনৌবা উনা ওইনা হাঙৈবা অদুনা কামবু মৈচাক পোকহনবা ফুমিং ওইনা অমোক হাঙৈদুনা প্রার্থনা তৌই, মাদুদি মদনকদারুণঃ—কামগী মশক ওইবা ফুমিংবা ঐবু চাক্লে, ঐনা থাংবা ওমদদুনা ৱানথবনচিংবা ওইরিবসি নহাক্কী নথোং উনাম্না কোকহনসনু হাঙৈবদি ফুংসানা চাক্লবান্না কোক্তা উনা হাপপনাচিংবা তৌদুনা মীওইবনা অৱাবা কোকনৈ, মাদুগুম্না নহাক্কী নথোং অদু ঐগী কোক্তা হাপীবু হাঙৈবা থবনিনি।

জয়তি পদ্মাবতীরমণ জয়দেব,
কবিভারতী ভণিতমতি শাতম্ ॥ প্রিয়ে০ ॥৮॥

* * *

মাসুম তৌদুনা ইবেমাগা কাইনবগা ইবুঙোগী প্রেমবিলাস বিবর্তবুদি রায়না হাঙ্গৈবে, ইবুঙোগা কাইনবগা ইবেমাগী প্রেম বিলাস বিবর্তবুদি হাঙ্গৈদবি মাদুবু তানিংদুনা প্রভুনা হাঙ্গৈরে, মথং অমা হাঙ্গৈয়ু, মাদু তারবদা মবুঙোগী স্নাপুক্লিং খংলদুনা বায়না মাগী ঈশৈ অদু শকলি, মাদুদি লৌখৎখ্রবা অদুনি, (মগাক্কী ব্যাখ্যা তৌনবাগীদমক এংবদা মুঙাইনবতা অমোক হন্না ইথোকপনি,) —

"পহিলহি রাগ নয়ন ভঙ্গ ভেল। অনুদিন বাড়ল অবধি না গেল ॥
না সো রমণ না হাম রমণী। তুহুঁ মন মনোভব পেখল জানি ॥
এ সখি সে সব প্রেম কাহিনী। কাণু ঠামে কহবি বিছুরহ জানি ॥
না খোজলু দূতী না খোজলু আন। দুহুকেরি মিলনে মধ্যত পাঁচবাণ ॥
অব সোই বিরাগ তুহুঁ ভেলি দূতী। সুপুরুষ প্রেমকি ঐছন রীতি ॥
বর্দ্ধন রুদ্র নরাধিপ মান। রামানন্দ রায় কবি ভান ॥"

পহিলহি (অহানবদা) রাগ (রাগ ওই) নয়ন ভঙ্গ ভেল (মীৎচিনা এংবনা ওই-

---

মক্কুগী হেনবা ওইসনু) জয়দেব ভারতি ভুষিতম্ -জয়দেব কবিগী ভাবতি কোবা রাহৈনা লৈতেংলবা, মানিনী জনজনিতশাতম্ মান তৌবিবা মাগী পুক্লিংদা মুঙাইবা পোকহনবা যাথংনা)৮।

রাহৈ অসিদি ফজবা অপেনবা হৈসিংবা অমসু তনৌ তনৌবনি মাসিনা পুম্নামক্কুগী হেনবা ওইসনু। ৮।

৮। ছন্দক্কী পাদ অসিগী মথাংংবা পাদ অসি বঙ্গে অমসু বঙ্গদেশগী মুদ্রিত গীতগোবিন্দদা পাঠ মায়দে বস্বনীগী মনুংদা হাপলিবা অদু বম্বেদা চৎনবা রসিক প্রিয়া অমসু রসমঞ্জরীগী সম্মত পাঠনি। "ভাবতী" হাঙ্গৈবসি অলঙ্কারগী বৃত্তি মথম অমনি। মাদুদি শৃঙ্গারতিলকতা মাগী লক্ষণ হাঙ্গৈ "প্রধান পুরুষপ্রায়া সদ্বক্রোক্তি নিবন্তরা। ভারতি সা ভবেদ্বৃত্তি বীবহাস্যাদ্ভুতবসাশ্রয়া ॥" বসার্ণবসুধাকরদসু "শৃঙ্গাবাদিষু রসেষ্বিষ্টা হি ভাবতী" অসুম্না হাঙ্গৈ। ছন্দক্কী অষ্টপদী "বদসি" নাচিংবা পদসিং অসি কীর্ত্তন গায়কসীংগী অফাউবা ঈশৈনি, মাথোইনা ঈশগী মথাদা হাপলিবা রাগ অমুদা শক্কে মিশ্র জয় জয়ন্তি রাগিনী অমসু ঝাঁপ তালদা শকনৈ।

খি) অনুদিন (নুমিৎ খুদিংগী) বাড়ল (হেনগৎখলি) অবধি না গেল (ড়মখৈ লৈতে) না সো রমণ (শ্রীকৃষ্ণনা রমণ ওইদে) না হাম রমণী (ঐনা রমণী ওইদে) দুহুমন (অনিগী পুক্নিংবু) মনোভব (কামদেবনা) পেথল জানি (থংদুনা মকুপ ওইনা থু-গাইদুনা তিনসিনখবে) এ (মাসি) সখি (হে ইতা) সে সব (পুম্নমক অদু) প্রেম কাহিনী (প্রেমগী ৱানি) কাণ্ ঠামে (শ্রীকৃষ্ণদা) কহবি (হাঈয়ু) বিছুরহ জানি (কাওরে থ'ই) না খোজলু দূতী (দূতীবু থিদে) না খোজলু (থিদে) আন (অতো-পপাবু) দুহুঁকেরি (অ'নগীদমক) মিলনে (তিন্নাবগীদমক) মধ্যত (ময়াইদা) পাচ-বাণ (রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ, অমসুং শব্দগী মশক ওইবা তেন মঙা পাইবা কামদেব-নি) অব (হৌজিক্তি) সোই (মা) বিরাগ (বিরাগনা) ভেলি দূতী (দূতী ওইবে) সুপুরুষ (অফোইবা নিপাগা) প্রেমকি (প্রেমগী) ঐছন (মাসুম হৌই) রীতি (লীচৎতী) বদ্ধন রুদ্র নরাধিপ মান (প্রতাপরুদ্র নিংথৌগী সন্মান হেনগৎহনবা) রামানন্দরায় কবিভান (রামানন্দরায় কবিনা হাঈ) ।

সন্দোকপা ব্যাখ্যা।

ঈশৈ ময়েক— "পহিলহি রাগ নয়ন ভঙ্গ ভেল।"

অনুবাদ— "অহানবদা মীৎচিগা মীৎচিগা এংনবনা রাগ ওইখি।"

"রাগ"— নিপানে নুপীনে অনিগী নুংশিনবদগা ওইরকপা পুক্নিংগী অ.পৎপা অমেংবাবু র'ও কৌই। মথং মথং হেনগৎলকপগী তঙকমুব' মওংবু রাগ কৌই। মাদুবু ঈশৈ অসিনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগীদি অহানবা মতৈ মতৈ হেক উনবমক্তদা তঙকমুবা থাক রাগনা ওইখি অসিনি। তাইবংপানবগী মপুদা জীবনা ভক্তি তৌবদা জীবনা কান্তাভাবনা ভক্তি তৌরবদি ভক্তি অদুগী স্থায়িভাবপু রতি কৌই। রতি অসি মখল অহুমনি। মাদুদি সাধারণা, সমঞ্জসা অমসুং সমর্থা। মথুরাদা কুব্জা'রাণীনা সাধা-রণানি। দ্বারকাদা রুক্মিণ'নচিংবী মহারাণী নিপানদা ওইবা রতিনা সমঞ্জসা কৌই। অমসুং ব্রজদা গোপীদা ওইবা রতিবু সমর্থা কৌই। শ্রুতিস্মৃতি পুরাণাদি সর্ব্বশাস্ত্র জাত প্রসংশিত সুপ্রাচীন মণিপুরদা পোকখিবা দেবসন্তান মৈতৈগী মহাসত্তমসীংনা উপাসনা তৌরকপা পার্ব্বতী পরমেশ্বর = পানথোইবীদা ওইবা নোংপোক নিংথৌবু নুং সিবগী মশক ওইবা রতিবু রসশাস্ত্রনা সমর্থারতি কৌই। মহাক্তি পরাঙ্গনাময়ীনি (ভিন্ন পুরুষ— অতোপপা নিপাগী নুপী ওইনা মপানা ২৮গী ১০৮ পা দীক্ষণব ন) মাদুম লৌদুনা পানথোইবী [illegible] থবংসু নুংশিবগী মশক ওইবা রতিবু সমঞ্জস (অতোপপা নিপা অনা পাগদবগাদমক মপা

শুকজন-।চিংবনা য়াম্না কম্না এৎপা পুম্নমকপু মহাক্কী সতীত্ব ধর্ম্মতনা নমকৎতুনা লেংদনা লৈবা) কৌই।

মুপী নিপা অনিগী মুংসিনববু ঈশৈনচিংবা তানবা (শ্রব্য) অমসুং লীলানচিংবা এংনবা (দৃশ্য) দা বস ওইনা পুখোক্লবদা শৃঙ্গার = উজ্জ্বল = মধুর কৌই। মাতদা মধুর হাঙ্গীবনা চিনিনচিংবগা মহাও অথুম্বা হাঙ্গীবা নত্তে। অদুবু তৌইগুম্বসু শৃঙ্গার বসগী (নিপা মুপীগী অপাম মুংসিবু বস ওইনা) পুখোকপদা বতিবু মাগী মথং মথং হেনগৎ-পদা চিনিদা পান্দুনা ব্যাখ্যা তৌবগা রস শাস্ত্র তমথ-লকপা মীদা য়াম্না লাইনা খং হনবা য়াই। মাতদি অহানবদা সমথা বতিনা মঙ্গ (বীজ) হাঙ্গীবদি চুদা হাঙ্গীববদা তেনাদা চোংবা মমিৎকুম্বনি। রতিনা হেনগৎলগা প্রেম ওই, মাদুনা চুগুমই। প্রেমনা হেনগৎলগা মান ওই, মাননা চিনী অঙাংবগুম্বনি। মাননা হেনগৎলগা প্রণয় ওই, মাদি চিনী অকেংবগুমই। প্রণয়না হেনগৎলগা রাগ ওই মাদি চিনী অংঙৌবগুমই। রাগনা হেনগৎলগা অনুরাগ ওই, মহাকনা সিতামিস্রগুম্বনি। অনুরাগনা হেনগৎলগা মহাভাব ওই, মহাক্তি সিতোপল (সিতামিস্রগী মথক) কুমই। অদুনা মথং মথং ১ রতি, ২ প্রেম, ৩ স্নেহ, ৪ মান, ৫ প্রণয়, ৬ রাগ ৭ অনুরাগ অমসুং ৮ মহাভাব অসি বতিনা হেনগৎলকপগী মথা মথানা হেনগৎপনি।

১। রতি হাঙ্গীবদি নহাক অমোক মপোক্ত তৌবকপদগী ওইববসু হন্দক্কী মপোক্তা তাকবা উনকবদগী ওইববসু পেনবমক্কনা মাঙোন্দা পুকনিংনা থাদোক্কনা নপপবু রতি কৌই। ২। মাদুম্না মাঙোন্দা নপপিবা পুকনিংনা কবিগুম্বা বিম্বিনা থ গাইবা ভমদ্রবা থ গাই ২ কবগা মানা মুম ২ হেক্তুনলগা বতি অদু প্রেম কৌই। ৩। পুকনিংনা মহাক্কী মরমদা ইপেৎ পেৎপবু স্নেহ কৌই। ৪। স্নেহনা যামথৎলবদা অফবা ফত্তবনা ওইব বসু সাওদুনা ওইববসু করিগুম্বা হেতু (মরম) অমনা, মরম অমতা ইবে লৈতনবু ওইববসু পুকনিংগী থোইবা = মজ্জুংদা অমা নিংলগা মপান্দা অমা তৌববু মান কৌই। ৫। পুকনিং হকচাং অমসুং ইন্দ্রিয় পুমনমক মমা অমত্তা ওইনা ওইথ্রদুনা থাজবা ওই থ্রববু প্রণয় কৌই। ৬। প্রণয়না য়ামখৎলবদা পুকনিংদা অবাবুসু নুঙাইবা ওই না নিংশিংদি রাগ কৌই। ৭। শ্রীকৃষ্ণবু ঙহাক্তসু কাওদনা পুকনিংদা নিংজুনতা লৈ থ্রবা মাদুম্না নিংবা অদুদা মথং মথং ইনৌতা নোবা, হাম্না থংথিদ্রিবা হুজিক্কা থংব-গুম্না মীৎকুপ খুদিংগী হুজিক্কা থংবা ওইনা শ্রীকৃষ্ণবু থংববু অনুরাগ কৌই। অনুরাগ ওইরবা মতমদদি থরাইপান্দবা ওইনা পোকনিংবা প্রেমগী ওনথোকপা ওইরকই অং-দুগা শ্রীকৃষ্ণগা উনদবা মতমদসু শ্রীকৃষ্ণনা হেক্তা ফাউবা ওই।

৮। মহাভাবতি অনুরাগনা হেনগৎলগা ওই। মহাভাবনা মথল অনি থোকই মাদুদি

রূঢ় অমসু অধিরূঢ় অসিনি। শ্রীকৃষ্ণগী মরিদা মুঙাইবা ওইরিবামক্তদা শ্রীকৃষ্ণনা মুঙা-ইবরিরোইদরা? হাঙনা চিংনবাবু রূঢ় মহাভাব কৌই। শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণবু থবাক্তা হাপ্তনা থোঙন তৌবদা শ্রীকৃষ্ণগী মুঙাইরিবনি, অতুমকপু ইকেমাসীংনা ঐথোইগী থবাক অসিনাদি করবাসিনা শ্রীকৃষ্ণদা নাবিগদরা? হাঙনা চিংনাবক্তনা মাতুগী রাবনা খাংবা ঙমদবা মথৈ ইবেমাসীংন রাই মাতুবু রূঢ় মহাভাব কৌই। রূঢ় মহাভাবনা হেনগৎলগা অধিরূঢ় মহাভাব ওই, মাতুদি শ্রীকৃষ্ণগা মপান্দা নত্রগা থমোই মত্বুংদাবু ওইরবাসু উনবা মতমদা কোটিব্রহ্মাণ্ডদা ওইবা মুঙাইবা পুন্নমকনা তিনসনবনা শ্রীকৃ-ষ্ণগা উনবা মতমদা ওইবা মুঙাংবগী মবিক অমাবু হংদবা অমসু মাসুম তৌদ্রনা শ্রীকৃষ্ণবু উনত্রবদা রাবগী মবিক অমগা কোটি ব্রহ্মাণ্ডদা লৈবা অরাবা পুন্নমকনা তিনসনবাদা ওইবা অরাবা পুন্নমক থানবা য়াদবা, মাতুবু অধিরূঢ় মহাভাব কৌই। অধিরূঢ় মহাভাব অসিনা অমোক অনি থোকই, মাতুদি, অমনা মোদন কৌই অমসু অমনা মাদন কৌই। মোদন কৌবা অধিরূঢ় মহাভাবনা শ্রীমতী রাধিকাগী সখী, ললিতা বিশাখানাচিংবীতদা ওই। মাতুদি মোদন কৌব অধিরূঢ় মহাভাবনা উদয় ওইরবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণদাসু ইবেমাসীংদাসু য়াম্না লাংতকনবা ওই। সুখীগুম্না লেপপা, চমাং-শোবা, তুচুংবা, পী তাবা — কপপা, কুচু ওংবা, খরকাহবা, হকচাং য়াম্না কম্না নিকপা রানথবা, অসুম্না হাঙবা সাত্ত্বিক ভাব অত্রু য়াম্না কম্না ফোংনা ২ তৌই। মাদন কৌবা অধিরূঢ় মহাভাবনা শ্রীমতীতদা ওই ইবেমনা বিরহগা মতমদা ওই। মাতু ওই-রবদি শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী বিরহদগী থাংবা ঙমদাতুনা রুক্মিণীনাচিংবী ইবেমাসিংবু আলিঙ্গন তৌবিরেমক্তদা রানথৈ। ইবেমা অমসু ইবুঙো অনিমক্তা চপ মান্নবা বিরহগী মতমগা অধিরূঢ় মহাভাবকী মাদন কৌবা মশকনা থোবকই, মতম অতুদা ইবেমাগী ইবুঙোগীসু মনাক্তা লৈবা তিনকাং, শা, উচেক কাউবা কপই, নাপী, উরা কাউবা থাংবা ঙমদে। মাতুদি য়োংতা মৈগী অশাবনা চংলগা সাই, মাতুনা য়াম্না থমথেংনা চংথ্রবদি মৈগী অশাবদগী য়োং অশাবনা হেন্না সাই। মনাক্তা লৈবা নাপীসিংবীনা-চিংবাবু চাকথেকই। মাদনগী লিচৎ মথল অমা লৈ, মাতুবু দিব্যোন্মাদ কৌই। মাতু ওইরবা মতমদা শ্রীরাধা শ্রীকৃষ্ণ অনিমক কোকঙাওবা, তুবা, চোইবোন লোনবা অসি নাচিংবা তৌই। অসিগুম্না মতম অসিদা বনমালাবুসু থগনব, [illegible]া ওনবীবু থাগৎপা, তমালদা এৎপা মালতীগী মবাইপক রুবাবু হাঙবা অসিনাচিংবা তৌই। অসিগুম্বা হাঙখ্রবা অধিরূঢ় মহাভাবকী মাদন কৌবা মশক অত্রুদা প্রেমবিলাসবিবর্ততা ওই। মহাকপু রায়রামানন্দনা লেংবা পহিংলগিনা হৌবা ঈশৈ অসিনা ঈঙ্গিৎ ওইনা হাঙরি। মাতুবু প্রভুনা পরমভাগবত রায়গী মচিন্দগী আস্বাদন তৌনিংদ্রনা মনাইদা ইরসিন্দুনা

শকহনলি। মাদুদা "পহিলহি রাগ নয়নভঙ্গভেল" অসিনা বত্তিগী তককসুবা রাগবু মীংকা উনথিবনা ওই, হাঙ্গৈরগা রাগনা ৭ অনুরাগ, ৮ মহাভাব ফাউবা হেনগৎলক্ত্না অধিরূঢ় মহাভাব য়েৌববু চাঙ্গৈরি, মাত্রদি,—

"অনুদিন বাড়ল অবধি না গেল।" অসিনি—অর্থাৎ বাগনা মুমিৎ খুদিং হেনগৎলপনা বাধা কৃষ্ণ অনিখোই অনিগী প্রেমগী ওমথৈ লৈতনা ইতৎতত্তনা হেনগৎলি। মাসি হাঙ্গৈবগা মাদনগী মতমদা দিব্যোন্মাদ ওইহনা ঙকপা প্রেম বিলাস বিবর্তবু মথংনা হাঙ্গৈরি, মাত্রদি—

"না সো বমণ না হাম বমণী। দুহুঁমন মনোভব পেথল জানি।" মানা বমণ ওইদে, ঐসু বমণী ওইদে। ঐখোই অনিগী পুক্নিংবু কামদেবনা কুপনা থুগাইহনা তিন্নাসিনখ্রবানানি অহুম্না খংই। *

প্রেমনা মাত্রপবা মতিক হেনগৎলগা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবাগীদমক শ্রীকৃষ্ণগা উননিংবা সেবা তৌনিংবাসু মাত্রপ যাম্না হেনগৎলি। ইবেমাগী উৎকণ্ঠা য়াম্না হেনগৎলে হাঙ্গৈবাবু খংই। মাদন কৌবা মহাভাবনা তিনবা শ্রীমতী বাধাগী মতম অদুদা ওহনিবা শ্রীকৃষ্ণবু উনিংবা সেবা তৌনিংবাগী হেনগৎখিবা অদুগা চপ মান্ননা শ্রীকৃষ্ণগা ইবেমাগা উননিংবাসু ইবেমাগা চপ মান্নবা উৎকণ্ঠা ওই। অসিগুম্বা ইবেমা ইবুঙো অনিমকনা উনববাদা হান্নগী উননিংবাগী খোঁনাংবা অদু লেপতে, হান্নাদগী অমোক মথং মথং হেনগৎলি। শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাবু পেনহনগে নিংবাসু শ্রীমতীনা ইবুঙোবু পেনহনগে নিংবাসু উৎকণ্ঠা অনিহুনা হান্ননা ওমথৈ যোখ্রবা অদুমক্তদগী অমোক উনবগা অমোক হেনগৎলি, মাদুবু "অবধি না গেল"—হেনগৎপাগী লোইবা লৈতে। রাহৈ অসিনা উৎথি। চুম্নাগী ফংনিংবাদি ফংলগা ফংনিংবাদু কোকই, মাদনাবিরূঢ় মহাভাবতা শ্রীবাধাকৃষ্ণ অনিগী উৎকণ্ঠাদি ফংনবগা হান্নাদগী ফংনিংবা হেনগৎলি। অমসুং হেনগৎপা অসি অতৈগীদি

* চৈতন্য চাবতামৃতগী শ্রীহবিশচন্দ্র মজুমদাবনা সম্পাদন তৌবা চৈতন্যাব্দ ৪৪৩ দা পঞ্চম সংস্কবণ তৌবদা টীকাদা "না সো ব্রমণ না হাম বমণী" বু মানা ইন্দ্রা নত্তে ঐসু মত্তু নত্তে হাঙ্গনা ব্যাখ্যা তৌই, মাত্র অনানবনি টীকানি, হাঙ্গত্রনা লৌবা য়াবোই। মুর্শিদাবাদকী অমসুং গৌড়ীয় মঠগা টীকাদা মএকথেংনা ব্যাখ্যা তৌত্রবাসু মাত্রপকী মথৌ লৌবদা থোইনা কাইবোদ।

ওমথৈ য়োৌববদি লেপই, শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমদি ওমথৈ যৌবদা পংহেনতা হেনগৎপনি। হেনগৎপা অত্বনা ওমথৈ য়োৌবগা হেনগৎববদি পাথবা হৌনবে। অত্বনা প্রেম মহাসমুদ্রনা শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী আলিঙ্গন্নাচিংবা প্রেম লীলাদা উৎকণ্ঠানা ওমথৈ যৌববামক্তদা হেনগৎত্বনা পাখরকপনা ইবেমা ইবুঙো অনিগী ঐনা নিপানি, মরানি, ঐনা নুপীনি, মতুনি হাঙ্গৈবা খংবা পুম্বা পুমকাও কাওখি, মাহুম্না কাওববা মতমদা সাঘবিবা প্রেমগী কুমৈগী ওনা তৈনবা মতৌ অত্ববু প্রেম বিলাস বিবর্ত কৌই। মাসিবু ঈশৈ অসিগী “না সো রমণ না হাম রমণী”—পদ অসিনা ফোংদোকই। মাহুদি মহাকনা নিপা-মরা ওইদে, ঐসু নুপী=মতু ওইদে, হাঙ্গৈ, ঐখোই অনি নিপানি মরানি, নুপী মতুনি হাঙ্গৈবা ভাব কাওখি অলিঙ্গনন চিংবা ওইবিঙেদা খংদে, অর্থনা মাসিনি—“না সো রমণ না হম রমণী” পদ অসিগী অর্থবু চৈতন্য চন্দ্রোদয় নাটকতা কবিকর্ণপুর গোস্বামীনা শ্রীরমনা নিথো ... মথুরাদা লৈবদা শ্রীমতী রাধিকানা চিঠি পীবদা অবু স স্পষ্ট ... লেংথোক, মাহুদি—

“অহং কান্তাকান্তস্ত্বমিতি ন তদানীং মতিরভূৎ মনোবৃত্তির্লুপ্তা-ত্বমহমিতি নৌবিরপিহতা। ভবান্ ভর্ত্তা ভার্য্যাহমিতি যদানীং ব্যবস্থিতি স্তথাপ্যাস্মিন্ প্রাণঃ স্ফুরতি নন্থ চিত্রং কিমপাম।”

শ্রীরধানা মথুরাদা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গৈবকই,—নহাকনা রত ... ঐখোই অনিনা ... অমত্তা লৌরৈঙেদা। রাধা ঐনা ... নহাকনা ... বনি অসুমনা তোপান তোঙান খংদে। ঐখোই অনিগী পুকনিং ... মাঙই। হৃদক নহাকনা ঐখোই অনিনা কাইনববা তোঙান তোঙাননা লৈববা মতমদদি হবুঙো ... ঐগী ইপুরোইবনি, ঐনা নহাক্কী পত্নীনি, হাঙ্গৈবা খংলে, কবিননো? অদুগা রাধা ঐগী থবাইসিনা হুজিকপু সিদবি, মাস্তুপ য়াম্না ডকপা ঐদি অতোপপা অঙকপা অমা খংদবি। অসিনি। মাসিগুম্না ... অসি কেদৌত্বনা ওই থিবগে? হাঙ্গৈবাবু ইশ্বমাগী রাহে ওইনা রায়গী ঈশৈনা হাঙ্গৈরি “তুল মন মনোভব পেথলন্নানি—ঐখোই অনিগী পুকনিংবু কামনা কুপনা থুগাইত্বনা অমতা ওইনা তিনসিনখবে, অত্বনানি হাঙ্গৈনা ঐনা খংই।”

মফমঅসিদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অভেদজ্ঞান=মশা অমত্তা ওইনা হাঙ্গৈখবে,

মাসিনা জ্ঞানমার্গীসীংগী অভেদজ্ঞান অদু নত্তে। অপাকপা অতিয়াগী মচেৎ অমানা চফু মনুংদা লৈ। মাদুবু চফুগী অহোবা-চফুদা লৈবা অতিয়া কৌই। মাসুম্না জ্ঞানমার্গ চৎপা সীংগী মততা অচৌবা মচেৎ অমাবু খংদব—মায়ানা ক্লোইসনবা ব্রহ্ম মচেৎ অদুবু জীব, কুপসিন্দবাবু ব্রহ্ম কৌই। মাযা পোকখ্রবা মতমদা ব্রহ্মদা জীবনা তিনসিনখ্রবদা মশা অমত্তা (জীবগা ব্রহ্মগা) ওংখি। মাদুদি চফুনা কাইবগা চফু মনুংগী অতিয়াগা অচৌবা অতিয়াগা তিন্নখিবা গুম্বানি। শ্রীরাধা কৃষ্ণগী প্রেমবিলাসগী মতমদা ইবেমা ইবুংঙো অনিনা তোঙান তোঙানবা ওইনা খংদবদি জ্ঞানমার্গী সীংগী অভেদ জ্ঞান ওইবা অদু নত্তে।

শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিমক মশা অমত্তনি, অদুম্নাদি ওইবগা প্রেম লীলাগীদমক্তা অনি থোকনা অমনা রাধা অমনা কৃষ্ণ-হাঙনা লেবনি। মাদুদি অচৌবা অতিবাদগী চফুনা মরক খল্লগা লৈবা চফু মনুংগী অতিয়া গুম্না অমসুং ব্রহ্মদগী মায়ানা য়েন্নাসন্দুনা লৈবা জীবগুম্না মরক্তা মায়ানা থনবাগুম্না শ্রীরাধা কৃষ্ণগীদি মযানা মরক খন্দে, অদুনা শ্রীরাধা কৃষ্ণদি চফুগী অহাংবগা অতিয়া অচৌবাগা গুম্না অমসুং জীবগা ব্রহ্মগা গুম্না তোঙান তোঙানবা নত্তে। স্বরূপনাগী শ্রীরাধা কৃষ্ণগী মরক্তা খনবদি স্বরূপ নাগী ইবুংঙো ইবেমাগী সান্নবা অপনবা মরক খনবনি। ইবুংঙো ইবেমাগী লীলা অদুদি ইবুংঙো ইবেমাগী মশা অমত্তনি। শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীরাধা, অমসুং লীলা মশা অমত্তনি, নিত্যনি লেংদবনি, অদুমক সান্নাদুনা লৈবনি হৌবকপা মতম লৈতে। তোক্কদবা মতম লৈতে,—মতমদি প্রলয়গী মতমদ লৈতে, লীলাদি প্রলয়দাসু অদুমক লৈ, মহাক্তি,—মতমনা মফমনা মাংহনবা ঙমদে, মতম অদুদি ইবুংঙো ইবেমাগী লীলা সান্নাদে, মফম অদুদদি লীলা অদুনা লৈতে হাঙৈবা লৈতে, অদুনা লীলা অদু ওইবা য়ানবাগীদমক্তা "একাত্মান বপি দেহভেদং গতৌতৌ" মশা অমত্তা ওইদুনাসু লীলাগীদমক্তা শ্রীরাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণ হাঙৈদুনা তোঙানবনি।

মবম অসিদগী খনা নমর্গন ঐনা হমর্ণীনি অসুম্না তোঙান ২ খংদ্রবা মতমদাসু শ্রীরাধা কৃষ্ণদি তোঙান তোঙান অদুমক লৈ। চফু কাইবগা চফুগী অহোবগা অতিয়াগী অহোবগা তিন্নাখিবা নত্তে। জীবগা ক্ষুয়াম মায়া কোক্লগা জীবনা ব্রহ্মগা তিন্নাখিবা

অচুগুম্বা নত্তে। শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী মবক্তা থল্লিনা অনিগী লীলা অতুদি মাখরবনি, অচুম্মক মশা অমত্তনি, মরম অচুনা ইবেমা ইবুঙো অনিমকনা লীলাগীদমক অনিমক্কী তো-ঙানবাবু কাওথ্রবাসু লীলাদি অচুমক ওই। মধুররসলাগী আলিঙ্গন, চুম্বননাচিংবা তো-ক্লনা লেংওৎপা অচু অচুমক তৌই। স্নপনাগী মতম অচুদা ইবেমানা ইবুঙোগী পেম্রবা তৌবাসু অনিমককী প্রেমসেবানা থমথেংথিবানা ঙমথৈ লৈতনা হেনগৎলকপা অচুভনা ইবেমা ইবুঙো অনিগী ঐনা বমনীনি, ঐনা রমণনি কাউবতনি, মাচুদা ওইরিবা প্রেম বিলাস (লীলা) গী বিবর্ত অচুনি; রসাস্বাদন থমথেংবদি। মবম অসিনা ঈশৈ অচুনা হাঙ্গি. এসখি যে সব প্রেমকাহিনী—তে ইভা পুম্নমক অসি প্রেমগা (নুংসিবাগী) কাহিনী (বাকম) নি। কান্ন ঠাযে কহবি (শ্রীকৃষ্ণগা মফমদা তম্মু) বিছুবহজানি (মাসি কাউথবে হাঙ্গনা দ্বিষ্ট- ঐনা বমঙনি এনা বমনীনি থংদবা অচু হুজিক্কি= বিরহ ওইহুনা কাহৈনববা মতমদা কাউবে) না খোজন দূতী না খোজন্ন আন (মতম অচুদা দূতী অমা থিদে, অতোপপা অমাসু থিদে)। ছুর্ষ কেবি মিলনে মধ্যতপা চবাণ (অনিগী তিম্নাবদা তেন মঙা পাইবা কামনা মমাংদা সাক্ষী ও,—অতৈ অমত্তা লৈতে) কামগী তেন মঙা হাঙ্গবদি রূপ -মশক, রস মচাও, গন্ধ—মনম, স্পর্শ—শোকপা, শব্দ=খোঞ্জেঙ মঙা অসিবু কামগী তেন মঙা কৌই, মাসিনা ইবুঙো ইবেম্যাগী

মিলনগী মতমদা ইবেমা ইবুঙো অনিগী শক উই, প্রেমগা আস্বাদন বসসু থংই ইবুঙো ইবেমাগী শ্রীঅঙ্গ গন্ধসু ও, অনিগী শোকনবগী মুঙাংবসু ও, ইবুঙো ই-বেমাগী কণ্ঠস্বরসু ওই। মথন মঙা মচু ও বগা কামনা স্নপনা মমাং ওই=সাক্ষী তা ওই, মহাক্কি মাওদে, হাঙ্গবদি কাম -বীর্য=চনমধাতু অচুদি ওইদে বাকম অসি শ্রীভাগবতনা হাঙ্গি,—

"এবং শশাঙ্কাংশু বিরাজিতা নিশাঃ স সত্যকামোঽনুরতাবলাগণঃ।
মিষেব আত্মন্যবরুদ্ধসৌরতঃ সর্ব্বশরৎকাব্যকথারসাশ্রয়াঃ॥"

(শ্রীভাগবত ১০।৩৩)

মাসুম তৌচুনা (শারদ পূর্ণিমাদা সাম্নবা মহারাস অসিগুম্না) থাগী মঙাম্না ঙান বা (নোংচিং মংদবা তাদবা পূর্ণিমা থুদিংদা) শনংতা মহাকবিসীংনা লেংবগী রস পুম্বনা তিনবা অহিং পুম্বদা সত্যকাম (অপাম্বগু থুংদবা লৈতবা) অবলা ওইবী গো-পীসীংগী অনুরাগনা ইবুঙো মাঙোন্দা ওই, মহাক মতা গোপীদা শ্রীকৃষ্ণদসু বীর্য=চ-নমধাতু থিংনা লৈনা=বীর্যতাবা অচু মাওদবা=সুরত লীলাগী অলিঙ্গন চুম্বনচিংবা পুম্নমক্কি মসিং লাকপা ঙমদনা ওইবা বাসলীলাগু সাইমে। অসিগুম্বা শ্রীভাগবতকী মা থং অসিদা বীর্য তাবা মাওদবা হাঙ্গবা অসিদা কাম দেবনা সাক্ষীতা ওইনা ব্রাহে

অসিগী তাৎপর্য অমনি ' থোঘোক অদুদা মাদি য়াওদবা সুপনগী উবতা মথংবা অদুবু সাক্ষী কৌই। ইবেমা ইবুঙোগী রহস্যলীলা অদুদি কাম্‌গী কুমৈপুরা, রতিশাস্ত্রনা হাঙৈ রিবা পুম্বা সুনা লৈ, অদুগা মহাক্কি য়াওদে, অদুনা কামবু মরাংদা লৈবা—সাক্ষী ওইবা=বীর্যস্খলিত লৈতবা হাঙৈ। শ্রীকৃষ্ণদি ভক্তনা নিংবগী মতুংইন্না নিংই। ইবেমাসীংনা ইবুঙোবু কান্ত ভাবনা সেবা তৌনিংই, ইবেমাসীংবুসু ইবুঙোনা কান্ত-ভাব ওইনা পেলহন্নিংই। ইবেমাসীংনা ইবুঙোবু মতমপুম্বদা ইতোক তোকনা ইবুঙোবু পেলহনগে নিংবা মরমদগী ছুপী ওইবগী লৈশাৎতে, শাংলবদি মতম অদু ইবুঙোগী সে বা ওইদে। অমসুং ইবেমাসিংনা ইবুঙোগী প্রেম সেবাবু ইবুঙোবু পেন্নবতা নিংবন্না প্রেম সেবা অদু কংলুবদগী ইবেমাসীংনা ওইবা প্রসূতিকা (মচা পোকপা) অদু ওইদে। দ্বারকাগী ইবেমাসীংদি ইবুঙোগী বেদবিধিগী মতুংইন্না পাম্নবী ছুপী ওইনিংথিবা মরম্না মাখোংগীদি ছুপীগী হৌনবি ঋতুমতী ওং, ইবেমা অমামমনা মচা নিপা ১০।১০ পোকই। অসিনচিংবা ভাব মরাম্বু ঈশৈ অসিদা "মধ্যত পাঁচবাণ" হায়রে অসিনা কোংদোকই।

অব সোট বিবাগ তুহু ভেলি দূতী (তুজিক্তি বিরহগী মতম ওইরে, অদুনা অনি-মক্কী দূতী ওইবে) সুপুরুখ প্রেমকি ঐছন বীতি (অকবা নিপাগী প্রেমগী লীচৎতি অসিনি) বন্ধন রুদ্রনরাধিপমান (প্রতাপ রুদ্রগী সম্মানবু হেনগৎহনবা) রামানন্দ রায় কবি ভান (রামানন্দ রায় কবিনা হাঙৈ)। বিরহগী মতমদা ইবেমানা প্রেমনা ঙকতুনা হাঙৈবা ওইনা লেংবা ঈশৈনি। তোল্লবা ঐখোইনা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী মাদন অধিরূঢ় মহাভাবকী প্রেমবিলাস বিবর্তবু খজিক্তং সন্দোকপা ওইনা হাঙৈরুরে, মাসিগুম্বা ঐখোইগী তোঙমদবা লৈতবা মতৌবু রসিক ভক্তসীংনা মাখোইগী ঙাকপী-রৈবা মগুণনা ঙাকপীসনু। মতম অসিদা বঙ্গদেশনচিংবদা নত্তবা অর্থ মরাম হাঙৈরকপ-দগী মাতুদগী ঈছাবু ঙাকনবগীদমক্তা সন্দোকনা খজিক্তং হাঙৈকরে। মাসিদি সমুদ্রবু খু-জোকনা সিৎপগুম্বনি, সাধুগী খুম্বাদ, অয়োনববু ঙাকপীয়ু হাঙৈনা চংজবি।

মাসুম তৌদুনা প্রভুনা শ্রীকৃষ্ণ তত্ত্ব শ্রীরাধা তত্ত্ব অমিমক্কী প্রেমতত্ত্ববু মনাই রামানন্দবু হাঙৈহনলগা প্রভুনা গৌরদেশদা প্রচার তৌই। প্রভুনা শ্রীরূপ সনাতনদা খংহল্লি। গোস্বামী অনিদা প্রভুনা শ্রীকৃষ্ণতত্ত্ব; শ্রীরাধা-তত্ত্ব, প্রেমতত্ত্ব, পুম্বা খংনবা প্রভুগী শক্তি সঞ্চার তৌই। (খংবা ঙম্নবা পাঙ্গন পী)। গোস্বামী পাদ শ্রীরূপ সনাতননা ভক্তবৃন্দ পুম্বাদা লক্ষগ্রন্থ লেংথোক্নুনা খংহনলি।

শ্রীভাগবতনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাগী খমথেংবা ঙমথৈযু বর্ণনা তৌই (হাঙৈ), অদুগা শ্রীরাধা নামবু ফোংনা হাঙৈদে মাদুগুম্না স্বকীয়াদগী

পরকীয়া রসনা হেল্লি হাঙৈবাস্থু ময়েকনা ফোংনা হাঙৈদে, ভঙ্গিত ওইনা খংহনলি। অমস্থু অতোপ্পা পুরাণদা মাতুগুম্না বিল্বমঙ্গল শ্রীজয়দেবনাচিংবা প্রাচীন কবিসীংনা শ্রীরাধা নাম অসিবু ফোংনা লেংথোকই। বৈধপ্রেমদগী অবৈধ প্রেমনা হেনলি, হাঙৈবাবুদি ভাবনা খংহনবাতনি, তশেং তশেংনাদি হাঙৈখিদে। শ্রীরূপ গোস্বামীনা উজ্জ্বলনীলমণিদা অবৈধপ্রেমদগী (স্বকীয়াকান্তাভাবতগী) অবৈধপ্রেমনা (পরকীয়া কান্তাভাবনা) হেল্লি, হাঙৈনা তশেং তশেংনা হাঙৈ। অমস্থু মাতুগী টীকাদা শ্রীজীবগোস্বামীনা য়াম্না শেংনা মরম উত্তুনা বৈধপ্রেমদগী অবৈধপ্রেমনা হেনবাবু ব্যাখ্যা তৌই। মাস্থুম তৌবনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমাবতার শ্রীগৌরহরিগী অবতারগী অথোইবনি। অসিগুম্বা অবতার অসিদ অমোক্তাস্থু তৌখিদরি। অতুনা প্রভুবু প্রেমদাতা শিরোমণি কৌই। অসিগুম্বা সাধ্যসার=সাধ্যশিরোমণি অসি শ্রীরাধাকৃষ্ণতনা দ্বাপরদা তৌখিবা লীলানি, অনতার অতৈনা তৌদবনি। অতুম্নাদি ওইরগা কনাগুম্বাতনা প্রেমলীলাবু আস্বাদন তৌখিবনি, মীয়াম্না পুমখংখংবদি শ্রীগৌরাঙ্গপ্রভুগী অবতারতদা পুম্নমক্না খংনখিবনি। প্রভুনা অসিগুম্বা হাঙৈতুনা থোক্তবা প্রেমবু, থৱাইপানবা পুম্নমকপু মাদি তিলানি হাঙৈবা, মাসিদি সা, কৈনি, হাঙৈবা এংদতুনা, খাকচবা লৈতনা এনবদা প্রেমগী সাদোংদি সংকীর্তননা ওইরাখি। যাগ যজ্ঞ, দান, তপস্যা,, য়োগ, ধ্যান, অসিনাচিংবা সাধনাবু চহি কোটি কোটি তৌতুনাস্থু শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমবু থোকহনবা য়াবা লৈতে। সংকীর্তনতনাদি ওহাক্তদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমবু থৱাইপানবদা হেক্তা থোকহনবা ঙমই। মরম অসিনা শ্রীভাগবতনা হাঙৈ,—

"কলৌ সংকীর্তনেনৈব সর্ব্বস্বার্থোঽভিলভ্যতে।"

—কলিযুগতা সংকীর্তনতনা অয়াম্বা কান্নবা পুম্বাবু জীবনা ফংই, অম্ম্না হাঙৈবনি। অতুনা শ্রীমন্মহাপ্রভুনা সংকীর্তননা মরম ওইতুনা প্রেমবু থৱাইপানবা পুম্বদা পীরমই।

নামকীর্তন।

কীর্তন কৌবদি শ্রীগৌরাঙ্গনা মথেং (ঈশ্বর), শ্রীভগবানগী হুকপা সংগীতপু সংকীর্তন=কীর্তন কৌই। কীর্তনবু মখল অনি থোকলা খাই,

মাদুদি নামকীর্তন অমসু লীলা কীর্তন অসিনি। নামকীর্তনদা ভগবানগী নামবু সুরপান্দুনা ছকই। শ্রীকৃষ্ণগী নামবু সুরপাগুনা ছকপনা সাধনভক্তি মথন মাপনদগী সাধ্যভক্তি ফংনবা অথোইবনি। খোঞ্জেন রাংনা শ্রীহরিগী নামবু ছকপদগী মীওইবদা প্রেম পোকহনলি। মাদুদি শ্রীকৃষ্ণগী নামবু খোঞ্জেন রাংনা ছকলবদা ভক্তনা কবি কবিগুম্বদা মপানগী তাইবং অসি কাউই, মাদুবু আবেশ (চংবা) কৌই। যোগীনা যোগ সাধনা তৌদুনা সমাধিবু ফংই, ভক্তনা নামবু ছকপনাসু ভাব সমাধিবু ফংই। মবম অসি-দগী বৈষ্ণবসীংনা খোঞ্জেন রাংনা নাম সংকীর্তন তৌবাবু থাগৎলি।

মাসুম তে দুনা নাম সংকীর্ত্তন তৌদুনা ভাব সমাধি ফংবা সাধকনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণবু পান্না থাদোকপা ঙমদবা ফংই। মাদুবু রতি, মাদুমা হাঙ্গিদ্রগা প্রেম কৌই। নাম সংকীর্ত্তন তৌদুনা ফংগে হাঙ্গিদুনা তান্নিবদি প্রেমনি। মথোইদা প্রেমনা থোবকপা হাঙ্গিবাসিতবু বৈষ্ণবনা ফংগে হাঙ্গিদুনা তানবনি। নাম সংকীর্ত্তনদি মীনাযাম ফমমিন্নাদুনা তৌমিন্নাবা য়াই। ঐখোইনা তাই—শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা নাম সংকীর্ত্তন তৌদুনা ময়াই কাবংবা মতমদা মী লৌসাং লৌসাং লাক্না তিল্লে।

মীনাদি মংসুন্না নিংবসু যাওবা য়াই, মাদুদি— নামসংকীর্তনদি সংগীত কী শরুকতি খজিক্তা য়াওই, মবমদি—কবিগুম্বা নাম অমাবু নত্রগা নাম পবেং অমবু মতম কুইনা ছল্লবদি, চোকথা দুইথাবকই, লে-থোক্লকই। থাঙ্গৈমক শেংবদি নামসংকীতনদি মাদুনত্তে। যূথক মবি যূথক নিপান চুপনা তৌবা নাম সংকীতন তাববা মীনাদি খংগনি, মাদুদি – নাম ছকপদা রাগ রাগিণী তোঙান তোঙান্না তোঙান তোঙানবা ছঙ্গদা ছকই। নোঙা-নবদা ভৈরব, ভৈরবী, নুমিৎ য়ুংবদা বাগেশ্রী, সন্ধ্যাদা পুরুবী ইমন কল্যাণ অহিংদা বেহাগ, মাসুম তৌদুনা মথং মথং হোংদুনা ছকই। অদুনা ভক্তনা শোল্লিবাসু তারিবাসু পুন্নামক্তা ঘণ্টা ২ তৌবাদগী থোবকপা অরাবা চোকথা দুইথবনাচিংবা থোক্তনবা মচাক য়াম্না নাম সংকীর্তনদা লৈ। নামসংকীর্ত-নদা পুঙ করতাল ময়াম য়াওই, মাদুগী মরক্তা বেহালা বাঁশীনাচিংবা যন্ত্র ময়ামসু য়াওব লৈবি। অদুনা অচুম্বা খংগী ঈচেলনা ঈথক হোবকই, নাম তাবা শোনবা পুন্নমকনা মীৎতা পীতাদুনা ভগবানবু কৌই। ক্রমত,

বিলম্বিতলয়দা স্বরনা অমোক মুদারাগ্রাম লাম্থোক্তুনা তারাদা কাখৎপা মাস্থম তৌহুনা ছকপদা অছকপাস্থ অতাবাস্থ মথন ২ তগী লৈরি ঙাঈ-বা কাউখিহুনা জগোই সাহুনা মমৈদা লৈপাক্তা হাঈহত্তুনা রাম্বখি মাসি নামসংকীর্তনগী মপান্দা উবা মওংনি। মাসিগুম্বা নাম সংকীর্তনদা মী ময়ামনা তৌরিবা অসিগা মান্নবা চাংদম্নাবা সংগীত অমা ভারততাস্থ অতোপ্পা য়ৈপাক্তস্থ লৈতে। ঐখোইনা তাই, বিলাততা ধর্ম্ম তৌনবা সংদা জনসংগীত (mass singing) দা মীয়াম তিন্দুনা সংগীত তৌই, মাহুদাস্থ শ্রীগৌরাঙ্গনা হৌদোকপা নাম সংকীর্তনদা তৌবা অসিগুম্না ওইদে। ভারতকী মফম ২ দা সমবেত সংগীত য়াম্না ছকনৈ, মাখোই অহুদাস্থ নাম সংকীর্তনগী ওইরিবা মপান্দা উরিবা মওং অসি ওইদে। নাম সংকীর্তনদা রাগ রাগীণী, ছকলিবা অহু অয়াম্বদি বৈঠকী নত্রগা হিন্দুস্থানী গানগী রীতিদা শকই, অহুনা স্বর খংবা সাধিতকণ্ঠ ওইরবা গায়ক মকনাস্থ নাম সংকীর্তন তাবদা পুক্নিং চংনবা অনৌ অনৌবা অমস্থ ফজা ফজবা ময়াম থোকহনলি। মথন অমস্থ লৈরি, নাম সংকীর্তন তৌ-বদা নামগা লোইননা প্রার্থনা অমস্থ দৈন্ত নিবেদনস্থ ছকই, মাহুদা তৌরিবা প্রার্থনা অমস্থ দৈন্ত নিবেদন অহুনা বাঙ্গলা সাহিত্যগী অথোইবা সম্পত্তি অমা ওইনরিবনি, হুজিক্তি গৌড়ীয় নাম সংকীর্তন অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী নামদা শ্রীগৌরাঙ্গ, নিত্যানন্দগী নামস্থ হাপলি, মাহুদা নামভনাস্থ পৌন পৌনিকতা ওইবাবু কোকহনলি মাহুদি,—

"শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যপ্রভু নিত্যানন্দ, হরেকৃষ্ণ হরেরাম শ্রীরাধেগোবিন্দ। নিতাই গৌর রাধেশ্যাম হরেকৃষ্ণ হরেরাম ॥"

অসিনি। মাস্থম তৌহুনা গৌড়দেশদা প্রভু অহুমনা সংকীর্তন তৌহুনা প্রেমগী ঈচেনন্না গৌড়দেশীবু পাথহুনা থুমখি।

"প্রেমবন্যানিতাইহইতে, অদ্বৈততরঙ্গতাতে,
চৈতন্যবাতাসে উথিল।"(জ্ঞানদাস)।

অচম্বা মিংগা ভগবানগী মিংগা থেম্নবা।

মিং পুম্নমক অচম্বগী। ঝিনি, ভগবানগী মিংগা মান্নদে। পদ্মপুরাণদা হাঈ,

"নাম চিন্তামণিঃ কৃষ্ণশ্চৈতন্যরসবিগ্রহঃ।
পূর্ণঃ শুদ্ধোনিত্যমুক্তোঽভিন্নত্বান্ নামামিনঃ ॥

"কৃষ্ণ" লাই মিং অসিদি অনিংববু পীবনি. হুণ্ডাইবা পুন্নমক্কী মশকনি। অহাৎ-পা লৈতবনি, অশেংবনি, মতম পুন্নমক্তা অফা অপুনবা লৈতবনি, মরমদি মিংগা মিং অহু কৌবগা অনি অত্ত মশা অমত্তনি। হুবানবা মীগী মিংগা হরানবা অতুগা, সাধুগী মিংগা সাধুগা', কৈগী মিংগা কৈগা করি অমত্তা থেন্নদে, অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মিংগা শ্রীকৃষ্ণগা করি অমত্তা থেন্নদে। শ্রীভাগবতনা হাঙ্গি, -

"সাঙ্কেতং পরিহাস্যংবা স্তোভং হেলনমেব বা।
বৈকুণ্ঠনামগ্রহণং অশেষাঘহরং বিদুঃ ॥"

মচামশুনচিংবগী মিং ওইনববসু, নোকনা হাঙ্গনবা মতমদা "হে রাধে, হে হরে" হাঙ্গিবগুম্বা ওইরনসু, করিগুম্বা অমা থংগৌদনা হেক থোকপগুম্না তুবনচিংবা থংগৌদনা থোকপদা "কৃষ্ণ কৃষ্ণ" হাঙ্গিবগুম্বসু, থৌওইদবদগী "হে রাধে" ঐঙোন্দবু করি তৌজরগ-বনো হাঙ্গিবগুম্বদসু শ্রীকৃষ্ণগী নামতবু শোননুববদা মাগী মিংনা অরেম্বদা তোকপা ওই দে, অজামিল পাপ চেনবনা শিরমদাইদ' নারায়ণ কৌবা মাগী মচাবু কৌরুবদগী লানঙমদ্রবা তাইবংদগী লানথি। মৈবু থংদবা অঙাংনা পাইরগা সাদনা তোক্তে। অ-দুগুম্বা ভগবান্‌গী নামবু পুকনিং চংনা রাগ রাগিণীগা লোইননা উদারা, মুদারা, তা-রাদা তালগী মতুংইন্না ভক্তি তৌনা সংকীর্তন তৌরিবা মী অতগী মরিদা ফংলোইদবা করি লৈরগদগে? তৌইগুমসু নাম সংকীতন তৌদুনা ফংগে হাঙ্গনা তানলিবদি অ-তৈ করি অমত্তবু নত্তে। নাম শোনবা - শকপা মী মহাক্কী পুকনিংনা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা হাঙ্গিবা অতুতা ফংনিংদুনা মাদুতবু ফংনববগীদমক্তা শ্রীমন্মহাপ্রভুগী অমুগত ওইবনা নামবু শোননি, অমসু শকই। নামবু শক শোননগা মীওইবগী পুকনিংদা ভক্তগী পুকনিংনা শরণ ঋতু চংলবদা ঈসিংনা মথন্তা লুজরকপগুম্না লুরকই। মাতুগী মথংদা মহাক্কী পুকনিংদা কবিগুম্বা অমত্তা পামনক্তে মরন, মচা, অসিনচিংশবু পামদ-দুনা মাগী পাম্বা— ঐনা করি তৌরগা শ্রীকৃষ্ণনা পেনগবা হাঙ্গিবসিতা নিংদুনা পাম-লকই। মাদুগী মতুংদা কাইনথংদা মী অদুদা "রতি" কৌবা অমা ওইরকই, মাদুনা য়াম্না কুণ্ডসিনলগা শ্রীগুরুগী সাধুগী কৃপা লৈরবা মতমদা প্রেম ওইরকতুনা মথং২ হেনগৎলকতুনা "ভাব" কৌববু ফংলকই। মতম অদুদা "কৈবল্যংনবকায়তে" মোক্ষবু ফংববু নবক তাবগা মান্নবা ওইনা নিংলকই, "ত্রিদশপুবাকাশপুষ্পায়তে" স্বর্গবু অতি য়াগী লৈ, নি, নত্তবদা পংশা সাজিনবনি, হাঙ্গিনা থংই, "বিধিমহেন্দ্রাদিশ্চকীটায়তে"

ব্রহ্মা, শ্বয়ারেন্দনচিংবা লাইশু নাপী মত্তোনদা পকপা তিলগা মানমা নিংলকই। শ্রী-কৃষ্ণগী প্রেমগী শুভাইবগী মখিক অমগা মোক্ষ ফংবা, ব্রহ্মা ওইবা, শ্বয়াবেন্দ ওইবনা চিংবগী চঙ্গাইবগা পাবা য়াবা নত্তে অসিগুম্বা প্রেমগী শুভাইববু ফংনবগীদমক্তা নাম সংকীর্তন তৌই।

লীলা কীর্তন।

মখক্তা হায়রিবরে, কীর্তনদি মখন অনিনি, অহানবগী নামকীর্তনদি খরা হায়রিরে। মথংগী অমনা লীলা কীর্তননি। মাবু রস কীর্তনসু কৌই। লীলা কীর্তন অসি মসিং য়ামই, অত্থু বঙ্গদেশদদি লীলা খরাগীদমক্তা কীর্তন তৌই। কীর্তন তৌবা লীলা পুম্বা বৃন্দাবন লীলা ভাক্কনি। গৌড়দেশদা ইথ্বাইনা চংনবা লীলা কীর্তনদি,—

জন্মলীলা, নন্দোৎসব গোষ্ঠলীলা, রাধাকৃষ্ণমিলন, সূর্যপূজা, জলক্রীড়া, পাশা-ক্রীড়া, দানলীলা, সুবলমিলন, উত্তর গোষ্ঠ, নৃত্যরাস, মহারাস, বসন্তলীলা, বাসন্তী রাসলীলা, হোলিনৃত্যরাস, ঝুলন, কুঞ্জভঙ্গ না নিশান্তলীলা, পূর্বরাগ রূপানুরাগ, অভিসার, আক্ষেপানুরাগ, কলহান্তরিতা, বাসক সজ্জিকা উৎকণ্ঠিতা, খণ্ডিতা, বিপ্রলব্ধা, মান, বিরহ রা মাথুর বংশীশিক্ষ অসিনা।ইবনি।

লীলা কীর্তনগী মরমদা কনা কনাগুম্বা সীংনবা নিংই, মাত্তদি,— অনধিকারী (খংদবা, মতিকংদবা) মাগী মরির্দ নুলা কীর্তনদি তৌবা অমসু ভাবা ফত্তে। মাহুম্বা মীনা তৌরবদি মীওইবাগী ফনবদি নত্তুনা মাংনা ওই। প্রেমদাস বংশী শিক্ষাদাসু মহাপ্রভুগী মতাম হায়রি, মাত্তদি,—

অন্তরঙ্গসনে লীলারস আস্বাদন।
বহিরঙ্গলৈয়া হরিনাম সংকীর্তন ॥

অন্তরঙ্গ ওইবা মীগা লোনাদুনা লীলারস আস্বাদন তৌগনি মপানগী মীগা লোইনাদুনা হরিনাম সংকীর্তন তৌগনি, অসিনি। মাসিদা হায়রিনবা রা য়ায়া লৈ। অহানবদা অন্তরঙ্গ ভক্ত = মহুৎনবা ভক্তনা কনানো, বহিরঙ্গ ভক্তনা কনানো খনবা য়ায়া লুই, ঐখোইনা মাসিদি ভক্ত মচংপান, হায়রিনা খংলবা মী য়ায়া উই, মা-খোই অত্থু ব্যাকরণ, অলঙ্কার হৈবদি খল্লদুনা রসবু সুপথংবু খংনদে। অংগুম্বা বৈষ্ণব য়ায়া লৈ। মপানগী মী ভক্তিনাচিংবা ইখংথংদবা মাবু বৈষ্ণবনি, সাধুনি, হায়রিবা য়াদবা ভাও ভাওবা, সংসারগী বাসনাদা ত্যানা মী কয়ামুক্তী মরক্তা উবা ফংই, লীলাগাম তারগদি মপুকতা রসবু আস্বাদন তৌদুনা মপুক পেৎপা য়ায়া উই। অদুনা মানা লীলা কীর্তন তাবা য়াবা আংনি, মাদি নাম কীর্তন তৌগদবা আংনি হায়রিনা

মায়া লুনা খনগদবাগী শব্দকপুদি মানা ২ পাঙ্গা অমা অনিমকপু পামুবাসু কীর্তন তৌবনা লাইবা, খুৎপোম্বা হেনলি।

লীলা কীর্তনবু রস কীর্তন হাঙ্গনা মিং কৌয়ে। মাবু আস্বাদন = চাবা – ইন্দ্রিয় মীৎনাচিংবগা মরি লৈনারগা, থবোইদা ওইথোকতরিবা = ছজিক্তা ওইবাগুম্না থোক্পা হুণ্ডাইবামক্তনা হাকমন্দুনা ঙকপা পোকপাবু রস কৌই। কীর্তনদ শ্রীকৃষ্ণগী লীলাগী রস ৬৪ বু শকনৈ,

রসগী মশক অং-সু মথল।

১। ভরতকী সূত্র,—

"বিভাবানুভাবব্যভি চারিসংযোগাদ্রসনিষ্পত্তিঃ।

বিভাবনে অনুভাবনে অমসু ব্যভিচাবিভাবনে অণুম্না তিন্নবদগী রস ওই। বিভাব, – ওইহনবানা কারণনি। অনুভাব = কোম্না ওইননা কার্যনি। ব্যভিচারী = থোই দোকনা ওনসিন্দু চৎপনা, সহকারীনি। মাখোই অহুম অসিনা তিন্নবদগী হাঙ্গবদি মরি লৈনবদগী রসনা ওই, হাঙ্গবদি রস-না ফোংদোকই। সম্প্রদায় = গুরুসীংনা মথং মথং থংনবকইবদি, কারণন কার্যনে অনিগী লোইনবনা ইথ্বাইনা মা্য রস থোকনবনি হাঙ্গনা চৎনবা পোংসীংবু কাব্যদা অমসু নাট্যদসু বিভাব, অনুভাব অমসুং সহকারী হাঙ্গনা কৌনৈ।

২। বিভাবনচিংবগী মশকপু হাঙ্গবা, –

"বিভাবোদ্বিবিধিঃ স্যাদালম্বনোদ্দীপনাখ্যয়া।"

বিভাবনা মথল অনিনি, মতুংদি অলম্বন বিভাব অমসু উদ্দীপন বিভাব।

৩। "আলম্বনং তদেবস্যাৎ স্থায়িনামাশ্রয়োহিয়ৎ।
যৎতানেবোদ্দীপয়তি তদুদ্দীপনমীয্যতে ॥"

স্থায়িনা মাঙোন্দা লৈবা অদুবু আলম্বন বিভাব কৌই। মানা স্থায়ী ভাবপুম্বু ঙাদহনববুনা উদ্দীপন বিভাব কৌই।

৪। এভি রেব ব্যঞ্জকৈস্তু ত্রিভিরুদ্রেকমাগতৈঃ।
আস্বাদাঙ্কুরকন্দোহসৌ ভাবঃ স্থায়ীরসায়তে ॥

অসিগুম্বা হাঙ্গথ্রবা, রসবু ফোংদোকনবা ওইবা, অহুম অসিনা সংসংনা থোকতুনা রসবু লৌবা কৌবা কেয়া থোরকপা থবক অদুগী মরোলগী থোরকনফম ওইবা অঙ্কু (বীজ) ওইবা স্থায়ী ভবনা রস ওনলি। মাসিগা ভাবর্থদি মাসিদা হাঙ্গরিবা কারণ কার্যনচিংবা পুন্নমকসি রসগী নত্তে, অনুভাবকী কারণনা বিভাবনি ব্যভিচারী

হাঙবা অদুসু অনুভাবকা লোইনবনি। মাখোই অহুমনা চপমান্নরা থোকতুনা স্থায়ীবু রস ওইরমদবদগী রস ওলহনলি। মাদুদদা স্থায়ীনা সমবায়ী কারণনি। আলম্বন বিভাব অমসু উদ্দীপন বিভাব মখোই অনিনা নিমিত্তকারণনি। স্থায়ী ভাবকী মওং হোংদোকলকপদা। রস ওইনা থোকপগী অসমবায়ি কারণনি, রসগী অসমবায়ি কারণ নত্তে। (১)

স্থায়িভাবকী মশক হাঙ্গ :—

"আস্বাদাঙ্কুরকন্দোঽস্তি ধর্ম্মঃকশ্চন চেতসঃ।
রজস্তমোভ্যাং হীনস্য শুদ্ধসত্ত্বতয়া সতঃ॥
স স্থায়ী কথ্যতে বিজ্ঞৈর্বিভাবস্য পৃথক্তয়া॥
পৃথগ্‌বিধত্বং যাত্যেষ সামাজিকতয়া সতাং॥"

৫। তাইবংপানবাদা মীওইবাসিংগী মযাম তিন্নবা ওইনা লৈরবা মতমদা (ঈশৈনাচিংবা তাগদবা এংগদবাগী মযাম ফম্নবা মতমদা) মাখোই অদুগী পুক্নিংনা রজগুণনে অমসু তমোগুণনে অনি যাওদবা সুপনগী সত্বগুণতগী মশক ওইববদা বসবু লৌনবাগী কারণ ওইবা, পুক্নিংগী মচৎ অমা ওইবকই, মাদুবু (অদুগুম্বা পুক্নিংগী ধর্ম্ম—স্বভাব=মওং) পণ্ডিতসিংনা স্থায়িভাব কৌই। স্থায়ী অসি অমত্তনিদি হাঙবাবু বিভাব-উদ্দীপন অমসু আলম্বন বিভাবকী মখল যাম্বাদগী স্থায়িভাব কৌবা পুক্নিংগী মওং অদুবুসু মখল যান্না থাইদোকই।

৬। "অনুকার্যানান্তু স্বতন্ত্রা এব স্থায়িনোনানাবিধাঃ।"

মাগী মতৌ তমলিবাসিং অদুগীদি মথন্তা ওংজবা মখল, মখানা ওইবনি।

ভাবার্থ—রাম লীলানাচিংবদা নটসিংনা মাখোইগী মতৌ তমই, মাদুদি,

---

(১) করিগুম্বা পোৎ অমগী মানা লৈরিত্রা লৈঙদা সোক্তদনা লৈগদববু কারণ কৌই। মহাক্তি মখল অহুমনি নিমিত্তকারণ, সমবায়ি কারণ অমসু অসমবায়িকারণনি। লৈরমদবদগী লৈবকপা পুম্ববু কার্য কৌই। ফি অসি লৈবমদবদগী লৈবকপনি, কার্য অমনি। ফিনা ওইদরিবৈঙ অহানবা মতমদা লৈতবা যাদবদি ফিশাবা মী, ফি সানবা সুনা, পাঙদেমনচিংবনা নিমিত্ত কারণনি। ফি শানবা লংনা সমবায়ি কারণনি মহাকপু উপাদানসু কৌই। লংগী ময়ুংগা মফেনগ শম্নববন অসমবায়ি কারণনি, মাদি গুণপদার্থনি। মাসিগী মথেক্তা হৌরকফম অসি সুপলাক ওইনা পুথোকলগনু রসগী বিচার তৌবা য়াই। রসগী উদাহরণদা পান্দুনা অনুশীলন তৌরগা থোবকনি।

য়াম্না শীংতানা লৈরিবনি। মাখোই অদুগা তোঙানবা স্থায়িভাবশিং অদু লৈ, মরুদি উদ্দীপন আলম্বন বিভাবনা থোকহনবা নত্তে, মরমনাইশিনি।

অমসুং মাসিখাসু খংনগনি, মাহুদি—নিত্যপার্ষদশিং অমসুং মাদুগু খংলে হায়বদুনা তাক্লিবা সাধক ভক্তশিংগীসু স্থায়িভাব ময়াম ওই, মাহুদি— আলম্বন অমসুং উদ্দীপন বিভাবনা থোকহনবা নত্তে মাখোইশিংদি মহৌশাগী স্থায়িভাবনা তোঙান ঈ বা ওই। অদুনা ই মুখ্য হায়বদা, মুরাগী তাই-বংপার্ষদনা শীর্তনবাশিংনা ময়াম থিরবগা আলম্বন অমসুং উদ্দীপন বিভাবকী মথন মথন য়াম্বনা স্থায়িভাবসু মতম অদুতদা ওইবা মথন ময়াম ওই।

৭। স্থায়িভাবকী মথন ময়াম্বু হায়্রি,—

শৃঙ্গারে রতিরুৎসাহো বীরে স্যাচ্ছোক বিস্ময়ৌ ॥
করুণাদ্ভুতয়োর্হাসো হাস্যে ভীতির্ভয়ানকে ॥
জুগুপ্সা বীভৎসংজ্ঞে কোপো রৌদ্রেহ নাট্যগাঃ ॥
প্রত্যেকৌ স্থায়িনোহষ্টাবু নাট্যরসেষ্বিতি কেচিৎ ॥

শৃঙ্গার রসদা রতিনা, বীর রসদা উৎসাহনা, করুণ রসদা শোকনা, অদ্ভুত রসদা বিস্ময়না, হাস্য রসদা হাস, ভয়ানক রসদা ভীতিনা, বীভৎস রসদা জুগুপ্সানা অমসুং রৌদ্র রসদা কোপনা, স্থায়িভাবনি। কনাগুম্বা-শীংনা নাট্যগী রসদা নিপাননি, হায়্রি, কনাগুম্বাশীংনা শান্তরস থাবগা রস মাপননি, হায়্রি,—মাগীদি নির্বেদনা স্থায়িভাবনি। ভোজনা হায়বদি বৎসলতা অমসুং প্রেমরস কোবা রস অনিমা লৈবি, অনিসি হাপ্লগদি রস মথন তরামাথোইনি, বাৎসল্য রসদা মমকারনা অমসুং প্রেম রসদা চিত্তদ্রবনা স্থায়িভাবনি। রস তরামাথোই অসিনা দৃশ্য অমসুং শ্রব্য কাব্য অনিমক্তা ওই।

৮। রসগী মশক হায়্রি,—

"বহিরন্তঃকরণয়োর্ব্যাপারান্তর-রোধকং ।
স্বকারণাদিসংশ্লেষি চমৎকারিসুখং রসঃ ॥"

মসি, নাটক্যাচিংবা মপানগী ইন্দ্রিয় অমসুং পুকনিং, লৌকিকনাচিংবা থবোই মহুৎকী ইন্দ্রিয় মাখোই অনিমক্তা নথোক্না বিভাবনাচিংবাগা থমি লৈনবগী অতোপ্পা থবো অমাখু থোকহল্লবা অতোপ্পা মখল অমা হোতাইবা রস কৌই।

৯। মথক্তা হাঙ্গৈগ্রবা শ্বাৱীসীং অছু কনাগুবনা অমিদা নৈ, কনাগুবনা অমক্তা নৈ অমসু কনাগুবনা অমত্তা অনিমক্তদাসু নৈ। মাদুদি ৱতিনাচিংবনা অমিদা, জুগপ্‌লানাচিংবনা অমক্তা নৈ, মাসি মাথোইগী মতৌ গুমগথবালোংগী মখিত্তা হাঙ্গৈবনি। সামাজিক (মৱাম তিন্নবা) সোং অছুগীদি অমক্তা নৈ।

১০। ৱসনা মথল অহুম থোকই; অচম্বা (প্রাকৃত) অচম্বা নত্তবা (অপ্রাকৃত) অমসুঁ মানবা (আভাস) অসুম্না অহুম থোকই। প্রাকৃত—অচম্বনা চুম্নগী তাইবং মী মালতী মাধবনাচিংবগী ৱসনি, অপ্রাকৃত—অচম্বা নত্তবনা শ্রীৱাধাকৃষ্ণনাচিংবাগীনি। আভাস—মানবনা মতিক চাদবনাচিংবনা ওইহনবানি। মাদুদি মথল অহুমনি, প্রসিদ্ধ' কৃত্রিম (শেমজিনবা—তাং) অমসু সিদ্ধ অসিনি।

(ক) প্রসিদ্ধ ৱস ভাসদি মাবু মানা লৌৱনি অসুম্না ইথুাইনাদি থংনগ্রবা, অদুগা চান্ননাদি লৌনথিদবনি, মাদুদি ৱস ওইদেদি হাঙ্গৈবাবু ৱসবুদি চাওথংহনলি। মাদুদি নিপা অমুপী অনিগী লুংসিনবনা মহুংদা অমা লেপনদুনা লৈববদা চান্ননাদি লৌয়োইদবা নিপা অমাদা অপী অদুবু মানা লৌৱগনি, হাঙ্গৈনা থোকপা অদু প্রসিদ্ধ ৱসাভাস কৌই, মাদুদি মালতীগা মাধব কৌবা নিপাগা মাথোই অনিসি মহুংদা চেংনা মু শিনরে। লাংগুৱুনাদি নন্দনদা থাজবে মাদুদা ওইবিবা অদু প্রসিদ্ধৱসাভাসনি, অচম্বা নত্তবদা শ্রীথোইবী থম্বনা মমুংদা চান্ননা লুংসিনারে, মপান্দদি কোংযাম্বদা পীথোকলে, মাদুবু থোইবা' পর্ব্বদা কুমৈ এবং সৌংগী পুকনিংদা হুভাইবিবা অদু চান্নবা ৱস নত্তে প্রসিদ্ধৱসাভাসনি। মাসুম তৌদুনা ইবেমা রুক্মিণীনা ব্রাহ্মণ দূতী অমা দ্বারকাদা চংহন্দুনা মমুংদা শ্রীকৃষ্ণদা লৈজগে ঐবু লৌবিবো হাঙ্গৈদুনা কৌথরে, মমুংদা রুক্মিণীগা শ্রীকৃষ্ণগা নুপনথরে, মপান্দনা গুরুজননা শিশুপালদা থাজরদুনা বিবাহগী কুমৈ হোৱে, বর লাকলে, সম্প্রদান য়োৱে, মাসিবু তাবা নৱগা নাটাদা এংবা মীসোংগী পুক্নিংদা ওইবা ৱস—হুভাইবা অদু ৱস নত্তে ৱস মানবা ৱসাভাসনি। প্রসিদ্ধৱসাভাস অসিনা ৱসদি ওইৱগা ৱসবুদি চাওথংহলি মাদুদি থোইবীবু মপানা কোঙ্যাম্বদা পীথোকলে, থোদো ভত্তনা থোইবী থম্বাগী ৱতি অঁদু হেনগংলি, মাদুদা তাবা অমসু প্রজা মীৱাঘগী পুকনিংদ থো'বী থম্বাগী কাব্যদা নাট্যদাসু ৱসবু হেনগৎহনলি।

(খ) কৃত্রিম ৱসাভাসদি, গুরুজননা মালতীবু নন্দনদা পীথোক্‌না লুহোংবা তারে, মাদুদা মকরন্দ কৌবা মিপা অমনা মালতী শাদুনা অপীগী মিতেং লেত্‌না নন্দনগা লুহোংলে, মাদুদা মালতী শাবা মকরন্দনা নন্দনদা কেদা (বাম প্রকটনবাচিংবা) তৌসিনবা, মাসুমনা থোইবীগী মপানা কোম্বাবাবু ইবেমা থোইবীগী লোইকাৱকপদা দংগী ওইজৱবনি ওকলু চৎলু থাৱকপদা কুম্বিতোম্বাম্বা ভাকপা কোৎযাম্বু উথম্বা

থোইবীনা হয়াঙনা তৌসিন্নবা অদু কৃত্রিমনসাত্তাসনি। (গ) সিন্দ্রসাত্তাসনি, মতিক চাদবদগী থোরকপাবু কৌই। মতিক চাদবা হাঙৈবদি স্নুপীনা মবা নৈনা ২ অতোপ্পা মগ্গা অমা নাইবনি। মাসিদা মায়া চেৎকসিন্না থংগদবনি—মধা লৈবী লুপীগা অতোপ্পা নিপাগা অনিগী ক্লুংসিনবা রতিদি মতিক চাদবদগী থোকপনি—মীওইবনা তৌবা মতিক চাদবা করবা লিচৎপু তৌবগী থোকপনি। মাদুদি মতিক চাদবনি, করব-নিদি হাঙৈবগু মাদু কাব্যদা পুথোক্লবদি কাব্য অদুনা মাগী বাহৈদা দৈনা থবনিগী মকুংদা উত্তম কাব্য ওই। মরম অদুদগী সামাজিকী পুকনিংনা রসদু ওই। মাসিনা প্রাকৃত অচৎদানি। (ঘ অদুগা 'অপ্রাকৃত'দ মবা লৈবী লুপীগী রতিতনা পুন্নামকগী হেনদি। অদুদা শাস্ত্র পুথানা হাঙৈ। অপ্রাকৃততদা ওইবা রতিদি অনৌচিত্যনা—চুম-দবুনা থোকহনবা নত্তে। মাসিবু খুদম ওইনা উৎতুনা ব্যাখ্যা তৌরি।

শান্ত, দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর অদুদা প্রেম রসবু মথক মঙা থোকন্না থই। প্রেম রস মঙাগী স্থায়ি ভাব মঙানি। শান্তরতি, দাস্যরতি, সখ্যরতি, বাৎসল্য-রতি অমসুং মধুরারতি, রতি মঙা অসিনি। রতি মঙা অসিদগী মধুরারতিনা পুন্নমকগী হেনদি। মধুরারতি অসি স্বকীয়া মধুরারতি হাঙৈবা অমা, অমনা পরকীয়া মধুরারতি অসিনি। স্বকীয়ানা শ্রীরুক্মিণীনাচিংবদা ওইবা রতিনি। পরকীয়ানা শ্রীব্রজগোপীসীংদা লৈ। বেদ পুন্নমক ইতিহাস পুরাণ পুন্নমক্কী মচা কন্দোকদবা লৈত্রবা অয়েপপা শরকী মথৈনা তিন্নবা শ্রীভাগবতনা শ্রীরুক্মিণীনা চংবীবী স্বকীয়ারতিদগী শ্রীব্রজগোপীসীংগী পর কীয়া রতিনা হেনদি হাঙৈ। মাদুদি ঐথোইনা মথক্তদু লৌখৎপ্রবা অদুনি। শ্রীভাগবতত হাঙৈ, মাদুদি শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীব্রজগোপীসিংদা হাঙৈ,—

'ন পরে যেহং · ইত্যাদি—

যা মা ভজন্ দুর্জ্জরগেহ শৃঙ্খলাঃ সংবৃশ্চ্য তদ্বঃ প্রতিযাতু সাধুনা ॥'

—নথোই পুন্নমকনা হে গোপীসা! থাদোকপা ঙম্বা হৌনবা য়ুমগী অকা অপুন পুনবু থাদোকতুনা ঐবু নথোইনা সেবা তৌথরে, নথোইগী নিংথিজবা অসিগী লমনবু ঐনা লাইগী পুনসি অমা চুপনা হিংদুনসু সিংবা ঙমলরোই। অসিনচিংবনি। শ্রীভা গবতনা অতোপপা মফমদসু হাঙৈ, মাদুদি উদ্ধবনা শ্রীকৃষ্ণগী পাউ পুদুনা লাকপদা, শ্রীব্রজ গোপীসীংগী প্রেম রতিগী নিংথিজববু উবদগী—

'কে মা স্ত্রিয়ো বনচরীর্ব্যভিচারদুষ্টাঃ কৃষ্ণে ক চৈব পরমাত্মনি রূঢ়ভাবঃ।'

—ব্রজগোপীসীং অসিনা কদাইদা, লুপীসু ওইবী, বনদা লৈবী, মবাবু লুংসিনা থা-দোকতুনা অতোপপা নুপাবু পাবনা মরমচৎসু করবরীনি। অদুগা মাথোই অসিদা পরমা-ত্মা ওইবা শ্রীকৃষ্ণদা মসু মহাভাবনা কদাইদা কমদৌনা ওইবা? অদুনা হাঙৈরগা মথৈদা

হায়ি, উহুম ঐনা পুনিজবা ব্রজভূমি অমিদা ইবেমাসিংগী পুরাগী উহুম মৌকপ্তু মাগী পিংবী অমগা ওইদুনা শোকচগে হায়না খুমজনা নিখি।

মাতমদুদুনা অপ্রাকৃতদুদি পরকীয়া মধুররতিনা পুম্নমক্কী হেন্নদি। প্রাকৃত মীচমদি পিজগনাভানুনা মতিক চাদবা নরা মরুম্বা থবাগী থোকপনি। অদুনা মিদু মনাক্তাস ওইবনি। শ্রীরাধাগী মধুররতিদি মতিক চাদবা রেমনাক্তিংবনা যাকবা মরু লৈরা২ মরুমী থম্ব কোবা থবক্কী থোকপা নত্তে। অদুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমদুদি পিজগনাভাস নত্তে। ব্রজগোপীসিংগী মমিদা মপানদা মরা লৈ, হায়ুসিনুনাদুনা পরকীয়ারতি ওইনবগীদমকতা সাম্নবনি। শ্রীকৃষ্ণগী লীলা শক্তিনা চুমগী ব্রজবাসী-মীংগী মনাক্তা ব্রজগোপীসিংগী মথক অমাম্বু মরাসিংগী মনাক্তা সেবা তৌদুনা থমই। মাদুমক শ্রীভাগবতনা হায়ি।—

"নাসূয়ন্ খলু কৃষ্ণায় মোহিতাস্তস্য মায়য়া।
মন্যমানাঃ স্বপার্শ্বস্থান্ স্বান্ দারান্ ব্রজৌকসঃ ॥"

—ব্রজবাসী পুরুষনা শ্রীকৃষ্ণবু কন্না হোরা তৌরে। মরমদি—শ্রীকৃষ্ণগী মায়ানা মমহৈনা মোগ্ৰজনা মাগী মাগী মপুম মনাক্তা ২ মমা লৈ হায়বা খল্লই। শ্রীকৃষ্ণগী মায়ানা মমঙদিনা ইয়েরুমসিংবু চংথিনা হায়বা থংবা মুদে মায়ুম পেংন্না অপ্রাকৃত রতি পরকীয়ারতিনা পুম্নমক্কী রেমরগী মরমদা মন্না মপনগী চিংথনবা, মগ্নাংবা ঐনত্তে।

২১। মক মাদুদা মদুম মায়েমা পামদনা চাক্না মিচার তৌই, মখম্না মায়েমা মদং শীলম্ তুংপা শম্ভু পুখোরদা মমম্ মুখশীলতু তৌরি। কাব্য হাইবসি থগম মফি পুই। শ্রব্য—তানবা অমা, অমনা দৃশ্য—এনবা অমা মথম পনিদি।

* হৃজিক্কি সামাজিকী(১) মরমদা রসনা থোকপাবু হায়ি। *

দৃশ্যদা (এংনবদা) বিভাবনাচিংবনা নটক্তা রাহৈদা অমসু অভিনয়দা

(১) সামাজিক হায়বদি—মর্য্যাদ তিনবা—সভাদা তিনবা মীবু হায়বনি। মাদুদি—কাব্যগী মরোন ভাগে—ছুকপা ভাগে—ঈশেনকপা ভাগে হায়দুনা তিনবা মীয়াম্ অমসুং সারবা—লীলা, অগো মাংখবু এংগে হায়দুনা লাকপা ভাবক পুবাবু সামাজিক কৌই। মথক্তা হারিভাবপ্ন ভাকপ্না হায়খ্রবা অদুনি, মাদুদি - মাংলো গী পুকচেল্লা রজোগুণ অমসু তমোগুণগী বৃত্তি লৈত্রবা মপল্লাগী সত্ত্বগুণগী বৃত্তি ওইরবা অদুগুম্বা মীগী পুকনিংদা রস ওইগদবনি। মাদু নত্রবদি কৈদৌঙৈদা রস ওইবা ঙমদে। প্রাকৃত অচম্বাগীদমক অদু মতা'রে, কাব্য রসবু কনবা মী অদুদি থুজবা থবক পুকচেল তৌবা হৌমদে। অদুগা অপ্রাকৃতদা রসনা মী অদুগী পুকচেল্লা অকোকং মাল্লবদি মী

মহৌসুদ্রি। (২) অবাদ (চুমথাগী অথবা) মি লাইহৈতবা কিকানাচিংবনাইনে।

য়াউদি অদিনি,—নটনা তুমন্নমা অনুকার্য (চাবা লাই) শীংগী হৃদিয়গী উবাদুগী অবলুগী সামাজিকী থমোইদা য়াম্না চকখিহনা, মাথুনা মাহাকুমা মঙোন্দা থংবা লৈতরকপা: সুপনাগী নটনা থংহনবা অনুকরণ ইবা তাকপা, মাথোইগী থমোইদা থোরকপা থমথোংনা চকপ অমাগী থোরকপা, মাথুনা লোইনাহনা, এঃ রাম সীতাগী রতিকলাগী হৈলিংবাদি অভুকপনি, রামনা রাবণগী বান মমি অতুকপনি অতুকপনি, প্রেক্ষকশীংগী মমা মিচাং-প্রকাশচিংবাদি অমম্বা রসপূর্ণামতা "অতুকপা — চমৎকার অমা ওই, মাসু থোরকপা সামাজিকী থমোইদা মস ওই। মাসু থোরকতরাবদি রস ওইদে। অতুনাদি রস হাঙ্গম অত্মিদি অতুকপাকনি। রসনা মশাদা ওইরবা মতমদা ভাবোকনা চেদা য়েকপাগুম উনাচিংবনা সাবা অসাবা গুম্না লেংহনা দৈ। অদিসে রাম সীতানি, রাম অসি সীতা ক্লাইনা মৈনা চাক্কে, মাসি কৈনি, মাসি মোং-মুমনি অশিবাগী মীশা। চাবা ভূক প্রেক্ত পিশাচনাচিংবনা থিগৎতুনা জগোই মারে, অদিনাচিংবাসু অসাবা সীংঅত্তদা চাম্নবামক ওইনা নিংহনা কুম্মে অমু এংবদগী রজোগুণ তমোগুণ কোকথিহনা সত্ত্বগুণতা ওইবা ভাবোকী পুক্রিংদা পুক্রিংদগী সুচাইরবা ধর্ম্ম অমা ওইবকপা অদুমু রস কৌই। রসদি সুপনাগী সামাজিক = ভাবোকতগী পুক্রিংদা ওই।

রসদি মথন য়ামই, মাদুগী বতিনাচিংবা স্থায়ীভাবসু য়ামই,—ময়াম অদু মতম অমত্তদা পুরপ তিম্নাথোকপা য়াদে, অদুনা স্থায়ী অমামমা ভাবোক্সী রস ওই। অমদি বসদি হাঙ্গখ্রবা অদুনি, রতি স্থায়ীদি মাগোইগী পুক্রিংদদি থোকপা হৌনত্রবাসু রাম সীতাগী রতি কৌশলনা অতুকপাগী

অদুগী মপাক মহুনা ব্রহ্মাস্বাদচিংবনা তাৌবা লাইপবকবা অদু মতম অদুদা অদুমক ক.ই। মাদুসু গোপীগীদুনা চহি কয়ামুক্ত মপোক মমাদা তানবদা কাদবনি। অদুগা দামা অংবাসু কীর্তনতনাদি শ্রাইগানা মতম থক্তিকবা পী। মরম অসিনা সামাজিক ওইনা বনবা মকামুক মাদী পুক্রিনিং মদুদা রজোগুণ, অমসু তমোগুণগী নটচৎ পুথা থাদোক্না মম-পনহনি।

(৩) অনুকরণচিংবা, নটনা তাংলিবা অনুকার্য কৌই। মাদুগী অসুলিদা থাইসাবা নট কৌই সামিদা অদুবু মতিদুর কৌই।

মশাক ওইনা মপ্নোই-তুবোইবদাস্নু থোকই, মাস্নুম তৌহ্নুনা রসদি ভাবোকতদা ওই। অহুগা করি কবিগুরবাদা নট লাই শাবনাচিংবাদাস্নু রস ওইবা য়াওই. মাহুদি নটনা মচিননা সীতাগী অশোক বনদা য়াবা গোপীসিংগী মাথুরদা য়াবা. পার্ব্বতী পান্থোইবীনা থাবা মবাঙ্গাইদা য়াবাবু শকপা মথুৎনা অর্থ পুথোকপা, মথোংনা তান থাহুনা মীৎনা ভাব পুথোক্তুনা উৎপদা মহাকস্নু মাহুগী হুভাইবা অওকপা রসস্নু মাঙেন্দো ওইরকতুনা জ্ঞান তাদহুনা লৈবা য়াওই, জ্ঞাননা লৈত্রবাদাস্নু নট অহুনা মাগী ওয়াইরকপাগী পাঙ্গলনা মাঙোন্দা চুথিহুনা জ্ঞান লৈত্রবা বস ওইববা মতমদাস্নু মচিননা শকপা মথুৎনা অর্থ উৎপা মথোংনা তাল পুবা মমীৎনা ভাব উৎপা অহুদি থক কাইদে; অহ্ ওইহুনাস্নু নট অহু মাঙোন্দা বস ওইববনিনা মাস্নু ভাবোক কৌই। রসদি ভাবোকতদা ওই।

অমস্নু বসদি হুভাইবাগী মশকনি, অ.ন' ভয়ানক (কিবা) বীভৎস (তুকচবা) অনিসিদি কাব্যতদা রস ওই। চায়বদদি বস ওইদে। মাহুদি কোংয়াম্বাবু কৈনা চাবদা অমস্নু থবাপগা কৈগা লাকনবদা ভাবোক অমন' এংলবদি মতম অহুদা অঊবা মী অহুনা কিবনে তুকচবনে অহুনা রস ওনদে। নটনা মঙদা মতৌ ওমলিঙৈদদি অএংবা ভাবোকবী পুকনিংগা রস ওই। সার্কসতা অদংবা কৈজাউ. নোংশানাচিংবা হিংত্রক জীববু পুথোক্তুনা মীগা লাকনব. সংসংনা উহনলি। মাহুদ' অএংবা ভাবোকতা রস ওই, মরমদি সর্কসদা কৈগা লাকনবা এহুনা মীবু কৈনা চাগে তৌবগী মতৌতথনি চায়না চাহনগদবা নত্তে অহুনা মাহুস্নু অতম্বাগীসাংদা (লীলা সায়বাগীসাংদা) চনলি। অমস্নু অপ্রাকৃতদদি ভয়ানকনা চায়বদস্নু রস ওই, মাহুদি চুয়াগী অচবা নিপা অমনা পুকলবা উহুংদা মথম্ব। চৎপদা চরায়বা কৈ অমনা মাবু চাগে হাঙ্গইহুনা চঙলক্লবদা নিপা অহুনা কিহুনা ওকতুনা থক ২ নিকপা অহুদি রস নত্তে চুমই, অপ্রাকৃত অচবা নত্তবা অর্জ্জুননা বিশ্বরূপ উবদি কিবনা থক ২ নিকই, লৈবা ওমদনা কি তৌইওমস্ন মাবা মমা থংই, মবুঙোনা মাবু চাম্বুনা উহনবনি, মাঙোন্দা করিস্নু তৌরোই থো-জানবনি থংবমা অর্জ্জুননা বিশ্বরূপ উবগী কিবদি রস ওই।

১২। হাঙ্গৈগ্রবা রস পুম্নামকপু অনুশীলন তৌনবাগীদমক (ওইরামবা-গীদমক) উদাহরণ পুনা পীরি। মাহুদা রসপুম্বা প্রাকৃত অমস্নু অপ্রাকৃত অমস্নু অনি থোকই, মাহস্নু উৎথরে। অহুনা ঐথোইনা অপ্রাকৃতদা ভাক্তা উৎলি। মাসিদা পাম্বুনা ২ ওরাইয়গা রসগী হাঙৈগ্রব' য়াকনপুম্বা হুভাইগনি।

১৩। বীর-রস—উৎসাহ স্থায়ী ঃ —

"গুণং কর্ণাকৃষ্টং করকিশলয়ং তূণশিখরে,
ধনুশ্চক্রী ভূতং নিপতদিষু বৃন্দং তত ইতঃ।
রিপূন্ ভূমৌ সুপ্তান্ কলয়তি সমং দেবনিকরে,
জরাসন্ধস্যাজৌ জয়তি ভুজবীর্য্যং মুরভিদঃ ॥"

—জরাসন্ধগী লানকমদা শ্রীকৃষ্ণগী পাম্বোমগী পাঙ্গল। পুন্নমক্তা অহেনবা ওংহরি, অ-তিয়াদা লান এংবা লাইরামনা লান শোকনরিবা শ্রীকৃষ্ণগী লীরংগী লীরীবু নাকোং ময়াতদা লৈবা উই, মাসুন্না শ্রীকৃষ্ণগী সনাখুৎ উনাগুম নৌবনা তেন্দোংতদা থমচুনা লৈবা উই, লীরংনা হুমিৎচুপপা লীরীচিংবগী কোটরক কোইনতা লৈ। তেন ময়ামা ইতং তৎতনা লীরংদগী পাইথোকতুনতা লৈ, তেন্জোন পুম্বনা শ্রীকৃষ্ণগী তেলনা থা-জুনা লৈপাক্তা ইতৎতৎতনা প্রোপ ২ তা তুই।

মাসি বীর (থৌবা) রসনি, উৎসাহ (হোৎনবা) না স্থায়ীনি। শ্রীকৃষ্ণগা জরা-সন্ধগদা লৈ। জরাসন্ধনা আলম্বন বিভাবনি মহাক্তীনা শ্রীকৃষ্ণনা ওই। অনিগী মহৈ মহৈ তৌনবা শৌর্য (অকনবগীঅ থৌবগী মতৌ) না উদ্দীপন বিভাবনি। তেন কাপপা হৈবগী মতৌনা অনুভাবনি। গর্ব্ব (নাপন) উগ্রতা (প্রক্ ২ চাকশিনবা) অমর্ষ (সুংনাংবা) চাপল (তথক তথক তৌব) না চিংনা ব্যভিচারীনি। পুন্নমক্ক অসিনা তিনলবা পুকনিং স্থ য়ীনা বীব বস ওই। জবাসন্ধগা শ্রীকৃষ্ণগা অনিদা রসনা লৈবনা পরোক্ষ (উদবা) নি। ভাবোকতানা প্রত্যক্ষ (অউবা) নি। বীর রসনা যুদ্ধ, দান, দয়া, ধর্ম্ম অসুন্না মথল মরি থোকই।

১৪। করুণ-রস—শোক স্থায়ী ঃ—

"দোর্গুপ্তায়াং মধুবিজয়িনো হাকথং দ্বারবত্যা,
মধ্যায়োঽস্যাময়মুদভবদ্বস্ত নিষ্কল্মষায়াং।
জাতং জাতং সুতমুপহরত্যেষ মেহকালমৃত্যুঃ.
কো মাং ত্রাতা হরি হরি হ হা হা হতা হা হতাঃ স্মঃ ॥"

—মধুসূদন শ্রীকৃষ্ণগী পাম্বোমনা ঙাকলিবা দ্বারকা পাপ লৈতবদা হাহা করিননো মৌনদবানা ওইখিবনো? মতম নত্তনা শিবনা ঐগী ইচাবু পোক্ত পোক্তগা মাংহনলে। অ-ত্থাবনি হাহা ঐ মাংলে মংলে ঐবু কনানা কনবিগদগে?।

মাসি করুণ রসনি, শোক (কাইনবগী অত্থাব) না স্থায়ীনি। এহাক্তি অমত্তদা

দৈ। মচা শিবনা আলম্বন বিভাবনি। মচাবু ঐগী নিংবনা উদ্দীপন বিভাবনি। মকোকতা খুৎনা থাবনচিংবনা অনুভাবনি। খাথা, তোনথনা; চোকখৎহৈথবনচিংবনা ব্যভিচারিভাবনি।

১৫। অদ্ভুত-রস—বিস্ময় স্থায়ী :—

"আলোকঃ সখি লোকলোচনমুদামুদ্রেকমুদ্ভাবয়ন্,
সোমস্তোমনিদাঘধামনিবহ-প্রদ্যোতসদ্যোহরঃ।
মেঘে মাঘবনে মনাবপি ঘৃণা নির্ব্বাহকো নীলিমা,
সামানাধিকরণ্যমত্র কিমহো চিত্রংতমস্তেজসোঃ ॥"

—হে ইচল এগ্রুনেসে, করাদা ভকথ্রবনো অমমগা অভানবগা অনিনা অঁমতবা পূ-লপ লৈময়বা মঙান অমনা থম্বাইপানবা পুম্বগী মীৎপু হুভাহন্দুনা থোরকলে; মানা ভানবনা থা মরাম হুম্বিং মরামগী মঙানবু ভমজৈ, মঘনা নোংগী অমম্বা ইন্দ্রনীলমণিগী অমুবনু নমহংনা দুই। করাদা ভকথ্রবগেসে অসিবু ওইবা থারিবসে?

মাসি অদ্ভুত (ওনথোকপা) না রসনি, বিস্ময় (ভকপা) না স্থায়ীনি। অমত্তা লৈবনি। আলম্বননা শ্রীকৃষ্ণনি। শ্রীকৃষ্ণগী ফর্জবা নিংথিবনা উদ্দীপননি। তুচুংবর্নচিং-বনা অনুভাবনি।-খুঙ্গংপা ভথকপনা ব্যভীচারীনি। উনবদা থোকখিবনি। ভাবোকতা প্রত্যক্ষনি।

১৬। হাস্য-রস—হাস স্থায়ী—

"উন্মত্তাভির্ব্বসন্তোৎসব রভসমদৈর্গোদোহাং কন্যকাভিঃ,
ক্ষোদৈঃ সিন্দুর চন্দ্রাগুরু মলয়রুহাং হাধিগন্ধীকৃতোহস্মি।
জাড্যং গন্ধাম্বুসেকৈরজনিত তইতো ধাবিতুং নাস্মিশক্তো,
ব্যাপদ্যেহং বয়স্য প্রিয়সখমব মাং মাস্থিহ ব্রহ্মহত্যা ॥"

—গোপ মীভোন অভাওগী মরাদা মাওসং কুমৈনা মথোই কাপ্পনা ঐবু সিন্দুর, কর্পূর, আগরু, চুয়াচন্দন মকুপ মরাম চাইসিন্দুনা মীৎ তাংহনলে, চন্দন মচুম অম্বিংবা মরাম চাইসিনবিত্তনা ঙংবা মক্তনা ঐদি চেনবাম্ভু ভমদরে, হো ইতাও ঐ শিরে এ শিরে, নত্তাও ঐবু কনবির থামনহাৎহনগর্ত। শ্রীকৃষ্ণগী বিদূষক সখা মধুমঙ্গলনা হাঙিবনি। হাস্যরসনি। হাস (নোকপা) না স্থায়ীনি। মাদি মরামদা লৈথিবনি। মাওসংগী হুমৈনা আলম্বনমি। বিদূষককী চোকখবা হংথবা অমাবনা উদ্দীপননি। মধুমঙ্গ বিদূষকী থাদিং কাকপনা চিংথা মরা মরৈ হৈরোৎচুংবং চিংবনা অনুভাবনি, খাথা থাবা, মরাকাঁথা থৎপনাচিংবনা ব্যভীচারীনি।

১৭। ভয়ানক-রস—ভয় স্থায়ী :—

"দংষ্ট্রা কোটিকঠোর কূটকটুনা প্রধ্মাতভাতস্থিতং,
সর্ব্বং চর্ব্বয়তীব হন্তবদনেনোদগীর্ণ পূর্ণার্চিষা।
জিহ্বাগ্রেণ সমগ্রমুগ্রমহসা লেলিহ্যসে রোদসী,
ত্রস্তং মামিহ পাহি পাহি ভগবন্ পার্থোঽস্যপার্থোঽভবন্ ॥"

—ইবুঙো নংগী নথা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মৈয়াম চাকপা মা-ঙুদা রাপরেংগী চাওর চাওরবা চৈরমায় মৈ হুনা [illegible] ভাইবংশানবা খুবব্ শ্রী ২ সাইবওয়া উরে, নোংথাংদগী হেন্না চাক্লবা মৈবুংগী রেন্না ভানবা খাংলবা মরৈনা মৈ-পাক নোংখোংপুব্ব লেকলে, হে ভগবান্ ঐ মিপাইবনা থাওবা ভমরয়ে ঐ কিরে কিয়ে, ঐবু কনবিয়ু কনবিয়ু পার্থ হাজিনা কাউবা ঐ ওসিদি অয়েম্বা ওইরে।

মাসিদা বিশ্বরূপ উবা অর্জুনগী ভয় (কিন) না স্থায়ীনি। ভয়ানকরসনি। শ্রী-কৃষ্ণনা আলম্বননি। বিশ্বরূপ ভগবান্‌গী য়া পয়েং, মরৈ, খাবোমহুংগী অচাকপমচিংব না উদ্দীপননি। ওাকপীযু [illegible] অনুভাবনি। ঐ অয়েম্বা ওইরে মৈজনা ব্যভীচারীনি।

১৮। বীভৎস-রস—জুগুপ্সা স্থায়ী :—

"দৈত্যেন্দ্রাণাং মথিত বপুষামন্ত্র মেদোঽস্থিমজ্জা,
মাংসাসৃক্ ত্বক্‌স্থপুটপটলীস্বাদমোদপ্রমত্তাঃ।
কৌমোদক্যা মধুবিজয়িনঃ কীর্ত্তিমুৎকীর্ত্তয়ন্তঃ,
সার্দ্ধং গৃধ্রৈর্বিদধতিমুদং প্রেতরক্ষা বিশঙ্কা ॥"

- হিয়াং অথৌবা লাইরবসীংনা শ্রীভগবান্ মধুসূদনগী কৌমোদকী গদানা হুপাইদ্রনা কাইরবা হিংচাবা অসিবসীংগী হকচাংদগী থোরকপা শিংলী, নাওরি, থিবোঙ্‌খোইরিল ভোংসা, শরু, তিঙ, সাহুম, ঈ, উন, আঁত কৌবা শিংলী, ময়াযু চাবদা মাঙুগী মহাওনা ওাওয়ে, হাওইদা লাওইদা হাজিদুনা ভগবান্‌গী মগুণবু [illegible] কজিনা হাইনা [illegible] [illegible] মৈতবা লাংজাগী মুক্ত মুক্ত চাদুনা হুওাইদি।

মাসি, লাইহিংচাবগী [illegible] লোইচ্ছরবদা থুমৈ এম্পা লাইসীংগী পুক্লিনা ওইবা জুগুপ্সা—জুগুপ্‌সা স্থায়ীনি, মাদি [illegible] মৈথমি। অশিবগী হকচাংবা চিথবা আলম্বনি। হিয়াং অথৌবা (প্রেত) লাইরবনা উদ্দীপননি। [illegible] [illegible] অনুভাবনি। ব্যভিচারী—[illegible]—[illegible] [illegible], ভোক্কমচিংবনি। [illegible]

অসিনা চাওখংজনলবা তুকচবননি,—জুগুপ্সানি, তুকচবনবু রস ওইবা হৌজকবনি অ
ছুবু ভগবাননা তৌবনি মাইনা ভগবানবু হিংসংবনগী মুভাইবা ওইদুনা রস ওই। মা
সি অচম্বদি রস ওইদে। অদুবু নাট্যদা (লীলা সারবদা) নটনা পুখোকপা মতমদা
ভাবোকী পুক্লিংদা মুভাইবা পোকহন্দুনা বিভৎস কৌবা রসনা ওই।

মাসিমাসু ঃ—

"দৃষ্ট্বৈব করুণার্দ্রয়া সহচরান্ সমুজ্জীবয়,
ন্নঘস্যজঠরং গতোগরলজাতবেদো ব্যসূন্।
তদন্ত্রে ধমনী রসারুধির মজ্জা লালাদিভিঃ,
প্লুতোহপ্যনবলিপ্তবচ্ছুচিরুচিঃ স জীয়াদ্ধরিঃ॥"

—অঘ হিংচাবগী মপুক মনুংদা চংলবা, অঘ হিংচাবগী শিংলী নাওড়ী,
তোংসা, ঈ, তিঙ, মতিন পুম্বনা মশাপুম্বা চোৎলবমতমদা শোক্তবগুম্না শেং-
লবা কুচু ওইবা শ্রীহরিনা থোজাননা চোৎলবা মীৎস্নাতনা এংদুনা অঘ
হিংচাবগী মপুক মনুংদা লৈবস্বা হুগী মৈনা চাক্তুনা সিববা সখা পুম্নমকপু
হিংগৎহন্দুনা হেন্না থোইবি।

মাসিদা অঘ হিংচাবগী শিংলী নাওডীনাচিংবনা শ্রীকৃষ্ণগী মুভাইনবা
ওইবা মবমদগী মুভাইবগী মশক চান্নবা ওইবে। শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা য়াওবা
সীংগী মুভাইবা ওইবদগী ভক্তসাংগীসু নাট্যদা এংবা ভাবোকসাংগীসু মুভাইবা
ওই, তুকচবা ঘৃণা লৈতে।

১৯। রৌদ্র-রস—কোপ স্থায়ী ঃ—

"স্পর্শেনাপি ন বেন্ত্য ভবতা মৃত্যোর্মুখং গচ্ছতা,
কিং দোর্ম্মণ্ডলচণ্ডিমৈষ ভবতে বিজ্ঞাপনীয়া ময়া।
যেনাখণ্ডল শৌণ্ডখণ্ডনকৃতাগেণ্ডুকৃতোহয়ং গিরিঃ,
কিংরেকষ্টমরিষ্টদুষ্টতনুষে গোষ্ঠস্থ ন তিষ্ঠরেঃ॥"

—হাইৎ ফত্তবা। অরিষ্ট! নংগুম্বনাসু ঐখোইগী গোষ্ঠবু ফত্তনবা তৌজবা
সারিএ, ওহাক্তং তুক লৈরমউ, নংদি ঐনা শোকপতদা শিরগনিদো, ঐবু
নংনা খংহৌররোইদো, কবম তৌসিবা, ঐনা নংবু ঐগী পাম্বোমগী পাক্‌ল
অসি খংহনগদবাসে, ঐগী পাম্বোম অসিনা লাই স্বরারেন্দ্রমক্তী অশৌবা
মাংহনবনি, অমসু মাসিনা চীঙমকপু কাবুন ওইনবনিদো।

মাসিদা কোপ (সাউব) না স্থায়ীনি, মানা অমত্তদা অনিদাসু লৈবা য়াওই, মাসিদদি অনিদা লৈ। মহৈ মহৈ আলম্বন ওই। উদ্দীপননা মহৈ মহৈগী পাঙ্গলনা ওই। চাওথোকনা চাংবনাচিংবনা অনুভাবনি, সঞ্চারীনা নাপননাচিংবনি। মাসুম তৌহুনা বসনা থোকই। রস অহুনা ভগবান্দা ওইখিবহু উদবনি। ভাবোকতনা অফোংবনি। আলম্বন অমনা অচম্বা নত্তে, অনিম্বনা অচম্বনি।

২০। শান্ত-রস—নির্ব্বেদ স্থায়ী :—

"বয়োজীর্ণং হা ধিক্ তদপিন হি জীর্ণো মদভরঃ,
শ্লথং চর্ম্মাঙ্গেভ্যস্তদপি ন হি রাগঃ শ্লথ ইব।
রদাঃ শীর্ণাঃ শীর্ণস্তদপি ন হি মোহঃ কথময়ং,
জনঃ কংসারাতেশ্চরণকমলায় স্পৃহয়তু ॥"

—হা! হা! হে মীওইবা তোল্লিদকো। নোংমা নোংমাগী মনথারক্তুনা পুনসি অসিমা তুমলেদে। নাপনদি হুজিক কাউবা মরিক অমত্তা মনথদে। হকচাং পুম্বাদগী ঊন অসি হিকথরে, অপাম্বদি কবিমত্তা হিকথদে, য়া পুম্বা পুমকোক কোকনা কেনখবে, অপাম্বা অওকপদি করিমতসু কোক্তে, অসিমক্তদা মীওইবনা শ্রীকৃষ্ণগী খুয়াদা নোংমতসু অপাম্বা লৈরাং কাউবা কৎনিংদে। ইমাইপেমা তৌল্লিদকো হে তাইবং মীওইবা।

মাসিদা হৈনিংদবানির্বেদনা স্থায়ীনি। মহাক্তি অমত্তদা লৈবনি তাইবংগী অরাবনি, পুণ্যতীর্থনাচিংবনা উদ্দীপননি। তাইবংদা আসক্তি থাবনা অনুভাবনি। মতি, স্মৃতি, ধৃতিনাচিংবা তাইবংপানবগী অরেম্বদা ওক্তুনা লৈহুনা ঐ মাংলে হাঙ্গৈনা খংবা, মাসুম তৌহুনা লৈবা কান্নরোই হাঙৈনা নিংসংবা; অহু ওইহুনাসু ভগবান্দা অপাম্বাবু ভগবান্দা ওইহনলবদি মাংখরিবা পুম্বা অসি মাংলোই হুজিকসু মতম লৈরিনা হাঙৈনা নিংহুনা তপথরকপা পুম্নমকনা সঞ্চারীনি। শান্তরস অসিনা অনুকার্য (মহাকী মতৌ ভমলিবা) দা লৈবদি উদবনি, ভাবোকতনা ফোংই। অহুনা রস ওই, মাহুমক শান্তনা হাঙ্গ।

"যচ্চ কামসুখং লোকে যচ্চ দিব্যসুখং মহৎ।
তৃষ্ণাক্ষয় সুখস্যৈতে ন হর্তঃ ষোড়শীংকলাং ॥"

—শ্রীকৃষ্ণ খুবক্কী মুত্তাইবা অমসু খর্গদা লৈবা মুত্তাইবা মাখোইগী পুখনা অপাম্বগী থৌমাংবা থাদোক্লগা ওইরা মুত্তাইবগী মতং মচেং অমগা পাম্বা য়াবা নত্তে। অদুবা মকম অসিদা চমৎকার হেনবা মুত্তাইবনু হেনদি। শান্ত অসিদা শ্রীকৃষ্ণদা ওইরবদি অচম্বা নত্তে। অপাম্বা লৈত্রদুনা হৈনিংদবা নির্বেদনা সঞ্চারী ওইদুনাসু স্থায়ী ওইদুনা রস ওলই, অমসু রতিদা তাই-বং মপুদা ওইরবদি মাবু ভাব অসুম্বা কৌনৈ। ভাব=রতিনা স্থায়ী ওই-দুনা বিভাবনাচিংবা মাগী মচাক পোৎলমগা লোইনরগা ওইবা রসবু ভক্তি রস কৌই। মহাকপুসু রস মরকতা হাপলবদি রস ১১ দা ১২ সুবে।

২১। বাৎসল্য-রস—মমকার স্থায়ী :—

"আরাজ্জানুকরোপসর্পণ পরোজাতস্মিতং সক্কর,
ঝঙ্কারোহমনাপ্লুবন্ রুরুদিবা বিম্লান চন্দ্রাননঃ।
অভ্যাসার্থমুপেক্ষিতোপসরণ প্রক্রান্তয়া সত্বরং,
কণ্ঠেকৃত্য যশোদয়ানননেত্যাশ্বাসি বালোহরিঃ॥"

—শ্রীকৃষ্ণনা অঙাং ওইরিঙৈ মণস্যনা চৎপা হৌরকপদা খুকউগা খুৎকনা খজিক্কং চৎতুনা মধা যশোদাগী ভন্সাক্তা কাগে কৌই, মমানা মচাবু চৎপা হৈনবা হায়দুনা খজিক্কং তুংদা হন্দোক্লনা কাহনদে, মচানা কপনিংদুনা মমাই থাবু খজিক্কং লাংসি-নবা উরে, অদুদা মমা যশোদানা খুনা চংসিন্দুনা নত্তে নত্তে ইমা লৈ, ইচাবু করিগী শো হাজিদুনা মচাগী থৌরিদা চেংনা কোনদুনা থেমই।

মসিদা ঐগীনি (ইচানি) হায়বা পুকনিংনা স্থায়ীনি, মাদি অমত্তা লৈ। আলম্বন শ্রীকৃষ্ণ, উদ্দীপননা শ্রীকৃষ্ণনা যশোদা য়োনা চৎপনি। অনুভাবনা মমানা থৌরিদা খোমলবনাচিংখদি। ব্যভিচারীনা হরাওবনাচিংবনি। মসিদা যশোদাদা লৈবনা ভাব। ব অমাঅকতা ওইরবনা কউখদি। অপ্রাকৃত বাৎসল্য রসনি।

২২। প্রেয়-রস—বিস্রম্ভ স্থায়ী :—

"প্রেয়াংস্তেহহংত্বমপি চ মম প্রেয়সীতি প্রবাদ,
স্তং মে প্রাণা অহমপিতবাস্মীতি হন্তঃ প্রলাপঃ।
ত্বং মে তস্যাহমিতি চ যত্তন্নো শাম্ভ্রং রয়ধে,
ব্যাহারেনো ন হি সমুচিতো যুষ্মদস্মৎপ্রয়োগঃ॥"

—হে রাধে ঐদি নংগী চাম্রবনি, নংনা ঐগী চাম্রবনি. অদি চুমাগী হাইনবনি। রাধা নংনা কৃষ্ণ ঐগী থবাইনি, কৃষ্ণ এমা রাধাগী থবাইনি. ভনমোকপু মাদিদি লোইরোনদি। রাধা নংনা কৃষ্ণ ঐগীদি, ঐনা নঙোন্না ওই, অদিসু অমমা নত্তে। ঐখোই অনিনা মা ঙাংনবা নহাক ঐংহাক হাঙবা চুমদে।

মাসিনা পুকনিং পেংপনা স্থায়ীনি। মহাকনা অনিম দৈ। আলম্বনদা শ্রীরাধাগী শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীরাধানা ওই। শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মহৈ মহৈগী গুণনা চুংসিনবনা উদ্দীপনবিভাবনি। শ্রীরাধানে শ্রীকৃষ্ণনে অনিগী তোঙানবু থংনাদরবা অনুভাবনি। ইবেমা ইবুঙোগী পুকনিংগী ওইনিংবগী অৱাংবা চুপ্তাইবা ঔৎসুক্যনা ব্যভিচারীনি। শ্রীরাধাকৃষ্ণনা ওইবা প্রেম রসনা উদবা। কুমৈ এংবা ভাবোকতা ওইবাদনা অউবা প্রত্যক্ষনি। মধুর প্রেম ভক্তি রসদা রস পুম্বনা মঙ্গুং চংদুনা লৈ। মরম অসিনা মাগী সম্বোকপদি মাবখরে। অচৌবা প্রহ্লা ময়াম অত্রু উগনি।

কন্না ২ থবা সোংগী মতম শ্রীরাধাকৃষ্ণগীদি মধুর—শৃঙ্গার রসতনি (প্রেম রসদি মঙ্গংবা চংদুনা লৈ) অমুয়া হাঙ্গী। মত অমুদি শৃঙ্গারনা মপুংদি, প্রেমরসনা শৃঙ্গারগী মচেংনি—মথং অমনি। কবিকর্ণপুরনাদি মাখোইগী মতম প্রেমরসনা মপুংনি, শৃঙ্গারনা মচেংনি। মাদুদি,—

"উন্মজ্জন্তি নিমজ্জন্তি প্রেম্ন্যখণ্ডরসত্বতঃ।
সর্বে রসাশ্চ ভাবাশ্চ তরঙ্গা ইব বারিধৌ ॥"

—প্রেমরসনা মাবা মপুং রস ওইবদগী রস অমসুং ভাব পুম্বনা সমুদ্রগী ঈথক মনামা তৌবাগুম্না থোকই লুপই।

২৩। প্রেমভক্তি-রস—রতিভাব স্থায়ী :—

"জয় শ্রীমদ্বৃন্দাবন মদন নন্দাত্মজ বিভো,
প্রিয়াভীরী বৃন্দারিক নিখিল বৃন্দারক মণে।
চিদানন্দস্যন্দাধিক পদারবিন্দাসব নমঃ,
নমস্তে গোবিন্দাখিল ভুবনকন্দায় মহতে ॥"

অয়ি ইবুঙো। শ্রীবৃন্দাবনগী মদন। নহাক্তী পুম্নামক্কী হেনবা ওইমম। চানবোরবী গোপাঙ্গনাশিংনা নহাক্কী মাহুগী তুম্বীপা মাৱনীনি। ইবুঙো মহাকী ... লাইশুবাগী কোমল থেংনা মসিরক্তনদি। ইবুঙো মহাকী মখোঙ পুরাগী অদিদি চিদানন্দগী ... হেন্না থুমই, হে গোবিন্দ। হে

তাইবংপানবা ময়াম পুন্নামকী হৌনকম ওইবা, মকও। নহাক্কী থাওয়বা পুন্নামজনী হেনবা মতিকপু হন্না হন্না থুক্রমজে।

মাসিদা—পুন্নিংগী লুববা কজবা রতিনা ভাবনি। মহক্কা স্থায়ীনি। শ্রীকৃষ্ণনা আলম্বননি। শ্রীকৃষ্ণগী মতিক মঙাল্না উদ্দীপননি। পুন্নিংগী পোং-পনা অনুভাবনি। তাইবংবু মতু মচানাচিংবাবু পামদবানা ব্যভিচারীনি। ভক্তি রসনা উদবানি। ভক্ত অমসু ভাবোকতানা প্রত্যক্ষ—অউবানি। তৌইগুমসু শ্রীকৃষ্ণদি রস পুম্বানা ইবুঙোদা পুলপ ওই। অদু ওইহনাসু শ্রীকৃষ্ণদি শৃঙ্গার রসনা অউবা মূর্তিনি। মবমদি শৃঙ্গার রসগা মায়নবগী শৃঙ্গার রসনা ইবুঙো মহাক্কী মশক ওইবাদগীনি।

শৃঙ্গার রস অমসু মাগী মথন।

শৃঙ্গার রসগী মশকপু থজিকুং ওইনা উৎখরে। মথক্তা হাঙখরে, মাহৃদি;—শ্রীগৌরাঙ্গনা হৌদোকপা কীর্তন মথন অনিগী মনুংদা লীলা কীর্তনবু রস কীর্তন হাঙনা কৌনি। রসকীর্তনদা হাঙখ্রবা অপ্রাকৃত রস পুন্নামক অদুবু কীর্তন তৌই। তৌইগুমসু রস পুন্নামক অদুবু বৈষ্ণবসীংনা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা ছকই। শ্রীকৃষ্ণগী লীলাসু ব্রজলীলাতদা পাল্লি, মাহৃদি—

“শৃঙ্গারী রাধিকায়াং সখিষু সকরুণঃ খেড়দগ্নেষ্বঘাহে.
বীভৎসীতস্তগর্ভে ব্রজকুলতনয়া চেল চৌর্যে প্রহাসী।
বীরী দৈত্যেষু রৌদ্রী কুপিতবতি তুরাসাহি হৈয়ঙ্গবীণ,
স্তেয়ে ভীমান্ বিচিত্রে নিজমহসি শমীদামবন্ধে স জীয়াৎ॥”

—শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধিকাদা ১ শৃঙ্গার রস ওই, অঘ হিংচাবাগী মপুক মনুংদাচংপ্রবা সখাসীংনা লীন হিংচাবাগী হুনা চাক্রবদা ২ করুণ রসনা ওই, সখাসীংবু কনগে হাঙইহনা অঘ হিংচাবাগী মপুক মনুংদা লৈংসিনখ্রবদা ৩ বীভৎস রসনা ওই। গোপ নিঙোলসীংগী ফিহুরানবদা ৪ হাস্যরস ওই, হিংচাবা হাৎপদা ৫ বীররস ওই, খরারেল্লনা সাওরবদা ৬ রৌদ্ররস ওই, মাখল হুরানবদা ৭ ভিতি- অকিবারস ওই, ইবুঙো মহাক্কী প্রতিবিম্ব (মদি-নাচিংবদা ভাবা মমি) বু উবদা ৮ বিচিত্র- ঙকপা রসনা ওই, যশোদানা উলূখলদা পুনবদা ৯ শান্তরস ওই, অদুওইনা শ্রীকৃষ্ণনা জয় ওইরি অদুয়া

অলঙ্কার শাস্ত্রনা লেংই। মাদুম তৌদুনা রস পুম্নামক্কা ব্রজবৃন্দাবনদা পাম্লাম্লিবা শ্রীকৃষ্ণনা পূর্ণতম ওই, মথুরাদা পূর্ণতর ওই, অমসুং দ্বারকাদা পূর্ণ ওই, অদুনা শ্রীবৃন্দাবনদা শাম্লবা লীলানা অতৈদগী হেনলি।

ব্রজদা শাম্লবা লীলা রস পুম্নমক্কী শৃঙ্গার রসনা পুম্নমক্কী হেনলি। অদুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী লীলা রসবু গৌড়ীয়, কীর্ত্তননা সকই। মাদুম্না শকপদা অলঙ্কার শাস্ত্রনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুর রসবু ৬৪ খোকনা থাইদোকই।

অহানবদা শৃঙ্গার রসবু বিপ্রলম্ভ অমসুং সম্ভোগ। মাম্না থমথেংনা হংসিনরবা সাবিলাদৌ অনিগী উনবদগী রতিনা মাম্না চাওথংলকই, অদুগী উননিংবগী খোম্নাংববুদি খোঙহনবা ওনদরে, অদুগুম্বা ভাব অদুবু বিপ্রলম্ভন কৌই। চান্নবী চান্নবা অনিগী কাইনবা খোকতুনা লৈমন্নবা মতমদা অনিমক্কী মাম্না হরাউবগী মশক ওইবা পুকনিংদা পোকপা হুডাইবা ভাবপু সম্ভোগ কৌই।

বিপ্রলম্ভনবু মখি খোকনা থাইদোকই, মাদুদি পূর্ব্বরাগ, মান, প্রেম বৈচিত্ত্য অমসুং প্রবাস অসিনি। অমোকসু মাখোং মরি অসিবু অমদা নিপান, নিপান খোকনা থাইদোকই, মাদুদি. পূর্ব্বরাগ (অহানবা থংনব) দা ১ সাক্ষাৎ দর্শন (সংসংনা উনবা) ২ চিত্রপটেদর্শন (অএকপদা উবা) ৩ স্বপ্নেদর্শন (মংদা উবা) ৪ বন্দী (লৈসিলৈথোনহুনা থাগৎপা কাংবু) নত্রগা ভাত (শকতুনা মীগী মগুণ থাগৎপা) গী মচিন্দগী তাবা, ৫ দূতী মুখাচ্ছ্রবণ (পাউ চংপদগী মগুণ তাবা) ৬ সখী মুখেশ্রবণ (সখীনা হাঙবা পাউদগী মগুণ তাবা) ৭ গুণিগুনগানেশ্রবণ (গুণ লৈববু শকপদগী তাবা) ৮ বংশী ধ্বনিশ্রবণ (বংশী খোংলকপা তাবা)।

মান—(মরম লৈবদগী লৈতববসু পুকনিংগী অথোইবা) ১ সখী মচিনদগী তাবা ২ তেনবানা ঙাংবদগী তাবা, ৩ মুরুলী খোংলকপদগী তাবা, ৪ লোম্নবীগী হকচাংদা ইবুঙোনা সাম্নবগী থূদম লৈবা উবা, ৫ ইবুঙো শ্রীঅঙ্গদা সংমকবগী খুদম উবা, ৬ ইবুঙোনা মা ঙাংবদা লোম্নবীগী মমিং পনথোক্রকপা, ৭ ইবুঙোনা লোম্নবীগা শাম্নরবু ইযেমানা মংদা উবা ৮ অমসু অতোপপা দুপীগা সাম্নবু উবা, মান নিপান অসিনি।

প্রেম বৈচিত্ত্য—(নংক্তা শ্রীকৃষ্ণনা লৈবিবমক্তদা অনুরাগনা হেনমনথিবদগী বিরহ ওইনা লিংবা) মথক নিপান, ১ শ্রীকৃষ্ণদা আক্ষেপ, ২ মশাদা আক্ষেপ ৩ সখীদা আক্ষেপ, ৪ দূতীদা আক্ষেপ, ৫ মুরুলীদা আক্ষেপ, ৬ বিধাতাদা আক্ষেপ, ৭ কন্দর্পদা আক্ষেপ অমসু ৮ গুরুজনদা আক্ষেপ অসুম্না আক্ষেপ নিপান অসি শকনৈ। আক্ষেপ কৌবদি হাঙ্গনিংলিবা বারম্বু নিংথিনা থংহম্মিংদুনা চাওম্নাকনা থনববু মাবা মত্রপা মানবা ওইনা হাঙ্গিববু অলকার শাস্ত্রনা আক্ষেপ কৌই, খুদম,—ইবুঙো

[illegible] [illegible] চৎখ্রবদি ঐদি খোইনা খুইনা [illegible], [illegible] চৎলু [illegible] [illegible] [illegible] হাইদ্রে) খোইনা চিন্নবক [illegible] চিৎথিবগীদ্ বাইে অসিনা "[illegible] [illegible] খিবগা ঐদি শিন্নগদ্ধবিনা নংগা কাইনবগী [illegible] অদু কৱিদ্ কুইনা [illegible]" [illegible] অসিদু খংহনদিবা অদু আক্ষেপ কৌই।

প্রবাস—(লংথোক্লা চৎপা) মথল নিপান থোকই, ১ ভাবিবিরহ (ওইরক্কদবা বিরহ), ২ মথুরাগমন, ৩ দ্বারকাগমন, ৪ কালীয়দমন (কালীয়না উনজুনা মখুংদা চংখিবদা শ্রীকৃষ্ণদু উদবা মতম) ৫ গোচারণ ৬ নন্দমোক্ষণ (নন্দবু বরুণগী মনাইশিংনা কাহুনা [illegible] মখুংদা পুসিনখিবদা শ্রীকৃষ্ণনা বরুণগী কোনুং তাম্না মপা নন্দবু লৌদ্না লেৎখিবদা কাইনবা) ৭ কার্য্যার্থ প্রবাস (চুম্নগী থবক্তৌদমক অমাপপদা চৎথোকপা) অমসু ৮ রাসে অন্তর্দ্ধান, মথল নিপান সুই।

সম্ভোগসু মথল মরিনি,— ১ সংক্ষিপ্ত, ২ সংকীর্ণ, ৩ সম্পন্ন অমসু ৪ সমৃদ্ধিমান্, মরি অসিনি। মথল মরি অসিসু অমামমদা নিপান, নিপান থোকই, মরম অসিনা সম্ভোগদা মথল ৩২ সুই, মাদুদি,—

১। সংক্ষিপ্ত - খজিক্কং পূর্ব্বরাগগী তুংদা অধর মধুরপান, নখক্ষতনাচিংবা থক্কিক্কং ওইবসু সংক্ষিপ্ত সম্ভোগ কৌই, মাদুদি - ১ বাল্যাবস্থাদা ওইবা, ২ গোষ্ঠ (মণগোন) দা চৎপদা, ৩ গোদোহন (মঙোম সুম্বদা) ৪ অকস্মাদ্ চুম্বন (খংহৌদনা চুম্বন) ৫ হস্তা কর্ষণ (খুৎচিংনবা) ৬ বস্ত্রাকর্ষণ (ফীজি চিংবা) ৭ পথরোধ (লম্বেল চৎপদা থংপা) অমসু ৮ রতিভোগ ওইবা।

২। সংকীর্ণ সম্ভোগ = মান কোক্লবদা ৎবেমানা দোষবু হাঙৈজিনবাগুম্বা থোইরাং খোইমাওবাগুম শোবা চান্নবদি মসুংদদি তোদবা মাদুবু সংকীর্ণ সম্ভোগ কৌই। মাদুদি,— ১ মহারাস, ২ জলক্রীড়া, ৩ কুঞ্জলীলা. ৪ দানলীলা ৫ বংশীচুরী, ৬ নৌকাবিলাস, ৭ মধুপান অমসু ৮ সূর্যপূজা লীলা নিপান অসি সান্নাববু সংকীর্ণ সংভোগ নিপান কৌই, মায়দা ওইবা সম্ভোগ শ্রীরাধ কৃষ্ণগা উনবা লৈমন্নরিবা লীলা অদু সংকীর্ণনি।

৩। সম্পন্নসম্ভোগ = থম্নদং উনরুববদগী উনবদা ওই। মাদুদি — ১ সুদূরদর্শন ([illegible] উবা) ২ ঝুলন, ৩ কেলি, ৪ প্রহেলিকা (পাঙথোং চন্নবগুম্বা) ৫ পাশাখেলা, ৬ নর্ত্তকরাস, ৭ রসালস অমসু ৮ কপটনিদ্রা নিপান অসিনি।

৪। সমৃদ্ধিমান্ = ১ স্বপ্নেবিলাস (মংদা সান্নবা) ২ কুরুক্ষেত্র দর্শন, ৩ ভাবোল্লাস, ৪ ব্রজাগমন, ৫ বিপরীত সম্ভোগ, ৬ ভোজন কৌতুক, ৭ একত্রনিদ্রা অমসু [illegible] [illegible] নিপান অসিনি।

মাদুম তোদুনা বিপ্রলম্ভ ৩২ পা সম্ভোগগী ৩২ পা অসিনা ৬৪ নি। [illegible]

রসকীর্ত্তনদা নামকীর্তনগা অক্রমভাই, শ্রীরাধাকৃষ্ণগী লীলা রস ৩ঃ অসিমা অয়াম য়াম্না শাইনা লেই। থাসিনা চন্দ্রবদি কীর্তন নঙে। মরম অসিনা কীর্তন হুকপা মী (কীর্তন গায়ক)না ইশ্বাচমতগী ইহেন হেন্না তাং। মরমদি কীর্তনগী ঊশৈশু থাইকৈ অহমগী এংগদবনি। মাহুদি,—১ ঊশৈ অহুদা ব্যাকরণ, অলঙ্কার পুম্নমক্কী সাহিত্য বিচারদা মরিক অমত্তা বাৎপা য়াদে, ২ কীর্তন ঊশৈ অত্রদা সংগীতকী রাগরাগিনী-নাচিংবাক্তগী মতুংইন্না লেংগদবনি, অমসুং ৩ অধ্যাত্মবিত্তাগী হৌনবি পুখা সুনা ঊশৈ অহুদা হাপকদবনি। কীর্তনগী ঊশৈদা থাইকৈ অহমদগী চেনলকপা সাহিত্য, সংগীত, অমসুং অধ্যাত্ম ধারা অহুম্না গঙ্গা, যমুনা অমসুং সরস্বতীনা তীর্থরাজ প্রয়াগতা ত্রিবেণী ওইহনা তাইবং মৈচাকনা চাক্লবা জীব পুম্বাবু লানবিবদগী হেন্না সংকীর্তনদা ত্রিবেণীনা চিংবনা কোকপীবা গুমদ্রবা জীবগী পাপ তাপ পুম্বাবু কোকপীদুনা মীৎনা কুপপদা ভাগবততম্ ওইহনবনি। অসিগুম্বা কীর্তন চিন্তামণিবু পাইদুনা পিগদবদি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য শ্রীনিত্যানন্দ শ্রীঅদ্বৈত প্রভু অহুমনা অমসুং প্রভু অহুমগা গুণ চপ মান্নবা ভক্তসিং অহুত্তনা পীবনি। সাহিত্যগী বিচারসু হৈত্তবা, সংগীতকলাবু সাধনা তৌদরিবা, অমসুং অধ্যাত্মচিন্তাবু হৈত্তবা ঐগুম্বা মীনা খোংবদি লমহইনা খোংবনি। অহুমকপু লমহই মরাম্না খোংবসি নত্তনাদি মতম অসিদা ঐখোইগী তাইবং মৈচাক কোক্লবা উপায় অমা লৈতরে।

কান্তাভাবকী ইতিহাস।

ভারতীয় ভাবদর্শনগী (ইণ্ডিয়ান ফোক ফিলোসফিগী) ক্রোনো লোজি-কেল হিষ্টরি হাঙ্গবদি মতম ফোংদোকপা ইতিহাস লৈতে। তৌইগুমসু অহন্নাদি ওইনগা বিজ্ঞানগী যুগ অসিদা তাইবংপানবা পুম্বাগী পণ্ডিত পুম্বানা মাখোইগী পোৎথাবা লৈতবী গবেষণাদগী থোরকপা ঐতিহাসিক তথ্যনা মরম ওইদুনা কান্তাভাব হাঙ্গবদি তাইবংপানবগী মপুবু মরানি, হাঙ্গনা নিংবা ভক্তিগী ইতিহাসবু চাওরাকনা পুথোকপা য়াই। মরম অসিদগী ঐখোইনা মতাং অসিদা মাহুবু থরদং ইথোকই।

তাইবংপানবগী মপুদা ভক্তি তৌবা অসিদি ধর্ম্মপুম্বাদা ইত্তৌ তৌন-বাঙ্গাক্তনি। মাহুদা তাইবং মপুবু ঐগী হবুতোনি, হাঙ্গনা নিংবা অসিগুম্বা কমাগুম্বাসীংনা ঈশ্বরবু ইপা ওইনা অমসুং ইচা ওইনা ভক্তি তৌবাসু থোইনা অতাংবা নত্তে। ঊত্তৌ মতৌনৈ হাঙ্গবা ঊহ, মাস্কুম তৌদুনা তাইবংপানবগী

মহুৎদা লমদম পুরাণশী মান্না মহানমক মণিপুরদা মরোলনু খর্বনু মাঙখা-ইনা তাইবংগী পুথাগী অহানবা মৈতৈলোনগী "অমাইবী" কৌবা কান্নুম তাইবংপানবগী মগুনু মাখোইনা মহানি, হায়েনা লিংই। মাখোইগী অহুম লিশাঙ্ সুপীমু ওই, তাইবংপানবগী মগুনু মাখোইনা মহানি হায়েনা লিংবা লিশাঙ্ সুপীমুং "অমাইবী" অসুমা মৈতৈরোলনা কৌই। মহামদি — লিশাগীং অহুমু মাখোইনা লাইগী সেবা তৌবা মতমদদি গৌড়ীয় সম্প্র-দায়গী লকোইবনা উপাসনাগীদমক সুপীগী বিজেং শেংপাওয়া সুপীগী বিজেং সেংথদি। অমাইবী মিঙৌ অসিগী ঈপ. প্রত্যনা কোংদোকপা সুপীগী মতৌনা শব্দদা লৈবা সুপীগী খূদমনি, অর্থদা লৈবা নিপা সুপীগী খূদমু কোংদোক্কে মাহুদি — "সংস্ত্যান প্রসবৌলিঙ্গম্" অসুমা পতঞ্জলী মহাভাষ্যনা হাঙ্গৈবদগী শ্রীকৃষ্ণবু ওঁ কৃষ্ণ দেবতায়ৈ নমঃ হাঙ্গৈবাগুম্বনি। অহুনা নিপাবু অমাইবী কৌবা অসি মৈতৈরোলদা শিষ্ট প্রয়োগনি। তাইবংপানবাগী লাঙ্গৈরিক হা-ঈবা পুন্নামক্তগী ঋগবেদ সংহিতানা মহানলে, মহাকী ভাষানা ভাষা পুথাদগী অহানবনি। ঋগবেদ সংহিতাদা প্রথমাষ্টকতা বৈদ্যবু অমীবহ কৌই, সংস্কৃত ভাষাদা অমীবহবু সিজিন্নদে *। সুপনাগী মৈতৈরোলতা (ভাষা বিজ্ঞানগী অহুমসুবা পরিচ্ছেদদা এংউ) বৈদ্যবু অমাইবহ কৌই। ভগবান্ মহর্ষি পতঞ্জলীনা পস্ পসান্তদা "লক্ষ্য লক্ষণে ব্যাকরণং" হাঙ্গৈবাদগী "অমাইবহ + ঈপ" সু মৈতৈরোলগী ব্যাকরণনা "অমাইবী" ওই, মাসিনা "তত্তদ্ ব্যাকরণ প্রতিপাদ্য ত্বং সাধুশব্দত্বং" হাঙ্গৈবদগী সাধুশব্দ ওই, মাসুম তৌহুনা মৈতৈরোলদা শব্দবিভক্তিদা "সীং"না বহুবচন ওই, মাসিদি সুপনা ঋগবেদ সংহিতাদা প্রথমাষ্টকতা বহুবচনদা শব্দ বিভক্তিদা সীজন্নবা অব্যয়নি, মাসিদগী চিংনবা লৈতনা থবলে, মহুদি "অমাইবীসীংনা লাঙ্গৈমাংদা চগোই লাগনি" হায়ে অসিনা তাকলে, তাইবংপানবাগী মগুনু মহানি, হায়েনা লিংহুনা উপাসনা তৌবা অসিদি তাইবংপানবা পুন্নামক্তগী মণিপুরদা মৈতৈনা তৌরমনা অহানবনি।

প্রাচীন মণিপুরীশীংনা [illegible] [illegible] ভগবানবু উপাসনা তৌরমবা অদিগী ইতি-

---

* [illegible] "অমীবা" [illegible] [illegible] [illegible]। মাদুদি — [illegible] — [illegible], ইদি-[illegible] [illegible] [illegible]।

হাস অমা, বৃহদ্বামনদা হাঈ, মাসুদি,— ব্রহ্মানন্দগী মখক ওইবা, মকম পুরুষদা সিনথুনা লৈরম্ব বৈকুণ্ঠ কৌবা লোক লৈ, অদুগুম্বা বৈকুণ্ঠ লোকতা লৈবা পরাৎপর ওইবা পরমেশ্বরবু বেদ পুরুষকনা লৈমি লৈখোম্নুনা উপাসনা তৌই। বেদকীগুম্বা মাগুম্বা ভজন তৌরকপা মতম য়ামা হুইরক্রবদা তাইবংপানবগী মপুনা পোক্লুনা উহ-ম্বা বেদসীংনা হায়বা হাঈ, হে বেদসা নথোইনা পাখা য়র নিমু, অগুম্বা তাকপীয়ে।

মাগুম্বা শ্রুতিসীংনা থুমই, হে ইবুঙো! নং লৈনুকখদা লৈবী, গোপীসীংনা কামগী মখক ওইদুনা নুংবু মাখোইগী মবা ওইনা ভজন তৌই — মিংই, মাগুম্বা ঐখোইসু ওইজনিংই — গোপীগা মান্না নংবু কামগী মখক ওইনা ইপুরোইবা ওইনা লেবা কীর্ত্তন তৌজগে। মাহু তায়বদা তাইবংপানবগী মপুনা হাঈ, হে বেদসা! "মখোই পুরুষকী অমাবা অসিমি কংডমদবনি, মাসুং ওইনা মেথাসু ভজনবনি, ঐনা য়ায়বদি বর অমু ওইগনি। মতম অসিগী ব্রহ্মাগী পুনসি লোইরগা মথংগী ব্রহ্মাগী হাকথক্তা, লৈপাক্তা ভারত কৌবা ময়দা ঐগী লম ওইবা মথুরায়দা বৃন্দাবন কৌবা মফমদা রাসলীলা সায়াকম ওইগনি। নথোইনা বৃন্দাবনদা গোপ সাগৈগী নুপী লোপী ওইনা পোকনা ঐবু নাখোইনা লোননা চান্নবা মফমগী ওইনা রাস কৌবা কুহৈনা ঐগী থৌরম ফংউ। অসুম্বা বর পী। অমসুং বেদসীংনা তাইবংপানবাগী মপুবু মপুরোইবা ওইনা খ্বিংদুনা ভগবান্‌বু কংবর শ্রীভাগবত দশমস্কন্ধদা অধ্যায় মরিফুগা তরেতসু হাঈ। মাসিগী তাৎপর্য্যদি বেদনা তাইবংপানবাগী মপুবু মপুরোইবা ওইনা নিংবা ভজন অসিবু তাকই, হায়বনি। মাসিদগী ঐখোইনা চিংনাদনা থংবা গুমলে মাহুদি মথক থংবা বৈদিকযুগতা প্রাচীন ঋষিসীংনা বেদগী মাখংগী মতুংইন্না তাইবংপানবাগী মপুবু মপুরোইবা ওইনা মাখোইবু ইবুঙোগী চান্নবীনি, হায়না ভজন তৌদুনা উপাসনা তৌরমই। মবম অসিদগীসু প্রাচীন মণিপুরগীসু প্রাচীন জাতিসীংনা অসিগুম্বা ভজনগী পদ্ধতি অসি চৎ-লমই। অদুদগীনা হৌজিক কাউবা অসি কান্তা ভাব অসি লৈরিবনি।

কান্তা ভাব তৌদুনা লাইনিংবা অসি ভারত মচা শক্তগী ধর্ম্মদসু চংনবা উই। মাহুদি— খৃষ্টান ধর্ম্মদসু ধর্ম্মগী পদ্ধতি অসি চৎলি। মাহুদি,— St. catherine of Theresa অসুম্বা Carmelite Nuns হায়বদি ধর্ম্মগী লখেনগী মতুংইন্না লখোইবীসীংনা খ্রীষ্টবু মবা ওইনা উপাসনা তৌই। মাখোইনা Brides of Christ মাখোইবু খ্রীষ্টগী মতুনি হায়না নিংই। কার্মেলাইট লখোইবীসীংনা মাসুপ য়ামা ভাবাবিষ্ট ওই, মাহুদি— মাখোইনা অত্তোপপা নিপাগী মথাই কাউবা এংদে। লখোইবীসীং অদুনা লৈবা মফমদা নিপা অমত্তা চংবা য়াদে। করিগুম্বা মঠবু লেমগদবা লৈরবদি লখোইবীসীংবু মফম অদুদা লৈহনা তাক্কনি, অদুগা মাখিসীংনা মতম্বা শরিক য়াম্নুনা থবক থৌ।

মাথোইনা চৎথোকখ্রগা অমোক কোন্না লম্বোংবীসীংনা মঠল চংই । * মাসিনা প্রমাণ তৌরে, তাইবংপানবগী মপুবু কাণ্ডাস্তাব ওইনা ভজন তৌবা অসিদি শ্রীমন্মহাপ্রভুভনা তৌবা নত্তে । প্রভুগী অবতারগী মমাংদনা অহানবা বৈদিকযুগতগীনা তৌই, অমসু পৃথিবীগী ধর্ম্ম অতৈসু চৎনবা পদ্ধতিনি ।

শ্রীমন্মহাপ্রভুনা মনাই রামানন্দদগী সাধ্যশিরোমণি, শ্রীরাধাগী পরকীয়াভাব লৌরুই । মাতুদা রায়না মহাক্কী মমাংদা মহাকনা পোকদবা চহি লীশিং অমা হেন্না মাংলিঙৈদনা দক্ষিণ ভারতকী বৈষ্ণবাচার্য্যসীংদগী মথং মথং ফংলকপা শ্রীরাধাগী প্রেমবিলাসবিবর্ত্তবু প্রভুদা হুকপনি । মাসুম তৌহুনা দক্ষিণ ভারকী বৈষ্ণবাচার্যসীংনা শ্রীরাধাগী প্রেমবিলাসবিবর্ত্তবু ফংদরিঙৈদনা প্রাচীন মণিপুরীসীংনা পার্ব্বতীগী প্রেমবিলাসবিবর্ত্তবু হান্নন ফংখি। মাতুগী মুৎপা য়াদবা খুদমদি মৈতৈগী নোংপোক নিংথৌ পানথোইবীগী পরকীয়া ভাবনা খুদম ওইনা মর্ণপুবীয়নৃত্য অমসু মণিপুরীয় কীর্ত্তন অসিনি।

শ্রীমন্মহাপ্রভুগী ভক্তি বাদদি বৌদ্ধদগী লৌবনি, অসুম্না পণ্ডিতসীংনা হায়ী, তৌইগুমসু বৌদ্ধগী মমাংদনা গোপী প্রেমদি হান্নন লৈবে। ভগবান্ বুদ্ধদেবমা সন্দোকপা ধর্ম্মদি ভগবান্‌গী বোধি (পোথি) ফংবাদগী চহি ৫০০ হেনগৎপা, চহি ৫০০ অমা হনথবনি, চহি ১০০০ দা ভারততা মুৎথিবনি। মহাযান পন্থীগী মমুংচনবা সহজীয়া পন্থীসীংগী মতমদা ভারততা সাহিত্যনা থমথেংনা চাওখৎলি। গাথা সপ্তসতীনা মাতুগী মুৎথৎপা য়াদবা সাক্ষীনি। শ্রীমন্মহাপ্রভুনা অহানবা বৈদিক যুগতগীনা লৈববা পরকীয়া ভাব ভক্তিবু শ্রীমদ্ভাগবতনা প্রমাণ চূড়ামণি ওইহুনা শেংদোক্লগা বৌদ্ধ সহজিয়াসীংগী সাহিত্যনা হেক্ষৎহনলি, অহুগা কলিগী পাপ ভাপনা চাক্কুনা থাংবা ওমত্রবা, ওসি সিগনি পাওতাকুবা হুয়েং সিগনি পাওজেন্দবা সাংলবা হৌরকফম, লোইরুফম, চাংজো ওমথৈ, খংদবা, তাইবং লম্বেনদা চৎলিবা ললোনবা মীওইবদা ব্রহ্মাদগী তুমিৎ ফাউবা অপোক অসি লৈবা জীববু ব্রাহ্মণ, চণ্ডাল থাইজাথাইবুং লৈতনা শ্রীমন্মহাপ্রভুনা সংকীর্ত্তনগা কাইদোংকম ওইহুনা লৌজো লৌজো হাঙনা এনলম্বনি। শ্রীভাগবতকী "সম্মু-

---

* কীর্তন, পৃ ৪৭, শ্রীখগেন্দ্রনাথমিত্র বং ১৩৫২, বিশ্বভারতী গ্রন্থালয় ।

খরিতাং ভবদীয় বার্তাং” হায়ীবা হায়না মরম ওইদুনা প্রভুনা শ্রীরাধা ভাব ভক্তিবু মমাই রায়রামানন্দগী মচিন্দগী প্রচার তৌবতনি। কুইরবা মতমনা য়াম্না থানা কুপসিনখিদুনা পিকসিনখ্রবা শ্রীরাধাগী ভাব ভক্তিবু অমোক নৌনা প্রভুনা সন্দোকই। অনৌবা অমা প্রভুনা সেম্বা নত্তে। প্রভুনা প্রচার তৌবা ধর্ম্মদি সনাতন বেদদা লৈ। মবম অসিনা শ্রীভাগবতনা হায়ী,—

“যদ্‌ব্রহ্ম নিত্যংবিরজং সনাতনং শ্রদ্ধাতপো মঙ্গল মৌন সংযমৈঃ।
সমাধিনা বিভ্রতি হার্থদৃষ্টয়ে যত্রেদমাদর্শ ইবাবভাসতে॥”

(শ্রীভাগবত, ৪।২১।৪০)

—ব্রাহ্মণশা অমাংবা লৈতবা, মক্তবা মাবু হানবা লৈতবা বেদবু অর্থ খংনবগী দমক শ্রদ্ধা, তপস্যা, মঙ্গল, মৌন অমসু সংযম তৌদুনা অনি লোংদ্রবা সমাধিনা মবম ওইদুনা থমোইদা পুই। অদুগুম্বা বেদ অদুদা তাইবংপানবা অসিনা— শক এং মুংশেনদা মিনা তাদুনা লৈবাগুম্বা ভানদুনা লৈ। অদুনা বেদদ লৈতবা তাইবংপানবদা লৈবা হৌনদে। বেদনা সংসংনা তাকই— “তাইবংপানবা পুম্নামক্তগী খুইরবা লমদি ‘মণিপূরনি’ মাঙোন্দগী ধর্ম্মনা মফম অতৈদা কোন্না সন্দোকখিবনি।” অদুনদি ময়েক্লা তাবনি,— শ্রীরাধাভাবভক্তিদি মণিপূরনা অহানবনি। অতৈদা কোননা সন্দোকপনি। লজিক্তি মতমনা বুইমনব্রবনা অকাওবা সমুদ্রগী মন্নুংদা লুপখিবদগী মীওইবনা তবাই-তকোকনা উদবে। অদুবু মাদুগী খুদমসীংনা মণি-রত্ন ও'দুনা অকাওবা সমুদ্রগী মন্নুংদা ঈবং-লংনা লৈবি। ঐখোইনা মণিসীং অদুবু য়াম্না রানা ভ্যবতায়-ধর্ম্মগী থৌদীপবেং পাইদুনা থিরি। ঐখোইগী ইবুঙো শ্রীশ্রী৺গোবিন্দনা ঐখোইগী থমোইদা শাস্তোকহনবিসনু।

—†—

মৈতৈ কীর্তনগী প্রগতিশীলতা অমসু সনাতনীয়তাগী মাসিদা অতানবা পন্দুপনি।

—ঃ(*)ঃ—

মণিপুরী বিশ্বভারতীগী

মৈতৈ কীর্তন

(মাগী প্রগতিশীলতা অমসু সনাতনীয়তা)

[অনিস্নুবা পন্দুপ]

———:(ঞ্চ):———

যস্য নিঃশ্বসিতং বেদ' বেদেভ্যোঽপ্যখিলং জগৎ ।
নির্মমে তমহং বন্দে বিদ্যা তীর্থং মহেশ্বরং ॥

প্রণম্য মাতরং ভক্ত্যা শ্রীগুরুংপিতরংমম ।
লোকনাথং জগচ্চক্ষুঃ শ্রীকৃষ্ণ তমুপাশ্রয়ে ॥

বিশেষাং ভারতীং ভূয়ো ভারতীনাম নামিকাং ।
জগা প্রবর্তিনীংবন্দে মম জিহ্বাগ্রনর্তিনীং ॥

———†———

বেদনা হাঙ্গৈবা মণিপুর।

মণিপুর কৌবা লৈপাক অসি, থাইনা মমাঙৈদা সমুদ্রগী মথুংদা লৈরম্লে। মতম অদুদা সমুদ্রগী ইপাকথক্তা চীং ময়াম্না মাগী তপগী শরুক অসিবু খোঙ্গীগী মপান অহোং থগদা কোঙ্গসিন্দুনা লৈরমই। মসুম্না ৫১ লাক কয়ামকম লৈরবগী মতুংদা কাইনবং দা চীঙসীং অদুগী মখোংদগী হোৌনা লৈপাক থোবকই। মাত্তদা অহাংথংবনা হান্থি। মখারোম্না ইকোন কোম্না কংথখি। চীঙদা লৈবা কাঙবুনা তমদা থুনদা অহানবনা কৌব্রুচীঙদগী কুমথহুনা কুমলোনা অহানবনি "অংাং কৌঞ্চ অসুপপা লোয়া থুন্দা অহান বা" অঙ্গশ্রুতিনা বাফম অসিবু তাকলি। মাসুম্না সমুদ্রংা কংথখিবদা ঈসীং তুঙহুনা লৈহৌবা মফমসীং অদুবু মৈতৈরোনদ' পাং কৌই। মদুবু ভাষা বিজ্ঞাননা প্রমাণ তৌই। পাত হাঙ্গৈবদি "পাতাল" বাহি অসিগী লেমহৌবা বাহৈ মচেংনি। সমুদ্র লৈথাবু পাতাল কৌই, মাখোট অদুগী লথাবু এংঙনা পাতাল মৌনা লুবা লম হাঙ্গৈবনি। মবম অসিদগী "পাং" মিং অমিগী চলচাবা মিং ভারতীয় ভাষাদা লৈতে। মুপনগী মৈতৈরোনতদা লৈবনি। মাহুৎ পাংকী হ্রদ, জলাশয়, নদী, দেবথাতনচিংবা মিং অমঙনা মহৎসিনবা য়াদে। মরম অসিদগী পাং লম্ফেলচিংবা অসিগী মথাক্তা তৌরগা সামুদ্রিক পদার্থ ডাকা কংই। ভূতত্ত্ববিদশক কয়াগী সুমং মতুংবু কর্ণেল কেম্বু

অমস্তু লৌৎগ্রবা ঋগ্.মন্ত্র অসিন' তাকদে, ঋতুবু তরেৎ থোকনা খাইবা অসিনা মলমাস লৈবা কুমদা চহিদা থা ১৩ না চহি কয়া ওই. মাতুঙ্গা তরেৎসুবা ঋতুনা থা অমত্তনি. ঋতু অতোপপা তরুকনা থা অনি অনিনা ওই, থা অমত্তনা ওইবা ঋতুদি হন্দোকই, অমাংবনি, হাঙ্গহুনা মাতুঙ্গি লৌউসিংউবনাচিংবা অকব থবক তৌদে। অমস্তু মলমাস থোকপা থা অমা হেনবা চহি লৈবনা থা অমা য়াৎপা চহিস্তু লৈবা মএকনা তাদে, অতুগুম্বা চহিদদি থা তুমাস্তুদবা ঋতু—থা অমনা সাবা ঋতু অতুবুস হন্দোকনি. কুম অমুদা ঋতু মঙাত লৌগনি. হাঙ্গবা থংহনদে অমস্তু থা হেন্দণা অমস্তু থাস্তু ১২ সুবা চহিদদি ঋতু তরুক্তা মওইরে, ঋতু তরুকমক থা ২।২ না ওইদনা চহি অমুদা অমাংবা ঋতু য়াওদরে; হন্দোক্লদবা ঋতু লৈতে হাঙ্গবা থংহনলি। অমস্তু মাতুঙ্গুম্বা চহি অমুনা চহি পুম্নমক্না তৌই। মরক মরককী চহিদনা (অহুম অহুমস্তুবা চহিদনা) ঋতু তরেৎ স্তুই, মাস্তুম তৌহুনা কন্নিগুম্বা মতমদা য়াম্না কুম্না লৈবগা ঋতু অমা য়াৎপা চহি ওইরকই; মাহুবু এংহুনা বেদনা ঋতুবু মঙাতস্তু ওইনা হাঙ্গ, মাতুঙ্গি লামাই ৮২ দা লৌথৎগ্রবঃ ঋগ* (১।২।১৬৪।১২) মন্ত্র অত্তনি। মাহুদি,—

পঞ্চপাদং পিতরং দ্বাদশাকৃতিং দিবআহুঃ পরেআর্দ্ধ পুরীষিণম।
অথেমে অন্তউপরে বিচক্ষণঃসপ্তচক্রেষলর আহুর্বর্পিতং ॥

—ঋতুমঙানা মখোঙ ওইবা, তাইবংবু পোকপা, থাতবানিখোইনা মওং ওইবা, ঈশিংপীবা, চহি কৌবা চক্র, (উরুরু লৈবা) বু, নিংখৌ লৈপাক্কী অয়াং থংবা নাক্তা লৈবা মুমিংতা হাপই, কনাগুম্বানা হাঙ্গবনাবু অয়ন, ঋতু, মাস, পক্ষ, দিবা রাত্রি অমস্তু অহূর্ত্ত মাথোই তরেৎনা

---

*আর্ত্ত মৈতৈনা অহুম অহুমস্তুবা চহিদ' চহিগী অরোইবা থাদা থা অতুমা থবক তৌবা লৌসিং উবাবু পোৎথাহুনা কুম তাইহুনা লৈরমই, মরম অসিনা কুম তাইবাবু কাইহুনা থবক ইথাং তৌদনা লৈ, হাঙ্গহুনা কাইরেন থা কৌই। মাসি চক্রিক কাউবা চৌওগী প্রধানীথনা তৌবা উর। তৌ'অমস্তু মাখোইনা অহুম অহুমস্তুবা চহিদা থা অমা পোৎথাবা অংনা বেদবু ।নংসংবা নত্তে। অতুনা হাঙ্গা লৈবা এককপাইনা 'বেদদা দদোন তিন্নাদে, মৈতৈশা হাঙনা থেন্নাবদি অলিনি।

হুঙ্গন হুঙ্গন উরুরু লৈবা ওইবা, অমসু ঋতু তরুকনা মচৈ ওইদুনা ময়োম্বা লেংসিন্দুনা পানবা চহি কৌবা চক্রদা মখল য়াম্বা মচু ওইবা মুনিংগু হাপই।

ঋগ্‌মন্ত্র অসিদা ঋতুবু তরুক ওইনা, মণ্ডাসু ওইনা হাঙ্গীরে। মাসুম তৌদুনা মৈতৈগী একসু তরেৎ ওইনা, তরুক ওইনা অমসু মণ্ডাসু ওইনা হাঙ্গী, মাদুদি,—তরেৎ থোকপদা নিংথৌজা, লুয়াং, খুমন, মোইরাং, চেংলৈ, খাবা, ঙানবা, অমসু অঙোম অসিনি। তরুক থোকপদা নিংথৌজা, লুয়াং, খুমন, মোইরাং, চেংলৈ, খাবা+ঙানবা, অমসু, অঙোম অসিনি। মণ্ডা থোকনা খাইবাদানা নিংথৌজা, লুয়াং, খুমন, মোইরাং, অমসু খাবা+ঙানবা+অঙোম অসিনি।

অমসু অপোকপাসীংবু ঈড়াংপদদি সুপনাগী তরুক্তা থোকনা খাইদোকই, মাদুদা চেংলৈ খাবা+ঙানবা অনিদি খুরুম্বা মহোন তিরে। মাদুদি তবেৎ, তরুক, অমসু মণ্ডা থোকনা খাইরবদি চৎনাবিদা তরুক থোকনা খাইবা ওইনা লৌবা হৌনৈ। মরমদি,—৭+৬+৫=১৮, ১৮÷৩=৬ নি,' মাসিবু ময়াইদা লৌবা কৌই। মাসিগা ক্রতিগা থানাদুনা এংসি।

"ষড়্ ঋতবঃ পিতরঃ"

ঋতু তরুকনা পিতৃগণ=Forfathers-aclass Progein tors নি। মাসিদগী থংলে, মাদুদি মৈতৈগী এক যলাইবু থাইদোকপা মখাই অসিনা বেদবু নিংসিংবনি। অদুনা ময়েকনা তারে, মৈতৈগী এক যলাই থাইবা লাইরিক অসিবু স্মৃতিশাস্ত্র কৌই। ঐথোইনা লেপলিবা সিদ্ধান্তদা মৈতৈগী লাইরিক পুয়াবু স্মৃতি কৌবা অসি চুয়াবরা? এংনবা-গীদমক হিন্দুগী স্মৃতি পুয়ামক্তগী মানা মহেনলবা মতুংগা থানাদুনা এংসি।

আচম্যোদক্ পরাবৃত্য ত্রিরায়ম্য শনৈরসূন্।
ষড়্‌তুংশ্চ নমস্কুর্য্যাৎ পিতৄনেব চ মন্ত্রবিৎ ॥

— মন্ত্রহৈবনা মাই অয়াং ওন্দুনা আচমন তৌরগা প্রাণায়াম অহুম তৌদুনা হংগাবরবু লাকপিনদুনা ঋতু তরুক ওইবা পিতৃগণবু খুরুমগনি।

ঐথোইনা মহুত্তিগা' থানদুনা এংবা চপ মায়রে, মাদুদি যলাই খুরুম্বা তরুক থোকনা খুরুম্বা কগা অমত্তা ওইবা মায়রে, অদুনদি মৈতৈগী পুরোণ অসি মরম্বা

স্মৃতিগী মাসিমক্ত থনে, মাদুদি মৈতৈগী অশিং। 'প্রাচীন মর্মগা ফিনবগী স্মৃতি অঁতোক্তা হাইথগা মার্কণ্ডেয় বেদগী অর্থতা লৌবা মৈতৈগী মর্মবু লৌগদি, লেখা মাগ্রন্থদি স্থি· মূলী স্মৃতি অ'অনা হাইবা লৌবা য়াবে। স্মৃতিদি "রুদ্রানুগনা বেদগী মর্থং ইন্দুনা চৎপ দি। মাসিবু কবি অথোইবা কালিদাসনা মাগী কাব্যদা দিলীপ নিংথৌনা মণবীগী মতুং ইন্নবা উপমা তৌরমই,—"স্মৃতিরিবশ্রুতেরর্থমন্বগচ্ছৎ" অসিনি।

অমস্তু মৈতৈগী একক্লাইগী লাই ত'য়ৎ, মাদুদি ১ শেনত্রেং (পাথংবা), ২ পাম্ মারিংবা, ৩ লৈশং তাউ, ৪ কোনসৌরেন, ৫ অসংবা ৬ ভুমা ভানব', অমস্তু ৭ কুপত্রেং লাই তরেৎ অসিগী মণক থংনবগীদমক যজুর্বেদগী মন্ত্রগা থানদুনা এংসি, মমখদি মন্ত্রগী মথংদা ঋতু ওইবা পিতৃগণবু থুরুমবু মন্ত্র হৈবনা থুরুম্বা ওইনা হাঙি। মরম অসিদগী মন্ত্রনা হাঙবা বেদগী মন্ত্রগা মলাই তরেৎকী লাইগা থানদুনা এংগদবনি,—

নমো বঃ পিতরো রসায় নমো বঃ পিতরঃ শোষায় নমো বঃ পিতরো জীবায় নমো বঃ স্বাধায়ৈ নমো বঃ পিতরো ঘোরায় নমো বঃ পিতরোমন্যবে নমো বঃ পিতরঃ পিতরো নমো বো গৃহান্নঃ পিতরো দত্ত সতো বঃ পিতরো দেষ্মৈতদ্ ব[illegible] পি[illegible]রো বাস আধত্ত।

হে অপোকপ সা, নখোই পুম্বগী মরক্তা মহাওগী মণক ওইবা বসন্ত ঋতুবু থুরুমজে, হে অপোকপা সা নখোই পুম্বগী মরক্তা থবাইপানববু কংসিললনবা অশাওবা গ্রীষ্মঋতুবু থুরুমজে, হে অপোকপ সা, নখোই পুম্বগী মরক্তা থবাইপানববু তিংহনবা নোংজু থা ওইবা বর্ষা ঋতুবু থুরুমজে, হে অপোকপ সা, নখোই পুম্বগী মরক্তা নোংহাং থা শরদ্ ঋতুবু থুরুমজে, হে অপোকপ সা, নখোই পুম্বগী মরক্তা থবাইপান বু ইওদুনা মাঙনবা মংথমথা হেমন্ত ঋতুবু থুরুমজে, হে অপোকপ-সা, নখোই পুম্বগী মরক্তা [illegible] চুপ্পা মী পুম্ববু ইশাওজা শাওহনবা অশিং অবা-থা—শিশির ঋতুবু থুরুমজে। ঋতু তরুককী মণক ওইবা অপোকপ-সা, ঐখোইগী ইতু, ইচা, ইছু, ইমুম পুম্নমকপু পীয়ু, হে ঋতুগী মণক ওইবা অপোকপ-সা, ঐখাইগীদমক পোৎ আঁস কৎলিবনি, হে ঋতুগী মণক ওইবা অপোকপ সা নখোইনা লংগী মণক ওইবা ফী অসে শেৎলু (লং নত্রগা শা মতু লং থাদ্রু নত্রগা যজমান্ অদুনা হনুরবদি মশাগী মতুবু পৎতুনা অপোকপগী ফী ওইনবা কংকনি)।

মাসিদগী থংলে, মৈতৈগী শেনত্রেংনা বসন্ত ঋতুগী মণক ওইবা রস নি, থাসুরা পাম্মারিংবা শোষ—গ্রীষ্ম অসুনা মথং মথং থংগনি।

—মণিপুরদা—

গুরু-শিদবনা খণ অসিবা ওন্দুনা তাউথরকপা, ভক্ত

কুপত্রেং শেনত্রেংনা এংবা,

চহি কয়া সুরে?

মৈতৈরোনদা চহিবু কুম হাঙনসু কৌই। কুম্বাবু ইবা মতমদা "কুম" অমম্নাতা ইনবনি। মৈতৈরোনগী ব্যাকরণনা বর্গ্যবনা লোম্নাবা নত্রবদি ম্না ম্ না ঙ্ নত্রগা ং ওইগদবনি। বর্গ্যবনা লোম্নাবা ওইবনা, কুম্বনা কোংবা ওন্দুনা মমৈদদি কোংবা কৌবা মফমদা মচী কুথাগী ৭ নি পানবদা লৈথোংকাৎলি, ২১ নি পানবদা লৈথোঙ ফুনলি।

চহি হাঙবগী অর্থদি,—চানবগীদমক লৌউবা অমোক হৌবা হাঙবনি। শ্রুতি (মাণ্ডুক্যোপনিষৎ) না হাঙ্গী, তাইবংপানবগী মপুনা তাইবংবু সেম্নগে নিংদুনা অহানবদা চানবা চিঙ্গাকনে, অমসু চিঙ্গাকপু চাগদবানে অনিবু শেমই, অদুগা কোম্না তাইবং পুম্বাবু শেমই, মবমদি, চীঙ্গাকমে অমসু মাবু চানবনে, অনি অসি লৈতনাদি তাইবংদা থরাইপানবা পুম্বানা হিংদুনা পামবা ঙমলোই। মরম অসিদগী তাইবং মপুনা চীঙ্গাককা অমসু চাগদবগা হান্না শেমই। চীঙ্গাকপু বেদনা বয়ি কৌই, বয়ি মাবু মৈতৈনা "লন" হাঙ্গী, মাহুদি থানি, অম্নপ য়াঙ্গা লৈপাক্তা হৌবা কৌ চেংনাচিংবা চীঙ্গাক পুম্বা অসি থাগী মঙান থাবননা হৌহনবা পালহনবা ঙাক্তনী, অদুনা থাবু চীঙ্গাকী মশকনি, চীঙ্গাক = লন ওইবা থানি, অমসু চীঙ্গাকপু চাবদি অসাবনি অসাবদি নুমিৎনি' নুমিৎনা লৈপাক্তা মৈ অমসু হকচাংদা থরাইগী অসাবা ওইদুনা লৈ। অদুনা চীঙ্গাক চাবা নুমিৎনে, চীঙ্গাক থানে অনিবু তাইবংগী মপুনা ইহান হান্না শেমই। শ্রুতিগী য়াকম অসিদগী মৈতৈরোনগী "লৌউবা" য়াহৈগা থানাদুনা এংলগা থংলে, মাহুদি,—লৌ + উবা = লনবু লৈপাক্তা ফুমদুনা থাবতবু লৌউবা কৌই। উবা হাঙবদি বপ ধাতুনি. অন্তস্থরবু মৈতৈনা "উ" হাঙ্গনা উচ্চারণ তৌই, মাহুদি "যরলব" — য়রলব উ. হাঙ্গনা পাই। ইবদা উচ্চারণ তমদুনা ইবদগী লৌয়বা হাঙগদবদা "লৌউবা" হাঙনা ইবনি। মাহুদি কুম্বাবু কুম হাঙনা ইবাগুম্বনি। চ+

ছি = চহি; চ = চা = চানবা = লন = লৌবু উনবাগীদমক; ছি = হৌবা, মতম = থা = মচাফু লৌউনবা মতম হৌবায় চহি কৌই। নিংথমখা ওইত্না লোং ভাদবা, নিংথম্বনা লৌ খোইবানাচিংবা ঙমদত্না মী পুম্বানা ময়ুমদা ফমত্না লৈরমই, বসন্ত ঋতু হেক চংবদা মুঙাইরাত্না চানবাগীদমক থবক হৌই, হাঙ্গীত্না হৌগৎতুনা লৌউ সিংউবাগী থবক তৌবা হৌরমই, অত্না বসন্ত ঋতু হৌবাবু চহি হৌবা কৌরমই। মাসুম্না বসন্তদা চহি হৌবা অসি চীনবাচিংবা প্রাচীন জাতি পুম্বাম্নু তৌনরমই।

থাইনা কুইথ্রবা মতমদা অহানবা বৈদিকযুগতা ভারত মচাসীংনা চহি হৌরে, হাঙ্গীবাবু হুমিৎ মঙান হুংসাবু এন্দুনা থংলমই। মাথোইনা মতম অত্নদা মাথোইনা অয়ন, ঋতু, থা, পুম্মকপু হুমিংকী মঙ'নগী অহৈং অসা অমম্নু মচু পুম্মক্কী থোকনাফম হুংশাগী মচু এংত্নুনা থংই, হুংশা মঙ'নবু বেদনা গো কৌবদগী গোগী অর্থ যণবু লৌত্নুনা হুংশাগী মওংবু যণদা পান্দুনা মতম্বু থংলমই। মতম অত্নদা ভারত অসি রাম্না ঙাংবা লৈপাক ওইরমই। মতম অত্নদা নিংথমখাদদি ইংবনা হাকমনত্নুনা মপান থোক্ত্মা থবক তৌবা ঙমদে। ইমুংদা ফমত্নুনা ঙাক্না লেলমই। মাথোইনা লৌসিং উনবাগীদমক হুংশা সাগৎপা হৌবাবু ঙাইত্নুনা লৈরমই। মাত্নুবু যণসীংনা মচা তৌবা ঙাইত্নুনা ফমত্নুনা (কুনত্নুনা) লৈরমই, হাঙ্গী। থা তরাস্নুনা ফমত্নুনা লৈরবদা যণ থরাদি মচা হৌরে, নিংবা থুংলল, হাঙ্গীত্নুনা হৌগক্নুনা মথৌ তৌবা চৎথরে। মাসিদি বসন্তদগী তরাস্নুবা থাদা হুমিংনা উত্তরায়ণ হৌই, মাত্নুগী মতুংইন্না হুংশা হাঙ্গীগংপা হৌই। হু শা ঙাই বাসীংনা হুংশা হাঙ্গীগংপা হৌরে, হাঙ্গীত্নুনা থবক তৌবা চৎথিবাবু হাঙ্গীবনি। তৌইঙমম্নু সাবা হৌগৎপদা ঙাইরিবৈদদি হুংসানা মীবু মথৌ তৌবা ঙম্বা পাজন লীদরি। অত্নুনা থবক পাম্বাসীংনা সাবা হৌগৎপদদা হৌগৎপ্রবম্নু থরাদি হুংশা চাম্না সাদরি থা অনি ঙাইথাত্নুনা বসন্ত ঋতু য়ৌরগা হুংশানা মচা সাংনা পানবা ঙাইহৌববু যণ থরাদি মচা চাওনা পানবা পামত্নুনা লৈহৌই হাঙ্গী। মাসুম তৌত্নুনা হুংসাবু যণ কৌত্নুনা চহিবু এংনবা কাংবুনা চহিবু "গবাময়ন" কৌই। মাসি প্রাচীন জাতি পুম্বনা চৎলমই, মৈতৈ প্রাচীন জাতসীংনা মাস্নম তৌত্নুনা মাথোইম্নু হুংশাদা এংত্নুনা চহি থংলবা জাতিনি, অত্নুনা গবা'ময়নবু ইজিপ্তা "ইপোগোমার" বোমদা "গোম্বর" কৌথিবগুরা মৈতৈনা চহিবু কুম্বা কৌবদগী হ'জক্তি কুম কৌথিবনি।

মৈতৈনা হুংশাবু যণ কৌত্নুনা চহি এংলমই, মাত্নুনা এংবদা পুরাণগী হৌনবী হারি মুঙাইরবা অমা পানসিনলি, মাত্নুদি দক্ষিণায়নদা হুমিংনা হুংশাগী মৈন্না হাপ্তবা

মথাঙ্গোমদা লাপনা চংথিবাবু গুরুশিংদবনা মগ অসিবা ওন্দুনা তাউথারে হাঞ্জী। উত্তরায়ণ চংলগা অমোক কাখংলক্লখিনি, তাঞ্জীগদবদা শিয়মদবা য়া", অসিবানবু মমৈ হুমরা হাঞ্জী। গুরুনা মমৈ হুন্নকলে—উত্তরায়ণ চংলক্লন হুমিংনা অয়াংলোমদা কাখংপা থরা থরা স্নাবা হৌরকলে। গুরুনা মতুংদদি মমৈ য়ায়া কয়া হুন্নকলে—বসন্ত ঋতু চংলক্লনা হুংশা সাগংলকলে। অদুগা পুরাণনা বেদগী অর্থবু নিংসংহুনা বসন্ত ঋতুদা হুংশানা সাবা হেনগংলবদা মগী মচী হুক্কংলে হাঞ্জীংনা মতম অদুবু মচীহু থা কৌই। মরম অসিদগী হুংশাবু মগ কৌহুনা চহিবু এংবদগী চহিবু কুম্বাবমু কৌই।

হুমিংকী মঙানবু মগ কৌহুনা চহি, অয়ন, ঋতু অমসু থা এংবাসিদি মতম অংগী ইথোক্তুনা সিজয়বা নত্তবা থুপা?—পাঞ্জিকা—কেলেণ্ডারনি। বাপুজী বেঙ্কটেশ, কেটকারগী ইণ্ডিয়ান এণ্ড ফোরেন ক্রোনোলোজিগী গণিতগী থংই, মাসিবু ভারততা বি, সি, ৩১০০ দগীনা বি,সি ১৩০০ ফাউবা চংনরমই। মাসিদগী চংনবা লৈতনা থংলে, মণিপুরদা কুপক্রেং অমসু শেনক্রেংনা গুরুশিংদবনা ওনবা মগবু শিরববা? এংবা কুমসি (৯৫৩ দা) চহি লৌসিং মঙা য়াংথৈহুমদোই হুরে।

পুরৈরোম্বনা পোরৈতোনগা লোইনাহুনা কংলৈদা থোরকপা চহি কয়া হুরে?

মাথব মাগৈ মচা বিদেঘ নিংথৌনা রাহুগণ মাগৈদা পোকপা গৌতম ঋষিনা পুরোহিত ওংহুনা নোংপোক্তা থুন্দাব থোরকপা য়াখ্রি অসি শতপথ ব্রাহ্মণগী য়াখ্রিনি। ময়েকনা তাবনি, মহাক্তি ব্রাহ্মণ গ্রন্থগী য়াবিনি, ঋগ্‌বেদগী মতমদগী মতুংগী য়ানি। পণ্ডিতসীংনা ঋগবেদগী মতম্বু বি, সি, ৪৫০০ নি, হাঞ্জীনা লৌই। মাহুগী মংভংদা ক্রোনালোজি গ্রন্থনা গবামমন সত্রবু বি সি, ৩.০০ লৌই, মাহুবু ঐথোইনা এংনরুমবসু লৌরে। মাংম তৌহুনা শতপথগী মতম্বুসু বি, সি, ২৫০০ ওইনা লৌরে। মবমদি মারাঠি ভ যাদা লেংবাওশঙ্কব বালকৃষ্ণ দীক্ষিতনা ভারতীয় জ্যোতিষ শাস্ত্রগী ইতিহাসদা হাঙ্গৈরমই মাহুদি ঋগ্‌বেদগী মতুংদা ব্রাহ্মণ গ্রন্থদা খোংচোংহুপীদগী নক্ষত্রবু হৌই। মাহুদগী গণিত তৌববদি শতপথগী য়াখ্রি অসিনা হুইরবদা বি, সি ২৫০০ দগী হেন্না কুংবা য়াদরি। মাসিদগী চিংনবা লৈতনা থংলে গবামমন যুগতগী ব্রাহ্মণ গ্রন্থনা চহি ৬০০ কোনলি।

মৈতৈগী অঙ্গুপ্রভিনা হাঞ্জী, পুরৈলোম্বনে, লৌঙশোনবানে অনিমকপু পাথংবনা কংলৈদগী তানখোকপদা মাংথোই অনিমক নোংমাইচীঙদা লৈরুই, মুতম অদুদা মাংথোই অনিনা হাঞ্জী অমিবা অতোমপা ভিয়থি, হাঞ্জীবা অসিদি কোকপা য়াত্রবা অদুগা

ত্তিনি। মৈথৈগী পুয়াশশীংসনু মাচ্চগী মতুংইন্না ত্তাক্তা লাক্ত। মরম অসিনা চিংজাক মৈতৈনা থংলে অঙোম একেকী সনাবহিদি গবাময়ন মৃদঙ্গকীন, পোইবৈতোননা খুন থোক্লকপাদদি হায়রিমাহেদা তুমিংনা অহাংকোকপা চৎপা কৌরবা মতমদনি, অদুনা পুং মৈলোম্বা অমসু চীঙশোনবা অনিমক্কী মা'গনা অঙোম একতা কোয়া ত্তিরখিবনি।

ইউরোপিয়ান পণ্ডিত বেবরনচিংবনা অহম'ন তৌরমই মাচ্চদি শতপথগী ব্রাহ্মি লে'খংগ্রবা মন্নাদা মৈ উমহুনা লৈবা। নিংথৌ পু'বলোম্বা অমসু মাগী রাজগণ মা মৈগোদা পোকপা গোতম মাথোই অনিনা মৈগী মতুং ইন্দুনা নোংপোক্তা খুনথোকপা অ ঙ্গিদি আর্য কৌবা কাংবুনা খুন সান্দাকপগী ব্রানি। মাথোইনা হাঙ্গি, বৈদিক ভা ধাগী মমালোননা মমোম ওইনবা মী কাংবু অমনা বি, সি ২০০০ দগীনা বি সি ১৫০০ গী মজুংদা মতুংদা ওইবমসু য়াই, মাদুবাইদা মেসোপোটামিয়া অমসু এসিয়া মাইনরদা থোকপবু পৃথিবী ইতিহাসগী মক্কদা উথি। আর্যনা ভারতবর্ষদা চংশকপদি মাথোই না মেসোপোটামিয়াদা লৈবগী মতুংদনি। অসুম্না অনুমান তৌবদা মতিক চাদবা লৈ তে। অদুনা বিদেশ মাণবনা মাগী পুরোহিত গোতম ঋষিগা লোইনদুনা নোংপোক তা খুন্দাবা চংপদি বি, সি, ১৫০০ রাইদনি, হাঙ্গনা লৌবা য়াই। মাথোইনা সদানী রা ত্তারেন লান্দবিউদা মিথিলাদা লৈবম'। মতুংদা কাইনথংদা যুমফানদা বোমনা লাকপনি। মতম অতুদা মাথোইগী "মাথব" কৌবা বংশগী মিংনা শিপি কৌববা মা থোইগী লৈপাকনা মিথিলা কৌবব তুংদা যুমফানদা চংলকপনি।

পুবৈলোম্বানা য়ুমফালদা লাবপা অমসু পোইবৈতোননা খুনথোকপা অনি অসিগী মতমদি বৌদ্ধগী মমাংনি, মতম অদুদা মহাভারতনা হুজিক ঐখোইনা উর্রিবা মশক অসি ওইদবি। মহাভারতকী মতমদগীনা ভারততা বেদগী যজ্ঞ তৌবা কয়া থে ওইনারক্করে মতুংদা বৌদ্ধযুগতদি ভারততা যজ্ঞ তৌবাবু পুমথা থাদোকখি অমসু য়ুমফালবু মণিপুর কৌবা মিং অসিসু মহাভারতনা হুজিক উবিবা মওং অসি ওইহবদা থোনবনি। মরম অসিদগী পুবৈলোম্বনা বৌদ্ধগী মমাংদা য়ুমফালদা লাকপা ওইবনা মাথোইগী বংশগী যজ্ঞ তৌনবা মৈবু থাদোক্কবা পুরৈলোম্বা মীংবু পুনকই, অমসু পোইবৈতোংনা ইন্দ্র যাগগী মৈবু পুদুনা লাকপনি, অমসু মাথো-ইনা মহাভারতকী মমাংদা লাকপা ওইবনা য়ুমফালবু মণিপুর কৌই, হাঙ্গবা থংলক্কে।

পুরৈলোম্বনা বংলৈদা নিংথৌ ওইরিত্তৈদা মন্নাম্বা চীঙশোনলা মমাংবু খিরকপা অমসু পোইবৈতোননা কংলৈদা মৈ পুদুকতুনা ইন্দ্রযাগ তৌরম্বা

মতম অতুদা ভারততা চহি. অয়ন, ঋতু, অমসু মাসসু থংনবাগীদমক মুমিংকী মঙান' ফুংসাবু এবা তৌরিদরে, মতম অতুনা থরানমচাকপু এংহনা মাস, ঋতু, অয়ন অমসু চহিবু থংময়মই। মরম অসিনা চহি হৌগা মুমিংতা মৈতৈনা হজিক ফাউবা লাওরিবা মরানননা মাহুসীদমক মুৎপা য়াদবা সাক্ষীনি,—

১। ঐবু সীজবা ইবুঙো, লাইনিংথৌ. নিংথৌরেন অথোইবা, তাইবং থরারেন্দ, নমু-পোংহনবা-ও !

২। [ক] নয়ু তুবিয়োই-নোংদা নোংদা—লাইরেন-পাথংবা, অঙোবা নোংমাই-নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোনবা ! চীঙু অনিমগী লোইদাম মকুম-শাবু মৈনা রাই, তাংনা শম।

[খ] নয়ু নিংথৌরেল খুদিংদা কোংবা লৈথোং ফাংপা, মচীকু লৈখুন ফুনবা।

[গ] থাংজিং মখোক লাং, খোকলাং মচৈ থাং, পাথং হুয়োই লাম পাম্বনা লান্দা খোক, কংলা মচী থাক, হুয়োই লামমী লমচাঙ ফান চৈ, শিননাই নানি লোংবনা, খোকলাং কামু-চৈ, সরিক খিঙ খিঙ থাংনা লৈরক থৌগাই-চৈবু খোকলাং লেংদা থোংনা চৈথাবা-কুম।

[ঘ] লোইদাম কুম্বা অনৌবনা চৈগারকপাসিদা, ফত্ত-হৌদি, কল্লকু এরুা পুম্ন-মদি থরৈ-লেমলৈ তারসনে।।

[ঙ] রাএন-লাংএন, খুঞ্জীন-লাঞ্জীন, মীচিন-মীপাউ, কল্লক-সোনাই, কোকএন লাংএন পুম্নমদি নদাইরেম ঐনা তাঙজা লুদা থোংনা পুজরগে।

৩। ৵ ঐবু সীজবা ইবুঙো লাইনিংথৌ ! নিংথৌরেল অথোইবদি মুমিংকুম মশোঙ চাও, থাংজগুম মঙান নাই, কুমজা তেক-হৌনা থাজা নৌহোনা পুনসি-চরৈ কুই, রাওর খোমদোন শাং, তাও খোং মমুং কুই, লেম খোং মফৈ পাক, পোইরৈ খুল-হোং-লৈহোংবা, খুজাও-লৈচাওবা, লেপলা জানফংহৈনে।

চৈথাবনা লাওবাগী অসম্বা অর্থ।

(১) মাসিনা নিংথৌবু কৌবানি (২) [ক] হাঙৈনি,—পাখংবগা চীঙ শোনবগা লাই অনিগী লোইদাম (মাস=থা) দা মকুম (চহি) না শা (সু) বাবু, মৈনারাই তাংনাশম=মথং মথং তৌরকপা, বু হাঙৈবনি, হাঙৈবদি,—থা ১২ দা চহি হৌবাগী মথং মথং ওইবাবু পাখংবাগা চীঙ শোনবাগানা তৌহনবা হাঙৈবনি। মাহুদি যচীফু কালেন, ঈঙা, ঈঙেন, থরান, লাংবন, মেরা, হিয়াঙ্গৈ, পোইন্তু, রাকচং, ফাইবেন, অমসু লমদা থা তরানিথোইদা মথং মথং কইাদনা কুমহৌবাবু পাখংবনে চীঙশোনবনে অনিনা তাকই, হাঙৈহুনা মাহুবু "চীঙ অনিগী লোইদাম মকুমশাবু মৈনা রাই তাংনাশম কৌই। মাসিদগী থংলে, পুৈলোম্বাগী ময়াম্বা চীঙশোনবনা মাসিগী গণিত অসি পুথোক্লক্কুনা কংলৈদা হৌদোক্লবনি।

মাসি থংদরিবা মথৈদি মুংশাদা এংহুনা চহি চৎলরমই। চীঙশোনবনা বিদ্যা অসি পুথোক্লরবদা কংলৈদা মসী চৎলকই, মবমসিনা মখাদা হাঙৈ, মাহুদি,—

[খ] "নযু নিংথৌবেল খুদিংদা কোংবা লৈথোং ফাৎপা"— চহি হৌবে হাঙৈহুনা ৭নি পানবদা লৈপাকপু তৌহুনা থম্না, অহুগা যচীফু থাদা লৈপাক অহু অমোক মেনসিনবাবু তৌবকই, হাইবনি।

মমৈদদি "গবাময়ন" বু কোম্বাদগী "কেংবা" হাঙৈনা থৈখ্রবদা তৌবদি যুগকী মতুংইন্না থা ১২দা ওন্না ওন্না চহি হৌবাবু কাওখিহুনা "কেংবা" কৌবা লমদা বচীফুগী ৭নি পানবদা "কোংবা লেথোং ফাৎপা" কৌহুনা নিংথৌগী অমাইবহন লৈপাকপু ঈডাৎহুনা লৈপাক তৌই। অহুগা যচীফুগী ২০নি পানবদা অমোক তৌথোকপবু মেনসিনলি। মহৌশাদি যুগ অহুগী কুম হৌগদবা থাদা ৭নি পানবদা লৈপাক তৌথোকলগা মেনবনা বসন্ত চংলগা যচীফুদা তৌথোকপা অহুবু মেনসিললমই। অহুনা চৈথাবনা লাওবা মরোমদা লৈথোং ফাৎপাগী থাম্নিংদি হাঙৈদে, মেনবতদা "যচীফু লৈখুন ফুনবা" অসি হাঙৈহুনা লৈপাক ফুনবাগীদি থা মশক তাকই।

[গ] কুম সুবাদা থাইনাদি চৈদো সরিক থাহুনা মাহু পাইহুনা লৈপাক্কা ভালবি কুম হৌরে, হাঙৈনা লাওহুনা তাকখনই, মাহবু হাঙৈবনি।

[ঘ] না চহিগী হৌগংপাসিদা চহিগী মহুংদা ওইরকপবা ফত্তবা হৌদিবা পুথাক মথাংবা গুপ্তসুদা থরৈ লেমলৈদা চংখ্রসমু হাঙ্গীবনি।[ঙ] লৈপকী ফত্তবা হৌদিবা পুথা চৈথাবা মানা পুজগে হাঙ্গীনা খিংথৌবু তাহনজবনি। (ঙ) না নিংথৌবু অফবা ওইসমু হাঙ্গীনা চৈথাবনা নিংজবাবু নিংথৌমু তাহনজবনি।

চৈথাবগী মরোন অসিগী অর্থবু মুন্না খংনবাগীদমক থা ১২ দা মথং মথং কুম হৌবাবু পুথোকলি। মাতুগীদমক—

চৈরাওবা।

খৃষ্টাব্দ ১৮৯১ দা মণিপুরবু বৃটিশনা লোইচনলি। কুম অতুদা বৃটিশনা স্বর্গীয় মহারাজ স্যার চূড়াচান্দ সিংহজী বাহাদুর কে, সি, এস, আই, সি, বি, ইবু অঙাং ওইনা নিংথৌ হাপলে, হাঙ্গীনা ব্রিটিশ সরকার বাহাদুরনা লৈপাক্তা লাওথোকই। মাতুদগী হৌদুনা মহৌশা তৌবকপা মণিপুরগী চৈরাওবদা তৌবা হৌনবাবু কাইদনা তৌরকই। অতুনা স্বর্গীয় মহারাজগী মা হাকথক্তা তৌবা চৈরাওবদি বিষুব সংক্রান্তি মুমিত্তা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দজীউগী মাংদা ব্রাহ্মণনা শ্রীভাগবত তৌই, নিংথৌনা পাত্র মন্ত্রী পুম্বগা লোইনাদুনা শ্রীভাগবত তাই। অতুগা মথংদা গণক ব্রাহ্মণনা ৺নৌবা চহিগী মহৈবু চহি অতুগী রাজা মন্ত্রীনাচিংবগী মহৈ হাঙ্গীদুনা তাহনলি। মাতু লোইরগা হৌখ্রবা চহিগী চৈথাবগা লাকদবা চহিগী চৈথাবগা অনিনা * মনিংথৌবু থুরুম্নগা হান্নগী চৈথাবনা অকোনবগী চৈথাবদা "নংপুহৌবো" হাঙ্গীনা স্নামাংদা সিন্নে। অতুগী মথংদা মতুংগী চৈথবা অতুনা লৌখংখ্রবা— "ঐবু সীজবা—ঐ ইবুঙো" হাঙ্গীবনা হৌবা মরোন অসিবু হাঙ্গীদুনা মনিংথৌবু তাহনবনি। মরোন অসিবু মৈদিঙু মিংথৌবেণ ব্যাম্বগী স্নাহাকথক্তগীনা ইহোং-হোংদনা চহি খুদিং লাউবক্লবা মরোন্নি। মরোন অসিবু চহি চা মঙাবু ময়েক-মশোন অমত্তা ইকাই কাইদনা লাউবক্লিবা অসিদগী ইতিহাসকী মচাক য়ান্না ফংকম থোকই, য়ামনা কান্নবা লোন অমনি। মরম অসিনা লোন অসিদা ফুম্নিবা ইতিহাসকী মচাকপু পুথোক্লবগীদমক জার্ম্মনগী পণ্ডিত অফাওবা জোন বেন্টলি সাহেবকী Historical view of the Hindu Astronomy কৌবা লাইবিক্তা হাঙ্গীবা আর্যসীংগী মহাযুগ মালিকাগা অমসু মৈতৈগী চহি হেংবা খুদিংদা লাওবা চহি চা-মঙাবু হোংদবা চৈথাবা মরোনগা অনি অসি থানাদুনা এংসি।——

* ম্রিথিসীংনা মণিপুরদা থোরকপদা বার্হস্পত্য বৎসর, অমসু শকচিংশ চহি মথক থংগকক্তে, অদুনা চহি ৫ না সাবা যুগ অমসু মহাযুগনা ইরগী মহৎ সিন্নখ্রমই, মতুং কাইনখংদা ক্যাবা নিংথৌরেনগী স্নাংকথক্তগীনা চৈথাবা অসি হৌদোকলগা— লিপা অমনা ম্রিংথৌদা লাকদবা চহি অসিদা নিংথৌদা প্রজাদা ওইগদবা ফত্তবা পুথা ঐ

বাপুজী বেঙ্কটেশ কেটকারনা পুথোকপা,
জোন বেন্টলি সাহেবকী যুগ-মালিকা।
(এগী "হাবৈ-মায়ে" গী মতুংইন্না অর্থ হনবা)

জোগ্রবা আর্য যুগ উপনিষট কাল	খৃষ্টাব্দ	চক্রহৌবা	হুমিং	থা	আয়নাংশ	শকাব্দ	উপনিবংতগী হৌখিবা
—৩	—১৯৬৪ জুন	(ইঙেন)শুচি	৬০	১৩১	৩০০	—০৯১	০
—২	—১৬৮১ জুলাই	(থবান) নভস	৯০	১৬২	২৬৭	১৭৬০	১
বেদাঙ্গ জ্যোতিষ							
	১৪৪০ আগষ্ট	(লাংবন)নভস্য	১২০	১৯২	২৩·৩	—১৫১৪	২
অর্থযুগ হৌবা							
—১	—১১৯৩ সেপ্টেম্বর	(মেরা)ইষ	১৫০	২২২	২০০	—২৩০	৩
+১ –	৯ ৬ অক্টোবর	(হিয়াঙৈ উর্জ	.৮০	২৫২	—১৫ ৭	—১০ ৩	৪
২ –	৬৯৯ অক্টোবর	(পোইন্তু) সহ	২১০	২৮২	১৩১	—৭০৬	৫
৩ –	৪৫ নবেম্বর	(ৱাকচিং)সহস্য	২৪০	৩১২	১০০	—৫১৯	৬
৪	২০৫ ডিসেম্বর	(কাংরেন তপস	১০	৬৪২	—৬৭	—২৮২	৭
৫+	৪৪ জানুয়ারি	(লমতা তপস্য	৩০০	১১	—৩৩	৩৪	৮
(মৈতৈ বোংবা লৈথোং ফাংপা)							
৬	২৯১ ফেব্রুয়ারি	(বচীকু) মধু	৩৩০	৪১	০০	+২১৩	৯
সিদ্ধান্ত কাল।							
৭	৫৩৮ মার্চ	(কালেন)মাধব	০	৭১	+৬·৪	৪৬০	১০
৮	৭৮৫ এপ্রিল	(ইঙা)শুক্র	৩০	১০২	+৬১	৭০৭	১১
৯	১০৩১ মে	(ইঙেন) শুচি	৬০	১৩২	১০·৩	৯৫৪	১১
১০	১২৭৯ জুন	(থবান নভস	৯০	১৬২	১৩·৮	১২০১	১৩
১১	১৫২৬ জুলাই	(লাংবন নভস্য	১০০	১৯২	১৭·৩	১৪৪৮	১৪
১২	১৭৭৩ আগষ্ট	(মেরা)ইষ	১৫০	২২২	২০·৭	১৬৯৫	১৫
	১৯২৩				২২·৭	১৭৪৫	
১৩	২০২০ সেপ্টেম্বর	(হিয়াঙৈ)উর্জ	১৮০	২৫০	২৪·১	১৯৪১	১৬

পুজগে হাজিহনা ধানা পুই, চহি অমুগী থমিংস্থ নিপা অমুগী মিং লৌহনা থোকখি। মালি হজিক চহি ৫০০ সুরে।

মথক্তা উৎলিবা যুগমালিকাগী সঙ্কেতক্ষা অসিদা বেঙ্কটেশ বাপুজীনা খৃষ্টগী মমাংগী চহি ১৯৩৪ বু মৈত্র্যুপনিষৎ যুগকী অহৌবা চহি ওই। মাদুগী জুন থাদা ইডেনগী ৭নি পানবদা হৌই হাঙনা লৌরে। মখুদগী মথং মথং খৃষ্টাব্দ ২০২০ কাউবা যুগ আরম্ভ মতমবু পুথোকই। জোন বেণ্টলী সাহেবনা অনুমান তৌখি— আর্য্যসীংগী যুগ হৌবদি শুক্লসপ্তমী খুদিংদা হৌই। অদুগুম্বা সপ্তমীসীং অদুবু ধর্মশাস্ত্রদা "আদিকল্প ষষ্ঠী, গুহষষ্ঠী, মিত্রসপ্তমী, জাহ্নুসপ্তমী আসনাচংবা সপ্তমীসীং অসনি।

আর্য্যসীংনা মরককী থাদা সপ্তমীদা যুগ হৌবাসু মাদুদা চহি হৌদো, বসন্ত গী-বদা চংক হোনমই। অদুগা যুগ হৌবা থাগী শুক্ল সপ্তমীদা নংথোগী থবক্তা অমসুং চথমরী থবক্তা তৌরমই। বেঙ্কটেশ বাপুজীনা মহাক্কী "ইন্ডিয়ান এণ্ড ফোরেণ ক্রোনোলোজী" দা যুগমালিকাগী মতেংদা মহাভারত অমসুং গীতা লেংবগী মতমবু খৃষ্টনা পোক্কদবা চহি— ৫৭০ নি, অসিনা চিংনা পুথোকই।

❋যুগ মালিকাগী চৈথাবগী মরোলগা থানদুনা এংবা। ❋

পাউংবান চৈডশোনবনে—'চৈত অলিগা লোইদম মকুমশানু মৈনাবাগতাংনা সম' হাঙবদি,— বি, সি, ১৯৩৪ দা ইডেনথা ৭ নি পানবদা যুগ অমা হৌই। যুগ খুদিংগী থা মথং মথং হেংনা। থবান, লংবন, মেরা হিয়াঙৈ, পোইন্থ, বাকচিং, কাইরেন, লমদা অমসুং ৭, ডি ২৯১ দা বীফু ৭নি পানবদা যুগ হৌই। মাদুবু চৈথাবনা হ-ন্ডিক কাউন্দা লাটার, মাদুদি, "না নিংথৌবোন খুদিংদা বোংবা লৈথোঙ কাংপা বাচিক্কু লৈথুন ফুনবা" অসিনি। মাসংগী হংবা ওমল। বি, সি, ১৯৩৪ গী মতুংদা এ, ডি ২৯১ গী মনাংদা পুরিবোম্বনাতবনা কহুলেদা চডনকই। পৃথিবীগী প্রাচীন জাতি-সীংদা সূর্যগী সায়ন ভোগ পোইন্ট ৩৩০ দা চহি হৌববু হিন্দুসীংতগী নত্তনা মিসর, আসীরিয়া, থালডিয়া, ইরান, চাইনাসিংদসু তৌবমই। ভারততা হিন্দুসীংনা ধর্মগী-দমক চিত্রাবু হাঙ্কংনা হেক ভারদা নোংপোক্তা থোকপা উবা মতমগী পুর্ণিমাবু চৈত্র মাস কৌদুনা মাতদ। চহি হৌবমই, মাদুগী বাকম অচু বেদগী ব্রাহ্মণ ভাগ পুথদা হাঙ্গি। মাত্রদগী থংবা ওমই মাদুদ, হিন্দুনা অনিশুবা বৈদিক যুগতা সূর্যগী সায়ন ভোগ ৩৩০ দগী চহি হৌদুনা যাগযজ্ঞদা সিজন্নরমই। অদুগা থা ১২ বু লৈপাকী লিং-থোগী থবক্তা যুগকী থদগা হৌদুনা মসিং থিরমই, মরম অসিনা গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গি-রমই,— "মাসানাং মার্গশীর্ষোহহমৃতূনাং কুসুমাকরঃ" থাদগী পোইন্ত খতুদগী বসন্ত ঔনি সায়ন বর্ষ ২৪৭$\frac{1}{2}$ তা যুগ অমা ওইদুনা মথংগা থা অমা হোংবনি, নমৈদা মৈতৈ না নিংথৌবোন খুদিংদা চৎলকদগী মাবু ভাকপগী কাম্নদুনা থাদোকখিদুনা লাইরোলন্তা-দা লৈহৌই।

☞ কংলৈদা "মিথি"না চংলকপা মতম্ ☜ লোঙ্থপ তান্দুনা থিবা।

মণিপুরীসীংনা লৈবা, সংস্কৃতি খরা উরগা মাহুনা মরম ওইহনা মণিপুরীবু জাতি অহুনি, হাইনা মশক খংবা য়ারোই। নোংপোক্কী ভারততা চংলকপা অমসু ভারত তগী মোংগোলদা চৎপগী নোংপোক থোঙ কৌবা মণিপুর অসিনা থোঙ লমেং অমনি। মরম অসিদগী পিকথৃবা চৌঙলক্না লৈবা মণিপুর লোকহুংদা নোংপোক মোংচুপকী সংস্কৃতিগী ঈচেননা (Culture drift) থরথরা তুংহনা লৈহৌই। অহুঙবা সংস্কৃতি'মরারা থোংনমপাক ওইনা লোনসিনথিবনা হুজিক্কি মাহুবু খন্দোকহুনা থিবা য়ারা নুথরে। ভারতকা চীন মাঙ্গোলিয়াসীংগা থাদোক্কবা মাদবা মরি লৈনৈ। মরম অসিদগী মৈতৈদা হংলিবা চৈনিক সংস্কৃতসিং অসিবু লোইনা লৌথোক্লবদি মৈতৈগী সংস্কৃতিদি লেমহৌরোইদবগুম নিংই। তৌইগুমসু মৈতৈদা লৈবা বৈদিক সংস্কৃতিবু চৈনিক সংস্কৃতিগা সমীকরণ তৌনবগীদমক পকচালন তৌহনা লৌথোক্লবদি, "মৈতৈ"না শুদ্ধ ওই। খুদমগীদমক, —

কংলৈদা পুরৈলোবা, চৌঙশোনবা, অমসু পোংবৈতোম মাথোইনা থোরকপদি গবা মরন যুগকী মতুংদা বেদাঙ্গ যুগকী মমৈদনি, মতম অহুদা ভারততা হুজিক উরিবা ভারতীয় সংস্কৃতিগী সুত্রপাত ওইদরি। মরম অসিদগী মিথিসীংনা কংলৈদা থোরকপদা ভারতীয় সংস্কৃতি "হিন্দুত্ব" অমত্তসু পুরক্তে। হিন্দুগী সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর, অমসু কলিযুগ কৌবা যুগকী শাংলবা পরিমাণ (চাং) খংলক্তে।

মৈতৈনা মহৌশানা খংলকপা চক মরিলৈ, মাহুদি,—হৈ, চক, হা চক, খুনুংচক, অমসু লাংবা চক, কৌই। মৈতৈরোনদা যজ্ঞবু চক কৌই। বেদাঙ্গ যুগক মথাংদা চৎনরবা চহি হৌবাগী মশক খংনবা যজ্ঞ মথন মরি লৈরমই, মাহুবু মৈতৈনা চক কৌই, মাহুদি কুমসি হুমিং তাবাদা চহি হৌরবদি মাহুদা তৌবা যজ্ঞবু খুনুংচক কৌই। মাহুগী মথংগী চহিদানা নোংমাইদা চহি হৌবাগী যজ্ঞ তৌগনি, মাহুবু লাংবাচক কৌই। মাহুগী মথংগী চহিনা হুমিং থোকাপদা চহি হৌবগী যজ্ঞ তৌগনি, মাহুবু হৈচক কৌই। অমসু মাহুগী মথংগী মরিসুবা চহিনা হুমিং যুংবদা চহি হৌবগী যজ্ঞ তৌগনি, মাহুবু হাচক কৌই। অসিগুম্বা যজ্ঞ মথন মরি অসিবু ঋগবেদগী ব্রাহ্মণভাগতা খুনুংচক কলি লাংবচক, দ্বাপর, হৈচক, —ত্রেতা অমসু হাচক — কৃত কৌই। মৈতৈরোনদা হৈ — হুমিং থোকপা, হা — যুংবা, খুনুং — হুমিংতাবা অমসু লাংবা নোংমাইনি। হুমিংনা মাগী লমেনদা চৎপদা দিন ৩৬৫ ¼ দা অমোক খুংং, কুমসি হুমিং তাবদা চহি হৌরবদি মথংনা নোংমাই, মথংনা হুমিং থোকপা, মরিহুবনা হুমিংযুংবদগী চহি

হৌদুনা মরি মরি সুবা চহি অসুবু চহি খুদিং ঘটা ৬।৬ শেংলোকপনি। মাসিবু ব্রাহ্মণভাগতা বেদন' হাঙ্গি,—

কলিঃশয়ানোভবতি সঞ্জিহানস্তু দ্বাপরঃ ॥
উত্তিষ্ঠংস্ত্রেতা ভবতি কৃতংসংপদ্যতেচরং ॥

তুমনা কলিনি, তুমদবা মীৎপ্যাংবনা দ্বাপরনি, হৌগৎপনা ত্রেতানি, অমসু—খোঙ থাংদুনা চৎপনা কৃত কৌই। মসি অসিবু বি, সি, ৩০০ দগীনা-বি, সি, ১·৩০ ফাউবা হাঙ্গিবদি গবাময়ন যুগ চুপনা তৌরমই, মাসিদি কসি. দ্বাপব, ত্রেতা অমসু কৃত হাঙ্গিদুনা কালনা হৌবা, কৃতনা লোইবনি, মাগী পরিমাণনা সুপনগী চহি মবিতনি, মাসি মৈতৈনা হায়রা থৎই, সংহিতা শাস্ত্রনা শেমজিনবা যুগতি সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর; অমসু কলিনা অরোইবনি। মহাক্তি যুগমরি অসিবু মহাযুগ কৌই। কল্প অমদা মহাযুগ লিসিং অমা ওইবনি, মহাযুগ অমদা চহি ৪৩২০০০০নি। মাসিদি চুরাগী মমৈদা শেমজিনবনি, মাসিবুদি মৈতৈনা থংগক্তে, অদুনাদি, মিথিনা কংলৈদা চংলকপদি, মদুনাচিংবা সংহিতা শাস্ত্রনা লৈতরিঙৈদানি।

মিথি জাতিনা কংলৈদা চংলকপা মতমদা ভারততা গ্রীক অমসু চীনগী সভ্যতা লৈতরি, মরম অসিদগী মিথিসীংনা কংলদা চংলকপদা "মেষ, বৃষ, মিথুন, কর্কট, সিংহ, কন্যা তুলা, বৃশ্চিক. ধনু, মকর, কুম্ভ, অমসু মীন অসিগা জ্যোতিষচক্রবু তরানিথেই থোকনা থাইদোকপা মিং থংলক্তে। মরম অদুদগী অনিসুবা বৈদিকযুগকী মতুইদা জ্যোতিষচক্রবু নক্ষত্র কুনতরেৎ থোকনা থাইদোকপা থংলকই। অমসু নক্ষত্র সীংদা অা গ্রহ তারাবু নক্ষত্রগী অহোবা ওইনা থংলক*, অদুগা শ্রবিষ্ঠাবুনা সুমিৎকী উত্তরায়ণ হৌকমনি হাঙ্গিরকই, তৌইগুমসু মাখোইনা কংলৈ মৌবা মতমদদি সুমিৎনা শ্রবিষ্ঠা মৌদবিঙৈদনা উত্তরায়ণ হৌরে, অমসু আশ্লেষতায়া মৌদরিঙৈনা সুমিৎকী সায়ন ভোগ = লোজিচুট ৩৬০০ ওইরে। মাসিদগী থংবা ভমই. মিথিসীংনা বেদাঙ্গ যুগকী মমৈদা লোইবমদাইদা কংমৈদা চংলকই, মাসিগী লেংবা মাদবা সাক্ষীদি মৈতৈগী নক্ষত্র কুনতরেৎকী মিং অমসু থোংচোংগী লোতারোননাচিংবা মৈতৈ সাহিত্যসীং অসিনি। মরম অসিদগী থংবা ওম*, খৃষ্টনা পোকদবা চহি ৮০০ চাদিপান মাং-দিঙৈগী মমাংদা মিথিনা কংলৈদা থোরকই, অমসু মাখোই (মিথি) অসিগী লোং পোকলোমদা থোকপা অসি মুমফালনা অরোইবা নক্তে, মণিপুরগী অকোইবা চীঙদা অারিবাসীং অসিমসু চংখি *। মাসিদগী হেক্লোকখিদুনা গ্রাম লৈপাক ফাউবা মিথি

* চীঙ মীসীং অসিবু অকৈবাসীংনা অনুমান তৌই, মাদুদি হজিক্তগী চহি ২৫০০ গী মমাংদা মাস্কালিয়া মামদা লৈরমই। মাখোইনা বি. সি, ৫০০ দগীনা এডি ৫০০

ঙাতিনা যৌথি। তৌইগুমস্থু যুমকান থাদোক্‌খবাসীং অহুদি মাপোইবু অমুমান তৌই, মাথোইগী মিং "মিথি" গা "মি" অসিদি মাংগবে "থি" অসিতা লৈথরে, মাদুগুম্থু "তা", নত্রগা "থাই" অসিনাসিংবা ওইনা থৈদোকপি। মাতুদি তা+ক্সাং=তাংক্সুন, অমস্থু থাইলগু অসিনাতিংবনি। মাগুম্না মীতৈ=মী+তই; মী=মনুষ্য। তাইপংমী, তাই+পং=তাইপং তাইপং কৌবা মীমৈতবোনদা পং=গ্যাগাদশীয়লোক, মাসিগী মাক্কীদি, মৃগশিরা নক্ষত্রগী মনাক্ত থোকপা থরানমচাক অমাবু বেদনা মৃগব্যাধ কৌই। মাদুবু লাটিন্দা ওরিওন কৌই, মৈতৈনা শাচুংতেনাইচা কৌই, তাংক্সুননা শাযেঙা কৌই। মৃগব্যাধ, ওরিওন, সাচুংতেনাইবা অমস্থু শবেঙা মিং মথি অসি অর্থদা মথা অমত্তনি। শা ফাবা মী সাদাননা নত্রগা শাপাগুদুনবু হংহনখি। ভাষা বিজ্ঞাননা প্রমাণ তৌরি শব্দগী মপানা মথকত্তা তেংবা তনুগা মশক্তি হোদরবনি। অদুগা তাংক্সুনগী শাবেঙাবু পোথাননা কৌবা মসিংগী অথা গৌববদি "উচিমথুন" হাই। চিঙা উচি মথুন মানশা হাইবনি। কপুইনা কৌবগী অর্থদা গৌববদি মাবু পাথং কান কৌই। মাত্রদি পা শানা ফথা পাদ মা মা শা হাইবনি।

✳ গিথিসীংনা আর্য্য মহান্‌গপু হৈরকপাগী খূদম। ✳

মৈতৈগী ধর্ম্মদা মতমবু "তাইবংপানবগী অপোকপা" নি হাই, মাদি

কাউবাম্বাইনা থাগাগী অথাং নোংচুপাশা চিংচকা অতোপা ভুবন মবিন হন্দূনা নর্ম্মা চৈপাক্কা চাসিংলক্কই; মাথোইনা কান্না ক্রন্দাগাশান তৌন দা অদুমনা লৈচৌই ওনলদনা মথং মথং চেনাথ। থবানা অমেদা পানা মাযদা চংথ। থবানা তিব্বতগী অনরবতা চীঙচোমদা কুমথারকই। থবানা মাগী মানা মীং লিশাংনাহু। ভাবতকী অথাং নোংপোক অমস্থু থা নোংপোক্কা বম্মাগী তা নবদা চাইথোকখি। তাংকুর্নাদ মাথোইগী ঈশৈশা শমজোকতগী চৌরকপনি, গাঙ্গীনা শকনৈ। বৃটিশ অইবসীংনা হাঙৈ রাই, কুকিসীংবু অনৌবা, অবশা তাঙ্গীতনা অনি থোকই। মাথোই অসিনা বঙ্গল (মাংকো) তোমগী আধাকাল চীঙদা শত্রানা ত্রিপুরা চীঙদা দ্রুমাইথাই, শবানা মণিপুবচীঙজা চৈথিবাসিনি মণিপুবগী চীঙমীপুম্বা মাংজোশিয়ন ভাকনি, মাদুম্না মণিপুরীসু মাংজোলিয়া অমনি অমুম্না নিংথৈ। তুর্কিক কাউবা অসি অয়াংথাবা ভারততা সৈবা হিন্দু পুঙ্গমাকসি ভাকনি অহৈবাসীংনা লৈচং কাউবা হন্দূনা মিবদ ইংরেজনা হাইনবা আর্য্য কৌবা কাংবুগী থোঙুনশিবদা ভারতকী মতুংদা কংদে, তক্ষশীলাগী মসিমদ অদুদা চুমথা শক্ত থরাদি কং। পঞ্জাবতা কবিগুপদা মী অমা অনিদি উই। বজিলঙ্গীনা মকতী চহি লীশিং ৫০০০দা লৈবম্বা সভ্যতা পুম্বা নোংপোকথাবমতা কাই; আর্য্যসভ্যতা কংদ।

হুমিত্তা লৈ, অতুনা হুমিত্তা লৈবা লাইবু "গুরু শিদবা" কৌই। মহাক্কী তাইরুং শেম্নবা পুখোকপা মশকতি চহিনি। তাইবংদা লৈরবা— লেংই-পাল্লিবা, অচৎপা-চত্তবা পুম্নমকপু পোক্লবগী দমক চহিনা ঋতু ওইনা খাইদোকই। ঋতু পুম্নমক মী ওইবগী অপোকপনি। ঋতুবু অপোকপা ওইনা হাঙ্গবগা "যলাই" কৌই। নোংমাবু চহিগী অসুপ্পা মশক কৌই। মহাককী মুথক নিপানবু— অপোকপা ওইনা হাঙ্গবগা যাগৈ কৌই। মাসুম তৌহনা দণ্ডবু অপোকপা ওইনা হাঙ্গবগা যরোই কৌই। মাসিদগী যলাই তরুক, যাগৈ নিপান অমসু যরোই হুম্ফু মাথোই কৌই। মিং অহুম অসিদা য়াওরিবা "য" অহুম্মকপু হুংশাবু যণ বোবদগী দমক্কি মতমদি হুংশাদগী থোকপা ত্রাক্তা ওইবনা "য" না মিং অহুমমক্তা য়াওবনি।

নোংমদা সংহিতা শাস্ত্রগী মতুংইন্না দণ্ড ৬৩ থোকনা খাইদোকই। মাহুগী মতুংইন্না মৈতৈগী ধর্ম্মশুম্বা হাপতুনা চৎলি। মৈতৈদা দণ্ড ৬০ হাইনা চত্তে। তৌই সু বেদগী তপস্য থাদা ওইবা অহানবা ওইবা লাংলা হুমিত্তা মৈতৈ যম খুংকন। নমদা পোকতুতা যরোই ৬১ বু চেং এনবাং পাইতুনা ঈডাংলি। মাসি মৈতৈগী চহি খুদিংগী তৌদবা মাদবা ধর্ম্মনি। হুজিক ফউনা তৌই। মাতুদা মাখোইনা যরোইবু ৬১ ওইনা ঈড়াংপাগী মরমবু মৈতৈগী লাইরিকনা মখাদা ইনিবা মপোন অসি হাঙ্গহুনা শকই।—

১। "লাইগী পুঙ্লুপ্তু হুম্ফু-তরা নিথোইনি,

২। লাইয়িংথৌ-হনবা, মোংবা-হনবা, চা-থাবা, থম্লাংবা,
ন্নাওকল গুরাং-নিংথৌ, লাইতংকমকনা—,
পুঙ তরুকপু পুখরে, হুম্ফু তরুক্তা ঙাইহোরে।
ফমদো অপানবা লাই মঙানা পুঙ্লুপ মঙা অমা পুখরে,
পুঙ হুম্ফু মাথোইতা ঙাইহোরে, মপান্দদি হুম্ফু মরি চৎলে।
মরম অসিদগী উমংলাই-যরোই-হুম্ফু মাথোই হাঙ্গনা ঈড়াংলে।

৩। মনুংদা লাইনা পুঙ হুম্ফু তরানিথোই চৎতুনা লাইশোন ওইনা লোইরে। মী-পোংগী পুঙলুপ্পা অমনে, তিল লাইগী পুঙলুপনা অমনে, অমাবা মনুংদা লুপ্পদি কনাসু থংদেঞ্জ।

৪। নোংমদা পুঙ হুম্ফু মাথোইবু হুম্ফু মরি ওইনা পুঙ, অহুম হেন-গৎহনবদি মুনিৎখুদিংগী পুঙ অহুম-অহুমবু তানয়েবগী পুঙথাদা নন্‌থুনা থমগে। মপান্দদি হুম্‌ফুমরি খোল্লা থাইদুনা চৎপনা থা তরানিথোইদি কাইদগে।

৫। পুঙথাদা নন্‌থুনা থম্বা নোংমা-নোংমাগী পুঙ অহুম্না থা অমা কার-বদা থা অমা হেন্দোকতুনা চহি অহুম-অহুমদা থা অমামম হেল্লে।"

অম্মুমনা লাই বরোই হুম্ফু মাথোইবু শকই।

(১) না পুঙ হুম্ফু তরানিথোইনা লাইগী নোংমা ওই হাঙ্গ'দি,—চহি ৭২ না অয়নগী নোংমা ওই, হাঙ্গবনি, মাতুদি, চহি ৭২ সুবগী অয়ন খোঙচৎনা নোংমা হেঙ্গৎলি,হাঙ্গবনি, বেদদগী গণিত বিদ্যাবু লৌথোকপা য়াম্না নৌশিহুনা অঙাং ওইবমই, অতুনা মুমিৎকা থাগা অনিগী খেন্নাবু নোংমদা পুঙ অহুম ওইনা লৌরগা পুঙ অতুবু ৭২ না নোংমা ফাগ, হাঙ্গ-নিংহুনা অয়নগী দিন অমদা ওইবা চহিবু পুঙ ওইনা হাঙ্গবনি।

(২) (৩) চহি অমদা মুমিৎকা থাগা অনিগী খেন্নাবা খোঙচৎতগী খোকপা মতম্বু নোংমাগী মতম্বু ১২ খোল্লা থাইবা শরুক অহুম্বু মুমিৎ খুদিংদা লৌনবাগীদমক শেম্বনি। (৪) না নোংমাগী $\frac{৩}{২} - \frac{২}{৪}$ তুংখৎপাবু হাঙ্গবনি, (৫) না চহি মঙাদা থাঅনি অনি হেনগৎলি হাঙ্গবনি। অতুনা অহুম অহুম সুবদা থাঅমামম পোৎথাহুনা পৈরমহে। মতম অতুদা মলমাস থোকপা থাবু মশক পান্দুনা চৎনবমদে, অতুনা মাঘ থাবু অহে-নবা থাগী ঙাইবা থানি, হাঙ্গহুনা মৈতৈনা ফাইরেন=ফাইহুনা পোৎথাহুনা লৈবা থা কৌই।

মথক্তা হাঙ্গরিবা রাকম অসিদগী খংলে, মাতুদি,—আর্য মহাযুগ অমদা চহি ২৪৭[১] নি, মাতুদা অয়ন গতিকলা ২০০ ওইনা লৌহুনা জোনবেণ্টলি,[২] সাহেবনা আর্য মহাযুগ মালাবু শেমই। মাতুগী হিসাবতা লৌরবদি মৈতৈগী অয়ন গতিনা চহিদা বিকলা অমারোমদং থৈরে। অহুনাদি— মএক্রাতারে মিথিলা কংলৈদা থোরকপদা আর্য মহাযুগকী অয়ন খোঙচৎ অসি হৈরকলে। মাখোইনা পুরকপা নক্ষত্রবদি গবাগরুনযুগতা

গণিত অসি থংলে হাইবায়াদে। অমসুং চহিমণ্ডাদা থাঅনি হেন্না লৌবা অসিদি মহাভারততকী মতমকাউবা চংনরি। মাহুদি পাণ্ডবনা চহি ১৩। বন চংপা কৌরবনা অর্জুন উবদা চহি সুদনা খোকলে হাই, মতম অহুদা ভীষ্মনা হাই,—

"পঞ্চমে পঞ্চমে বর্ষে দ্বৌমাসাবুপজায়তঃ।
এষামভ্যধিকা মাসাঃ পঞ্চ চ দ্বাদশ ক্ষপাঃ॥
ত্রয়োদশানাং বর্ষাণামিতি ধীয়তে মতিঃ।
সর্ব্বং যথাবচ্চরিতং যদ্যদেভিঃ প্রতিশ্রুতং॥
এবমেতদ্ধ্রুবং জ্ঞাত্বা ততো বিভৎসুরাগতঃ॥"

মাসিদগী থংলে, চহি ৩।৩ দা মলমাস থাঅমামম ওইবা অসি মহাভারতকী মতম কাউবা লৈরি। মাসিদগী থংলে মিথিনা খোরকপা অসি বেদাঙ্গ যুগতনি। চহি মণ্ডাদা থাঅনি হেন্দোকপা গণিত অসি গবামযন যুগতা লৈতে। অহুনা মাসি কোন্না কংলৈদা নৌনা চংলকপানা শুদকপনি। হৈচক, হাচক, খুনুংচক, শাংবাচকতি, বেদাঙ্গ যুগকী মমাংশীনি, মাসিদি মিথিলীংনা পুবকপা নত্তে। হান্না লৈরম্বনি।

মিথিনা কংলৈদা চংলকপা বেদাঙ্গ যুগতা লাকই, তৌইগুমসু বেদাঙ্গ যুগকী হান্না মশমদ ন। মাদুগী কোকহনবা য়াদবা খুদম অমদি মৈতৈগী নক্ষত্রগী মমিংসীং অসিনি, খুদমগীদমক,—

মৈতৈগী মিং	সংস্কৃতকী মিং	গ্রিককী মিং	ইংরাজীগী মিং
শজিক	অশ্বিনী	বীটা এরৈটীস,	Arietis,
থবা	ভরণী	৪১এরৈটীস	Musca,
খোংচোম্পী	কৃত্তিকা	ইঠাতরৈ	Tauri, Pleiades,
অপঙ্বা	রোহিণী	অলডিবরান	Tauri, Aldebaran
শাচুঙ তেনহৈবা	মৃগশিরা	লাংব্রডা ওরিআনি	Orionis,
লৌকলা শাক্পা	আর্দ্রা	বেটল গ্যুজ	Orionis,
চৌঙচরোই	পুনর্ব্বসু	পোলক্স	Geminoram,
চুঙশেন ফুলী	পুষ্যা	ডেলটাকাংক্রে	Canori,
মিংথোনাগা	অশ্লেষা	আনকাকাংক্রে	1and2Canori Hydrai,
মিংখোতুবেন	মঘা	রিগ্যুলাস,	Leonis, Regulus,

মৈতৈগী মিং	সংস্কৃতকী মিং	গ্রিকী মিং	ইংরাজীগী মিং
নিংথৌ শাম্ব	পূর্ব্বফাল্গুনী	থীতাদিওনিস্	Leonis,
শামুপীচা	উত্তরফাল্গুনী	ডেনিব	Leonis,
উকোং চাত্	হস্তা	ডেল্টাকাবী	Corvi,
মোকাংশঙ্কা	চিত্রা	স্পৈকা	Virginis, Spica,
লুবাংশকা	স্বাতি	অর্কট্যুরস	Bootus, Arctutus,
শঙ্কা	বিশাখা	এলগৈত্রা	Libra,
ওকপুবোই	অনুরাধ	ডেলটাস্কাপী	Scorpionis,
তাহুইবেং	জ্যেষ্ঠা	অ'লফাস্কর্পী	Scorpionis, Antares,
তোংচেং হুপী	মূলা	৮৫ আফি'চ	Scorpionis,
থয়াই	পূর্ব্বাষাঢা	ডেলটাস্যাজিট্টরীস	Sagittari,
থাঙ্গোন	উত্তরাষাঢা	সিগ্মা	Sagittarii,
নিংথৌ মহুমশৈ	শ্রবণা	অলটেব	Aquilce,
থাংজামাথ্রে	ধনিষ্ঠা	অনাক .ডলী ফত্রী	Delphinu,
কোরৌরু	শতভিষা	লাংবডা অকবেব্'বুম	Aquaru,
থাবালিজেং	পূর্ব্ব ভাদ্রপদ	মার্ক ব	Pegasi,
শিঙ্গমৈনিং	উত্তরাভাদ্রপদ	অলফেবাস	Andromedo,
থারাপুরো	রেবতী	জ'টা'পিসিনম্	Piscinm,

ঐখোইনা নক্ষত্রসীংগী মমিং ময়ঙ্গ্ লোন স্মৈতেগা থান্নাহুনা এংঙ্গি, ঐখোইনা খংবা ঙমলে। মৈতৈগী খোংচোংলুপী হাঈবা থরানমচাক সয়োম অসিবু শ্রুতিসীংনা হাঈবমই,—মাহুদি ১ হুমিংনা মাখোইবু ম্নৌরগা, বাসন্ত বিষুব হোই, হাঈবদি বসন্ত ঋতুদা অহিং হুংথিন শাংবা মাম্নৈ। অমদা শ্রুতিসীংনা হাঈ,—২ খোংচোংলুপীনা পানবা মতমদা লুহোংগম্নু, মাদি মরা হুন্দোক্লনা চৎপীনি, মাংচান্দা লুহোংলবদি মন্নাগা থাঙ্কৈ শ্রুতিনা মাসিন্নাম্নু হাঈ, ৩ (খ) মাখোই অসিনা নোংপোকপু থাদোক্কে, ন্যেংশোক্কদা খোকই, মমিংদা শ্রুতিসীংনা মাবু "অগ্নি"—মৈ কৌই। মাবু করিগীদমক মৈ কৌখগে? হাঈহুনা থিরবদি কৃষ্ণযজুর্ব্বেদগী তৈত্তরীয় ব্রাহ্মণভাগতা কাণ্ড ৩ প্রপাঠক ৪ অনুবাক ৪ দা নক্ষত্র কুনতরেংকী মপু লাইগী বিবরণ অমা পী, মাহুদগী ঐখোইনা খংবা ঙমই মাহুদি,—

বেদ পুন্নামকনা মতাকপুতা হাঙ্গৈবা ভগবানবু গায়ত্রীনা "ভর্গ" কৌই, ভর্গ কৌবা মহাক্কী মতিক মঙলবু শ্রীভাগবতনা স্কন্ধ তরাগানিথোইনা শকই, অতুগুম্বা ইবুঙো মাবু (ভর্গ) মুমিং কৌবা অসাবগী মতুম অসিনা পুবতুনা মাগী লম্বেন ক্রান্তিবৃত্তদা লৈবদা ঐথোইনা মুমিংপু থৱা-নমচাক অহুদা লৈ হাঙ্গৈনা উই। মতম অহুদা মুমিংতা লৈবা ভগবাননা ঐথোইদা উংপা মতিক অহুবু বেদনা থৱানমচাক অহুগী মপু লাইনি, হাঙ্গৈ। থুদমগীদমক ঐথোইনা মুমিংপু খোঙচোংমুপীদা' লৈবে, হাঙ্গৈনা উবা মতমদা মুমিংকী মন্নুংদা লৈবা ভগবাননা ঐথোইদা মৈগী মশক ওইবা পাঙ্গলবু ফোংদোকই, অতুনা বেদনা খোংচোংমুপীগী মপু লাইদি অগ্নি= মৈনি, হাঙ্গৈ মাসুম তৌতুনা নক্ষত্র ২৮গী মপু লাই ২৮ লৈ। তৌইগুমসু মাখোই অতুনা ভর্গদেবতাবু হাঙ্গৈবনি, অমত্তনি, মবম অসিদগী বেদপুরুষ ভগবাননা "একংসদ বিপ্রাবহুধাবদন্তি"। বেদ হৈবা ব্রাহ্মণসীংনা অমত্তবু ময়াম ওইনা হাঙ্গৈ, বেদনা তাকলিবদি অমতনি, লাই অনিমুদে। মাসুম তৌতুনা শ্রুতিনা খোংচোংমুপীবু অগ্নিকৌই, জ্যোতিষনাচিংবা শাস্ত্রনা মাবু কৃত্তিকা কৌই। মৈতৈনা খোংচোংমুপী কৌই, ভাষাশাস্ত্রগী (Philologe) হৌনবি মতুংইন্না মিং অহুম অসি থানাতুনা এংসি,—"অগ্নি - কৃত্তিকা = খোংচোংমুপীনি। *

---

* ভাষা বিজ্ঞান (Philologe) না হাঙ্গৈ শব্দ।। নশক অনিনি, অমনা মপানগী মশক, মাতৃদি ময়েক অমনা মঙ্গগী মশক মাতৃদি অর্থনি। মশক অনিমক মতমগী মকমগী মতুংম্না হোংই। মপানগী নশকনা তোংবা তসিদা ময়েক অতুনা ময়েক অহু হোংই, হাঙ্গৈতুনা লোন পুন্নমক্ত সিজন্নবা মাবা মাএন অমা পৈতে মহাক্তি কবি হাঙ্গৈমদগী কবি হাঙ্গৈথিবনো? হাঙ্গৈবা পংনবগী মর্মক্তি থানতুনা এংবা বিজ্ঞানগী থবকপু মাম্না পুকনিং তপনা এংলগা পুথোকপা ঙমং। মাসিগী মরমদা শাব্দিক শিরোমণি বোপদেবনা হাইরপ অমদি হাঙ্গৈ "যোযেন সমো সম্বন্ধ তত্র ত তঃ" মানা মাগা মাম-মবদি মামবনা মামবগী মহুৎসিনবনি। নক্রগা মথাদা লৈবগা মামবনা মথকী ময়েক ত মহুৎ 'সন্দুনা ওই, নক্রগা মথক থংবা ময়েক্তা মামবনা মথা থংবা ময়েক্তা ওই। মাএব অসিনা ভাষাগা ময়েক হোংবদদি অমাম্বা মক্ষমদা তৌই, তৌইগুমসু মাসি নং তবা ময়েক মাংখিবা অংগোপপা চল্লকপা নএগা পুমতোং তোঙানবনা মাহৈ পুলপ-

মিং অকুম অসি থাম্নাঙ্কনা এংবদা উরে, মিং অহুমক অর্থদি অমত্তনি, হাঙ্গৈবদি সয়োম নাইরা থোকপা থরানমচাক পুম্বাদগী মানা সয়োম চাওবা ইরেন শ্রেনবা থরানমচাকপু, শ্রুতিনা অগ্নি, জ্যোতিষনা কৃত্তিকা অমসু মৈতৈনা খোংচোংহুপী কৌই। অহুনাদি অহুম্মক অর্থ মাইনে মামাদবদি মিং অকুম অসি মাম্নবে হাঙ্গৈবদি ময়েক মানদে, মএক্কা হাঙ্গৈবা অর্থ, অহুম,— অগ্নি = মৈ, নিনুক্তবেদাঙ্গনা হাঙ্গৈ, অগ্রনি = অগ্নিওই, মাবু বাগ্মিজনা "নি" হাঙ্গৈ, মৈতৈনা মি - মেই, হাঙ্গৈ, অতুনদি নুমিৎনা মাগী মনাক্ক য়োৌবদা নুমিৎতা লৈবা নুমিৎকী মপু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা = "মৈ" গী অসাবা শক্তিবু পুথোকপা থরানমচাক হাঙ্গৈবনি। কৃত্তিকা = ককৃপা মাহুদি পৃথিবীগী থাগ্গা অরাংগা অনিগা চপচাবা মম্লাইদা মানা কক্কুনা থোকপা থরানমচাক হাঙ্গৈবনি মাহুদি থরানমচাক অহুম নুমিৎনা যৌবদা বিষুবরত্ত চপ্পা চানা থোক্কুল্লা অহিং নুংখিন চপ মাম্নবা হাঙ্গৈবনি। অহুনাদি অগ্নিনে কৃত্তিকানে মিং অনিনা তিন্নারগা অর্থ অসি থোকলে মাহুদি নুমিৎনা বকর ক্রান্তিদগী মথং মথং অরাং লোমদা নোংমা নোংমাগী হাঙ্গৈগৎল-

---

না সিনবনা চিংবা লে, মাখোই পুম্নমক অহুম্ব ওম্বদি থানদুনা এংবা বিজ্ঞান অসিতনা ওনই। মাহুম তৌহুনা মজুংগী মশক — অথসু হোংই মাহুব গোতুমস্থায়দর্শনগী সূত্র (২।২।৫৯) অমসু পতঞ্জলি মহাভাষ্য ৪।১।৪৮ দা হাঙ্গৈ, মাগুদি "কথং পুনরেতস্মিন্ স ইত্যেতৎ ভবতি। চতুর্ভিঃ প্রকারৈরেতস্মিন স ইত্যেতদ্ ভবতি। তাৎস্থ্যাৎ, তাদ্ধর্ম্যাৎ, তৎসামীপ্যাৎ, তৎসাহচাৰ্য্যাদিতি।" অমসু "প্রবীণ" শব্দগী মরমদা মহাভাষ্য ৫।২।২৭ গী ব্যাখ্যাদা কয়টনা হাঙ্গৈ, "প্রবীণোদাব নিস্ত্রিংশ শব্দা উৎসৃষ্টস্বার্থাভিধেয় সংবন্ধাঃ সন্তঃ ক্রিয়াগুণসামান্যং হেতুমাত্রমাশ্রিত্য অন্যেষেবার্থান্তরেষুবর্ত্তন্তে" অসিনি। উদাহরণ তিলদগী থোকপা অপোৎপা পোৎ মথল অদবু তিলনা ওইবনি, হাঙ্গৈদুনা তৈল কৌই। মাগা মানবদগী হক্কামদগী থোকপবুসু তৈল কৌরে। মমৈদদি তৈলবু তিলনা ওইবা হাঙ্গৈবা অর্থ অদু হন্দোকথবে, সুপনগী অপোৎপাপুম্বু তৈল কৌরে। মরম অসিদগী "তিল তৈল" তিলগী তৈলনা মৈ থানলু অসুম্না পিতৃলোকতা কৎলবা মৈবু বাএল তৌই, তৈল = তেল = খেল = থাও মৈতৈবোলদা ওই। সংস্কৃততা তিল, মৈতৈগা থোইদিং থানহুনা এংসি, তিল = থোইদিং. মৈতৈদি মচেৎ ওন্নবনি তিল = তিং, থাওতিং = থোইতিং = থোইদিং। মাসিদগী চিংনবা লৈবনা ৎলে, মাহুদি তিল + তিল + তিল = থোই + দিং + থাও = থোইদিং থাও, ওই। মাহুম তৌহুনা ভাবা দি-

কপদা থরানমচাক অতুগী মপাক হেক য়ৌবদা থাগা অরাংগা অমিগী চপ চাবা ময়াই হেক ওইবা মরম অতুদগী পৃথিবী পুথা অহিংগা সুংথিলগা লাংবা চপ মানবা অমসু মাতুদগীদি সুংলানা লাবা য়াম্লা হেনগৎতুনা সুংলাদা মৈগা মান্নবা সাবা হৌবা অহুগুম্বা থরানমচাক অতুসু মৈগুম্বা অসাবা পোকহনলি, হাঙ্গইতুনা অগ্নি = মৈ কৌই, তাইবংগী চপচাবা ময়াইদা থাইদোক্তুনা লৈ হাঙ্গইতুনা কৃত্তিকাকৌই, হাঙ্গইবনি। মাসিদগী লৌতুনা পুরাণ হৈবাসীংনা হ্রারি ময়াম লেপনে, হিরণ্য গর্ভবু উপাসনা তৌবাসীংনা সুমিৎপু মমাই মরি পানবা ব্রহ্মাকৌই। বৈষ্ণবসীংনা সুমিৎপু পাম্বোম মবি পানবা, তিংথৌ অনৌবা কুচু ওইবা বিষ্ণুনি, হাঙ্গই। মাবু সনাতন ধর্ম্ম চৎপা মৈতৈনা অমাংবা লৈতবা গুরুনি হাঙ্গইতুনা গুরু শিদবা কৌই, অমসু শৈবসীংনা সুমিৎপু মহাদেবনি, হাঙ্গই। সুমিৎনা কৃত্তিকা নক্ষত্র য়ৌবদা মৈ মতুম ওইবা সুমিৎ মন্নুংদগী অশাবা পাঙ্গল শক্তিনা থোবকপাবু মহাদেবগী বীর্যদগী তাইবংপানবাবু মানা প্রলয় তৌবা লাই পুম্বাগী সেনাপতি ওইবা অমা মৈমন্নুংদগী চোংথোক্লকলে। মাবুদি কৃত্তিকানাংবা নক্ষত্র তরুকনা য়োকই, পোকপনা কৃত্তিকাদগী পোকপনি হাঙ্গইতুনা লাই, মহাদেবগী বীর্য (পাঙ্গল) দগী পোকপাবু কার্ত্তিকেয় কৌবে, মাবু মমাতরুকনা যোকই, = কৃত্তিকা, রোহিণী, মৃগশিবা, আর্দ্রা. পুনর্বসু, অমসু পুষ্যানা য়ে'কই - কৃত্তিকাদগীনা নক্ষত্র তরুক ফাউবাগী মন্নুংদা সুমিৎনা লৈবিঙেদা

জ্ঞানগী গবেষণাদগী মী অতুগী মপুকনিংদা অর্থ পয়েং অমা থোবকই অর্থ অতুবু বৈজ্ঞানিক অর্থ কৌই। মাতুবু অয়ানবা লৈত্রবা অতুবনি হাঙ্গইনা লৌগদবনি। মাতুদা থুদহ অসি মহাভাষ্যদা ময়াম পী মাতুদগী বিজ্ঞানদা সুনা লৌগদবনি। সুত্তাইনবা মহাভাষ্যগী টীকাদা কয়টনা হাঙ্গইবা অমা, — প্রবীণবু মৈতৈরোনদা পেনা থোংবা মায়া হৈবনু কৌই। প্রবীণ শব্দ অসিগী অর্থ অতু থাদোকতুনা চুয়গী হৈবতবু প্রবীণ কৌগ্রে, অতুনা শাস্ত্র প্রবীণ শাইয়িক হৈবা বিচার প্রবীণ বিচার হৈবা হাঙ্গনখি, মণিপুরদদি পেনা থোংবা হাঙ্গয়গদি মী অতুবু থোকনা চন্না থংদবা মোংতাই সুলাইকনা পণ্ডিত তৌবা মীবু কৌনৈ, ইথা সরস্বতীনা তাইবংদা সামবা অমদি ওহোকনা সুত্তাইগ্রগা কুমৈনি, মাতুম তৌতুনা তাবা বিজ্ঞানদা শব্দগী অর্থ তৌই। বিজ্ঞান যুগ অসিদ মাসিমা ওয় ওইরি।

লুংসাগী অসাবনা হেঙ্গৎপাবু কার্ত্তিকেযবু মমা তরুকনা থোকই, মাম্মাঙুর কৌরে। অসুম্না পুক্রিং নাকোংগী খোইথ্ মনববা রাবি ওইনা লেংখোকই, রাম্নি পুন্নামক অতুগী অর্থদি ব্রাহ্মণযুগতা লুমিংনা কৃত্তিকা হেক য়ৌবদা অসিগুম্বা মতমগী মওং অসি ওইরমই।

অসিগুম্বা মতমগী মওং অসিনা—বি, সি, ২১০০ দগী হৌবকই, অসুম্না ক্রোনোলোজিনা হাঈ, গ্রখোইনা থৱানবচাক অমগী মমিং অনি, অম্নি অমসু কৃত্তিকা অনিবু থানাতুনা এংবদগী হাঈখ্রবা অর্থসিং অতুবু কংলে। হুজিক্কি থৱানমচাক অসিবু মৈতৈনা খোংচোংনুবী কৌই, মিং অসিগা মিং অহুম্মক থানাতুনা এংলসি।

খোংচোংনুপী হাঈবা মিংগী অর্থদি হায়া লৈবক্কী মফমদগী মথাংনা চেংথোক্লা অতোপপা মফমদা চৎথরবী নুপী হাঈবনি। থৱানমচাক অসিবু মহৌশাদি শ্রুতিনা "প্রাচ্যৈদিশোনচ্যবন্ত' নেংপাক্কী চোংথোক্ক হাঈবমই, হুজিক্ক এংবদা উরে, চোংথোক্কদে হাঈবনি, মতুদি নুমৎনা মগংবানদগী কাথংশকপদা ক্লাকা য়ৌদা (কৃত্তিকাবু লুমিংনা য়োববা মতমদা মাত্রা। থোরবাবু লুমিংকী মঙানদা কুপসি ন্নুনা হেক উবা লুমিংতা) অমং লুপিন সংবা চপ ৎমামই। হুজক্কি কৃত্তিকা য়ৌদরিদ্রৈনা হায়না অহিং নুংথিল মায়বা, অতুনাদি ক্লাদিবা তাস, হায়া লৈবক্কী মফমদগী মথোং চোংথোকখবে, হাঈতুনা কৃত্তিকাবু মথোং লোং। কথ্রবী নুপী কৌরে! অসিগুম্বা মওং অসি মিথিসাংনা মাথোহনা করতোয়া তুংশনগা নোংচুপতা লৈবিত্তেদা উরকই; অতুনা মাথোই। কংলৈদা লাকদবা মতমগী মাংদা কৃত্তিকাবু মথোঙ চোকথোকখ্রবীনি। হাঈতুনা খোংচোংনুপী মিং অসি কৌবনি। অতুনা বেদগী চাবন্ত 'ব্রাহ্মণ-পদগী চ্যুধাতুবু কংলৈদা লৈরবা মতমদা চোং হাঈনা মবোন থৈথিবনি। চ্যু=চোং ধাতু অসিদি বৈদিক ভাষাগী ধাতুদগী পোকপনি। * তোইগুমসু ভারতমশাদি হায়া তৌরকপা ধর্ম্মবু থাদোকপা হৌনদে অতুমক তৌছ্না লৈগদবান। মরম অসিনা মাখোইনা মীৎনা সংসংনা কৃত্তিকাদা বিষুবসংক্রান্তি ওইদরে, হাঈবা উনা উনা লুমিংনা কৃত্তিকা য়ৌদরিনা মথ বিষুস ক্রান্তি কৌদে, কৃত্তিকা য়ৌবতদা বিষুবসংক্রান্তি ওই বগী মঙ্গ তৌবমই। অতুগা মাথোইনা বেদগী মথোং হোংদ (নচাম্ভে) হাঈবাবু হোংদোকপগী মরমদি শ্রুতিমা কৃত্তিকাবু মৱাগা কাইনবীনি, মাংলা পানবদা তুহোংগা কাইনা মৈচাক নংই, হাঈববু লৌতুনা নুপনাগী লুমিংনা বিষুবস্থান য়ৌরবদা কৃত্তি-কানা হেন্দোকতুনা লৈথবাতবু শ্রুতিগী অর্থ লৌতুনা মাগী লৈফম কোংদোকখ্রবনি

---

* বেদনা চোংথোক্কে হাঈবদি ক্রান্তিনি, চোংথাকপদা লুমিংকী মখেন্না তুমলা লোংবনি। তিম্নাদ, মিথিগী মমিংগা মাময়বনি।

হাঙ্গিদুনা মখোং চেংথোকপ্রবা হাঙবা মিংবু থোনবনি। মরম অসিনা থংবা ঙমলে, মাদুদি থোংচোংঙুপী হাঙব। কৃত্তিকাবু কৌবা অসিদি মিথিসীংনা মিথিলায়োজনা লৈরিঙুপা থোনগকপা মিংনি। বিষুবস্থাননা নক্ষত্র অমাবু থাদোক্লবা অসিদি চহি লীসিং অমা চংই, হাঙনা মরাই ওইনা লৌবা য়াই। অতুনাদি মিথিসীংনা মাদু উরগা কোয়া লাকপা মরমদগী চহি লীসিং অমাদগী হেন্না চংগদবনি। অদুনাদি বি, সি ২১০০ দগী লীসিং অমা হেন্না লৌথোক্লবদি বি. সি ৮০০ গী মমাংদা পুরৈলোম্বনা কংলৈদা নিংথৌ ওইরে। বি, সি ৮০০ দগীদি ত.বা বা.দ, মরমদি মতম অসিদা ওইরিবা ভারতীয় সংস্কৃতি অসি মিথিসাংনা পুরক্কে। সংস্কৃতি অসিদি বি, সি ৮০০ মাইদগী হৌবনি।

মিথিসীংনা বি, সি, ৮০০ গী মমাংদা কংলৈদা চংলকপগী খূদম।

মিথিসীংনা কৃত্তিকাবু বিষুবস্থানদগী মকম হোংদোকথরে হাঙবা থংলবা মক্তদা নক্ষত্রসীংগী মসিং থিবদা মাবু অহানবা ওইনা অদুমক থিবমই, (মরম অসিদগী কংলৈদা অশ্বিনী অমসুং ভরণীগী মমিংদি থাঙ্গেংশংবা থংদে। মৌখিভানিগী মফমদা স জিক অমম্ব থবানা শিন্নরকই। অতুনা নক্ষত্রগী পবেং ঊবদা ব্রেকেট মনুং চন্না হাপ পনি, মাদু মমাংগৈদুগী আচার্য খুম্বোং সিদ্ধন্তনচিংবনা তৌবর্মান, অতুনা লৌথোকপা চুমদে হাঙ্গিদুনা হাপপনি) অমসু কৃত্তিকাদা শুংমংনা বিষুবস্থানদা য়ৌদরিবৈদা ধনিষ্ঠা দা শুংমংনা উত্তরায়ণ হৌবমই। ভারত মচাগী অহানববু চেংগনদবা মরমদগী কৃত্তিকা দা বিষুব ওইংদ্রবদদি শ্রবণাদা উত্তরায়ণ হৌই, অতুবু থংলবমক্তদা হায়গী ধনিষ্ঠাবু উত্তরায়ণ হৌকমনি. হাঙবা মিঙ্গৌদি মাথোইনা থাদোক্তে মাগদি লৌথংগ্রবা থরান মচাক্কী পবেং এংলগা উগন মাতুদি ধনিষ্ঠাবু "হাত্রৈমায়ে" কৌই, মাতুদি মা য়োরগা ঙমিংনা হাঙ্গৈবমাই ওনলি—উত্তরায়ণ হৌই, হাঙবনি। মাতুমক যজুর্বেদাঙ্গ জ্যোতিষদা লগথনা হাঙবমই,—

> "স্ব রাক্রমেতে সোমার্কৌ যদাসাকংসবাসবৌ।
> স্যাৎ তদাদি যুগং মাঘস্তপ শুক্লোহয়নং হ্যুদক্॥"

—নিংথৌ লৈপাক্তা ঙমিংনে থানে অনিলা ধনিষ্ঠাগা লোইননা লৈমন্না মতমদা যুগ হৌই; মাগী মমিংনা তপঃ কৌবা মাঘ (ফাইরেন) থানে শুক্লপক্ষনে অমসু উত্তরায়ণনে অহৌবকসু হৌই, অসনি। অস্নুম্না বেদাঙ্গনা হাঙবা ধবমনা মৈতৈনা ধনিষ্ঠাবু "হাত্রৈমায়ে" কৌবনি। মাসি থংলকপা মিথিসীংনা মক্ত তৌবতনা মাথোইগী ম স্যাং ওইমনা থংবনি মতম অতুদা মাসি থংবা অনিবু য়েন হৈক্রবদি থংবা হৌরমে,

হাইবিদা লাগখলা হাইরবা",— "যথাশিখা ময়ূরাণাং নাগানাং মণয়ো যথা। তদ্বদ্বেদাঙ্গশাস্ত্রাণাং গণিতং মূর্দ্ধনি স্থিতং ॥" হাকোংগী মতুনা মীনগী মশিনা তৌবগুমনা গণিতবিদ্যাগী যেনগী হকচাং পুথাগনী অথোইবনি। অসিনা মৈতৈনা অয়নগতি খা হেনবা খঙদ্রিং উত্তরায়ণ হৌবগী ধনিষ্ঠাদা হৌই, হায়বা খংবা অসি মৈতৈগী মনাং ওইনা খংলকপা মতমা, পাংগলবা তৌদ্রবী মতম অদুনা খংনবা উপায় লৈতে। চাম্না লৈরকপা কাংদুনা পঞ্চাঙ্গমপুগগী হোংলকপা অসি খং-া হৌদ্রদে। হৌলকপা বিদ্যা অসি মৌচুপগী অকোনথনা পুমকপনি, হায়বদি— মরেকনা তাবনি। মাখোই অকোনবা চেনকপদি হায়না খংদিবা অসি অশিংসু হোংখরে। অদুবু মীয়ামনা হোংলসি মাদদুনা লৈরিতৈদা মাখোইনা কংলৈদা লাকই। মাদুগী খুদমদি কৃত্তিকাবু খোংচোংগী কৌবনা তাকই। তাবত্তনচাগী হোংবা য়াদবা অসিদি হায়জনা নত্তে, মচৌশানি।

মহাভারতকী মতমদানা কৃত্তিকাদা বিষুব ওইরমে, অমসু ধনিষ্ঠাদা উত্তরায়ণ ওইরমে। মাদুবু মতম অদুগী খংবীদনা থংই, হোংদোকখা হায়বদা মী য়ামা ইপান ইপুনা চংলকপদি হোংহৈদে হায়দুনা য়াখিদে। অদুগা হোংদবখনি ধর্ম্মকর্ম্মদি তৌবা য়াদরে থংই হায়দুনা অখংবাগী মতৌনা হোংলবাসু লৈপাক'তু কাইবা তাবে, মাংলা ব্যাসদেবনা মীয়ামগী মরুপশীলগীবু উবগী নোক্তুনা য়াং অমা ইরমই।

"চকারান্যং চ লোকংবৈ ক্রুদ্ধো নক্ষত্রসংপদা।
প্রতিশ্রবণ পূর্ব্বাণি নক্ষত্রাণি চকারহ ॥"
(মহাভারত, বন, অ ৭১)

—নিংথৌবেন বিশ্বামিত্রনা সাঙন্দুনা অতোপ্পা তাইবংপানবা অমবু শেমই, মাদুগা য়ামা শেখা তাইবং অদুনা মাগী নক্ষত্র লৈজখঙ্কু তিংথোকতুনা নক্ষত্র কুনতরেৎপু শ্রবণাদা হৌদুনা নক্ষত্রবু মশিং থিহনলমই।

মাশিগী তাৎপর্য্যদি ধনিষ্ঠাদগী উত্তরায়ণ হৌরবা অদুদি তোকশ্রবনকদা খংনবা মীয়ামা য়াত্রবদা, বিশ্বামিত্রনা মরনাইগী তাইবং অমা শেম্লগা শ্রবণাদা হৌবা ওইনা চংহনদি, হায়বদি লৈপাক মীয়ামগী নত্তনা মরমাইগী সিংথোনী লোইসংদা চংহনদি, হায়বনি।

মসিনা কাইনথগা বরাহমিহিরনা পোক্লকপা ব্যাসনচিংবনা হোংলবা হোংনবদা তমুদমরবদু মাগী মরাইপক কদুনা ইরাই লাইনা হোংথিবনি। হজিক অঙাকপু খরাংগী হাকথগী অদু হোংবরবদি থর্ম্মদা য়াম্না কাইরে, ভারতকী ঋষিশুবা পণ্ডিতলোইনা হোংলগবগী হোংনরকপা চহি ৫০ হেল্লে সাধারণ প্রজানা মনাংগা জাদিনো পণ্ডিত মুখা চৈথেং খংদৈনা হায়বা মতাইদা, কিং কিং তোম্বদুনা হা হা লাওরে।

ঝিথিরীংনা কাংলৈদা চংলকপা মতমদা তাকলকপা নক্ষত্রগী মতেক লৌদুনা [illegible] খোনবা লৈরমদে মতম অদুদা মীওইবাগী জন্মনক্ষত্র অমসু রাশিগী অকবা [illegible] এবা লৈরমদে। ঋত্বিকশীংনা যাগ তৌবা মতমদা যজমানগী জন্মনক্ষত্রগী লৌদুনা মিং খোনলি, তৌইশুমসু বৈদিকযুগতা মাহুমা খোনবা মিং মখোনগা হুদিকী মিং ম-খোনগা মায়দে অমাঅমনি তিয়াদে। কলিত জ্যোতিষ লৈরমগ, অদুমদি ওইরগা বৈ-দিকযুগতা এংবা ময়েংগা হুদিকী মতমদা এনবাপা মএংদিয়াদে। বৈদিকযুগতা জ্যোতিষ চক্রবু ১২ থোকনা খাইদোকচুনা বেনদা লিদনৈ। তৌইশুমসু মাখোই অদুবু হুদিকী মতমদা তৌবাগুম্বা ক্ষেম, বুধ, মাচিংবা দক্ষিণ খোনবা লৈরমদে। অমসু ঝিথিরীংনা কাংলৈদা চংলকপা মতমদা ভারততা ভাগবত ধর্ম লৈরমদ্রি, তৌইশুমসু মতম অদুদা সাংখ্য অমসু যোগদি লৈয়ে, অসিগুম্বা মতমদা ঝিথিনা কাংলৈদা চংলকই। মাদুবু মতম মথং খুদম পীদুনা ব্যাখ্যা তৌবি,—

মতম অসিদা মী পোক্লগা মানা পোকপা মতমদা পানবা নক্ষত্রগী মখোং এংলগা পাঞ্জীনা মমিং খোনলি, মাদুদি অশ্বিনী নক্ষত্রদা মখোং মবিবু "চু, চে চো ল" নি, মীঅদুনা পোকপা মখোং এংদুনা মমিং খোল্লে, খুদমগীদমক অদুমসুবা মখোং "চো" দা পোকলে, চৌবজিৎ, অসিনাচিংবা, নিপা অদুনা শ্রীগুরুদা চংজরে শ্রীগুরুনা দীক্ষা পীনরে, মাগী সিদ্ধ মঞ্জুরী পীগনি, "চম্পক মঞ্জরী" মাদুদি চৈতন্যগী চম্পক মঞ্জরীগুম্বনি। মাসুম তৌদুনা শিষ্যগী দীক্ষা পীনবা মন্ত্রবু শিষ্যনা শোনবদা শ্রীকৃষ্ণর উপদর। এংই, মাদুদি মুপী থিবমদাইদা মিপা মুপীগী শরুবা এংদুনা মচৈমনাও[illegible] মিং অনি এংবা অদুগুম্বনি। দীক্ষাগী মন্ত্রবু শিষ্যগা শরুদা এংবদা শ্রীহরিভক্তি বিলাসদা শ্রীগোপালভট্ট গোস্বামী অমসু শ্রীসনাতন গোস্বামীপাদনা চিংনা মুমা কদাইদা সোইখিগদগে? হায়না তাকপীরমই, "অবকহড় —এ, বি, সি, এইচ, ডি," এংদবায়াদে, মাদুদা চুনদারবদি মন্ত্র অদুনা অশোনবা মীবু হাংকনি, মাংহনগনি। হরিভক্তি বিলাসনা হায়গনি, "ম, ট, প, র, ত" ময়েক সন্দোকউ, অদুমা যামনদগী লোগনি, জ্যোতিষনা হাই, শতপদ চক্রদা এথলোমদা অ, ই, উ এ, ও, না ময়েক সন্দোকউ। চাওবা সিগদোরে, ভেক ফংবা তারে বামোন অমানা "চৈতন্যদাস" কৌরে। ইরুত্তোমী শ্রীবি-গ্রহ অমা প্রতিষ্ঠা তৌবা তারে। মাগী রাশি কন্নিনো মেবরা বুবরা অসিনাচিংবা এংনরিবা পুমামক [illegible] মৈতৈশিং [illegible] [illegible], [illegible]

মৈতৈদি প্রাচীন জাতিনি, ভারত মচাগা ম্লেচ্ছ, যবন, মুনাফিসীংগা তিন্না-দরিবৈদানা হান্নানা সর্ব্বতীর্থ সিরোমণি দ্বিতীয় বৈকুণ্ঠ তাইবংপানবদা মাওম্বা অনিস্মুদবা কংবৈ, মৈতৈ নৈপাক্তা খুন্দাবা জাতিনি। মাখোইনা শ্রীশ্রী-৺গোবিন্দনা ওানথোইরবা মতমদা খাংমাথক্কী ময়াং বাঙ্গালীনা মমিং গোস্বামী কৌহুনা তনৌ তনৌবা, নৌত নৌরেন নৌথ্রবা লীচং অসি তম্বিররে। তম্বীরবা ময়াংস্মু অত্তম্বা মৈতৈস্মু খংদরে। বিজ্ঞানগী কুম্বা অনৌবনা চৈগা-রকপা অসিদা থানাহুনা এংবী, লাইবেমাগী মমাংদা ম্লেচ্ছ গ্রীক, যবনগী মমা অথুবী "আলফা, বীটা, গ্যামা, ডেল্টা, এপসিলান্ ঝাটা, ঈটা, থীটা, ইওটা, কাপ্পা, লাংবডা, ম্যু, ন্যু, ক্সাপ, ওমি, ক্রান, পায়, সিগ্মা, টাও, ডপসায়লন, ফাঈ, চৈ, প.সৈ, ওমেগা মাখোই ময়াম্না চাওবগী চৈতন্য দাস বাবাজীগী মমাংদা জগোই সাহুনা বিজ্ঞান লাংথেমাবু ওয়েলকম তৌরি। নোংদোনদা কুমৈ এংবা মমাই মরি পানবা ব্রহ্মানা হরাওনা উনি।

ময়াং মৈতৈগী লান।

মৈতৈনা ভারতমচা নোংচুপ হাবম্বু হুজিক্কি * ময়াং কৌই। তৌইওমম্ব মৈতিঙু ক্যাম্বগী ম্নাহাকথক্কী মমাংদা লাকপা নোংচুপ হারম্বুস্মু খোৎখেৎপা হুজিক ময়াং কৌই। হাঈবদি ঐ থাইনা হাঈবা ওমদবে। নিংথৌরেন ক্যাম্বাগী ম্নাহাকথক্তগীনা হুজিক ফাউবদা লাকপা নোংচুপ হাবম ব্রাহ্মণনা গৌডীয়দীক্ষা তৌরবদি মাখোইবু মণিপুরী ব্রাহ্মণ=মৈতৈ বামোন কৌই।

গবাময়ন যুগত্তগীনা মৈতিঙু ক্যাম্বা নিংথৌবেনগী ম্নাহাকথক ফাউবদা ওইবা মৈতৈগী সংস্কৃতিগা মৈতিঙু ভাগ্য-চন্দ্রজয়সিংহগী ম্নাহাকথক ফাউবদা থোরকপা নোংচুপ হাবম ব্রাহ্মণসীংনা পুরকপা সংস্কৃতি—ধর্ম্মাগা তিন্নারগা থোকপা সংস্কৃতিগা মৈতৈগী হুজিক ওইরিবা সংস্কৃতি অসিনি।

---

* (১) ময়াং কররিবু কৌবগে? মানা বিজ্ঞানগী মমাংদা সিত্তুনা চেনবা ওমলোই, অদুবু মৈতৈকীর্ত্তনদা মাগী নৈনকম কান্নাবা মামদবগী থাদোকলে, মতাং অমদা তৌথা মাই। ঐখোইনা নহা ওইরিবৈত্তবা নোংঙানলমদাইগী উচেকনা উষাদা মরোন খোম্বাং স্মুদবওম খোম্বাং স্মুদনা "মৈতৈ হাবৈমারে" ইথিবনি। অদ্রাবনি ফাওবিম্নিখোই হুজিক ফাউবা ঐখোইবু ময়াং বন্ধুসীংনা তৌখিবা। ঐ ময়াং মচানি। ইশা অমত্তানি, লাওনাকম খোক্তে। ওসি সিগনি, পাণ্ডুত্তবা হন্নেং সিগনি পাওজেন্দবা সিবনা (মুমুক্ষী ভজনমুক্তি) মকিখা ঐবু হন্দোকলোই।

মৈতৈ খাপোনলীগা পুরক্লপা সংস্কৃতি অসিদি ভারততা খ্রি, স্রি, ৮০০ বাইগী রা থোকপনি। মাবু চাওরাকনা পারবদা কুমসি (মণিপুর ১১৬৫) চহি ২৮৫৩ শুরে হাঙবা ইই, মাদুগী মথক্তদি ভারতপুমদা হুজিক হিন্দু কৌনরিবা জাতি আসগী সংস্কৃতি অসি লৈরমদে। অদুগুম্বা মতমদদি ভারতবর্ষ অপুম মণিপুরীসীংগী সংস্কৃত তা লৈরমই। কবি কাঙগনি মৈতৈগী সংস্কৃতিনা সমুদ্র লান্দুনা চংখি। ইউরোপ কাউবা মান্ম (মৈতৈগী সংস্কৃতিনা) সিনথুংনা লৈরবাগী খুদম হুজিক কাউবা মুত্তরি, মতুংদাসু মুথলোই, মরম অসিনা তাইবংপানবা পুম্বাগী ধর্মপুম্বাগী মরুওইবা ধর্মপুম্বা মণিপুরগী সম্দোকপনি হাঙনা শাস্ত্রনা থাগৎপনি। মাদুগী মচিন থোকপা সাক্ষীদি তাইবংদা মা-গুম্বা অনিরুদ্ধবা ভারতকী বিশ্বকোষ মহাভারতনি।

মথক্তা হাঙবিবা অসিগু খুদম অমনা হান্নানা উহন্নিংই—পলান্দবী, খুৎই মাসিবু মৈতৈনা কয়া লুনা তৌবা—চাংদমনবা তাংই। মাসিবু মৈতৈনা কনাদগী তম্বনো হাঙবা কনাসু খং-লোই, মরমদি মৈতৈগী মহৌশাগীনি। মাসিগী খোঙুল লিসি। ইউরোপতা লণ্ডনাচিংবদা খুৎই, অসিবু য়াম্না চংনৈ, এখোইনা মাদুগী পাউ য়াম্না মুম্না খংই, ইউরোপতা খুৎই অসিবু থোংদা এরুবদি শা, মণনাচিংবাগী মরায় চংদে, হাঙনা লুনা তৌই। কুইরবনি মাখোইনা মাসি তৌরকপা। মাখোইগী পণ্ডিতসীংনা খোঙুন লিবদা মাখোইনা ফংখি, অহানবদা পিথা-গুরাসকী বিশ্ববিদ্যালয় বোমদগীনি, হাঙনা খংলমই, মতুংদা মথং মথং থিরকপদা মাখোইনা থেংনবে। মাদুদী মহিগুব লৈপাক্তা কোম্লুংগী কোম্থোং স্নাথোংদা লৈমুংদা কুইববা মুংপাক অমা লৈরমই। মাদুদা পলান্দবী খুৎই লৈবমলে, পিথাগুরাসনা হৌদোকপনি. হাঙরম্বা তোকখরে, মাখোইনা হাঙরমই, পলান্দবী লয়িবু ভারতকী নোংপোক লোমদগী হাওরক্তগী লাকপনি, হাঙ। মাদুবু কনাগী ওইফম থোকপগে? পীথাগুরাসকী মতম-দদি সাহেবসীংনা হাঙরমই, মণিপুরগী অকোইবা চীওদা মণিপুরগী অকোইবদা লৈরম চীওমী তাবমদে, কোম্না লাকপনি। মরমদি মৈতৈগা চীওমী গা থাং তিন্নাদে, মাসি চীওমী ইচিন ইনাওসীংনা হাঙবদগী খংরনি।

ভারত বৃটিশ শাসনগী মতমদা প্রিন্স অব ওয়েলসকী ভারত থোরকপদা সারচন্দ্রকীর্তি মহারাজনা মৈতৈগী কুমৈ শরা কলিকাতাদা শোহনখি, মাদুদা পানা কাংজেই শাখোইনা উখি। মাদুদগী ইউরোপদা অমাঙিবাসি।

বিশ্বজগৎতা সাগোল কাংজৈবু পোলো কৌহ্না মণিপূরগী মিংকম পুহ্না ফাউথিবনি। কুইদরি ইউরোপ মচাসীংনা গবেষণা তৌবদা জয়পুরদা সাম্নারকপা য়াম্না কুইরে, হাঙৈ, অহুগা তিব্বত লোমদগী হৌদোকপনি, হাঙৈজিন্দুনা হৌজিক্তি সুংথূমচরৈনখরে। তৌইগুমস্থু ইউরোপিয়ান্ কোলার-সীংনা পুথোকলিবা মফমসীং অহুদা মাখোইনা পোলোবু উগনি মাহুম্না উবা মতম অহুগী মমাংবুদি মাখোইনা উবা ঙমলোই। মরমদি হৌজি-ক্তগী চহি লীসিং অনিমখাইগী মমাংদা ওইবা মণিপুরগী সভ্যতাবু বৃটিশ জাতিনা মমংদা ফাউবা উবা ঙমখিদে। বৃটিশ কমন ওয়েলথতা হুমিৎনা তাবা ঙমখিত্রবনি, অহুপ য়াম্বা পৃথিবীগী শরুককী মপু ওইবানা মণি-পূরদা সেঞ্চুরী মথাই অমা হেম্না পালমবাবু চহি চামঙা সুনা বিশ্ব ইতিহাসগী মফদা উরক্লবা মণিপূরবু মশক খংদানা চোইরোনঙাক্তা লোন্দুনা বৃটিশসীংনা বিদায় তৌরম্বনি।

মৈতৈগী সগোন কাংজৈবু খংনিংলবদি য়াম্না পুক্লিং তপনা থাম্নাহুনা এংগদবনি। ভাষাশাস্ত্রগী থানাহুনা এংবদা পুক্লিংদা অমোৎপা লৈবা য়াদে। মৈতৈগী কাংজৈ হাঙৈবা মিং অসিদি মৈতৈগী ক্যালেণ্ডারগী মিংনি। মৈতৈনা ক্যালেণ্ডার অসি করম্ব যুগতা সিজিন্নারম্বগে হাঙৈবদি মশানা অহুমক উৎতুনা লৈরে, মাহুবু সময়বিজ্ঞান শাস্ত্র হৈতবনা খংদবদি চুমই। মাহুবু ইউরোপিয়ান মচাসীংনা খংদবদি মাহুদগী হেম্না ঙক্লিংঙাই লৈতে।

তুল্যরূপায়ুষঃ সর্ব্বা অধমোত্তমবর্জিতাঃ। সুখপ্রায়া হ্যশোকাশ্চ উৎপদ্যন্তে

কৃতেযুগে। নিত্য প্রহৃষ্ট মনসো মহাসত্বা মহাবলাঃ" ॥ (বায়ুপুরাণ ১। ৮। ৬০-৬২) —সত্য যুগগী বর্ণাশ্রমগী ব্যবস্থা লৈরমদে, ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসু শূদ্র কৌবা বর্ণ খাইরমদে। গৃহস্থ (যুম্নানবা), ব্রহ্মচারী (বেদতম্বা) বানপ্রস্থ (ঙমদা চৎতুনা লৈবা) অমসু ভৈক্ষ্য মাসুম্না হাঙৈক্রগা সংন্যাস (লম্বোইবা) কৌবা আশ্রম লৈরমদে। সংকর—অমগা অমগা য়ান্নবা লৈরমদে, মীপুম্নামক মচু চপ মান্নে (অভোবা, অমুবা, অঙুম্বা মচু তিন্নাদবা ওইরমদে), চপমান্নবা পুন্সিবমই, মাখোই পুম্নামক মাসিনা অভোনবনি, মানা অহেনবনি, খাইনবমদে, খাইজ খাইবুড নাইদে, মী পুম্নামক ইমুংতা ঙ্ভাইবা ভাক্তওই, কাইনাদে, অসিনাচিংবনি। মতম অতুদ মাদি মুপীনি, মামা নিপানি, হাঙৈবগী ধর্ম্মদা তোঙান তোঙানবা খাইদে, মাসিগুম্বা মতম অসিবু ঔখোইনা ঋগ্বেদদা উবা ফংই,—

"কারুরহং ততো ভিষগুপল প্রক্ষিণীননা।"

(ঋগঃ ৯। ১২।৩)

(অমাইবী—ঋষিকা অমনা হাঙ্গী,—ঐনা কবিনি, ইপা (তত) না অমাইবহনি, ইমা (ননা) না ফৌমুললোনবীনি)।

মতম অতুদা মীপুম্বনা মহৌশা কৌবী লাইববা, ইমা প্রকৃতিগী মতম্পাক্ত লৈদুনা অঙাংতা অঙাং অতাকননা মৈ, ঈসিং, মুংসিং, নুমিং আসিনাচিংবা লাইবু অকিবা কংসিবগা 'লোইননা ঔভাংলমই। মাখোইনা লাই পুম্নমক্কা মাখোইগা লৈমন্নবনি মিং তুনা মাখোইনা পোক্নানা হিংদুনা পানবাবু লাইরৈপাকতা লাইগা লৈমন্নাদুনা পাক্লিবনি, হাঙৈনা নিংলমই। মাসিবু হুজিক কাউবা মৈতৈনা নিংসংই, খাইনা মীগা লাইগা সম্ন বিভৈদগি কন্নাবা, অনাবা, অমত্তা লৈরমদে মী পুম্নমক লাইডাক্কা ওইরমই, অসিনা চিংবা হাঙৈনা হৌরি।

মতম অতুগী অহানবা মীসীং অতুনা মাখোইনা ঈভাংপা লাইপুম্বাগী মরক্তা কুমিং-পুনা ইপুইমতগী হেনলি হাঙৈনা কখি, অমসু মাখোইনা লাইবু ঈডাংপাসু ইচব চমনা খাগ্রম লাইগ্রং পুবা ইকোম কৌমনা লাখলি, ভৌইগুমসু মাখোইগী মহৌশাদগী খোকপা ইচবচবা মগুমভৌদা চীংবা আংলমই, অতুনা য়ান্না লুই অমসু কৈজে। মতম অতুদা মী পুম্নমকনা লাইবু ঈভাংলদা সেম্মজিনবা, খুৎসেম অমত্তা লৈরমদে। মতম অতুগী লাই মরাকমু কাক্নবদা উই।

"গায়ন্তি ত্বা গায়ত্রিণোর্চন্ত্যর্কমর্কিণঃ।

ব্রহ্মাণস্ত্বা শতক্রত উদ্বংশমিব যেমিরে ॥"

(ঋগ্‌. ১। ৩।১০)

— হে শতক্রত। (হো থবক চিনবা লাইও) হুকপাসীনা নংবু হুকই ঊডাংপা সীংনা নুংবু লাংলি ব্রাহ্মণ (বেদহৈবা) সিংনা মন্ত্রানবু হাংথংহনবা গুম্না নংবু হাংথংহনলি।

মন্ত্র অসিনা ভারতমচাসীংগী অগোট ঈশৈ পুন্নমী খোরককম মন্ত্র (বীজ) নি। সুপ্রাচীন মণিপুরগী অগাট অমসু কীর্ত্তন পুন্নমানা মানা থবাই ওইরহুনা মন্ত্র অসিনা চংলা লৈ. মথম অদুদগী মণিপুরী নৃত্য অমসু কীর্ত্তননা তাইবংপানবদা তোপজোপনা ভাংন ফাটবিবনি। মন্ত্র ভাগবতকারনাসু মন্ত্র অসিবু শ্রীকৃষ্ণগী লীলা পুম্বাগী কোথক্তা থেংপা মণি শ্রীরাসগা হৌনককম বীজনি, হাঙ্ক। অদুগা ভারতবর্ষ পুম্বাগী কীর্তন পুন্নমক্তা থোইদোক্লামক শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা হৌদোক্লম্বা গৌড়ীয় কীর্তনদদি মনম ফাউবা য়াওদে।

জ্ঞানমার্গ।

মথক্তা হাইগ্রবা ধর্ম্ম অসিগী মতুংদা জ্ঞানমার্গ থোকই। জ্ঞানমার্গনাদি ওইদরিঙও, মথকতা হাঙ্গিপ্রবা এয়ী ধর্ম্মনাদি মথক হোংথারকপা মতমদা ধর্ম্মগী বিপ্লব অমা ভারতত্তা থোকখি. মতম অদুবু শ্রৌত ধর্ম্ম মহুম্না হাঙ্গিরগা অনিসুবা বৈদিক ধর্ম্ম নত্রগা পুরাণনা "ত্রেতা" যুগ কৌই।

ঋগ্‌বেদদা মীগী মিংবিশ্‌ কৌবা উই, মাগী অতোপপা মিং অমনা কৃষ্টিস্ন কৌই। বিশপু মৈতৈনা পোই, অমসু কৃষ্‌পু খোই হাঙ্গি *। বিশ্‌ ধাতুগী অর্থনা লাকপা চংলকপা হাঙ্গি, মৈতৈরোনদা পোই ধাতুনি। কৃষ্‌ ধাতুনা লৌউনবা লৈপাক তৌথোকপবু থোইবা হাঙ্গি, বিশ্‌ = পোই, কৃষ্‌ = খোই, অসিনি। ভারতবর্ষদা লৈবা প্রজাবু বিশ্‌ = বিট কৌই. মাদুগী অর্থনা মাথোইবু মাথোইগী অহানবা লৈকমদগী কোননা ভারতত্তা লাকপনি. হাঙ্গিববু থংহনলি। অমসু চংলকপা হাঙ্গিবসিনা নোংপোক্কগী

* বিশ্‌কী ববু উচ্চারণ হোংথিজ্না বর্গ্যব ওইনা মৈতৈনা খৌঙ্গি, লাঘাই ৭৯ দা হাঙ্গিবা নিয়মা বনা প ওইখিবনি। কৃষকী ষনা মূর্দ্ধন্য ষ ওইবনি মৈতৈদা। পা- হুদি খয়েক্তা ভাবনি "খোয়েন সম্ভসতত্তমস্ত্র, রজঃ" নি।

চৎলকপনি হাঙ্গবদুস্থ থংহনদি, নোংচুপতগী নোংপোক্তা চৎপম্ভ থোকপা হাঙ্গি, মা হুন্না নোংচুপ অবাংগী গড়বালনাংবা প্রজানা হজিক কাউবা থাইনগী অর্থ অসিদা প্রজাবু বিট্টু কৌরিবনস্থ থংহনলি, মাসিনা মাথোংবু মাক্তোলিন্নারোমদগী মণিপুরনা চিংবনা লৱেন ওইহুনা ভারততা খুন্দাথিবনি, হাঙ্গবদু নিংসং'লবনি।

অমস্থ কৃষ্টি কৌবা মাথোইগী অতোপপা মিং অমা বেদনা হাঙ্গবনবু ভারততা লাকপা কাংবু অসিগী মশিন্দি লৌউবনা মাথোংগী জাতি ধর্ম্মলি, হাঙ্গবা থংহমলি। মতুংদদি বিশদগী বৈশ্য মিং অসি ওনথ্রবা তুংদদি লোনগী হৌনবি মাগী মপানগী মনক হোংথিবদগী অনৌবা অর্থ অমা হাঙ্গথরে। বর্ণগী অহম সুবগী মিং ওইথরে অমস্থ মাথোইগী ধর্ম্ম কৃষ্টিস্থ ব্রাহ্মণ অমস্থ ক্ষত্রিয় বর্ণনা থাদোকথরে। মাস্থম তৌহুনা ভারত মচা পুন্নমকপু বিশ্‌তা কৌরবদগী ব্রাহ্মণ, "ক্ষত্রিয়, অমস্থ বিশ্‌, হাঙ্গহুনা অহুম থোকনা থাইদোকই অহুগা মাথোইদা চংজবা অতোনবা কাংবু অমা থাইদোক থ্রে মাহুবু শূদ্র কৌহুনা বর্ণ মরি থোকনা থাই। মাস্থন্না থাইদোকপা হৌনা অসিবু পুরাণনা ত্রেতা যুগ কৌই, ত্রেতাগী মতম অসিবু ইতিহাস হৈবা পণ্ডিতসীংনা অনিস্থবা বৈদিক যুগ নত্রগা শ্রৌত যুক কৌই।

আর্য মরামদা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, অমস্থ বৈশ্য হাঙ্গহুনা থাইদোক্লবা মতমদস্থ অহান বদদি মাথোই পুন্নংকপু বিশ্‌ কৌবনা লেমনবা মিং ওইরমই মরমদি ক্ষত্র অমস্থ ব্রহ্ম কৌবা থবক্তা মতুংইন্না ক্ষত্রগী থবক তৌবা বিশ্‌বু ক্ষত্রিয়, অমস্থ ব্রহ্মগী থবক তৌবা বিশ্‌বু ব্রাহ্মণ কৌবতনি। মাস্থম তৌহুনা আর্যসীংনা মাথোইগী রামথৎলকলবা থুংকমলক্লবদা থোইদোকপা মরম অমদি অনার্যসীংগা চোইনরকপা (সংঘর্ষ) দগী রাজা, সেনা, ক্ষত্রিয়, পুরোহিত হাঙ্গনা থাইদোকলবলে। নিংথৌদি মতম অহুদা প্রজানা থন্দুনা হাপলমই। "বিশি রাজা প্রতিস্থিতঃ। যজুর্বেদঃ ২০।৯।"

—নিংথৌনা প্রাজাদা মরুচেৎনা লৈ. অস্থন্না বেদনা হাঙ্গি। "রাষ্ট্রানি বৈবিশঃ (ঐতরেয় ব্রাহ্মণং ৮।২৬) প্রজাদি রাষ্ট্রনি। "ত্বা·বিশোবৃণতাং রাজ্যায়" (অথর্ব্ব ৩।৪।২) হে নিংথৌ নংবু লৈপাক ভাকনবগীদমক প্রজানা হাপপনি, অসিনাচিংবা প্রমাণসীংনা থংই।

"তদেতৎ সত্যং মন্ত্রেষু কর্ম্মাণি যান্যপশ্যং,
স্তানি ত্রেতায়াং বহুধা মন্ততানি।
তান্যাচরথ নিত্যং সত্যকামা,
এষ বঃ পন্থাঃ সুকৃতস্য লোকে॥"

(মুং ১।২।১)

"মাসিদা অতুবদি, মাদুদি পণ্ডিতসীংনা লেপ মন্ত্রদা উবাবু ত্রেতাদা মথন মথা মামনা সন্দোকখি, হে শিষ্যসা! মখোইনা অতুবাবু পাম্বা ওইহনুনা থনক পুম্নমকপু শিংথিনা তৌ, অদু ওইরণদি নিংথিং। তৌবা থবক অদুগী মাহুনা মতৈ ফংনবাগী লম্বাক ওইগনি।" অমুক্তা হাঙ্গবা শ্রুতিনা তাকখি, মাহুদি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমদি লোকসিংনা অহানবদা তৌরম্বা যাগ যজ্ঞ অদুদি বেদগী মন্ত্র ভাগতা হাঙ্গবা অদু ফাইদনা তৌরমই। ব্রাহ্মণগা ক্ষত্রিয়গা অনিমক মতৈ মতৈ অমনা অমদা লৈরমই, "ব্রহ্ম চ ক্ষত্রং চ সংশ্রিতে" (ঐ ব্রা ১১) ব্রহ্মণি খলুবৈ 'ক্ষত্রং প্রতিষ্ঠিতং। ক্ষত্রে ব্রহ্ম" (ঐ০ ব্রা ০৮।২) আসনাচিংবা শ্রুতিনা তাকই। মাসুম তৌদুনা শ্রুতিসীংগী বাহৈদগী খংবা ঙমই, মাহুদি অহানবদা বৈদিক যুগতা প্রজাতন্ত্র ওইরমই, মমৈদানা অনিশুবা বৈদিক যুগতানা রাজতন্ত্র ওইখি। মতুংদা চপনা রাজশক্তিগা ব্রাহ্মণ শক্তিগা চোইনাবা হৌরকই। ব্রাহ্মণ পুরোহিতসীংনা যজমানগী মরল লৌগদবগী থবকতা তৌবকপা মসুংগী ফীদম য়াওদনা থবক তৌবকপা, যজমানসীংনসু অন্ধবিশ্বাস, কুসংস্কারনা থবক তৌরকপা হৌরকই, মাহুবু ঐতরেয় ব্রাহ্মণগী শ্রুতিসীংনা হাঙ্গই।

পুরোহিত (পুরঃ+হিত= ক্ষত্রিয়সীংনা ফত্তবা কোকুবা তৌবা থবক, ফবা হেনগৎলবা তৌবা থবক অমসুং এক্রববু মাংনবা তৌবা থনক, অসিগুম্বাবু তৌকপ্নবগী দমক মাখোংগী মমাংদা থমদুনা সিজন্নবা মী) না মমৈদা বেদবু তশা মাতবু সিজন্নবা, অদুগা মশাদি পাণ্ডিতকী বুদ্ধি লৈতবা অপংবা ওইদুনা চম্না তাথবকপতবু উন্নাইদুনা লৈবা ব্রাহ্মণসীংনা নোংমা নোংমগী পংসিনাকই, অদুগুম্বা ব শানা বুদ্ধিবু শাংদুনা অন্নবাকহতা বুদ্ধি (ওঝানা তশীবদা তেনবাওয়া মচিন্দা পুবা চিচাবদি লৈতে।) কৌই। অসিগুম্বা বামোন পুরোহিতসীং অসি ঙাক্তা হাইবন্নে। মাগোক্ অসিনা লেনগী বিচাবদি খংদহুনা উদগী তাবা মরুম পংলদুনা মাখোইনা যজমানগীদমক তৌবা থবক অদুদি ফিংম য়াওদবা, ভাব চংদবা, মান্নতা মতৌই। মপুকলিংনা যজমানগী মরল লৌগে লাইদা তিনদা থৈজিন্দুনা লৌগে চাখোক্কেতা শিংদুনা মাহু কৎলু নত্রবদি লাইনা সাওদুনা নংবু মুৎহনগনি, নপানা নপুনা লাই লৈপাক্তা সাওরগনি, মথম্বা তৌরবা সাবদি অরেমনি, অসিনচিংবা হাঙ্গিজিন্দুনা তাইবংদা মীওইবনু মাংনবগী দমক ওইরদুনা লুৎ পাৎ তৌবা মী ওইদুনা মী পুম্বনু মাংহনলকই, মাসিবু তশেং তশেং না ঐতরেয় ব্রাহ্মণ (৮। ১১) দা শ্রুতিনা হাঙ্গ,—

"যথা হ বা ইদং নিষাদা বা সেলগা বা পাপকৃতো বা
বিত্তবন্তং পুরুষমরণ্যে গৃহীত্বা কর্ত্তমন্বস্য বিত্তমাদায়

দ্রবন্তি। এবমেব সখায়িজো যজমানং কর্তমন্ত্রয় বিক্রমা-
দায় দ্রবন্তি যমনেবং বিদো যাজয়ন্তি ॥"

—কিদম থাওনবা খেন্দী থবকপু যজমানদা তৌহনবা পুরিত্তরীং অদিদি হরানবা কখতু ডাকূগা থারবনি, অমসু যজমানগী মপোৎ মতম লৌগে অসিতমি মপুকনিংদা সিংনিবদি, মাদিবু থংনা থংনা মথোইবু থবক তৌহনলি। অসুমা শাস্ত্রসীংনা হাইরকই। মাসুম তৌতুনা মুণ্ডকোপনিষৎ শ্রুতিনা হাঁঙ্গী,—

"প্লবা হ্যেতে অদৃঢ়া যজ্ঞরূপাঃ।" (মুং ১।২।৭)

—কিদম থাওনবা যজ্ঞনচিংবা থবক ময়াম অসিদি তাইবং ইপাকপু হি অকাইবা তৌংতুনা লানবনি, মীওইনা পোকপগী থংগে তাস্নিবা মকমদা থংবা ঙমগদবা নত্তে।
মাসিবু শ্রীকৃষ্ণনা গীতাদসু হাঙ্গৈরমই,—

"এবং ত্রয়ীধর্ম্মমনুপ্রপন্না গতাগতং কামকামালভন্তে।"
(গীতা, ৯।২১)

—মাসুম তৌতুনা বেদ অহুম্না তাকপা যাগ যজ্ঞ তৌবা মীনা অমোক পোক অমোক শি তৌতুনা তাইবংপানবদা হল্লম্না পোকপা কংই।

মাসুম তৌতুনা মীওইবনা ত্রয়ীধর্ম্ম তৌবা মৈদা পোংথাবা থবক অসিতবু তৌ-নায়কই, মহাক্কি বেদনা তাকলিবা অধ্যাত্মিক তত্ত্বগী প্রতীকনি, মাতুবু মীওইবনা খল্লকই, যাগ যজ্ঞনাচিংবা থবক অসিদি মপান্দা হকচাংনা লেংওৎপনি। মসিতনাদি করমনৌনা তাবং মপুবু থংবা ঙমদগে? থংবদি হকচাং মনুংদা পুকনিংনা লৌসিংনা থংগদবনি। তাইবং মপুগী মথক্পু বিচার তৌবা নত্তনদি থংবা য়াবোই অসিনাচিংবা খাথন তৌরকই। মাসুম তৌতুনা মথং মথং বিচার তৌবদগী উপনিষৎকী জ্ঞান থোরকই। হাঙ্গৈবিবা বাকম অসি ছান্দোগ্য উপনিষৎনাচিংবাগী বাহৌদোকনা চিংবদগী থংবা ঙমই। মবম অসিনা জ্ঞানবু উপনিষৎকী জ্ঞান কৌই। অমসু মহাকপু মতুংদা "বেদান্ত" হাঙ্গনা কৌরম্বি, মাদুগী অর্থদি, মমৈদা অরোইবদা হাঙ্গৈবা, অসুম্না হাঙ্গৈবনি। অদুগা মহাকপু (বেদান্তবু) ত্রয়ীধর্ম্মগী মতুংদা কোম্না ওইবা ধর্ম্ম হাঙ্গৈবা নত্তে। মা-তুদি ত্রয়ীধর্ম্মবু "মীমাংসকমার্গ" হাঙ্গনা কোম্না থোনবাওবনি।

বেদদি মাবু মীওইবনা থোকহনবা (শেষা) নত্তে। ঋষিসীংনা মাথোইগী জ্ঞানদা উর্বন। মহাক্কি জ্ঞানগী মশকনি। মহাক্কী মশক জ্ঞানবু মপানগী পোংশকতা পান্দুনা হাঙ্গৈবনি। মপানগী যাগ যজ্ঞবু ঙাক্না তৌরবদি মীওইবনা মনুংগী জ্ঞানবু কাউরকই। মতুংদা অমোক শিংসেংতুনা কংবনি, হাঙ্গৈতুনা মাবু "বেদান্ত" মিং অদি কৌবনি। মমন অদিনা জ্ঞানবু অদ্বৌবদি, হাঙ্গনা মিংবদি পণ্ডিতসীংনা তৌরমে।

অমনবু মৈতৈলোনদা "খং" হাই। মৈতৈনা অমনবু গ্যান হায়বদগী মৈতৈলোনগী ব্যাকরণদা (লা ৭৯ দা হাইনা য়া'এনা) খংখোকই *। মৈতৈনা অমাধাতবু খং হাইখিবনি। তৌইগুমসু মৈতৈগী সাহিত্যদা অমনমাগীবু "ক্যান" কৌই। মাসুমতৌদুনা মৈতৈগী প্রাচীন সাহিত্যদা অমমাগীবু য়াম্না লিংখিনা বিচার তৌই।

---

* মৈতৈলোনদা কগী মফমদা দ্রাবিড ভাষাগুম্বা খ ওইবা য়াম্না লৈ, মাতুদি,— খুরাইরমবম অসি "কারবল" দ্রাবিড় ভাষাদগী থৈখিবনি। মাতুদি কার—খার অমুবা, বল খুংগাই। "খারবল" বু সংস্কৃততা অহুবাদ তৌরবদি "কৃষ্ণ'স্ত্র"—কৃষসায় অমুবা হায়পনি, মাতুদি য়োংনা মাবা থাংতানামিংবনি। মাদুবু পাইবা মী লৈ, হায়দুনা কারবল—খারবল—খুরাইরম্বম অমসু খুরাই (পানা) অসিনাচিংবা ওই। মৈতৈলোনদা চীনগী শব্দগা লোইনাদুনা সংস্কৃতিসু য়াম্না চংই, মৈতৈগী সংস্কৃতিগী চীন তাম্না চংখি, মৈতৈ নিংথৌগী উপাধিদি বাহন অসিনি, নোংপোক মচাসীংনা মৈতৈবু পাউনা— পৌনা কৌই। মাদি চিত্রবাহন, শ্বেতবাহন বভ্রুবাহন অসিনাচিংবাগী বাহন অসি উপাধিনি। বাহনদি বহ্ ধাতুদগী থোকপনি বৈদিক শব্দ নত্তে। নোংপোকহায়মগী শব্দনি। বাহনদা বহতমু ওই, 'বা' হায়না পাগনি। চাউবাহন—চাউবহ (বা) চপ মানৈ, 'চাও' দি চৈনিক শব্দনি, মাতুদি মচাচীনদা ক্যাংচাও, নানচাও, ফুচাও, অসিনা চংবনি। অমসু দক্ষিণাত্যগী নিংথৌ সাতবাহনসীং অসু মৈতৈ নিংথৌগী থাম্না ভাক্কনি, মাদুবু পণ্ডিতসীংনা সাতবাহনবু সগোল মচা হায়বনি। অসুম্না অর্থ লেপ- নথরে। মাদুদি খৃষ্টযুগকী অহানবা চাদা দক্ষিণাত্যদা অন্ধ্রবংশগী নিংথৌ মথাম পাম্লকি, মাথোইনা ইরম্বা বাএন লাইশ্বিক (অনুশাসন) লৈরমই, মাদুদা মাথোইগী গোত্রবু বাশিষ্ঠী পুত্র, গোতমীপুত্র, অসিনাচিংবা ইরমই, অসিনাচিংবনি, থাজৈশংবদি মা- থোইগী গোত্রদি "সাতবাহন" নি, কালাপ ব্যাকরণগী সাতবাহন নিংথৌগী গোত্রনি। মাদুবু পণ্ডিতসীংগী থানাদুনা এংবদগী থংলে, "সাতবাহন" হায়বদি কোলভাষানি, অর্থ না অশ্বপুত্র—সগোনগী মচা হায়বনি। অসুম্না লেপনরে। অদুনাদি চিংনবা লৈতরে, মৈতৈ নিংথৌগী গোত্রনি শ্বেতবাহন হায়বনি। বামন শাস্ত্রগী মতুংইম্না মণিপুরগী নিংথৌদি অশ্বপতিনি, মাদুগুম্না দক্ষিণাত্যগী নিংথৌনা গজপতিনি। গজপতিগী লৈ- পাক্তা অশ্বপতিগী সাগৈনা পাম্লুবদি মণিপুরদগী সান্দোকখিবদি মরেকনা তাবনি প- ঙাম্মবী খুংইনা পিথাগুবাসগী চাকথক্তা সপ্তম্র থাংনা ল'ম্না চংখিবা মণিপুরী জাতিনি, মাথোইগী খুপৌগী কনেকমণান অকোইবী মরেকনা মোহনজোদড়োগী লৈশুংদগী কংবা চহি লৌলিংমঙ হেনলবা চকুদা। এরুথা অসিনা মৈতৈগী কৃষ্টিনা মাথোইগী পাচীনত্বগী সাক্ষী ওইরি।

সাংখ্য-মার্গ।

কপিলনা হৌদোকপাবু স্নাংখ্য কৌই, মহাক্তি জ্ঞান মথন অমমনি। মাবু মায়া কুইরবা মতমনিদি হায়বাবু বেদগী জ্ঞান মার্গগি তিন্নাদে। উপনিষৎনা তাইবংপানবা পুন্নামকপু অমত্তা শুইবা অনিত্থবা ব্রহ্মদগী থোক-পনি, হায়, অহুনা উপনিষৎকী জ্ঞানবু অদ্বৈত অমি সুদবা কৌই। কাপিলসাংখ্যনা তাইবংপানবাবু প্রকৃতিনে, পুরুষনে, অনিনা তিন্নারবা থোকপনি, হায়, অহুনা কাপিল সাংখ্যবুনা দ্বৈতী কৌই। মাসুং তৌহুনা তাইব শেম্বগী মরুদা সাংখ্যগা উপনিষৎকা তিন্নাদবনা জ্ঞানমার্গদা অমি থোকই। তৌইগুমসু মাখোই অনিবু জ্ঞানতগী মাইকৈদা এংলবদি অনিমক জ্ঞানতাক্তা শুইবনা মশা অমত্তাগুম্না জ্ঞানমার্গ হাইরগদি বৈদিক জ্ঞানবুসু সাংখ্য জ্ঞানবুসু খংনৈ। মবম অসিদগী জ্ঞানমার্গদি মহাকী মথকী কর্ম্ম মার্গগদি তিন্নাবা য়াদে, এন্নবা ন। মরম অসিদগী কর্ম্ম মার্গগা জ্ঞান মার্গগা অনি অসি করম তৌরগা তিন্নাবা য়াগদগে? হায়বা মত অমাসু থোরকপদি ময়েকনা তাবে। মরম অসিনা উপনিষৎকী যুগতা মীচং অনি থোকলে। মাহুদি বৃহদারণ্যকোপনিষৎনা চিংবনা অমসু স্নাংখ্যনা হায়, কর্ম্ম তৌবগা জ্ঞানগা অনি অসি তিন্নাবা য়াদবনি। জ্ঞান ফংলগা কর্ম্ম থাদোকপদি সুপনগী ফবতা নত্তে. থাদোক্কবা য়াদে, হায়রে। উপনিষৎ-সীংগী মবক্তা ঈশাবাস্যোপনিষৎনা চিংবনা হায়, মাহুদি,—জ্ঞান ফংলবাসু কর্ম্মদি থাদে.কফদে, বৈরাগ্য বুদ্ধি তেংহুনা কর্ম্ম তৌবগী মহৈবুদি থাদো-ক্কনি, অহুগা মপান্দা লৈদিবা থবক পুম্বাবুদি মীওইনা পানবাগী চৎনবি মতুংইন্না জ্ঞানীসু থবক পুন্নমকপু তৌদবা য়াদে, অসুম্না হায়। মাসুম তৌহুনা উপনিষৎতা মীংচং অনি থোকখি। মাহুবু উপনিষৎ ভাষ্যকার শঙ্করনাচিংবনা পুনসিন্দুনা ব্যাখ্যা তৌনবা হোৎনরমই, তৌজৈ হায়বা অহুমতাইবে, তিন্নাহনব ঙমখিদে।

মৈত্র্যুপনিষৎ।

মৈত্র্যুপনিষৎপু অধ্যয়ন তৌরগা খংবা ঙমই, মাহুদি,—কপিলগী সাংখ্যগা উপনিষৎকী জ্ঞানগা অনি অসি হৌগৎপদদি তিন্নাহ্রবাসু, য়াম্বা

মখোং ভিন্নাশিন্নাবা মৈত্র্যুপনিষৎনা হোংলে, মাদুদি, মৈত্র্যুপনিষৎনা অহা-নবাদদি সাংখ্যবু লৌত্রগা মমৈদদি কপিলগী সাংখ্যগী পারিভাষিক শব্দ পুম্নমক লৌই. অদুনা সাংখ্যগী তত্ত্ব কুনমবিমকপু স্নুপনাগী অমত্ত শ্লাইবা অনিস্নরয়া ব্রহ্মনগী থোকপনি, হায়ী, অদুম্নাদি ওইরগা কপিল সাংখ্যদি উপনিষৎকুম্না কর্ম্মবু থাবা অমসু থাবা য়াদবা অসুম্না মত অনি থোক্তে। কর্ম্মবু থাদোকউ, তৌগনু হায়ী। মাসুম তৌদুনা বৈদিক যুগতা বৈদিক ধর্ম্মদা মথন অদুম থোকাখ, মাদুদি.—

(১) স্নুপনাগী যাগযজ্ঞনাচিংবা থবক্তা তৌগনি, হায়ীবা কাংবু, অমা মাদুবু সন্না হায়ীবগা কর্ম্মমার্গ কৌই।

(২) জ্ঞান অমসু বৈরাগ্য (পামদবা) না মবম ওইদুনা যজ্ঞনাচিংবা থবকপু থাদোকনি, তৌবায়াদে, সংন্যাস (লম্বোইবা) তৌগনি, হায়ীবা কাংবু অমা, মাথোই অদুবু সন্না হায়ীরগা জ্ঞানমার্গ কৌই।

(৩) জ্ঞানযোগনা অমসু বৈরাগ্য বুদ্ধি তোদাদুনা (মহৈপান্থা থাদোক্তনা) মীওইনা পোকপাগী তৌদবা য়াদবা থবক পুম্নামকপু তৌগনি হায়ীবা কাংবু অমা, মাবু সগজিন্ন হায়ীবগা জ্ঞানকর্ম্ম সমুচ্চয় মার্গ কৌই।

মাসুম তৌদুনা প্রাচীন কালদা বেদগী ধর্ম্মদা কাংলুপ (বর্গ) অহুম থোকই। মাদুব সন্না হায়ীবগা মথক্তা হায়ীখরে, মাদুদি. ১ কর্ম্মমার্গ ২ জ্ঞানমার্গ, অমসু কর্ম্মজ্ঞান সমুচ্চয়মার্গ অসিনি। মাদুদগী জ্ঞানমার্গদা মশা (শাখা অনিমা লোংলকই, মাদুদি,—যোগমার্গ অমসু ভক্তিমার্গ অনি অসিনি।

☞ যোগ মার্গ অমসু ভক্তিমার্গনা থোকপা। ☜

ছান্দোগ্যনচিংবা প্রাচীনোপনিষৎনা হঙী, মাদুদি,— পরব্রহ্মবু থংনবগীদমক ব্রহ্মবু পুকনিংনা থন্দবা য়াদে অদুনা পরব্রহ্মবু থন্নবা (চিন্তন), নিংনবা (মনন) অমসু থাদোকপা পৈতনা য়াম্না কন্না নিংনতা লৈনবা (ধ্যান) গীদমক পুকনিংবু চিত্তব) অনি লোয়না থমদবা য়াদে। মাদুম তৌদুনা পুকনিংবু লেংনবগীদমক পরব্রহ্মগী অউবা মশাক (সগুণ প্রতীক) অমবু অহানবদা মাংদা থমগদবনি। মাদুনা তৌদুনা ব্রহ্মবু নিংঙবদি পুক্নিং অনি লোংদে, অমসু লেংদে। মাসুম তৌদুনা পুকনিং অনি লোং ননবা অমসু লেংঙনববু মতুংদদি য়াম্না কন্না তৌথি। মাদুদগী পুকনিং লাকসিনবগী মশাক যোগ কৌবা শব্দ (য়োগ, অমা থোক্লনি।

অহানবদা যজ্ঞগী হকচাংবু (অমবু—মৈ, হবি, মন্ত্র, পাত্র মচিংববু) নত্ত্রগা "ওঁ"বু পরব্রহ্মগী সগুণ প্রতীক অউবা মশক অমা ওইনা নিংলবই। মথংদমা রুদ্র, বিষ্ণুনা চিংবা বৈদিক দেবতা (বেদদা হাঙবা লাইবু) নত্ত্রগা অতিয়ানচিংবা মীওইবগী ইল্লি মনা লৌবা শুরা (সগুণ ব্যক্তবু, পরব্রহ্মগী মশক ওইনা নিংই। মাহুগী মথংদদি, পর ব্রহ্মগী সগুণ প্রতীক নিংবগী মহুত্তা মীওইবগী মশক পানবা, শিব, বাসুদেবনচিংববু নিংবা হৌই। মতম অত্তুদা ভক্তিমার্গ থোকখি।

মৈতৈগী সনাতন ধৰ্ম্ম।

মৈতৈনা ত্রয়ী ধৰ্ম্ম নত্তবা, প্রাচীন বৈদিক ধৰ্ম্ম পুম্নমক লোইনা চংলি। ধৰ্ম্ম পুম্নমক অত্তুবু মহৌশা চংলম্লগা থাদোকখিবসু তৌদে, অহানবা বৈদিক যুগত্তা চংলগা ত্রয়ী ধৰ্ম্ম কৌদবিগী ধৰ্ম্মদগী হৌত্তুনা সুপনগা ত্রয়ী ধৰ্ম্মতদি নত্তবা ভক্তি মার্গ কাউবা ধৰ্ম্ম পুম্নমক মৈতৈগী সনাতন ধৰ্ম্ম ওাকনি। হাঙবদি ধৰ্ম্মসীং অত্তুনা বৈদিক ধৰ্ম্ম দগী মথং মথং থোবকপা অত্তু মৈতৈ ধৰ্ম্মদসু অত্তুমক তৌ', মৈতৈদদি বৈদিক ধৰ্ম্মগী অহানবা মশকনা ত্রয়ীধৰ্ম্মতদি থোকখিদে। মরমদ মৈতৈদি ব্রাত্যনি, ব্রাহ্মণগী এক্ক-ষনি, অমসু বাহ্মণগা পানবা মপানি, নংনা কবিদা ঐন' কবিদা হাঙংনা ব্রাহ্মণগতা থংনত্তুনা হাবনত্তুনা লৈবা ধৰ্ম্মনি। শাস্ত্রদা ব্রাত্যগা ব্রাহ্মণগা থংনববু দক্ষযজ্ঞ ধ্বংস কৌত্তুনা রূপক তৌত্তুনা লেংই। মসিগী লানদ তাবততা এনংগৌইদগী হাঙবদি ত্রে ত্তাদগী হৌত্তুনা হুজিক কউবা তোক্কবি, সুপনগী শান চাওবা পীকপতা থেম্নবনি।

ব্রাহ্মণসীংনা ব্রাত্যবু এংথিত্তুনা বেদদা যাওবা ব্রাত্যতত্ত্ববু ওম্না মাং-হনখবে। হুজিক্তি ইচোইচোইনা বেদসীংদা মচেং মচেং ওইনা থরা লৈবা মত্তাইবে। অথৰ্ব্ববেদ সংহিতাগী ১৫ সুবা কাণ্ডদি ব্রাত্যতত্ত্ব ওাক্তনি। অত্তুনা মাবু ব্রাত্যকাণ্ড কৌই। ব্রাত্যতত্ত্ববু পুম্না মশক থংবিনিংবাসীংনা ঐথোইগী পাথংবাগী তরেংসুবা তাক্কত্তা উবিগনি, মাহুবু পাবিনবা নিং-সংজৈ। মাহুগী মথৈদি অমোক হঞ্জন্দুনা ইজবরোই। মাহুগী মথংগী মথৈদি কীৰ্ত্তনগী নৈনবা য়ানবা ইজবি। শ্রীশ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা প্রচার তৌবা ধৰ্ম্মদি, ভাগবত ধৰ্ম্মনি, ঐথোইনা হুজিক্তি মাবু গৌড়ীয় ধৰ্ম্ম কৌত্তুনা থংনরি। থাঙেংলেংবদি মৈতৈগী সনাতন ধৰ্ম্মদি মাহুনি, হাঙবদি ভাগবত ধৰ্ম্মনি, মৈতৈনা মণিপুর অসিদা ভাগবত ধৰ্ম্মবু হৌদোক্লগা অতোপপা লমদা কোম্না চংখিরনি। কাইনাথংদা শ্রীমন্মহাপ্রভুনা শ্রীভাগবতনা প্রমাণ

চূড়ামণি ওইদুনা মতম্না যোংথরকপাবু শেংদোকতুনা অমোক ফোনা শেং-দোকই, প্রভুনা মীওইবাগী কুমৈ খাদোকখ্রা তুংম্না চহি চনিরোমগী তুংদা মণিপুরদা গৌড়ু ধর্ম্মনা চংলকই মতম্না য়াহিপাঙবা মৈতৈগী সনাতন ধর্ম্মবু তুমদগী হৌদোক্লমই। হৌজিক্তি মাদুনা জয় ওইব্রি। ঐখোইগী অরাবদি শা-ক্তিদাসনা তৌরম্বা দোষনা মৈতৈগী কীর্ত্তনদা হু ওইনা চংদুনা মতম খরা গী তুংদা মাংহনগদবগী হৌরকলি। মাদুবু লৌখোকপনা মতম তঙ্গিদা মণিপুরী পুম্নমক্কী তৌগদবা থবকনি। হৌজিকপু ওইদবা হাঙ্গৈবা ওম্বা মী লৈবা হৌনবরা? এংবিয়ু, স্বর্গদা কাদুনা মুংসিং লাংবা, সমুদ্রগী লৈখাদা তুমদুনা পোংথাবা, পৃথিবীগী মচী অমদা হাকথিখনবাবু মী পুম্নমকনা তাবা ওম্বা মতমদা কনানা চোইরোনলোনবা ওম্বরা মণিপুরগী উসিত্তবা মক্কনা বৃটিশনা থাজদদুনা এংলমদবনি, মাখোইনা লুনা তৌরবদি মতিনতা য়োংথবনা মাখোইদি হেক্ক উগদবনি, ঐখোগী লাইপক থিবনা এংলমনা চংথরে; মাখোইগী শিয়সাংন্মদি শুরুনা য়ারমদে, প্রাণালিকা হোংবা য়াদে, হাঙ্গদুনা এংদরে, মাসিনা ভারতকী অদাবা ওইরকলোই হাঙ্গিংঙাই লৈতে।

শ্রীশ্রীভাগবতং।

শ্রীভাগবতপু শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাসনা লেংই। মচানিপা শ্রীশুক-দেব মহামুনিনা মপাদগী তমদুনা পরীক্ষিৎ নিংথৌদা শিরমদাইদা শ্রীগঙ্গা মপানদা তাহনলি। নৈমিষারণ্য কোবা মফমদা যজ্ঞ তৌবা শৌনকনাচিংবা মুনিগী সভাদা সুতনা শ্রীভাগবত অসিবু লৌখি, মাদু ওইনা ঐখোইনা ফংই।

শ্রীভাগবতনা ভূমিকাদা হাঙ্গ,—ঋষি পরাশরগী বীর্য্যদগী সত্যবতীগী গর্ভদা হরিকলানা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন কৌদুনা পোকই। মানা অমত্তা ওইনা পুল্লপ লৈরম্বা বেদবু ঋগ, যজুঃ, সাম অমসু অথর্ব্ব কৌদুনা মরি খোকনা খাইদো-ক্লগা মন্ত্র পুম্নমকপু অনুবাক, বর্গনাচিংবা ওইনা মথং মনাও নাইনা লেং-খোকই। মাদুদগী মাগী বেদব্যাস উপাধি অসি লৌখি। মতুংদা ভারতকোবা ফাইবংপানবদা ফাউরিবা লাইরিকপু লেংই। মাদুদা বেদগী অর্থপুম্বা হাঙ্গ-দুনা মীওইবগী নিপা মুপী শূদ্র ব্রাহ্মন খাইদনা বেদগী অর্থবু খংহনলি। মাদুনা হৌজিক্তি ভারতকী মুক্তরবা বিশ্বকোষনি।

ভারত লৈবা তুংদা ব্যাসনা পুর্ব্বনিংদা মহাকন্না তৌখিরিবা থবকপু (ভারত লৈংবাদু) কন্নে, হাঙ্গৈবা থাজদরে। মাঙ্গী চিংনবনা মাগ্না ব্রাহ্মণনা লৈরিঙৈদা ব্রহ্মাদি মকা শ্রীনারদনা ব্যাসদেবগী নাকদা লেপ্লকলে, বাপ! নংনা মহাভারত লৈবদু অম্ব মাঙ্গ, শ্রীভাগবত লেংউ, হাঙ্গিত্তুনা তাকলৈ, অদুনা ভাগবতপু মাঙ্গ মগ্না ব্যাসদেবনা থাকই। শ্রীনারদনা লেপ্ত্রুবদা ব্যাসদেবনা শ্রীভাগবতপু লেংই, অদুগা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গী। মাসিদগী ঐথোইনা খংবা ওমদে, মাদুদি,— মহাভারতকা শ্রীভাগবতকা অমি অমি, থাদোক্নবা মাদবা মরিশলনৈ, মগ্না হাঙ্গিরবদা শ্রীভাগবতনা মহাভারতকী অলৌকিক সংস্করণনি। অনিরুক মথা অমত্তন। নিপা অমত্তনা ইবা লাইরিকনি।

শ্রীমন্মহাপ্রভুনা শ্রীভাগবতকী মত্ত মতুংইন্না শ্রীমধ্বাধব গুরুদগী লাকপা গৌড়ীয় ধর্ম্মবু লেংদোকলমই, প্রভুগী ধর্ম্মবু মৈতৈনা লৌ, অদুনদি মমেকনা তারে, মৈতৈগী কীর্ত্তনবু অমসু মৈতৈগী ধর্ম্মবু মশক খংগে হাঙ্গিরবদি বেদ, মহাভারত, শ্রীভাগবত, গৌড়ীয় ধর্ম্ম অমসু মৈতৈগী ধর্ম্ম মঙা অসি থানত্তনা এংবা তাই। মরম অসিদগী কু জিক্তি মথল মঙা অসি থানত্তনা এংসি, মাসি এংবদা ঐথোইনা ভাষা বিজ্ঞানগী মত্তেং লৌবা তারে অমসু ওম্মথৈ সুপচিন্না এংবা তারে। অহানবদা শ্রীশুকদেব মহামুনিবু এংসি।

শ্রীশুকদেবগী পরিচয় থিবা।

"শুকদেব" মিং অসি দেবদি উপাধিনি, মানা শুকবু ব্রাহ্মণনি তাকপনি। মহাকপু "শুকদেব শর্ম্মা" হাঙ্গিবদি মাদে। অথর্ব্ববেদ চৎপাবু শর্ম্মা হাঙ্গি, ঋগ, যজু সামগী ত্রয়ী ধর্ম্ম চৎপবু দেব হাঙ্গি। ভক্তিক্তি বাক্ষেনপুরা দেব শর্ম্মা হাঙ্গি। মাসিদগী খংলে, শুকদেবগী মত্তমদা অথর্ব্ববেদপু মাওদনা ত্রয়ীধর্ম্মতা চৎলমই, বেদবু অহুম ওই না লৈরমই অদুনা শুকদেব শর্ম্মা হাঙ্গিনদে। বেদবু মরি কাঙ্গা অথর্ব্বগা লোইনদা চং নাবদা ব্রাহ্মণগী দেব শর্ম্মা হাঙ্গিবনি। মাসিদগী শুকদেবনা পোকপা মতম চিংনবা লৈতনা খংলে। মাদুদি বেদমু মরি হাঙ্গিনকরিঙৈ, অহুম হাঙ্গিবিঙৈদা পোকপনি।

"শুক" মিং অসিগী মহাভারতনা নির্ব্বাচন তৌই। মাদুদি

> "অরণীং মমন্থ ব্রহ্মর্ষিস্তস্যাং জজ্ঞে শুকো নৃপ।
>
> শুক্রে নির্ম্মথ্যমানে স শুকো জজ্ঞে মহাতপাঃ ॥"

ব্রহ্মর্ষি ব্যাসনা মৈবা চিংই, মাদুদা শুক পোকই। শুক্র (বীর্য)দু মৈবা চিংবদা তরুপদা অকমবা তপ তৌবা শুক পোকই। হাঙ্গিবদি "শুক্র"গী র মাংখিদুনা শুক কৌই। অদুমদি "শুক" অর্থনা অকলে, মাদুদি ব্যাসনা মেহ চাঙ্গা মৈ, ঊনিং, মু সিং, লৈপাক, অতিয়া পঞ্চভূতকা মাপরা মচা অমা পোকে হাঙ্গিদুনা তপস্যা তৌই,

মহাদেবনা পেন্নহুনা মচা পৌখ্রই, হাঙ্গইহুনা বর পীরে। ব্যাসনা যজ্ঞ তৌনবা অরণি (মৈবা চিংনবা সিঙ) অনি তকনখ্রিঙেদা ঘৃতাচী লাইগী জগোইসাবীনা শুকী কোৎ-খী শ্নুপীগী মশক ওইহুনা লাকই। মাবু উবদগী ঋষি ব্যাসনা পুকনিং লাকসিনবা ওমহরে, অপ্সরানা ব্যাসগী হকচাংবু হুখিদনা মৈবা চিংবা সীঙ মণক্তা বীর্য তারে। বীর্য অদুবু মৈবা চিংবনা অঙাং ওইহুনা পোকই, অদুনা শুক্র (বীর্য) না ওইবনি হাঙ্গই-না। শুক্র কৌবদগী "শুক" হাঙ্গখিরনি। মহাকনা পোক্লগা গঙ্গানা মূর্ত্তি পান্দুনা থো-রকতুনা মকোক্তা গঙ্গাজলনা চাইথহুনা অভিষেক তৌই। মহাদেবনা দুর্গাগা লোইননা লাকহুনা উপনয়ন তৌই, মহাদেবগী শিষ্য ওইহুনা নোঙুণ থাংবী।

মাহুম তৌহুনা ইন্দ্রনা কমণ্ডলুপী. রহস্যগা লোইননা বেদ পুম্নমক্কা শুকদা চংহুনা লৈবে। শুকনা বৃহস্পতিবু গুরু ববিহুনা বেদ পুম্নমক তমই। শাস্ত্র অতোপপা পুম্নমকপুসু তমই, গুরুদক্ষিণা তৌই। বিদ্যা পুম্বা তম্বা লোইরবদা মপা ব্যাসনা তাক্ত্না মিথিলাদা চত্নুা জনক নিংথৌদা মোক্ষ ধর্ম্ম তম্বা চৎলি, অদুগা অমোক মপাগী নাক্তা হল্লকই।

শুক্রদি বীর্যবু হাঙ্গ, শুক হাঙ্গপ্রবদি অর্থ হোংখরে, তেনরা হাঙ্গ-খরে। মাহুগী মতুংইন্দুনা শুকনা পোকপাগী রারি অতোপপা অমা থোক-খরে। মাহুদি পার্ব্বতীনা শ্রীভাগবত তানিংহুনা শ্রীমহাদেবদা লিবিয় হাঙ্গ। মহাদেবনা কৈলাস চিঙদা লৈবা জীব পুম্বা তানথোক্লগা পার্ব্বতীদা শ্রী-ভাগবতপু মহাদেবনা লিহুনা তাহনলি। উথুম অহোবদা লৈবা তেনরামরুম অমাবা অমা লৈ, মাদি শ্রীভাগবত কথাগী অমৃতবু তারদগী হিঙ্গৎলকলে, মজবা দিব্য মূর্তি অমা ওইরহুনা শ্রীভাগবত তাবা য়াওরে, দুর্গাদি খরা তারম্লগা তুমখবে। তেনরানা দুর্গানা তুমপ্রবদি মহাদেবনা শ্রীভাগবত তো-কপ্রগনি, কিরহুনা তেনরা অহুনা দুর্গা সারহুনা রারিগী মতাং মতাং খুদিংদা "ওমোম্ ২" হাঙ্গহুনা খুমই, শ্রীভাগবত লোইরহুনা মহাদেবনা এংলকপদা তেনরানা ওনবা দিব্য মূর্তিনা দুর্গা সারম্বা উরে, মহাদবনা কাগে হাঙ্গহুনা তাম্নারকপদা ব্যাসগী মতু শুকীগী গর্ভদা পাইসিনখবে। মানা শুকদেব ওইহুনা ব্যাসগী মচা ওইনা পোকই, অমুম্না সংহিতা শাস্ত্রনা অর্থ অতো-পপা অমা পুথোকখরে। অতোপপা শাস্ত্র অমনা হাঙ্গ, শুকদেবনা মমাগী গর্ভদা চহি ১৬ লৈখরে, ব্যাসনা শ্রীকৃষ্ণদা তাকলুরে, শ্রীকৃষ্ণনা লেৎলক-

মহুৎ গর্ভদা হংবনা মায়া করক্তা পোকফিংমে, মায়া খাদোকওঁ অদুগা পোক্লক হায়ৈয়ে, শ্রীকৃষ্ণনা ব্যাসগী মচা অসিনা ওাংবদি তেনবা মাদ্রি, মফিং তেনবা কৌ, হায়না খোল্লমই, শ্রীকৃষ্ণনা তাইবংপুম্বাদু মায়া ওইহাক্তং থাদোক্লই মতম অদুগা শুকদেবনা পোকই। শ্রীভাগবতনা হায়ি, শুকদেবনা হেক পোকপাগা করি অমত্তা তৌদনা পোকপাগী লেংদোকপী সংস্কার অমত্তাসু তৌদনা চংখি। (চূড়াকরণ, উপনয়ণনা চিংবাসু তৌদরে) মপা ব্যাসনা মচাবু মুংশিবনা খাংব. ওমত্রদুনা হো ইচা ২ হায়না কৌদুনা তানখি, উ ময়াম্না শুকদেব সাদুনা "হো ইচা ২" হায়না খুমই, ফি য়াওদানা ঈসিংদা সাম্নবী নাইগী মুপাসীংনা শুকদেবনা মনাক্ত চংপদি এংদুনা লৈ, ব্যাসবু উরগদি ইকাইদুনা মফি সেংলি, ব্যাসনা হংবদা হায়মকই, নচাদি নিপা মুপানি, হায়বা খংদে, নংদি থংই, অদুননি, নচাবু তারাবদি কংলোই, মযুমদা নিংসিংলগা হেক্তা লাকনি। অতোপদা হায়, ব্যাসনা মচাবু নিংসিংবগা শুকনা হেক্তা লাকই, শ্রীভাগবত পাঠ তৌবা তারগা শুকনা মপাগী মনাক্তা তাদুনা লৈ শ্রীভাগবতপু মচাদা তম্বী। অসিনি, শুক্র = শুক মিংদা র মাংখিবদা য়াথি ময়াম অসি শাস্ত্রদা পুথো-কখিবনি।

শ্রীভাগবত তাবা "পরীক্ষিৎ" মিং অসিবু মহাভারততানা "পরিক্ষিৎ" কৌই, শ্রীভাগবতনা য়দা ঈ, মহাভারততানা য়দা ই, ওপই, মানদে। মিং মামদবগী অর্থসু মানদে মাদুগী য়ারিসু মানদে, মহাভারততা হায়ি, পরিক্ষিৎনা পোকপদা শিনা তাই, শ্রীভাগবতনা হায় হিংনা পোকই।

মহাভারততা হায়,— ১। অভিমন্যুগী মচানা অশ্বত্থামাগী ব্রহ্মাস্ত্রনা চাক্ত্ন শিনা পোকলে, অংাইবহ অমাইবীসীংগা হিংঅবা হোৎনবদা হিংদ্রে, শ্রীকৃষ্ণনা লেংশিনহন্না হিংঅবা হোৎনবদা শিনরে. হিংলে, মাদুদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়, "পরিক্ষিণেকুলে যস্মাজ্জাতোহয়মভিমন্যুজঃ। পরিক্ষিদিতিনামাস্য ভবত্বিত্যব্রবীৎতদা।"— অভিমন্যুগী মচা-না যাইগ্নে লোইরবা মতমদা পোকই অদুদা যাগী মিং পরিক্ষিৎ = "পরিক্ষিৎ" কৌবা ওইগনু অসি হায়দুনা মমিং থোক্লি।

শ্রীভাগবততা হায়,— ২। অতাং অসিনা উত্তরাগী গর্ভদা লৈরিবা অশ্বত্থামা-না ব্রহ্মাস্ত্র কাপলকদুনা গর্ভ মনুংদা মাবু চাকই। শ্রীকৃষ্ণনা গদা পাইদুনা মুংগী

মরম চাওবা চেকপুক্তুদা গর্ভ মালদা অন্তং অজবু কনবি, অর্থাৎ অতুনা মতম অতুদা থা তুনা সুবহনা মাবু কনবিবা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীমূর্ত্তিনু এবই, মতম অহুদা শ্রীকৃষ্ণনা মাংথ-রে। মতুংদা অর্থাৎ অতু পোকলে, হিংনা পোকই, সিদে। অর্থাৎ অতুনা পোকলগা মানা গর্ভদা উৎখিবা শ্রীমূর্ত্তিবু থিহুনা মী থুদিংদা কোইনা ২ এবই হাইহুনা পরি+ ঈক্ষিৎ—পরীক্ষিৎ কৌই। আসুম তৌহুনা মশ ইকাইনা দীর্ঘজীবী ওইনা হোংবদা ইদান মামদবা অর্থ মরি লোকই।

মাসুম তৌহুনা মহাভারতকী পাত্র পাত্রীসিংদা শ্রীভাগবতকী পাত্র পাত্রীগা মিংহুহি চপ মাদবা মাওই। শ্রীকৃষ্ণ, পঞ্চপাণ্ডব, ধৃতরাষ্ট্র, বিদুর, কুন্তী, অসিনচিংবা মামা মাওই। পুরমক অতু মিং ময়েকসু মাদৈ, থোদোথৌসু মাদৈ, তৌইশুবসুং মথং মরাওঙ্কারা ইমান্না কায়রে। মূলকথাদা,—

মহাভারতনা হাঙ্গি,— ৩। শ্রীকৃষ্ণনা স্বর্গারোহণ ওইদ্রিঙেদা চহি মারা মাঙনা ধৃতরাষ্ট্র, গান্ধারী, কুন্তী, বিদুর, মাপোইনা মনদা চৎখ্রি, পঞ্চপাণ্ডবনা মিনহুই, চহি থরা লৈরগা বিদুর সি, থুরা লৈরগা ধৃতরাষ্ট্র, গান্ধারী, কুন্তী সি। অতুগী মতুংদা মতম কুইনা লৈরগা শ্রীকৃষ্ণনা স্বর্গারোহণ ওই। শ্রীকৃষ্ণনা স্বর্গারোহণ ওইরবদাই দা দারুক সারথিবু হস্তিনাদগী অর্জ্জুন কৌহনলি। অর্জ্জুনগী তুংদা শ্রীকৃষ্ণনা স্বর্গারোহণ ওইরমলে, অর্জ্জুননা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রাদ্ধবু মতম তৌই, অতুগা দ্বারকাগী প্রজাপুরা পুহুনা হস্তিনাদা লাকই। লমথাংদা পরাকমা অকুনা অমাথা মুখহৌই। অর্জ্জুনদা হস্তিনাদা হুংলগা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডব মঙানা দ্রৌপদীগা লোইননা স্বর্গদা চৎখি।

শ্রীভাগবতনা হাঙ্গি,— ৩। যুধিষ্ঠিরনা শ্রীকৃষ্ণগী পাউ তাদবা কুইরে হাইহুনা অর্জ্জুনবু দ্বারকাদা চৎহনখি। হন্নক্তরে, থা তরেৎ সুথরে, বিদুরনা প্রভাসতীর্থদা উদ্ধব উনবদা পাউ হংই,— উদ্ধবনা শ্রীকৃষ্ণ স্বর্গারোহণ ওইথরে তাকই। বিদুরনা মহাক্তা ধৃতরাষ্ট্রবু লৌরহুনা অহিংদা লোমা ধৃতরাষ্ট্র, গান্ধারী পুহুনা বিদুরনা চৎখি। শ্রীনারদনা যুধিষ্ঠিরদা নপাঙ্গি গুসি ফুরেৎনি সুমদা সিগরি মাঙ্গলীসু সিগনি, তাক্ল-মই। অর্জ্জুন হুংলরে শ্রীকৃষ্ণ স্বর্গারোহণ ওইরে, তাক্লরে, পাণ্ডব মঙা স্বর্গাদা দ্রৌপদী লোইননা কাখি। কুন্তীসু মতু মাংগ তুমথরে, তাবদগী লেহ থাদোকই।

সমীক্ষা— মহাভারতকা শ্রীভাগবতকা থানাতুনা এংবাদগী থংলে, মাহুদি— ভাষাবিজ্ঞান (Philologo) গী মাএর মতুংইননা হোংকলরি, মতুদা মথা অমগুনি। মাসিবু চৎনবিদা হাঙৈরবদি শুগ মিতমনা মহাভারতপুনা তৌরি, মদা অমগুনি। মাহুদি লেনগী শাখা তিররবাকুরি। মহাভারত অমসুং শ্রীভাগবতকী পাত্র পাত্রীসিংগী কথা দা মাহারমাওম নিংবা অসিগুম্বা, মর্দাঙ্গ মাহারবাগুম মিই, মতুংদাসি মথা অমগুনি। মুনগী মমক ভাগবতমর্বু উংদি।

মহাভারতনা হাঙৈবা ভাগবত-ধর্ম্ম।

মহাভারত শান্তিপর্ব্বদা নারায়ণীয়োপাখ্যানদা জনমেজয়দা বৈশম্পায়ননা হাঙৈ, –

নারদেন তু সংপ্রাপ্তঃ সরহস্যঃ সসংগ্রহঃ।
এষ ধর্ম্মো জগন্নাথাৎ সাক্ষাৎ নারায়ণান্নৃপ ॥
এবমেষ মহান্ধর্ম্মঃ স তে পূর্ব্বং নৃপোত্তম।
কথিতো হরিগীতাসু সমাসবিধি কল্পিতঃ ॥

ভাগবত ধর্ম্ম অসিবু শ্বেতদ্বীপ্তা সংসংবা শ্রীনাবায়ণদগী নারদনা কংই, অথোইবা ধর্ম্ম অসিবু হে নিংথৌ জনমেজয়। অহানবদা ভগবদ্গীতাদা সুপচিন্না হাঙৈখরে অসিনি, মতুংদা মাসিমাসু, হাঙৈ,—

ত্রেতা যুগাদৌ চ ততো বিবস্বান্ মনবে দদৌ।
মনুশ্চ লোকভৃত্যর্থং সুতায়েক্ষ্বাকবেদদৌ ॥
ইক্ষ্বাকুনা চ কথিতো ব্যাপ্য লোকনবস্থিতঃ।
গমিষ্যতি ক্ষয়ান্তে চ পুনর্নারায়ণং নৃপ ॥

ত্রেতা যুগগী অহৌবদা বিবিস্বান্না মনুদা পী মনুনা মীওইবাগী পুবা য়াননবগীদমক মচা নিপা ইক্ষ্বাকুদা পী, ইক্ষ্বাকুদগী মীপুম্নামকতা সন্দোকখি। অদুগী মতুংদা প্রলয়দা ধর্ম্ম অসিনা শ্রীনাবায়ণদা অমোক হন্না চংখিনি।

শ্রীভগবদ্গীতানা হাঙৈবা ভাগবত ধর্ম্ম।

ভাগবত ধর্ম্মবু গীতানা যোগ কৌরে। গীতাগী অধ্যায় মরিসুবদা ভাগবত ধর্ম্মগী মথং মনাও লাকপাবু শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা তাকই,

ইমং বিবস্বতে যোগং প্রোক্তবানহমব্যয়ং।
বিবস্বান্ মনবে প্রাহ মনুরিক্ষ্বাকবে ব্রবীৎ ॥
এবং পরং পরা প্রাপ্তমিমং রাজর্ষয়োবিদুঃ।
স কালেনেহ মহতা যোগো নষ্টঃ পরন্তপ ॥

ঐনা বিবিস্বানদা যোগ অসিবু তাকখি, বিবস্বাননা মনুদা তাকই, মনুনা ইক্ষ্বাকু নিংথৌদা তাকই। মাদুম তৌদুনা মথং মথং ইখাকু ফাউবানা ফংলকপা যোগবু কুইরবা মতমদা মাংহনখরে।।১।২।

স এবায়ং ময়াতেহদ্য যোগ প্রোক্তঃ পুরাতনঃ ‖
ভক্তোহসি মেসখাচেতি রহস্য হ্যেতদুত্তমং ‖ ৩ ‖

পুরাতন ওইবা (কুইরবা) অদুগুম্বা যোগবু হৌজিক ঐনা নঙোন্দা হায়রি, নংদি ঐগী ভক্তনি, সখাসুনি, মবম অসিনা পুম্নামক্কী অথোইবা অথুপ্পাবু তাকলিবনি। ৩।

শ্রীভাগবতনা হায়রিবা ভাগবত ধর্ম্ম।

শ্রীভাগবতনা ভাগবত ধর্ম্মগী সম্প্রদায়গী মথং মনাওবু হায়রি, মাদুবু ব্রহ্মাদগী হৌনা লৌখংলবদি, মাসুম্না থোকই, মাদুদি,—

শ্রীভাগবত (৫।১ না হায়রি, ব্রহ্মানা স্বায়ম্ভুব মনু পোকই। স্বায়ম্ভুব মনুনা প্রিয়ব্রত পোকই। মহাকনা মচানিপা তরা পোকই।

মাদুদি,—আগ্নীধ্র, ইধ্মজিহ্ব, যজ্ঞবাহু, মহাবীর, হিরণ্যরেতাঃ, ঘৃতপৃষ্ঠ, সবন, মেধাতিথি, বীতিহোত্র, অমসুং কবি, মাথোই তরা অসি, মৈ তরাগী মিংনা মমিং থোনবনি। মাসিগী মনুংদা কবি, সবন অমসুং মহাবীর অহুম্না ঊর্দ্ধরেতাঃ ওই। মাথোই অহুম্না অঙাং ওইরিবৈঙেদগীনা আত্মাবিদ্যা তমদুনা পারমহংস্য আশ্রমদা চংখি।

প্রিয়ব্রতনা অহিং নৈহনলোই হায়রিদুনা চুমিংনা তাথিবগা মানা থোকদুনা চুমিং ৭ নি বগ তোংনা পৃথিবীবু কোই। ব্রহ্মানা থামদুনা তোকখি। মাগী রথগী কাংথোঙনা চংখিবগী মফম তরেংনা সমুদ্র তরেং ওইদুনা দ্বিপ তরেং থোকখি। মচা তরেংনা দ্বীপ অমমম্গী নিংথৌ ওই। ইখাই পুম্নমক্কী অহন আগ্নীধ্রনা চুমহি সমুদ্রনা কোইবা জম্বুদ্বীপ অসিগী নিংথৌ ওই।

আগ্নীধ্রগী মচা মাপন পোকই, মাদুদি, নাভি, কিংপুরুষ, হরিবর্ষ, ইলাবৃত, রম্যক, হিরন্ময়, কুরু, ভদ্রাশ্ব, অমসুং কেতুমাল অসিনি। মাথোই মাপল অসিনা জম্বুদ্বীপবু মচুং মাপল থোকনা থাদোকদুনা খণ্ড (মচুং) মাপনগী মপু ওই। মাপনগী অহম নাভিনা মচা পোকপী মেরু দেবী হৌবী মতুংগা লোইনদুনা ভগবানবু লাংলি। মাদুনা শ্রীহরিনা মহাক্কী নিংথিজরবা শ্রীমূর্ত্তি পুখোকদুনা থোরকই মাদুনা নচাকা চপ মাদ্রবা ইচা পোকচগে হায়রিদুনা বরনি। ভগবাননা মহাক্কা মায়বদি লৈতবনিনা ইবুঙো মহাকমকনা নাভিগী মচা ওইদুনা মিংনা "ঋষভ" হৌদুনা শ্রীহরিনা অবতার তৌই।

মাতিগী মচা ঋষভদেবদি সংসারা লৈরম্মিনি। মাগী জয়ন্তী কৌমী ভার্য্যাগী মচা নিপা চামা পোকখি, পুরুসকী অতেনবা ভরত কৌই। মাগী মাপানবা মমনদগী মাদী নিং দগী লৌতুনা বর্ষ অসিবু ভারতবর্ষ কৌই। ভরতকী মথং মাপন অমসুং অতৈ মতুং ইরম্নি। মাতুদি— কুশাবর্ত্ত, ইলাবর্ত, ব্রহ্মাবর্ত, মলয়, কেতু, ভদ্রসেন, ইন্দ্রস্পৃক্ বিদর্ভ অমসুং কীকট মাখোই অসিনি। মাপন অসিগা ভরতকা থানা তরা ওয়ে। লেমহৌবা মরিক্কু তরা লৈরি।

ঋষভগী মচা মরিক্কু তরা অতগী মঙৎপা অহানবা মাপননা কবি, হবি, অন্তরীক্ষ, প্রবুদ্ধ, পিপ্পলায়ন, আবির্হোত্র, দ্রবিড়, চমস অমসুং করভাজন মাখোই মাপন অসিনা ভাগবত ধর্ম্ম তাকপা, মহাভাগবত ওইবা যোগীনি। মাখোই মাপননা মিথিলাগী নিংথৌ জনকতা ভাগবত ধর্ম্মবু তাকই। মাদুবু শ্রীনারদনা বসুদেবদা তাকই, অসুম্না একাদশ স্কন্ধদা হাঙ্গী

মাতুগী লেমহৌবা ঋষভদেবগী মচা মরিক্কু মাখোইনা কর্ম্মতন্ত্রবু মন্নোকপা ব্রাহ্মণ ওংখি, অসুম্না শ্রীভাগবত পঞ্চম স্কন্ধদা, হৌবদগীনা অধ্যায় মরিনা হাঙ্গী। মাসিনা— শ্রীভাগবতনা তাকপা "ভাগবত ধর্ম্মগী" সম্প্রদায়গী মথং মনাওনি।

সমীক্ষা।—মহাভারতকী নারায়ণীয়োপাখ্যান, শ্রীভগবদ্গীতা অমসুং শ্রীভাগবত অদুমগী ভাগবত ধর্ম্ম অদুম থানাদুনা এংবদগী খংলে, ১। মাদুদি ভাগবত ধর্ম্মদি রাজর্ষিসীংনা তৌবা, হৈরকপা ধর্ম্মনি, ব্রাহ্মর্ষি সীংগা রাজর্ষি সীংগা জ্ঞানগী মরমদা চপ মান্নবমই। ভাগবত ধর্ম্মদি ক্ষত্রিয়না তাকপানি, ব্রাহ্মণনাসু—ধর্ম্ম অসিবু ক্ষত্রিয়দগী তময়ই, মাদুদি শুকদেবনা চিংবনা রাজর্ষি জনকতগী তময়ই। অসিনা চিংবনি।

২। নারায়ণীয়োপাখ্যানদা হাঙ্গী, ভাগবত ধর্ম্মদি নারায়ণদগী থোকপনি, যুগ লোইবগা নারায়ণদা অমোক চংগনি। বিবস্বান্না, মনুদা, মনুনা ইক্ষ্বাকুদা তম্বী মাসিনা খংহনলি, শ্রীনারায়ণনা বিবস্বান্দা, বিবস্বান্না মনুদা, মনুনা ইক্ষ্বাকুদা তম্বী। গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গী, শ্রীকৃষ্ণনা বিবস্বান্দা, বিবস্বান্না, মনুদা মনুনা ইক্ষ্বাকুদা তম্বী, মাদুদগী রাজর্ষি সীংনা হৈ, অসি হাঙ্গীদুনা শ্রীকৃষ্ণ=নারায়ণনি। ৩। গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গী,—জনকনা চিংবা নিংথৌসীংনা ভাগবত ধর্ম্ম চংলি, হাঙ্গী। তোইগুমসু ইক্ষ্বাকুনা জনকতা তম্বীদি হাঙ্গীদে। জনক নিংথৌদি নিমিগী মচানি, ইক্ষ্বাকুগী মসুনি। শ্রীভাগবতনা হাঙ্গী,—জনক নিংথৌদা ঋষভদেবগী মচা যোগী মাপননা ভাগবত ধর্ম্ম তম্বি, হাঙ্গী। জনক নিংথৌদি মিথিলাগী নিংথৌ, নিমিগী মচানি। মাতোম্না ভাগবত ধর্ম্ম তম্বিবা মুষ্বেগীদি ঋষভদেবগী মচানি। ঋষভ দেবদি মনুদেবগা মতম মারুপকী

অবতারনি। মহাভারতকী মতমদদি অনিশুক পোক্তনি, জনক নিংথৌদি মহাভারতকী মনাংদা মিথিলাদা পানখিনমি। মাসুপ মাম্না খেন্নাগ্রবা অসিবু শ্রীভাগবতনা যুগ অমদা পানখিবা নিথৌদা ইকুইসু কুইদরিবা নবযোগীনা ভাগবত ধর্ম্ম তত্ব হাঙবা অসিদি মপানদদি লাক্লবা ওইমু ডাই। হুভিক্তি কলিযুগসু চহি লীসিং মডা হেন্নে। নবযোগীদি চহি লীসিং অনি চানঙা মকপু সুদার। গুরাংতা কলি যুগতা পোকপনি। জনক নিংথৌদি ত্রেতাদা পানখিবা নিংথৌনি, মরক্তা যুগ অনিনা খল্লবা অতুপকুইগ্রবাদু যুগ অনিগী তুংদা পোকপা যোগী মাপননা ভাগবত ধর্ম্ম তত্ব; অসুম্না শ্রীভাগবতনা হাঙবা অসিনা ভগবত ধর্ম্মবু ব্যাখ্যা তৌবনি লানবা নত্তে। অসিগুম্বা শাস্ত্রগী অথুপপা অসি পুথোক্তরিবা মথৌ, মৈতৈকীর্তনগী চান্নবা মশক উবা ঙম্নোই।

ভাগবতধর্ম্মগী সমন্বয় তৌবা।

শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা ভাগবত ধর্ম্মবু যোগ কৌদুনা তাকই। মবমদি জ্ঞাননে, কর্ম্মনে, অমসুং ভক্তিনে, অহুমগী তিন্নাসিনবা পূর্ণযোগবু যোগ বাহৈ অসিন খংহনবনি, (১) মাতুনা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা তাকপা ভাগবত ধর্ম্মগী মশকনি, মরমসিনা মাবু গীতাদা যোগ কৌই। যোগ অসিবু শ্রীকৃষ্ণনা "অব্যয়' = মাংদবনি, হাঙী, "প্রোক্তবানহমব্যয়ং" মাতুদি শ্রীকৃষ্ণনা কুরু ক্ষেত্রদা অর্জ্জুনতদা তাকপা নত্তে, মহৌশানা লৈবনি, মহৌশাগী লেংদবনি। বেদদা সনাতন ধর্ম্মবু হাঙী, মাতুগী অরোইবা অমসুং মচিনা শ্রীকৃষ্ণনা গীতাদা তাকই, মরমসিনা শঙ্কর স্বামীনা হাঙী, "অস্মিন্ বেদার্থ পরিসমাপ্তঃ" স্বামী বিবেকানন্দনা হাঙী, "স্বয়ং ভগবান্ গীতায় বেদের চরম ভাষ্য করিয়া দিয়াছেন" যোগ অসিবু কল্প ২ খুদিংদা ফোংদোকই, মীওইবাবু মানা অমৃত = সিদবগী লম্বেনবু চিংবি। অমোকসু মতম অমদা মাংই। মতম অমদা ভগবাননা অবতার তৌদুনা যোগবু অমোক লিংখৎলে, মহাভারতনা মহাকপু নারায়ণীয় ধর্ম্ম, ভাগবতধর্ম্ম, শাশ্বতধর্ম্ম, অসিনাচিংবা মিং কৌই। অসিগুম্বা ধর্ম্ম অসিবু মহাকনা ডাকই, হাঙীদুনা গীতাদা শ্রীভগবানবু শাশ্বত ধর্ম্ম গোপ্তা কৌই, যুগ খুদিংদা ধর্ম্ম অসিবু করম্না সন্দোকপগে? হাঙীবাবু শান্তিপর্ব্বদা য়াম্না সঁন্দোকনা হাঙী, মাতুদি ত্রেতা যুগকী হৌগৎপদা "বিবস্বান্না মনুদা মনুনা মীওইবগী হিংতুনা

(১) শ্রীনলবর্ণরায় বৃহদ্গীতা ৪।১ ব্যাখ্যা।

পানবা য়াননবাগীদমক মচা ইক্ষ্বাকুদাপী. ইক্ষ্বাকুদগী মীওইবনা মথং ২ লৌহুন সন্দোকই” (মথক্তা তাঙৈগ্রবা অহুনি) মাসিদা গীতানা হাঙৈবনা বিবস্বান্দা শ্রীকৃষ্ণনা তাকই, অসিতা হেন্দোকই, মাহুমা হাপলগা দি মপুং ফারে। মহাভারতকী নারায়ণীয় ধর্ম্মদদি বিবস্বান্দা তাকপা য়াওদে।

শ্রীকৃষ্ণনা বিবস্বান্দা তাকপা।

মাসিগী অথুপ্পা অর্থবু মাসুম্মা তৌগনি, মাহুদি, তাইবংপানবা অসি মথক অমা, অমসু মথা অমা অসুম্মা অনি থোকই। মথক থংবদা সৎ, চিৎ, অমসু আনন্দ অহুম অসিনা মথক থংবা দিব্যজগৎ=ঈশ্বরগী মকমনা ওই। মথাগা জগৎ—তা বংনা মন, প্রাণ অমসু দেহ অহুম অসিনা ওই, মাসিবু চৈতন্য চরিতামৃতকাবনা মায়াধাম কৌই। ঐথেহনা তাইবংপানবা হাঙৈবগা থংনবিবা দসিনা মচাকনি। মাসিগী বাংমদা লৈবা মথক থংবা তাইবং অহুবুনা ঐথোহন্যা লাইরেবাক, গোলোক বৃন্দাবন, বৈকুণ্ঠ অসুম্না বৈষ্ণবসিংনা কৌই। হাঙৈরিবা তাইবং অনিসিবু বিজ্ঞান কৌবা পোৎশক অহুনা লস্থুংওয়া লেংসিনহুনা তিমহ লি। মহাকপু (বিজ্ঞানবু) বেদনা সত্যং, ঋতং, বৃহৎ কৌই (১)। তাইবংপানবা পুম্নমক অসিবু শেমলবা পোৎশক অহুগী মূল (মক) গী মশকতি (মূল তত্ত্বদ) বিজ্ঞান অসিনি। মহাকনা দিব্যধাম—গোলোক বৈকুণ্ঠদগী মায়াধামদা চংলকপদি ঐথোইগী মুমৎ অসিনা লম্বেন ওইহুনা চংলকই। অহুগা হুমিৎতগী থোরকতুনা তাইবংপুম্বদা চংলকই। অহুগা তাইবং পুম্নমকসিগী মহুংদা বিজ্ঞাননা চংই। মাবু মাখান্না কুপসিনহুনা লৈ।

মাসুম তৌহুনা বিজ্ঞাননা হুমিৎতা চংবাবু শ্রীকৃষ্ণনা হাঙৈ “ইমং বিবস্বতে যোগং প্রোক্তবানহমব্যয়ং”—ঐনা অমাংবা লৈতবা যোগবু বিবস্বান্দা তাকই। অঙ্কাগী তনেৎ সুবা মপোকতা হুমিৎপু বিবস্বান্ কৌই (২)।

বিবস্বান্না মনুদা ভাগবতধর্ম্ম তম্বিবা।

“বিবস্বান্ মনবে প্রাহ”—পুরাণ শাস্ত্রনা হাঙৈ, হুমিৎকী মচাবু মনু কৌই। বিজ্ঞাননা সৃষ্টিগী মূলতত্ত্বনি। মনুদি ভগবান্গী মানস=পুকনিংগী মশকনি। ভগবান্না বিজ্ঞান ওইহুনা হুমিৎকী মহুংদা চংলগা লিংবা পুকনিং অহুবু হুমিৎনা—ব্রহ্মানা মনু পোকই হাঙৈ। মাহুবু শাস্ত্রনা রূপক তৌহুনা হাঙৈ বিবস্বান্না ভাগবত ধর্ম্মবু=যোগবু মনুদা তাকই।

---

(১) মহাভারত, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্ব নারায়নীয়োপাখ্যান।

(২) মহাভারত মোক্ষধর্ম্মপর্ব্ব নারায়নীয়োপাখ্যান।

মনুনা মচা ইক্ষ্বাকুদা তাকই।

মনুদি মীপুম্নামকনা মাঙোলগী পোকই। মৈতৈরোনদা অমুবু মমু কৌই। মমুদগী পোকই, হাঙইদুনা মীবু মমু তাইবংমী কৌই। মৈতৈপুবাণগী বাখি। ঈশ্বর ধাম=গোলোক=শ্রীবৃন্দাবনদগী ভগবান্না বিজ্ঞান ওইদুনা হুমিংতা চংই, হুমিংতা ভগবান্না নিংবাবু মমু কৌই=মনুনা মায়া ধাম=তাইবং মথাব—হকচাংনে, প্রাণনে অনিদা চংলগা—মন+দেহ+প্রাণ অহুম্না তিম্দুনা মায়া ধাম=মপানগী তাইবং অসি ওইরিবনি। বিজ্ঞাননা তাইবংপানবদা চংলগা হক-চাংগা প্রাণগদা লৈবগা নিংবা অদুবু মনঃ কৌই। মাদুম তৌদুনা বিজ্ঞাননা হুমিত্তগী থোকপা মনুদগী তাইবং পানবদা চংদুনা মননা কুপগিন্দুনা লৈবাবু মনুনা মচা ইক্ষ্বাকুদা ভাগবত ধর্ম্ম=যোগবু তম্বী অসুম্না রূপক তৌদুনা হাঙই।

ইক্ষ্বাকু।

ইক্ষ্বাকু হাঙইবদি সূর্যবংশগী পুকোক নিংথৌনি। মহাক্কী ধারাদা দীলিপ, রঘু অমসুং শ্রীরামচন্দ্র অবতার তৌই। যোগ অমসুং তপস্যানা য়াম্না চাওখ্রবা থাগৈনি, মহাকনা ভগবান্গী অবতাব তৌবদা মতিক চাম্বা থাগৈনি, অদুগুম্বা থাগৈ অদুগী অহানবা পুকোক ইক্ষ্বাকুনি, হুমিংতগী মনুনা মনওইবা তাইবংদা বিজ্ঞানন। চংলকপবু মনুনা মচা ইক্ষ্বাকুদা যোগ তম্বী অসুম্না রূপক তৌদুনা শাস্ত্রনা হাঙই। মাসিগী ধ্বন্যর্থদি মীপুম্নামক্তা মননা কুপসিনদুনা বিজ্ঞাননা লৈবা ঙাক্তনি, অদুমু মীপুম্নামকনাদি সত্যং, ঋতং, বৃহৎ,=ব্রহ্মবু ফংবা ঙমদে। মহাকপুদি পূর্ণযোগতনা ফংবা ঙমই, অদুগুম্বা যোগবু হকচাং-ধাতু ফত্তবদি যোগ তৌদুনা ব্রহ্ম ফংবা ঙমদে, মাকম অসি গীতাগী অহুমসুবা অধ্যায়দা (১) ভগবান্না হাঙই। দেহগী ধাতুবু ফনা থম্বদি বিষয় ভোগপু মনিং তৌনা চাম্বনা ঙমই, ক্ষত্রিয়, রাজবংশনা ধাতু ফনবা মশাবু ঙাকপা নিংথৌমচাসীংনা ঙম্বা য়াই, উনা থানা চাবা ব্রাহ্মণ লাইরবনা ঙম্বা য়াদবনা নমই। অদুনা শাস্ত্রনা য়োগবু ফংবাদা ক্ষত্রিয়নিংথৌ অথোইবদা পাম্নুনা হাঙইবনি। বেদদা উপনিষৎতা মহাভারতনাচিংবা শাস্ত্রদাসু যোগ রহস্য ফংবাবু ক্ষত্রিয় মচাতদা মমনা হাঙবা উই, অঙকপনি। শ্রীকৃষ্ণ, অর্জ্জুন, জনক নিংথৌ পুম্নামক ক্ষত্রিয়

(১) শ্রীযোগেন্দ্রবর্মকৃত গীতা ব্যাখ্যা।৪।৩।

তাকনি, শ্রীকৃষ্ণনা যোগ রহস্য কংবা খীর থারকপায়েম্ব অতৈ অতোপ্পা ব্রাহ্মণসীংবু হাঙ্গবা থেংনদে। ব্রাহ্মণসীংনা জ্ঞান কংনিংহুনা মথুংতা সাঙ পাইহুনা গুরুগী নাক্তা চৎপাম্ব ক্ষত্রিয় নিংথৌশী নাক্তা চৎপা উপনিষৎতা য়াম্না হায়ি।

অর্জুনগী অঙকপা।

শ্রীকৃষ্ণনা তাকলিবা যোগগী রহস্য (অথুপ্পা) অসিবু অর্জুননা খংবা ওমদরে, মবম অসিনা শ্রীকৃষ্ণদা অর্জুননা হংই, "অপরং ভবতো জন্ম পরং জন্ম বিবস্বতঃ। কথমেতদ্ বিজানীয়াং ত্বমাদৌ প্রোক্তবানিতি"। হে কৃষ্ণ। ইবুঙো নহাক্কী জন্মনা অকোনবনি, বিবস্বান্‌গী জন্মনা অহানবনি, করম্না ঐনা খংগনি, মাহুদি মথাঙৈদা নহাক্কনা বিবস্বান্‌দা যোগবু তাকখি, অসিনি।

অর্জুনগী ব্রাহংদগী খংলে, মাহুদি, অর্জুননা বিবস্বান, মনু অমসু ইক্ষ্বাকুনা চিংবু য়াপকনি হাঙবা খংদে, অতিয়াদা উরিবা মৈ মতুম হুমিংনচিংবা লাইমু অচম্বা [illegible] লোকপা, লিবা, খলা, মমা, মচা, মতু লৈবা শুইনা খাজরি, অসিগুম্বা অ[illegible] বুদ্ধি অসিনু প্রতি [illegible] কোনা (প্রাকৃতগী) [illegible] গুরুবা [illegible] [illegible] [illegible]। মতম অমু কাউবা অর্জুনগী বুদ্ধি অমু প্রাকৃত বুদ্ধি ওইরি, অর্জুননি। মরম অমুদগী খ্বাইদগী পবোক্কবাদবু লৌবা ওমদরি। মরম অমুদগী ইবুঙো শ্রীকৃষ্ণমকপুম্ব অর্জুননা মাবু খাদোক্তে, মাবু চানলি, হৌংসি, খংই, লাইনি, ঈশ্বরনি পরংব্রহ্মনি খংই, তৌঙ্গুমম্ব মীনা তাকপীহুনা খংবনি চাম্নদি খংদে, উদে, থাম্নদে। রাজসূয় যজ্ঞ হৌবদা কনাবু হান্না পূজা তৌগদগে? খম্নকপদা ভীষ্মনা তাকই, শ্রীকৃষ্ণবু হান্না পূজা তৌ, মহাক্কি সংসংনা পবংবন্ধ পরমাত্মানি। পাণ্ডবনা খংই তাকহুনা খংই, মশকনা য়াহুনা শ্রীকৃষ্ণবু যজ্ঞদা হান্না পূজা তৌখি। অদুবু মীচমনা নিংথৌবু লাইনি, ব্রাহ্মণবু লাইনি চাঙবগুম্না শ্রীকৃষ্ণবু খংই। চাম্নানদি খংদে, মবমদি মীহুবু খংনবদি খরিগী শ্রীকৃষ্ণনা খাঙোম্বা অথোক গীতা তাকদগে? মাদিদি যোগ কংনম্রিবা মীগী হৌরিবদি' অদুনা যোগ কংনবা মতমদা উপলবনি। অর্জুননা যোগবু কংনবা [illegible] বিশ্বরূপপু উরবদা [illegible] হায়ি,— "ইবুঙো ঐদি অমবু [illegible] [illegible] [illegible] চাম্নুবম্ব হে কৃষ্ণ। হে যদু মচা। হে [illegible] [illegible] [illegible] ঐগী [illegible] কোকহনগে, "প্রিয়ঃ প্রিয়ায়া ইতি সোঢ়ুং"— চাম্নবী [illegible] চাম্নগ্ম [illegible] তৌ [illegible] ইবুঙো লংনা ঐগী অপরাধবু তাকপীয় অজিনজিবা [illegible]। [illegible] [illegible]

লম্, মমাংলদি অর্জুননা শ্রীকৃষ্ণবু চায়না থংলে উদে। শ্রীকৃষ্ণনা বিবস্বান্দা অহানবা যোগ তাকখিবু অর্জুননা তাই, মসা মমাগী বিবাহগী কুম্মবু মচা অতোনবনা ঊরবা অঙীবগুম্না তাই। মসংগী মকতদি অর্জুননা থংলে। মাদুবু শ্রীকৃষ্ণনা পোক্নি। রূপক তৌবদি অবাবু সংশয়নবগীসমর্থন। অতাবা অর্জুননা থংলরে, হাঙীবা শ্রীকৃষ্ণনা পেংলে। মসুম অদিনা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা রূপকনি তাকল্লে। তৌইগুমসু রূপকনি, অঙীবা থংনবগীদমক অতোপ্পা বাকয় অমা পুথোকতুনা তাকই। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা অবতার তত্ত্ব তাকই। তৌইগুমসু চুরদী ইশ্বাইমা থংনমিবা অবতার তত্ত্ব অসিদি মসুক, মাদুদি শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা হাঙি,—

"বহূনি মেব্যতীতানি জন্মানি তবচার্জ্জুন।

তান্যহং বেদ সর্ব্বাণি নত্বং বেত্থ পরন্তপ॥"

—"হে অর্জুন। হে একনববু বাহনবা! ঐগী নংগীসু মপোক য়ায়া হৌখ্রে, পুরুষক অদুবু ঐনা থই, নংদি থংদে অসিনি। অর্থদি,— থরাইপানবা পুরুষক অসি ঈশ্বরগী অবতার ওাকনি, জীব পুরুষকপুদি অবতার কৌদে, মথমদি মায়ানা কুপসিনবনু জীব অমসু কুপতববু ঈশ্বর কৌবর্তনি অর্জ্জুন নংদি জীবনিনা থংদে, ঐদি ঈশ্বরনিনা থই, শ্রীকৃষ্ণগী পাওথুম অসিদগী অর্জ্জুননা চিংনদনা থংলে। ঈশ্বরনা লৈতবা মকম লৈতে পুরুষকনা চংজুনা লৈ, মায়ানা কুপসিন্দবনা মনা থঙই, তুমিংতা যোগ পী— থংবা বিজ্ঞাননা তুমিংতা অহানবদা ওা-থোকই। মথংদা পোং অতৈদা মপং মথং চংলি, হাঙীবনি। মথক্কা হাঙীখিববু মপা মচাদা পান্দুনা রূপক তৌবনি ৎংলে। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তাকখিবা অসি নৌনা কৌদোকপা নক্কে হান্নরা লৈরবা বানি। ব্যাখ্যা তৌদুনা কান না লৈববু হক্কন্দুনা তাকপনি। শুক্ল যজুর্বেদগী মন্ত্র অমগী অর্থনি। মাদুবু শ্বেতাশ্বতর উপনিষদনা অনিসুবা অধ্যায়দা ১৬ সুবা শ্লোকতা লৌথংলি,—

"এষ হ দেবঃ প্রদিশোহনু সর্ব্বাঃ।

পূর্ব্বো হ জাতঃ স উগর্ভে অন্তঃ॥

স এব জাতঃ সজনিষ্যমানঃ।

প্রত্যঙ্, জনাং স্তিষ্ঠতি সর্ব্বতো মুখঃ॥"

অর্থ তাইবংপানবগী মথু পরমাত্মা অসে মানা মাইকৈ— মকং— মতম পুরবক্তা লৈ। মমাইদা পোকখরে, গর্ভ মরুদা লৈ, মামা পোকখদে, পোক্লগনি, মী পুরবক্তা মীওপুনা লৈ, মামা পুরবকপু থই।

শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনবু যোগ মংগলদা মতিক চাবদি থাহন্দুনা কৌখি— হে অর্জুন

অমুম্থু হে পরন্তপ! এক্রবাহু বাহনবা, হাঙবদি অর্জুনগী হকচাংদি অশেংবা থাজুবি। যোগ সাধনা তৌবদা মতিক চাবা রাজর্ষি জনকনাচিংবদা ওইবা হকচাংনি; [illegible] থাহনেদি। অর্জুনা গঙ্গাদ্বারদা যোগ সাধনা তৌদুনা কুণ্ডলিনী মহাশক্তিবু উথাপন (হৌদোকপা) তৌগ্রবনি। অদুনা উলূপী লৌই, মাঙোন্দা মচানিপা ইরাবান্ পো কই। মণিপুরদা সাধনা তৌদুনা চিত্রা নাড়ী উথাপন তৌদুনা মণিপুরবু জয় তৌগ্রবনি, অদুনা মণিপুরদা মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী চিত্রাঙ্গদাবু লৌই। মাঙোন্দা মচানিপা বভ্রুবাহন পোকপা অর্জুননি। প্রতিস্মৃতি বিদ্যাবু দীক্ষা তৌই। ইন্দ্রকীল চিঙদা সাধনা তৌদুনা অর্জুননা দিব্যচক্ষু ফংগ্রবনি, মরম অদুনা কিরাত বেশ তৌবা মহাদেবদগী পাশুপত ফংই, ইন্দ্রগা ফমফম অমত্তদা ফম্মিরম্‌। স্বর্গদা নিবাত কবচ হাংদুনা লাইগী উপকার তৌবনি। অর্জুনদি লাইরবা, অচম্বা মী, হকচাং ফত্তবা, থাজু শেংলবা নত্তে। লাইরবা মীগী হকচাংদি লাইরিক্তা ওরাইবদা মমীৎ উদবা, মকোক ঙাওবা, লাইনা মথন মথন পোকপা— অনংবদা ওইগনবা হকচাংনা যোগ—ভাগবত ধর্ম্মবু থংবা নত্তে। মীগী মরাইপক ফবা, মহৈ হৈবা, মবন লৈবা উরগা কল্লক-কঙ্গাওবা থকসি থাসি নাইদবা, জাৎ ফত্তবা, মমা-মপা—লাই গুরুনা কৌনবী তৌদুনা য়োক্লকত্তবা, হৌনবা থংদবা, হাও-নাইদা পানগনবা হকচাংনা য়োগবু থংবা ঙমদবনি— হায়বা অসিবু শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুন! অমস্থু পরন্তপ! হাঙনা কৌদুনা তাকই। মাদুনা থংহল্লে, মহুনা মচা ইক্ষ্বাকুদা যোগ তম্বি, ইক্ষ্বাকু নিংথৌ সূর্য্যবংশ ক্ষত্রিয় শাগৈগী পুকোক্পি, মৈতৈ নিংথৌজা যাগৈগী পুকোক পাথংবা গুম্বনি। ইক্ষ্বাকুগী মচা "নীমি"বু মাগী হকচাং লৈতে হায়দুনা বিদেহ কৌই। মগী হকচাংবু নৈবা—নোইবদগী পোকপা মচাবু "মিথি" কৌই। মথন্তনা পোকপা হায়দুনা জনকসু বৌ। মহাকনা ভাগবতধর্ম্মবু চংখি। মাসিবু ভাষাবিজ্ঞানগী থানাদুনা এংবদগী থংলে—শ্রু'তনা হায়বা মথুদগী মিথি হায়না থৈখিবনি। মহাক্তি বেদগী দুষ্মন্ত মহারাজ অমস্থু মহাক্তী মতু শকুন্তলাগুম্বনি। কন্নানা পোকপা, কদাইদা লৈরম্বা, মফম থংবা নত্তে। ঋষিসীংনা বেদগী মন্ত্রদগী লৌদুনা চন্দ্রবংশ শাগৈদা হাপচিনবনি, রাখি শেমজিনবনি। কালিদাসনা মাদুদা— কবিতা তৌসিনদুনা হজিক্তি দুষ্মন্ত শকুন্তলানা "অভিজ্ঞান শকুন্তলম্" ওইনা হিংদুনা থমোই পানবা মীপুম্বাবু ঙমহৎতুনা লৈরে। বাঙালীবাবুসীংনা য ফলাবু উচ্চারণ তৌদবদগী শকুন্তলাগী মচা দুষ্মন্তনা দুষ্যন্ত ওইনা ভারততা অবতার তৌরে। যাদিগুম্বনি। মথুগী মচা মাথবনা ময়াদা মৈ উমদুনা লৈ। মৈনা ময়াদগী তাদুনা চাকথংলি, অদুনা মৈনা চাকতুনা নোংপোক তম্না চংথরে। মাথরনা শত্রুংইমা চংলি। কয়ত্তোয়া বগান্না থম্না শন্নমী। মৈনা তাকতুনা নোংপোক যুগ অহানবা—যুগকাল—প্রাচীন জকন্না

লৌখি। মাগি প্রকৃতিদা লৈবনি। কনাগী মচানোঃ কয়বা মতমদা পাম্নমখনো ? বেদনা হাঙবা প্রকৃতিনি — মথং মথং ভারতকপনি। পঞ্জাবলোমগী চেম্নরকপা সংস্কৃতিগী ঈরোল (Culture Draft) না অম্রাংথংবা ভারততা নোংপোক, লৈপাক তন্না চেনলকপাবু প্রকৃতিগী মাথব নিংথৌনা গোতম পুরোহিতকা লোইনান্না থারিদা পানত্না রূপক তৌবনি। মাথব = মধু = মিথি অসুমনা লোন থৈথখিবনি। সংস্কৃতিনা লৈবা লমবু মিথিলা = মিথিনা লৈ হাঙবনি। মাসুম তৌত্না নোংপোক চীঙদা লৈবাবুসু সংস্কৃতি অত্না লৈবদগী "মিথিল পাট" কৌবনি। হৌজিক্কি লোনগী হৌনবী মধু - মিথি = মীথী = মীথাই = মীথৈ = মীতৈ = মৈতৈ অসিনাচিংবা মথং মথং ওনখিবনি। অর্থসু মাসুম তৌত্না নপানগী ময়েকনা ওনখিবাগুমনা মচুংগী অর্থসু হোংখিবনি! তৌইগুম্বসু— ভাষাবিজ্ঞান (Philologe) গী থানাত্না এংবনা সাক্ষী তৌবি— হোংথরিবা ময়েক অমসু হোংখিবা অর্থ পুম্নমকপু মাগী তৎপা য়াত্রবা মরি অমদা হাপলি। ময়মসিদগী মহাভারত, গীতানা হাঙ— মিথি লৈপাকী নিংথৌ জনকনা ভাগবত ধর্ম্ম চৎলি। জনক নিংথৌদি ত্রেতাযুগকী হৌগৎপদা পানখিবা ইক্ষাকু নিংথৌগী মচা নিমিনা শিরগা অশিবা হকচাংবু লৈবদগী থোকপা মিথি = জনক নিংথৌনি, মানা ভাগবত ধর্ম্ম চৎলি। শ্রীভাগবতনা হাঙবি - জনক নিংথৌনা ভাগবত ধর্ম্ম চৎপদি ঋষভদেবগী মচা যোগী মাপন্না তম্বিবনি, হাঙ মাত্নদা উরে— জনক নত্রগা মিথি নিংথৌনা পানবদ ত্রেতাগী হৌগৎপদনি। অসিগুম্বা নিংথৌ জনকপু ত্রেতাযুগ লোইরে, মথংদা দ্বাপরসু লোইথরে, মথংদা কলিসু চংবা চহি লীসিং অনিমথাই হেনথ্রগা পোকপা ঋষভগী মচানা ভাগবত ধর্ম্মবু থাইনগী জনক নিংথৌদা তম্বিত্না চৎপনি, হাঙবা। অমসু কলিগী চহি লীসিং অনিমথাই হেনগ্রগা কোম্না পোকপা জনকতা যোগী মাপন্না ভাগবত ধর্ম্ম তম্বিকবু কলি হৌদরিঙৈদা নাবদনা বসুদেবদা হাঙ, অসুম্না শ্রীভাগবতনা হাঙ। মাসিদা অচুম্বা নত্তনা অরানবা মরিক অমত্তা য়াওদে। মাসিবু শাস্ত্রগী বেদগী রহস্য কৌই।

অধ্যাত্ম বিদ্যানা তাকই, থরাইদি শিবগা অমোক পোকই, মহাত্তি য়াংদে। মত অসিবু ইথ্রাই পুন্নামকনা ইয়া য়ানবা ওইনা লৌনৈ, জড় বিজ্ঞাননদি উবা ঙমদে, মানা হাঙগনি মতম অসিদা পৃথিবীনা চৎলি, সুমিৎনা চৎতে, হাঙবা মতপু মীপুন্নামকনা চপ মান্নশা য়ানরে। অত্তুগা হৌজিক ফাউবা কনাগুম্বা অমত্তনাসু থাঙৈশেংনা প্রমাণ তৌবদি ঙমদে, মাসিগুম্বনি। মাসুম তৌত্না থংদবদগী গতি লৈতত্না য়াবা অসিদি অন্ধ বিশ্বাস কৌই, ময়ম অসিনা থরাইদি শিদে, য়াংদে, মানা হায়মাগী

হকচাংবু খাদোক্লগা-শিন্নগা অযোক অনৌবা হকচাং অমা লৌহুনা পোকই, হাঈবাসিবু বিজ্ঞাননা অক্ক বিশ্বাস কৌই।

ক্রমবিকাশ মাহুম্না হাঈরোই হাঈরগা বিবর্তনবাদ (Evolution) হাঈবা অসিবু'দ হুজিক্কী কালগী বিজ্ঞাননা য়াবা অচুম্বা অমনি। মহাকবু মতা অমা ওইনা হুজিক্কি পুন্নামকনু য়ানরে। ঐখোইনা চাওরবা তাইবংপানবা অসিগী মনুংদা'দ, ঐখোইনা উন্নিরা মাগী মশক অম্নি হুজিক্কা কোন্না ওইবা মশকনি, মমাংদা মশক অনি ওইরমদে, মতুং-দামু ওইবোই। খাউমৈগী মৈন্নিনা তুরেনগী ঈচেন্না তৌবাগুমনা মাগী মশক অনি ইতৎ তংকনা হোংলিবনি। মাম্নুম তৌহুনা মাগী মশকশা হোংকলিয়া অসি, হেনগংলকই, হুম্ভবকপা নত্তে, অহুনা তাইবংগী মশক হোংবাবু ক্রমবিকাশ কৌই। অজ্ঞানবদা তুমিং মঙান্না অমাবা মনিল ওইনা লৈবমই, মাহুনা সৌবজগৎ ওইবকই, মাহুদা ঐখোইনা মাগী মথক্তা লৈবিবা পৃথিবী অসি থোবকই, মাদুগী মতুংদা মাগী মথক্তা থরাইপানবা পুম্বাগী অথো'বা তাইবংমী লৈবকই। হুজিক মীওইবা অসিনা লোইদরি মতুংদামু তেনগৎলকখিগনি, হাঈবা অসিবু মাগী হোম্রবা মওং সিংদগী অনুমান তৌহুনা থংই।

মাম্নুম তৌহুনা তাইবপানবগী মশকনা মথং মথং হোংহুনা হেন্ন-গৎলকপা অসদা বিজ্ঞাননা উবদ তংখাই অমত্তা মউই, বিজ্ঞাননা উৎদি মুপনাগী মপানগী মশক অহুতা উবা ঙমই, তাইবংগী মনুংতা লৈবা অথুপ্পা সরুকপুদি উনবা থুংলাই মম্ন অমাতামু বিজ্ঞাননী লৈত্তে, মাদোমদা 'বজ্ঞানদি মীংতাংবনি। মরম অসিদগী বিজ্ঞানবুদি খংহনবামু য়ারোই, মীংপান্দবাবু মচু খংহনবা য়াদবাগুমনি। মৈতৈনা তাইবংপানবা অসিবু অনি থোকনা খাইদোকই, মাহুন্নি চঙ অমম্ভু লি (১) অসিনি। মৈতৈনা তাইবংপানবা পুন্নামকপু চঙ কৌবা অমা লি কৌবা অমা মখন অনি থোকনা খাদোক্লনা থংই।

(১) সংস্কৃতকী চর বু মৈতৈনা চঙ (লামাই ৭৯ গী মাএয়া) হিরবু সি নজ্জনা লোক হাই। কাদিগ মাংথাগী পারিভাষিক শব্দ লম্ব, মরূৎ, অরুহু গুরু কৌরা মখল মাত্রাগী

তাইবংপানদা অসিদা করম তৌদুনা চঙনা থোরকপাগে?, অদুগী মতুংদা চঙনা পুকনিংনা করম্না থোরকপাগে? মাসিগী ব্যাখ্যাদি বিজ্ঞাননা তৌবা ঙমদে। অমসুং মাদুবু মতুংদা ওন্নকনি হাইবাসু থাপা নৈতে। তাই-বংপানবাগী মাসুন্না মথং মথং ওন্নকপা অসিগী মরুদা করমনা নৈদুনা করিগী-নরুক তৌরবনিবনো? হায়বাদি বিজ্ঞানদি মাহুদা মীৎতাংবনি, করি অমত্তা থংদে। অধ্যাত্ম বিজ্ঞানা অনিমকপু উই, অনিমক্তা বিচার তৌই। অমনিমকী অদুবু থংই। (১) এখোইনা তাইবংবু মথন অনি থোকনা উৎখরে, মাদুদি মাই নৈবাক, অমসুং মপানগী তাইবং। মাদুদা মপানগী তাইবংদা মন (পুকনিংন) থোরকপাগী মবমবু উৎখর। মাদুদি অধ্যাত্ম জগৎকী মথং মথং হোংদুনা হেনগৎলকপানি। মাসিনা মবম ওইদুনা খোইনমপাক লোনসিন্দুনা মদুংদা নৈদ্রবা অথুপপা পুন্নামকপু ব্যাখ্যা তৌগদবনি

শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হাইখরে (অমোক হক্তনবনি), ঐখোইনংগীসু মপোক য়াম্না ওইখবে, পুন্নামকপু খনা থংই, থংদি থংদে। মাসিগী অর্থবু শ্রীভাগবত (৪।২৫) না পুরঞ্জনোপাখ্যানদা অধ্যায় ৫ মঙ্গনা সন্দোকনা ব্যাখ্যা তৌই। মথং মথং হোংদুনা হেনগৎলিবা তাইবংদা থরাইনা চংলদুনা মহাকসু মথং মথং

রজসপু চর, অমসুং তমসপু স্থির অসুম্না সংস্কৃততা সিজন্নৈ অদুগুম্বা চরবু মৈতৈনা চঙ সি, নত্রগা থোক হাঙ্গনা সিজন্নবনি। গুণ অহুমদা সত্ত্ব গুণবু অমসুং ভূত মওংগী অদুংদা অতিয়াবু বিজ্ঞাননা থংদে। মরম অসিনা বিজ্ঞানদি অতিয়া অমসুং সত্ত্ব গুণবু নৈতে হাই। মাদুদি থীৎ পান্দবনা মচুবু থংত্রগা মচুনদি মাংবা হৌনদবাননা বিজ্ঞান মাত্রমনি হাঙ্গিদুনা মৈতৈবু অতিয়াবু নৈতে হাঙ্গনা থম্ম চোংহনবা য়াবা হৌনদে। মরম দি অতিয়া থাংদে নৈ, মাদুগুম্না সত্ত্ব গুণসু মাংদে নৈ।

(২) মতম অসি বিজ্ঞানগী য়ুগনি, বিজ্ঞানবু হন্নোক্রবদি মতম অসিদা মিংথিবা নৈতে, অদুনা হৌজিক্তি বিজ্ঞানগা চানদ্রবদি অধ্যাত্মসু ফজবা থাংপা ওইনা নিংনরে। বিজ্ঞানগী য়ুক্তিদি, কার্যগী হৌডনা কারণ ফাউবা এংই, অধ্যাত্ম দর্শনগী য়ুক্তিনা কারণদগীনা কার্য ফাউবা কুমথরবনি মরম অসিনা বিজ্ঞানগী য়ুক্তিবু আরোহণী=কাংথংপা কৌই। দর্শনগী য়ুক্তিবু অববোহিণী=কুমথবা কৌই। বিজ্ঞানগী কাথংপগা দর্শনগী কুমথবগা অনিনা মরক্তা থেংনববদি অনিমক মতম অসিদা চুমলে হাঙ্গনা লৌনরে। খুদমচনমক বিজ্ঞাননা হাই, উরিম্ম তাইবং পুন্নমক অসিদি মরাম তিম্নবদগী হক চাং, প্রাণ, পুকনিং, থরাই, মথং মথং থোরকই, হাঙ্গনি। অধ্যাত্ম বিজ্ঞানা ভগবান্না মথং মথং থরাই, পুকনিং, প্রাণ অমসুং হকচাং মথং মথং ওবনি, হাঙ্গনি। বিজ্ঞানদাসু অধ্যাত্মদাসু পরেংদা অমত্তা ওইরে, অমনা হনগৎপা অমনা হনগৎনা

হেনগংহনি। থবাই—জীব (২) গী মরূপ চান্নবা ওইনা ভগবান্না ঙাকই।
শ্রীভাগবান্না থবাইগী মপোক মপোক খুদিংগী হেনগৎপাবু মজে পাংবী।
ইবুঙ্গো মাস্থ থবাইনা হেনগৎপাগী মতুংইনবা হেনগৎনা কোংদোকই। মায়নি
পুময়মক লিংথোগী মশক মমিং থংদবা মরূপ, শ্রীকৃষ্ণনা পার্থবু তোঁবাওরনি,
মীখুদিংমক্তা ভোঁই। মবম অসিনা ভাগবত ধর্ম্মদা থবাইপানবগী হকচাংখুদিং-
মক শ্রীভগবান্গী মন্দিরনি হাঙ্গ। মীওইবাগী হকচাং পুম্নামক্তা চংহনা নৈবা
শ্রীভগবানবু সংসংনা উদরিবা মথৈ কৈদোহুংদাস্থ মী ওইবনা ভাগবতভক্তবু
ফংলোই। ভাগবতধর্ম্মগী অরোইবা ব্যাখ্যাদি মাসিনি। মাসিবু গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা
অরোইবদা তাকই, মাহুগা মান্নবা শ্রীভাগবততা শ্রীকৃষ্ণনা উদ্ধবতা তাকই।
খুদমগী দমক,—

ঈশ্বরঃ সর্ব্ব ভূতানং হৃদ্দেশেহর্জ্জুন তিষ্ঠতি।
ভ্রাময়ন্ সর্ব্বভূতানি যন্ত্রারূঢ়ানি মায়য়া।
তমেবশরণংগচ্ছ সর্ব্ব ভাবেন ভারত।
তৎপ্রসাদাৎপরাংশান্তিংস্থানংপ্রাপ্স্যসি শাস্বতং ‖

(গীতা ১৮।

অস্থুপ য়াম্বা অচৎপা চত্তবা লেংই পাল্লিবা, অউবা তাইবং পুম্নাংক
অসিগী মতুংদা ঈশ্বরনা লৈ, ঈশ্বর মহাক্না মায়ানা হং ওইহনা মাহুদা
পুম্নামক অসিবু হাপলগা মানা ম'নিং তোঁনা লৈহনহনা সান্নারিবনি।
হে ভরতকী মচু হে অর্জ্জুন। অহুওস্বা তাইবংপানবাগী মপুদা নংনা ভাব
পুম্নামক ওইনা চংজো, মাগী থৌজান্দাগী জীবনা অবেপ্পা অইংবাবু লেংদবা
মফম্বু ফংগনি।

ভগবান্না জীবগী অচানবা মরূপ ওইহনা মীৎনা কুপ্পাবু থাদোক্না
শেনবিরিবনি, কুরুক্ষেত্রদা পার্থতবু শেনবা নত্তে, ঐবুস্থ মানা ঙাকপীরি-
বনি, ঐবুস্থু হেনগংহনলিবনি।

নবেন অমত্তদাচং সম্রব ন, অহুনা বিজ্ঞাননা হকচাং পুকনিং, থবাইগী বাংমদা লৈবা অরো-
বা ঈশ্বর ধাম য়োদবাতনি।

(২) থব-থব=থবাই। হকচাংগী মপু জীববু মৈথৈনা থব হাঈবাগী থবাই
হাইখিবনি।

...থোইনা লাইগী মপোকপু তশেং অশেংনা অমস্থ য়াম্না নিংথিনা হাঙৈ, লাকদবা যুগতা লাইসীং অহুনা মাথোইবু লৈসি লৈথোনজবাসীংগী বজ্র—মথৌবু এংবি। ১।

অনিশুবা ঋক্। ব্রহ্মণস্পতিরেতা সংকর্ম্মার ইবাধমৎ।

দেবানাং পূর্ব্বেযুগেঽসতঃ সদজায়ত ॥২॥

থবক শুবাসীংনা উতোংদা কামহুনা মৈবুগাকখৎহনলি, মাতুগুম্না অদিতিনা লাই পুম্নামকপু (আদিত্যসীংবু) পোকহনখি। লাইসীংবু শেম্বা অহানবা যুগতা মশক মমিং নাইদবা ব্রহ্মদগী মশক মমিং নাইবা তাইবংনা ওইখি। ২।

অহুমশুবা ঋক্। দেবানাং প্রথমেঽসতঃ সদজায়ত।

তদাশা অন্বজায়ন্ত তদুত্তানপদস্পরি ॥৩॥

লাই শেম্বা যুগ অহানবদা মশক মমিং নাইদবা ব্রহ্মদগী মশক মমিং নাইবা তাইবংমা পোকখি, মথংদা মাইকৈপুম্বা পোকই, মথংদা উ-পাকই।৩

মরিশুবা ঋক্। ভূর্জজ্ঞ উত্তানপদো ভুব আশা অজায়ন্ত।

আদিতের্দক্ষো অজায়ন্ত দক্ষাদদিতিঃ পরি ॥৪॥

উদগী লৈপাক পোকই, লৈপাকগী মাইকৈ পোকই, অদিতিদগী দক্ষ পোকই, দক্ষদগী অদিতি পোকই। ৪।

মঙাশুবা ঋক্। অদিতির্হ্যজনিষ্ট দক্ষ যা দুহিতা তব।

তাং দেবা অন্বজায়ন্ত ভদ্রা অমৃত বন্ধবঃ ॥৫॥

ঐখংজা সেতুঘাত তৌরগা মেনগুন অমসু মেম অথাবা অসুয়া রাজমেলবু

দক্ষগী মচানুপী অদিতিদগী লাইসীং (আদিত্য — সুমিৎসীংনা) না পোকই, লাইসীং অহুদি থাগৎনফম ওই, অমসু শিদবা ওই। ৫।

তক্ষকসুবা ঋক্। যদ্ দেবা অদঃ সলিলে সুসংরব্ধা অতিষ্ঠত।

অত্রাবো নৃত্যতামিব তীব্রো রেণুরপায়ত ॥৬॥

হে লাইসা। (হে সুমিৎসা) তাইবং শেম্বা অহানবা মতমদা ঈশিং মখক্তা নখোই ময়াম লৈরমই। নখোই ময়ান্না ঈসিংসীং অহুগী মক্তা অগোই সাথাগুম্না চৎপাদগী য়াম্না কনবা উফুন — লৈপাকনা থোকখিবনি।৬।

ভয়েংসুবা ঋক্। যদ্ দেবা যতয়ো যথা ভুবনান্যপিন্বত।

অত্র সমুদ্র আগূলহমা সূর্যমজভর্তন ॥৭॥

হে লাইসা। (হে সুমিৎসা।) নোংনা তাইবংবু কুপসিন্দুনা লৈবাগুম্না নখোইনা তাইবং পুন্নামকপু কুপসিন্দুনা লৈবমই, মতম অহুদা অতিয়া অহাংবদা কুপসিন্দুনা লৈংস্বা সুমিৎপু থোকহন্নাবাগীদমক চিংখি। ৭।

নিপানসুবা ঋক্। অষ্টৌ পুত্রাসো অদিতের্যে জাতা তন্বস্ পরি।

দেবাঁ উপপ্রৈৎ সপ্তভিঃ পরাঃ মার্তণ্ডমাস্যৎ ॥৮॥

অদিতিগী হকচাংদগী মচানিপা নিপান পোকখি, অদিতিনা মচা তরেৎকা লোইনাহুনা লাইনৈবাক্তা তিনখি, অমসু নিপানসুবা মচা মার্তণ্ডবু য়াম্না লাপনা ইনথোক্লুনা থনমই। ৮।

মাপনসুবা ঋক্। সপ্তভিঃ পুত্রৈরদিতিরুপপ্রৈৎ পূর্ব্যং যুগম্।

প্রজায় মৃত্যবে ত্বৎ পুনর্মার্তণ্ডমাভরৎ ॥৯॥

অহানবা যুগতা অদিতিনা মচা তরেৎকা লোইনাহুনা চৎখি, অমসু মানা মার্তণ্ড কৌবা নিপানসুবা মচাবু থরাই পানবা পুন্নামকী পোকপা অমসু শিবাগীদমক অতিয়াদা থনমই। ৯।

আদিত্যস্তুতি ঋক্ মাপননা সৌরসৃষ্টিবু হাঙবাবু লৌথহলিবা অসিনি. মাসিবু লাপ্লেস. মার্কুইস.দ্য (Laplace Marquisde , (ই ১৭৪৯—১৮২৭খৃঃ) না আদিত্য স্তুতিগী অথ অসিবু অসাবা মনিল পুথোক্লুনা পরীক্ষা তৌহুনা এপ্থরে। মৈতৈ পুয়াগনা আদিত্যস্তুতিগী অর্থবু কজরবা ম্লারিনা রূপকালঙ্কারদা পান্দুনা নিংলেই। ১লাইহুদি, —

অহুম থোকনা থাই। তৌইগুমম্বু রাজমেল হাঙ্গিরগা পরেং অমিমু পুনপাপু

তাইবংপানবা অসি মাইকৈ তরামক্কা ঈশিঙনা থম্মা লৈরম্মই (ঈশিং অমি হুজিক ঐথোইনা উরিবা ঈসিং অসিগুম্বা নত্তে মহি মাম্মা সাবা অমম্বু মচুনা মৈনুংদা মহি চেনবা সনাগুমনি) ঈসিঙ অদুগী মথক্কা লাইহুয়া তরেংনা লৈ, মাথোইনা ইশিঙ মথক্কা অগোই সাহুনা চংতুনা চংতুনা লাইপুঙথৌ মাপনা অতিয়াগী পীরকপা লৈপাকপু লোই, অদুবু ঈশিংদা হৈত্তনা লৈথোনলি। লৈপাকসীং অদুনা অহানবা লৈপুঙ অমা ওইহুনা ঈসিঙ মথক্কা থিনগংথি। মাস্তুম তৌদুনা লৈপুঙ থিংগংপা নিপান হুয়ে। লাই হুয়া তরেংনা লৈপুঙ নিপানগী মথক্কা কমদুনা পোংথাই, য়ু থকই। (য়ু থকপদি লাইগী হৌমবিনি, লাইবু য়ু থকই হাঙ্গদুনা হুয় কৌই, হিংচাবনা য়ু থকপাবু মাংই, হাঙ্গি অদুনা হিংচাবাবু অসুর – য়ুথক্কবা কৌই) মাস্তুম তৌদুনা লাই হুয়া তরেংমকনা লৈথোনবদা পোংথা নিপানলকতা লৈপুঙ হমকুমরি হুই, মাথোই অদুনা তিনসিংলগা তাইবংপানবা পাক্লবা লৈপাক অসি ওইএ। ময়ম অসিদক্তগী নমুতাইবংমীগী নোংমদা পুং হমকুমরি ওই (নোংমা – ডই। নোংমাগী হমকুমরি থোকপা মতম্মু পুং (লাই হুয়া তরেংনা লৈথোনবদা লৈপুঙ অমা কাই হাঙ্গইনা পুঙ) কৌই। পুঙ নিপান না (লৈথোনবদা লৈপুং নিপানস্তুবদা) য়ুথক (লাইহুয়া তরেংনা পোথাদুনা য়ু থকই হাঙ্গিদুনা য়ুথক) কৌই য়ুথক নিপাননা নোংমা ওইএ, মাস্তুম তৌদুনা মথক পানবা মতমনা থোকই। বেদনা মতম্মু তাইবং পোকপা প্রজাপতি কৌই, মৈতৈরোনদা মাবু (প্রজাপতিবু) অপোকপা Fore fathers, ancestors) কৌই। মতমগী হকচাং-সীংবু হাঙ্গিবদি, পুং য়ুথক, নোংমা, থাথাই, থা, ঋতু, অয়ন, অমুয়া থাইরিবা মতমগী হকচাংসীংবু বেদনা পিতৃগণ (The whole body of ancestors – a class of deceasad progenitors. Who were sons of the prajapatis মনু ৩। ১৪ —. ৯৯ দা এংউ) কৌই।

ভাগবত ধর্ম্মদা য়ুথক নিপানবু মীওইবগী প্রজাপতিনি, হাঙ্গি, মাদুগী মতুংইন্না মৈতৈ জাতিগী বাগৈ থাই, মাদুদি অহিংগী অহানবা য়ুথকনা থাবাঙানবা, অনিস্তুবা য়ুথকনা লুবাং, অহুমস্তুবা য়ুথকনা সমাং লৈশাংথেম, মরিস্তুবা য়ুথকনা হাওরোক কোনথৌজমনি দিবাভাগ (অয়ুক কুংথিল) গী অহানবা য়ুথকনা নিংথৌজা, অনিস্তুবা য়ুথকনা মোইরাং, অহুমস্তুবা য়ুথকনা অঙোম, অমসুং মরিস্তুবা য়ুথকনা খুমনি। অসুমনা বাগৈ নিপান থাই। মকম অসিদা শ্রীভাগবতনা নোংমবু – য়ুথক নিপানবু তরুক থোকনা থাই। অদুগা দিবাভাগতা প্রাতঃ মধ্যন্দিন, অমসুং সায়ং কাংদুনা তৌদুনা অহিংদা প্রদোষ, নিশিথ অমসু ব্রাহ্ম হাঙ্গিনা থাইলোকই। অদুগা হাঙ্গিরবা

থংলে, অদুনা মঙ্গা অসিবু মশা অমত্তনি হাইনা থংনগনি। মরম অসিদগী রাজমেলবু মণ্ডং মণ্ডারক হোংই, হাইনা থংনগনি। মাখোই মঙ্গা অসিগী মনুংদা মেলহৌনা মরুনি। মাসু নিংখিনা থংলগা মখল অহুম মকপু মশক থংই। মরম অসিদগী মেল-হৌ চলনবু (২০) মেলবুংসু কৌই।

খোঙলেপকী হৌনবা।

১ খোঙলেপ,—খোঙনা সমকোণ ত্রিকোণদা লেপকনি। মাহুদি,—

প্রজাপতি তরুক অতুগী মহুংদা ব্যষ্ট—অহিংগী অরোইবা শরুক—নোংঙাম্নকপা কাঙবদা পুষ্করিনী কৌবা মতৃদা সর্ব্বতেজাঃ পোকই, মাবু চক্ষুসু কৌই, চক্ষুনা অসিন্না চাক্ষুষ কৌবা মনু পোকই, মনুনা মচানিপা ১২ পোকই, মাতুগী মরক্তা উল্মূকনা মচা ৬ পোকই, মাখোইগী মনুংদা অঙ্গনা সুনীথাগা পায়তুনা বেন নিংথৌ পোকই, বেননা মরমচং কত্তবদগী সিরবদা মুনিসিংনা মাগী হকচাংবু নৈবদগী নিংথৌ অহানবা পৃথু পোকই। অসুম্না শ্রীভাগবতনা চতুর্থস্কন্ধদা হাই। শ্রীভাগবতনা মীওইবগী মীহৌরোন হাইবগা মৈতৈ পুরাণগী মাগৈ থাইবগা থানদুনা এংবদগী চিংনবা লৈতনা থংলে। মীতৈগী মাগৈ থাইবা মথাই অসিদি ভাগবত ধর্ম্ম চংপা কাংবুগী মাএরনি অমসু ভারততা লৈবা হিন্দু পুরমক্তা মাসুম্না থাইবা অসি তৌদে। মাতুনা থংলে মতম অসিদা ভারততা ভাগবত ধর্ম্ম চংপা পুরমক্তগী অংানবা জাতিদি মৈতৈনি। মাখোইনা চংপা ভাগবত ধর্ম্মদি অতোপপা জাতি অমদগী ভক্বা নত্তে মৈতৈগী জাতীয় ধর্ম্মদি ভাগবত ধর্ম্মনি, পৃথিবীদা কোয়া সন্দোকখিবনি হাইবা থংই। মাসুম তৌদুনা বেদনা হাইবা সৌর জগৎকী সৃষ্টিবু মৈতৈগী পুরাণনা মাসুম্না হাইদুনা নিংসংই। অমসু মণিপুরগী প্রাচীন নত্য লাই হরাওবদা মথক্তা লৌথংগ্রবা বেদগী আদিত্য স্তুতিগী অর্থবু অভিনয় তৌই। মাতুবু "পরিঙ লাঙ সঙ" কৌই। জগোই অদুদা জগোই শাবীসিংনা মণ্ডলীদা চংদুনা "অত্রাবো ন ত্যতামিব ভীরো বেণুরপায়ত"—হাইবা মন্ত্রবু অভিনয় তৌই। অসিগুম্বা খোঙচৎ অদুবু মৈতৈ কীর্ত্তনদা রাজমেল অভিনয়দা চংলি। মাতুদি রাজমেল চলনদা ওইরোমদা চংলিবা অদুনি। মাসিনা আদিত্য স্তুতিবু অভিনয় তৌবনি। মাসিদি শ্রীমন্মহাপ্রভুনা তৌরম্বা কীর্ত্তনদসু তৌদে। মাসুম তৌদুনা থানদুনা এংবদগী থংলে, মৈতৈ কীর্ত্তননা ভাগবত ধর্ম্মগী কীর্ত্তনগী প্রগতিমনি, অতৈনা মাঙোমগী ভমজখিবনি অমসু মাখোই অদুদি লুদবা মচেং মকাই শাকনি।

(২০) চলনবু মৈতৈনা চোলোম হাই, মাসিদগী থংলে ভারতআগদা চলন হাইবদি

খোঙগী খুনিঙ অনিনা খেন্নদা লেপলগা খোঙয়োন অনিনা হাঈদোকপি-বা অদুবু খোঙ অদুনা সমবাহু চতুর্ভুজ সায়গা সমকোণদা লেপকনি-।, চলনগী খোঙ থাংগৎলুরগা অমোক লেপলরবা মতমদাসু মাদুনা লেপ-কনবনি। নত্রবদি খোঙলেপ অদুদগী খোরকপা হকচাংগী মঙংনা অকায়বা সাঙং ওই। অমসু লেপপদা পুক্নিংনা হকচাংগী অরুম্বাবু ভালগী মতুং ইন্না খোঙএৎতা অমোক, ওইদা অমোক পীগনি। তৌইগুমসু হকচাংগী অরুম্বা পীবা মাইকৈ অন্দোমদা হকচাংবু পৈথবা, ভামথবা য়াদে। মাসুম না লেপকনবনি। হকচাংগী নমথবগা লোইননা খুৎ হাঈথবা খোঙনা মাখাঙৎকনি। খোঙগী থাঙৎপনা (অহানবদা এৎ) লেপ লবা খোঙ নামাগী খুবোম ময়াংদগী হেন্না থাঙৎপা য়াদে। মাসুন্না ওইদা অমোক, এৎতা অমোক থাঙৎতুনা চৎকনি। (চৎলিবা অসি সৌর জগৎতা গ্রহসীংনা চৎপা মাইকৈদা মগুলাদা চৎকনি। রাজমেলগী খোঙচৎ অসিনা ঋগ বেদগী আদিত্যস্তুতিবু অভিনয় তৌবনি। খোঙচৎ অসিবু শ্রীভাগবতনা পঞ্চমস্কন্ধদা হায়ি "সব্যেন দক্ষিণংকরোতি" হাঈবদি ওইয়োইননা চৎলগা এৎলোইননা চৎলি, অসুম্না হায়ি। মাদুগী তাৎপর্যদি, উত্তর গোলার্দ্ধদা লৈবা মীনা অতিয়াদা থোকলিবা গ্রহসীংনা চৎপাবু নোংচুপতগী নোংপোক্তা চৎপাবু ওইয়োইননা চৎপা ওইনা থোকই। মাদুবু প্রবহবায়ুনা (পৃথিবীগী) আহ্নিকগতিনা নোংপোক্তগী নোংচুপ ওইনা চৎপা ওইনা নিংই, হাঈবনি।)

অমসু—হকচাংগীনমথবা অমোক হাঈগৎপা মতমদা হকচাং অসি মাইকৈ নিপান মক্তা ভামথথবা য়াদে, চপ চুন্না লেপকনি। মাদুদা স্বর হোনবাদা মণিপুরদগী নাতোন, নাতোনদগী মণিপুরদা চৎপা অদু তাংগ্লক নাইবা য়াদে। মাদুদি বাজমেলগী চলননা ঋগ্বেদগীমন্ত্র, –"গায়ত্রি" না হৌরা মন্ত্রগী অর্থবু অভিনয় তৌবনি, মন্ত্র অদুনা হায়ি "উদ্বংশমিব যেমিরে।" – বা অমম্ন চপ চুন্না য়ুংলগা বা অদুগী মত্তোনদা পাইদুনা লাকথরগা-অমোক তনানা ২ থাদোকপা অমোক লাকথুবা অদুদা য়ায়ু তাংগ্লক নাই-হনবা অদুগুম্না স্বর হোনগনি, অসুম্না রাজ মেল চলনগী আচার্যসীংনা তাকই।[1]

চৎপা খোংচৎপু হায়িবা নত্তে। কোকগী খোঙ কাউবা হকচাংগী লাথেক লাচৎ চলন থৌরবু লোংকভম্বা চলন্ন কৌই। মাদুবু মৈতৈনা চোলোম হায়িবনি।

২। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]—

রাজমেল। চলনদা [illegible] [illegible] [illegible] মায়েন [illegible] খোইবা অমসু. পৈবা মায়ে, চপচুমহনগনি। মাহুম্না লেপতুনা হকচাং নমথবদা তুংগী নীঙগা শুকউগা পয়েং [illegible] [illegible] নমথগনি। মাহুম্না হক-চাংনা, ভাবগী মতুংইন্না নমথারকপা অহূগা লোইনাবা, খোঙ নামা থরা ২ খাজংবা খুবোম ময়াই য়োবাগা মাজাগনি। খাজংপা খোঙনা হান্নাগী মকম য়োমদা [illegible] লোইন্না লোইবদা হকচাংন্না [illegible] হৌগৎকনি। হকচাং-গী, কোকুকা চপমান্নবা পয়েং অমত্তদা নমলগা খাংলোমদা থরা ভামথগনি। হকচাং-ভামথবদা লেংনা কৈগন-ময়াই (খুকউখা কৈকগা অনিগী ময়াই) ওইনা ভামথাগনি।

মাহুম্না-হকচাংগী [illegible] [illegible] হাইগংপগী অনিদা রাজমেল অভিনয়দা বেদগী "গায়ত্রি" না হৌরা মন্ত্রগী "অর্চচন্দ্র্যর্কমর্ত্তিপঃ" বু অভিনয় তৌবনি, মাহুদি, "সুমিৎপু ঈড়াংপাসীংনা সুমিৎপু ঈড়াংলি" মাহুদা সুমিৎনা থোয়-কথা মকমদা খুৎহাইথাহুনা পুংবা মকমদা হাইগংতুনা, ভাবা মকমদা হকচাংসু খুৎসু হাইথাহুনা খুরুমই; মাহুক্স: তম্বনি।

৩। করতালদি,—

করতালবু মৈতৈনা কোরতাল অমুম্না কণ্ঠবিবৃত ওইনা খাজলীগী থোয় হাইদা হাই। কলিযুগ পাবনাবতার শ্রীগৌরহরিগী পুঙ অমসু করতালনা খুংলাইনি, মাখোই অনিনা মরম ওইহুনা অপাম্বা সাওবা, লৌনিংবা, অঙক্কপা, ময়াইকাবা, অমসু মুংনাংবা সামু মচৎম ভাবাবু প্রভুনা নোংশা ওইহুনা ভানথোকখিবনি। মরম অসিদগী মৈতৈনা খুংকী মহুৎতা করতালবু সিজিন্নাখি। মরম অসিদগী মৈতৈনা কীর্তনদা খুংনা তোগদবা চনবু করতালনা তৌখি। রাজমেল অভিনয়দা মৈতৈনা খুংনা তোগদনা মুত্রাবু করতালনা তৌই। মাহুদি রাজমেলদা য়োগদা অহানবা মংগদয়া, বিরাট পৃথবী শক্তিগা লোইনবা মূর্তিবু খুংনা মূত্রা ওইনা পুখোকনবগী মহুৎতা করতাল অনিনা উপনবনা অভিনয় তৌই। রাজমেলদা করতালবু পাইহুনা পুরী ময়াইদা (খোইগা খাজিনগা অনিগী ময়াইদা) থমগনি। কর-তালবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কনি। মাহুম তৌহুনা বর্ণ [illegible] [illegible] [illegible] হাইথবা মথয়াহুনা [illegible] [illegible] [illegible] রাজমেলনা অভিনয় তৌই, করতাল অনিগী উপনবিয়না যোগগী প্রাণসমাযোগ (য়োগ [illegible] [illegible]), সামমূর্তি—লৈপাক লোংবৌ অনিগী উপমাবাবু অভিনয় তৌই।

☞ রাজমেল অভিনয়গী অকুপ্পা চননবু তাথ্যা তোঁননবগীদমক ☜

অহানবদা পুঙলোমবু পুখোকপা । (২১)

লম্বী ঘাত (১) মাত্রা ১৪

১	+	৩	০
			— ঘিন্ন গ্র
খেন — তঃ —	তাং দাং —	তাং — — —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — তঃ —	তাং দাং —	তাং — — —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — তঃ —	তাং দাং —	তাং — — —	— তাং দাং
তাং — — —	তাং দাং —	খেন্ — খিন্ —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — খিন্ —	তাং দাং —	তাং — — —	— — —
খিং খ্রুগ্র খ্রুগ্র খ্রুগ্র	খ্রুগ্র খ্রুগ্র খ্রুগ্র	খ্রুগ্র খ্রুগ্র খ্রুগ্র খ্রুগ্র	খ্রুগ্র খ্রুগ্র খ্রুগ্র
গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র	গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র	গে — — —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — তঃ —	তাং দাং —	তাং — — —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — তঃ —	তাং দাং —	তাং — — —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — তঃ —	তাং দাং —	তাং — — —	তাং দাং —
তাং — — —	তাং দাং —	খেন — খিন —	— ঘিন্ন গ্র
খেন — খিন —	তাং দাং —	তাং — খিন —	খেং — তঃ
খিন — খেং —	তঃ খিন —	তেন — তঃ —	খিং তাং —
খেন — তঃ —	ঘিন্ন গ্র —	খেন — তঃ —	তাং দাং —
তাং — — —	তাং দাং —	তাং — — —	তাং দাং —
খেন — খিন —	— ঘিন্ন গ্র	খেন — খিন —	তাং দাং —
তাং — — — ।			

(২১) পুঙলোম অসি, লোইবক শ্রীরাজনসিংহ শ্রীশ্রীগোবিন্দজীউ পালাহনগী হয়বা ওয়াদা য়েবনি, ওতাং শ্রীশ্রাইরাম থৌগিকেনা তাগগী মতুং ইনা হবনি। শ্রীকো-জেংবম তোম্বাইমা সিংহ ওয়াদা "গায়ত্রিমা পায়িত্রি গোষ্ঠ রত্যার্কমর্দিনঃ। ব্রাহ্মণঞ্চ শত-ক্রতু উত্তংসপিয়মেঘিয়ে"— বগ.মরবু শকতুনা, খাইগী মবকা ওয়াদাং মায়াকনা থিরেনা তৌদুনা ইথোকপনি।

রাজ মেল। মাত্রা ১৪

\+ . ৩ ০ ১

— — — — থেন তা — তং — তাং — খিং ঘিন্ন গ্র

(থেন —, খি ত)

\+

ঘিন — ঘিন — থেন — ত ঘিন — তাং — — তা —

তং — তা — থেন তা — তং — তাং — খিং ঘিন্ন গ্র।

সেতু ঘাত। মাত্রা ১৪

\+ ৩ . ১

তেন তা খি ত তাং — — তা — তা — তাং — —

তেন তা খি ত তাং — — তা — তা — তাং — —

তেন তা খি ত তাং — — তা — তা — তাং — —

তেন তা খি ত তাং — — তাং — — — তেন তা —

তা — থেন — তা থেন — তা — থেন — তা খি তা

খিতাং — — — — — — — — — — — — —

ত ঘিন — — — — — — গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র

গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র গ্রগ্র থেন — — — — — —

তেন তা খি ত তাং — — তা — তা — তাং — —

তেন তা খি ত তাং — — তা — তা — তাং — —

তেন তা খি ত তাং — — তা — তা — তাং — —

তেন তা খি ত তাং — — তাং — — — তেন তা —

তেন — তাং — ঘিন ঘিন — তাং — — — ঘি ন্ন গ্র

ঘিন — খু গ্র তেন তা — থেন — ঘিন — থেং — তা

+	৩	০	১
ঘিন – ধেৎ –	ত ঘিন –	তাং – –	– – –
তেন তা ঘি ত	তাং – –	তাং – – –	তেন তা –
তেন – তাং –	ঘিন ঘিন –	তাং – – –	– – –

ধেন আওনবা অলঙ্কার। মাত্রা ১৪।

১	+	৩	০
ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – – –	ঘি র গ্র
ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – – –	ঘি র গ্র
ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – ধেন –	ধেন – –
তঃ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – ঘিন গ্র	ধেন তা –
তেন – তা –	তেন – –	ত – ঘিৎ –	ঘি র গ্র
ধেন – – –	তান তাং –	– তান তাং –	তান তাং –
– – তা –	তেন – তা	তেন – তা –	তেন – –
তঃ – – – ।			

ধেনবুং আওনবা (১) মাত্রা ১৪ ।

১	+	৩	০
গ্র গ্র –	তেন – তঃ –	ঘি তা –	তাং – – –
গ্র গ্র –	তেন – তঃ –	ঘি তা –	তাং – – –
গ্র গ্র –	তেন – তঃ –	ঘি তা –	তেন – – –
ঘি তা –	তেন – তঃ –	ঘি তা –	তাং – – –
ঘি র গ্র	ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – – –
ঘি র গ্র	ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – – –
ঘি র গ্র	ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – ধেন –
ধেন – –	তঃ – ধেৎ –	ধেন – –	ঘিন – তা –
ধেন – –	ধেৎ – ধেৎ –	ধেন – –	তঃ – – – ।

থৈনবুং অওমবা (২) মাত্রা ১৪

১	+	৩	০
খ্রু খ্রু —	তেন — তঃ —	খি তা —	তেন — তঃ —
খ্রি তা —	তেন — তঃ —	খি তা —	তাং — — —
খ্রু খ্রু —	তেন — তঃ —	খি তা —	তেন — তঃ —
খি তা —	তেন — তঃ —	খি তা —	তাং — — —
খ্রু খ্রু —	তেন — তঃ	খি তা —	তেন — তঃ —
খি তা —	তেন — তঃ —	খি তা —	তাং — — —
খি ন্ন গ্র	ধেৎ — ধেৎ —	ধেন — —	— — ধেৎ —
ধেন — —	তেন — তঃ —	খিতা —	তেন — তঃ —
খি তা —	তেন — তঃ —	খিতা —	তাং — — —
খ্রু খ্রু —	তেন — তঃ —	খি তা —	তেন — তঃ —
খি তা —	তেন — তঃ —	খি তা —	তাং — — —
খ্রু খ্রু —	তেন — তঃ —	খি তা —	তেন — তঃ —
খি তা —	তেন — তঃ —	খি তা —	।

(মাত্রা ১৬)

১	+	৩	০
			তেন ঘি ন্ন গ্র
ধেন তা ধেন —	ঘি ন্ন গ্র ধেন	তেন তা খি তা	তা ঘি ন্ন গ্র
ধেন তা ধেন —	ঘি ন্ন গ্র ধেন	তেন তা খি তা	তা ঘি ন্ন গ্র
ধেন তা ধেন —	ঘি ন্ন গ্র ধেন	তেন তা খি তা	তাং — — —
খিন — ধেন —	— — তন তা	খি তা ধেন —	— — খ্রু খ্রু
তেন তা তাং —	— — তন তাং	ধিন — ধেন —	— ধিন — —
ধেন — — — ।			

—ব্যাখ্যা—

রাজমেলদা চলনবু পুঙলোলগা লোইমনা উৎপা (২২)।

১ লম্বী ঘাত।

লম্বীঘাত কৌবদি,—থোঙনা ত্রিকোণদা লেপলগা পুক ময়াইগী মপাদা পাইরিবা করতালবু পুঙলোনগী মতুংইন্না য়ৈগনি, হকচাংনা মাহুনা খজিক্তং নমথাহুনা খরা ২ লেংগনি, মাহুবু 'লম্বীঘাত' কৌই।

২ মেলবুং।

লম্বীঘাত থাইবা হেক লোইবদা পুক ময়াইগী মপাদা লৈবা কর-তালবু "তে নতাতাঃতাং" পুঙলোন অসিদা "তেন" দা লেংগী মপা ফাউবা হাঙ্গৈগৎকনি, অমসু "তা" দা হকচাং নমথাগনি। "তাঃ" দা করতাল অনিবু হাঙ্গৈদোক্তুনা খুকউ অনিগী মপাদা থমগনি, "তাং" দা করতাল অনিবু পীগুম অনিগী মপা ফাউবা থাংগৎকনি, মাহুগা লোইনা লোইননা হাঙ্গৈথারক্তুনা পুক ময়াই য়ৌরকপদা "ঘীন,প্রঘীন" পুঙলোন অসি হাঙ্গৈরকপদা ওইথংবা করতালদা এৎথংবা করতালনা খুকউগী মপাদা থাগনি। মাহুদগী করতাল অনিগা লোইননা পুন্না থাঙ্গৎকনি। করতালবু থাঙ্গৎ-লিঙৈ মতমদা হকচাংদা অরুম্বা পীহুনা হকচাংনা মথাদা লৈগনি। থাঙ্গৎ-লিবা করতাল অহুনা চীনবানগী মপাদা "ধেন" দা ওই থংবা করতাল মতোনদা এৎকী করতাল মতোননা খুজেং নৌনা হাঙ্গৈগক্তুনা খৎকনি। হনথাহুনা অমোকসু থেংনাহনগনি। মাহুম তৌহুনা করতালবু মখোন অনিরক থোকহনগনি। মতম অহুদা খুৎক্কী খুনিংগা করতালগা থোং মান্নাহনগনি। করতাল এৎনা অহানবা খৎপদা হকচাং হৌগৎপা হৌগনি। অকোনবা খৎথাবাগা হকচাং হৌগৎপা লোইবগা মতম চপ মান্নাহনগনি। করতাল অনিবু পীগুম মপা ফাউবা থাঙ্গৎপগা হকচাংগী নমথাবগা লোই-ননা খজিক্তং ইনথৎতুনা খিঙথাগনি। মাসিবু "মেলবুং চলন" কৌই। মাসিদু হঞ্জন হঞ্জন তৌহুনা লৈগনি।

(২২) রাজমেল চলন অসি, চুড়থাব শ্রীধবাল অত্তোৰী সিংহ সনাপালা যোম্নারাবা চলনগী আচার্য ওঝাসৌংদগী তমজহৌবাগী মতুংইন্না ভৌই অমসু পুঙলোনগী মতুংইন্না পানজবাসু উক্ত ওঝা অসিনা পানজখিনি। মাহুগী মতুংইন্না ঐথোইনা আলোচনা তৌজে।

৩ সেতুবাত

করতালগী থমকমদা করতাল থমনগা হকচাংনা থিত্তং নমথাহুনা তালগী মতুংইন্না এংতা+ওইদা খোল্ড খজিক্তং লেংহুনা পুঙলোনগী মতুং ইন্না করতাল মওং লেংদনা খিংগনি, মাসিবু সেতুঘাত কৌই।

৪ মেল অওনবাগী করতাল, সাধেক।

সেতুগী অরোইবা ওইদগী করতাল অনি হাঙগৎতুনা এংতা ওইনা থাবা, মাহুদা হকচাং নমথগনি। মাহুদা হকচাংনা নমথহুনা লৈহৌগনি। করতালগা খোঙ ওইগা থাঙৎকনি। কবতালগা হকচাংগা লোইননা খজিক্তং ওইরোমদা লৈগনি। মাহুনা ওইথংবা খুকউগী মপা ফাউবতা লৈগনি। মাহুদা খুজেং অনিমকপু চপ মান্নানা চংসিনহুনা করতাল এংনা মথক থংনা করতাল ওইগা থেংনাগনি। মাহুদগী ওইনা লৈথগু না কবতাল অনিমকপু ওইরোমদা খিংথাগনি। মতম অহুদা করতাল অনি লৈনা (খুজেংঅনি লৈনা)রিঙৈদা খোঙ থাদগনি। খোঙ থাদাবিঙৈদা হকচাং হৌগৎকনি। করতাল খিংথবা মতমদা ওইবোমদা হকচাং নমথাগনি।

করতাল থাঙ্গৎপা খোঙএং থাঙ্গৎপাগা মান্নাগনি। এংলোমদা খুকউ মপা ফাউবা খজিক্তং লৈরগা করতালনা খৎকনি। মাহুদা খোঙথাদগনি। হকচাংনা মাহুগা মাননা হৌগৎকনি। মাসুন্না হঞ্জন হঞ্জন তৌগনি।

(খোঙ থাঙ্গৎপদা খুনিংনা খুবোমথিবোং য়োনা ল্লাংগনি খুকউ মমাঙ্গী <u>কা</u> <u>না</u> থাংগনি [ফৈবোম লেংথোং মাননা থাংগনি])

৫ মেল অধাবা।

মথক্তা হাঙ্গিরবা "মেল অওন্নবা" দা তালখুজিল লকপাগী মতুং ইন্না হকচাং হাঙ্গবাসু থরা থরা তেনশিল্লকপা অমসু করতাল থাদবা, থাঙৎপাংসু থরাঃ শাংবা হন্থারকনি। মমৈদদি (য়াম্না থুররুবা মতমদদি) হকচাং চুমসিনলকনি, করতালসু পুকী ময়াইগী মপাদা খিংগনি। মতম অহুদা পাম্বোম অনিগী খুনিং অনিদগীনা থুংকী খুজেং কাউবাগী মথৈবু য়াম্না নৌনা —ল্লাংনা (খুনিংদগীনা সাগন কাউবাবুনা অরুম্বা—লেংদবা ওইনা থমহুনা) তালগী মাত্রা মতুংইন্না উচেকৌ মপা অনিগী থম্নাওনা থপকনি।

৬ স্তোত্র।

রাজমেলদা মেল অথাবা মতমদা মৈতৈকীর্তনদা "স্তোভ" লাওই। মাবু মৈতৈনা "এ" লাওবা কৌই। মাধি বেদদা সামগানগী মায়ম পুনবা শীদমক হায়রনি। মহাত্তি অর্থ লৈতবা নত্রেক "হরি হরি" বু অহন্নক হুনবনি। নত্রেক হরি হরিনা ভগবান্‌গী নাম অমামমনি। অদুগা নাম অহন্নক ২ হকপনি। মহাভারতদা নাম মালাদা হকই,—"মনস্তঃ পরমা যোনিংখংবায়ু র্জ্যোতিষাংনিধিঃ। ঋক্‌সামানি তথোঙ্কারমাহুস্ত্বাংব্রহ্মবাদিনঃ। হারি হায়ি, হবাহায়ি, হাবু হায়ি, তথাসকৃৎ। গায়ন্তিত্বাং সুরশ্রেষ্ঠ, সামগা ব্রহ্মবাদিনঃ"। মাসিদা হায়ি, হায়ি, নাচিংবা অসি ভগবান্ শ্রীসদাশিবগী নামনি। মণিপুরী প্রাচীন নৃত্যদা লাইহরাওবা জগোইদা "হোই রাওবা" কৌই। মৈতৈ কীর্তনদা "এ রাওবাদদি ব্যঞ্জন বর্ণদি প্রস্তুনি। মহাকপু রাজমেলদা মেল থামদাইদা লাওই। অদুগী মরমদি,—

তাইবংমীওইবগী নশ্বর—মাংখিগদবা হকচাং অসিদি থাওমৈগী ঐরিগুম্বা মীকুপ খুদিংগী হোংলিবনি। মমৈদা পুলপনা মাংখিগদবনি। সরুগী পোলাংদা ঈ তোংসানা তোপত্তুনা সাবনি, মত্তুংদা মূত্র, ফিঠানাচিংবা নমথিরবা হাপ্পা অসিবু, ঐথোইগী ফরবা মুমিং অমদা শ্রীশ্রীগুরুদেবনা অসিগুম্বা হকচাংগী মত্তুংদা অধ্যাত্মিক বিজ্ঞানবু ঙানথোকহনবিখি। মুমিং অদুদগী মীকুপ অদুদগী ঐথোইগী নশ্বরদেহ অসি শ্রীভগবান্‌গী লৈফম ওইখ্রবনি মহাকৌ কাইদোংফম,—বাহন ওইখ্রবনি। জগোই শাবাগী হৌনবিনি, লাপন্‌বু লুমনা উহনবা খুদাংবুনা য়াংনা উহনবা। করতাল জগোইগী হৌনবিনি, খুনিঙ ফন্দোকপা চলনগী আচার্যসীংনা হাঙ্গৈ। রাজমেল অথাবদা তালগী কুণ্ডলিনলক্তবা মতমদা স্তোভবু হকই। মতম অদুদা শ্রীভগবান্‌গী বাহন হকচাংনা খুংনা থমোইরোম পুসিন্নুনা, খুনিং অনিন মথা (পক্ক), অনি ওইত্রনা ফন্দোক্না থপ্পা, খোঙনা লৈপাক্তা অকুপপা তালগী মতুংইন্না, অচাকপা মৈতান নথক্তা নেৎপাগুম্বা চোংই। অসিগুম্বা মেল অথাবগী মতমদা ওইরিবা হকচাং পুম্বাগী চেলুন অরিদি অক্রিয়াদা পাইরিবা ভগবান্ গরুড়গী মুর্তিনি। গরুড়না শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অমম্বা ওইনা চিংথাকখত্না লৈরি।

পক্কড়না শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অমত্তা ওইনা লৈবা শ্রীমূর্ত্তি—শ্রীগৌরাঙ্গবু পুন্না লৈবা পক্কড়গী মূর্ত্তিবু মেল অথাবাগী কুণ্ডলিনরথা চললনা অভিনয় তৌই। মরম অহুনা মতম অহুমা "স্তোত্র" গান তৌবনি।

যোগদা অহানবা ধারণা তৌনবা খিরাট্ট মূর্ত্তিবু আত্মলীলা সাম মূর্ত্তি ওইনা ধ্যান তৌ। মাহুদি (মথক্তা লা ২১৮।২১৯ দা হাঙ্গথরে এংসি) চক্রবালদা মাইকৈ নিপানমক্তা অতিয়ানা উপথহুলা লৈপাক লৈমবু কোমসিনবা অসিদি উমা মহেশ্বরগী তাইবংপেম্বা রতিক্রীড়ানি। মৈতৈগী প্রাচীন নৃত্য লাইহরাওবগী পুষ্পাঞ্জলি, অভিনয় দা অমাইবীনা উমামহেশ্বরগী রতিক্রীড়াবু মুদ্রা সাহুনা অগোই সাই, মাহুনা খুপাক ওইবু এংকী খুবাকনা কুপতুনা অতিয়ানা লৈপাক লৈমাবু কুপসিনববু সাহুনা হুদিং না থোরকপগী হাঙ্গথবা, মুংবগী হাঙ্গগংপা, তাবগী হাঙ্গথহুনা লৈতাই নোংদাই অগোই সাই। ধর্ম্ম অসিবু ঋগ্‌বেদগী লৌবনি, হাঙ্গবা লামাই ২১৯ দা উৎপ্রবা অহুনি। ভাগবত ধর্ম্মদদি শ্রীগৌর হরিনা শ্রীকরতালবু ইবুঙোগী থুংলাই ওইনথি, মাহুদগী লৌ হুনা মৈতৈনা কীর্ত্তনদা থুংকী মহৎতা করতালনা সিনথরে। করতাল ওইনা ইবেংমগী, এহুনা ইবুঙোগী শ্রীঅঙ্গ অনিনা অমত্তা ওইনা রাসলীলা সামববু শ্রীকরতালনা অভিনয় তৌরি। শ্রীভাগবতনা কলিদা অবতার তৌবা ভগবান্‌গী শ্রীমূর্ত্তিবু হাঙ্গ। মাহুদি,— কৃষ্ণবর্ণং (মচু মুই) ত্বিষাকৃষ্ণং (মঙাল্লা ঙৌই) মাহুদি লৈহাওগা ইন্দ্রনীলমণি পা থম্মিরবগা লৈতাওগী মমিনা ইন্দ্রনীলবু হেনা উবগুথনি। অনিসুবা বৈকুণ্ঠ শ্রীধাম মণিপুরদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অমত্তা ওইনা তিন্নরবা শ্রীমূর্ত্তিনা শ্রীরাধাকৃষ্ণৈকনিষ্ঠ ভক্তগী থমোইগী লায়ুমদা ভান্দুনা লৈ। মৈতৈ কীর্ত্তনদা রাজমেল অভিনয়দা, মেল অথাবগী খুজনলক্লবা মতমদা ভক্তগী হৃকচাংদা থমোইগী মপাদা মপান্দা থোরকতুনা করতাল অনিগী মশক ওইগুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী তিন্নরবা শ্রীমূর্ত্তিনা সাররিববু ভক্তপুম্বনা সংসথা উই। মরম অসিদগী কলিদা শ্রীধাম মণিপুরদা অবতার তৌরিবা শ্রীহরিবু শ্রীভাগবতনা হাঙ্গ, কৃষ্ণবর্ণং মচু মুই, ত্বিষাকৃষ্ণং—মঙাল্লা ঙৌই, করতালদি নবদ্বর্বাদল শ্যাম নি, কুছু মুবনি। তৌইগুমসু মাগী মঙান অরংবদি মুমিংকী, লৈগী, নোংথাংগী মঙান গুথনি, ঙৌবনি। নবদ্বীপতা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা শ্রীরাধাভাবকান্তি পুহুনা অঙৌবা কুছু ওইথরে, মহুংদা অমুবা কৃষ্ণবর্ণ লৈ, মাহুবু ভক্তসীংনা, রামানন্দনচিংবগুনা উই, নিমাই পণ্ডিত মহুংদা মুই, হাঙ্গবদি ভক্তনা থংবনি, সাধারণনা থদে। কলিদা শ্রীধাম মণিপুরদা অবতার তৌবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী একীভূত শ্রীমূর্ত্তিদি মহুংদা মুই মঙান না ঙৌই, উবা মী লৈতে। শ্রীভাগবতনা হাঙ্গ, অসিগুবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী একীভূত মূর্ত্তিবু সংকীর্ত্তননা যজ্ঞ তৌহুনা ঈজ্যংকনি (যজ্ঞৈঃ সংকীর্ত্তন প্রায়ৈঃ যজন্তিহি সু-

'যেমনঃ) মৈতৈ কীর্ত্তনদা রাজমেল অভিনয়দা মেল অমাবগী খুজনলক্ষমা অপুনুবু থাকনা মখা অনিনা থগতুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী তিনময়বা শ্রীমূর্তিগী লীলাবু পুরক্না অকুপ ভাবুক পূমনমক্তা উৎলি। মথম অসিনা মৈতৈনা কীর্তনবু 'অমা হাইজবদে, কীর্তন এংবা হাঙৈ, মাদুদি মৈতৈগী কীর্তনদা সংলগ্না শ্রীরাধাকৃষ্ণগী একীভূত শ্রীযুগল শ্রীমূর্তিবু উই, অদুনা মখাবু শখা হাইজমদি মণিপুরী ভাষানা "ঈশ এবো" — উইশে এংবা লৌই। শাস্ত্রনসু কীর্তনবু অমা হাইজবদে, এংবা হাঙৈ, "ভবো ভবাস্থা কমলসংমত্ত্যঃ শত্রুাগজং কীর্তন নির্ম্মায়" ইতি শাস্ত্রে। মরম অসিনা মতম অদুদা কীর্তননা থোকচংশান লৌরকই। শ্রীভাগবতনা নারায়ণবর্মদা হাঙৈ,— "গরুড়ো তোত্তঃ ছন্দময়ঃ প্রমান।" মাগদি শ্রীভগবানগী শ্রীমূর্তিবু পুতুনা গরুড়না পাইখা মতমদা গরুড়না মখা অমদা মেদ পুমমকপু (মত্র থোংবগুম্বা থোকপা মথোননা) তোক্ত ওইনা ছন্দতুনা থৌওন তৌই, অসিনি। মরম অসিনা মৈতৈ কীর্ত্তননা মতম অদুদা চীননা তোক্তবু ছন্দতুনা হকচাংপুমনা গরুড় ওইদুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী যুগল শ্রীমূর্তিগী পূর্ণরাস লীলা সাইরে।' অসিগুম্বা শ্রীধাম মণিপুরদা অবতার ওৌবা শ্রীমূর্তিগী সামবা শ্রীরাসলীলা অসিসিদি ভাইবঙ্গান পুমমক্তা লৈতে, মণিপুরগী শ্রীধামমণিপুরনা ওইখনি, মথম অসিনা শাস্ত্রনা শ্রীধাম মণিপুরবু "অন্যং মণিপুরং নাম বভ্রুবাহন পালিতং। দ্বিতীয়মেব বৈকুণ্ঠং স্থাপিতং বিষ্ণুমায়য়া।" হায়না শ্রীধাম মণিপুরবু স্তুতি তৌরিবা অসিনি।

☞ মৈতৈকীর্তননা ইথাইদগী হেন্দোকপা ☜

❋ রাজমেল তৌরিঙৈদা ভাবুকশী তৌহৈদবা ❋

কয়ামকম।

মৈতৈগী অমৌবা শালাগী রাজমেল অভিনয় অসিদি অগোইনি মহাকপু কময়হবা এরৈহেরে। রাজমেলগী থাময়দাইদা ময়াইতনদি ভাবুকনা হৌগত্তনা মথুত্তা মত্র পাইতুনা মটীলীগী মতেং পাংলমই। অসি ময়াংগী কীর্তনদা তৌদে। মৈতৈদা অসিগুম্বা পুকচেন অমা যাম্না হোংনা লৈ, মাদুদি মাথোইনা নিংই, ময়াংনা তৌবতবু অকবনি, নিংই। অদুগুম্বা পুকচেনদগী হৌজিক্তি, মৈতৈ ভাবুকনা রাজমেলদা ভাবুকনা তৌবা হৌমবা মনাং থাদোকখরে। তৌইগুমসু মৈতৈদি অকণশীলনি। মাগী জাতীয়তাবু থাদোককমদবা জাত্তিনি। রাজমেল তাল মরমদাইদা লোইবুং থোকনা ভাবুক পুযাগী মহুৎশিংনা জাতীয়তাবু হুরিক কাওয়া কনদুনা ভাকলি। ময়াং কীর্তনদা হৌগত্তগদি মাখোইগী কীর্তনদা সংস্থাপনা ওইরে, অমসু মাওদে হাইবাসু ফাই। অমসু অমৌবা শালা কীর্তন তৌরিঙৈদা মতিকনা মনাইদা অনিগী মমকতা থাইদুনা চং-

হৈনবে অমসুং মরাংগী মতৌ ভক্তগী মৈতৈনা যাগিবুদি চাক্না থাজোকখি। হৃদিঙ্কি মৈতৈগী প্রাচীন নৃত্য লাই হরাওবা তা অথাইবহ, অমাইবীনা ঙ কপা উরি। হরি-ভক্তিবিলাসদা শাস্ত্রগী বচন লৌখতুনা কাখী মাহুদি,—

নৃত্যন্তং বৈষ্ণবংহর্ষাদ্দাসীমো যস্তু পশ্যতি। খঞ্জোভবতি রাজেন্দ্র সোহংজন্মনি জন্মনি॥ নত্যতাংগায়তাংমধ্যে ভক্তানাং কেশবস্যচ। তান্ তেষস্তিরোধাতি তীর্থ গং গোদিংসগচ্ছতি।

অর্থ মৈষ্ণবনা জগোই সাবনু হরাওবদগী তুতাইবদগী ওইরবাসু কমতুনা এংলবদি মপোক মপোক খুদিংদা খোঙতেকপা ওইনা পোকই। জগোই সাবা অমসু ঈশৈ হকপা ভক্ত সীংদা শ্রীভগবান্‌গা অনিগী মরক্তা কৈনা চৎলবদি শা ওইনা পোকই।

মৈতৈনা রাজ মেল থারমদাইতনা হোঁগৎপাগী ওয়বদি,— কীর্তনদা রস অমসু সংগীতনা প্রধানওইবনি, মাগগী শরুকপু শ্রবণ ভক্তি তৌগদবনি। মরম অসিনা মণিপুরদা ভাবুকনা কনরুক শ্রবণ তৌই। রাজমেলগী থারমদাইবদি খুপনাগী জগোইগী শরুকতা ওইহে রস অমসু সংগীতকী শরুক খাজোকখরে, খোঙতাং লাওনা শ্রীভগবান্‌গী নাম কীর্তন তৌই, মতম অহুমদি ভাবুক পুন্নমক কপা রাজে, মতক অহুনা কায়থদি শাগ্রনা হাঙ্গি, মপোক মপোক খুদিংদা খোঙতেকপা ওইনা পোকই। মাসি অমা তাইবংপানবাগী কীর্তনদগী মৈতৈ কীর্তননা পুমহেন হেনবনি।

মৈতৈ কীর্তনদা হৌবদা মোইবুং খোংদবা য়াদে অমসু তাল থাবা মতনদা মোইবুং খোংদবা য়াদে। মরাংগী কীর্তনদাসু মোইবুং খোংই, মথোং মায়দে, মরাংগী দি মতম অসিদা মোইবুং খোংদবা য়াদে। হাঙ্গবাগুম্বা মৈতৈগীগুম্বা অককনবা লৈতে। অমসু মোইবুংগী "মরোমসু" মৈতৈগী মোইবুং মরোনদি মৈতৈতদা লৈবা, তাইবংগী তোঙানবনি। মৈতৈনা তৌগিবা অসিদি শ্রবণ ভক্তিগী হৌনবিনি মণিপুরগী শ্রবণ ভক্তিগী আচার অসিদি পূরাণ শাস্ত্রদা শ্রীনারদনাচিংবানা তৌবা উই। করিগুম্বা লৈ-পাক অমদা নবদ্বীপ, কাশী, মথুরা, বৃন্দাবননাচিংবনা তৌবা উদে। মণিপুরদা শ্রীভাগবত শ্রবণদা অহানবদা নাম সংকীর্তন শকই। সংকীর্তনগী অরোইবদা শ্রীভাগবতকী মঙ্গলাচরণ হৌবাগা অনিগী সরবা অহু ঈশৈগী তাল অমাগী মতুংইন্না হৌই, মতম অমুমা মোইবুং খোংই। শ্রীভাগবত তৌবা লোইবাগী তাল অমগী মতুংইন্না অরোইবগী মোইবুং খোংহুনা সংকীর্তন হৌই। মাদুগা শ্রাএনগী মথাদা থমহুনা শ্রবণ ভক্তি তৌবা অসি, বৈষ্ণবসিংনা নবদ্বীপতা বৃন্দাবনদা তৌদে, মাথোইনা থরদি তৌই, মাহুক্তা নিয়মদি লৈতে মাহুমা কীর্তনদাসু তৌই, মাহুদি,— মাঙপ মগুনা ধ্বনি-লাওবগী মাগুগী 'মতুংইন্না মোইবুং খোংহুনা কীর্তন হৌই। মরকতাসু তাল অথাবা খুদিংদা মোইবুং খোংই মহৌশাদি পেসুং, কংসি, নাচিংবা যন্ত্রসু রৈবই। কীর্তনগী

লৈইবসু ভাবুক মকোকনা মনি লাওদুনা মোইবুং খোংদুনা লোই। মসুমা মৈতৈনা মণিপুরদা তৌরিবা প্রবল ভক্তিগী আচার অতসিসু মৈতৈগী সদাচারনি, তাইবংপানবদা করিদুনা মকদা তৌরে। নবদ্বীপতা বৃন্দাবনদা বৈষ্ণবসিংনা কাপক২ খরদি তৌবা মরাওই, চামনা মণিপুরদুনা তৌরে। মাদুগী মাকোদি মমাংদা শাইরিক ভাবদা অমসু কীর্ত্তন তৌবদা তৌবা মতৌগা পুরাণদা হায়রিবা শ্রীনারদ ধ্রুব প্রহ্লাদনাচিংবা তৌংবাবা মায়কাংবদ্রে, মৈতৈগাদি মাঙ্গ মকনৈ। পদ্মপুরাণদা হায়রি,—"মৃদঙ্গ, তাল সহিতং কর্ত্তব্যং কীর্ত্তনং ততঃ। জয়শব্দং নমঃ শব্দং শঙ্খশব্দং চকারয়েৎ। অমসু—

এবংপ্রবাণে সভিবাদয়ারণৌ মধ্যে সভায়াংহরিরাবিরাসীৎ।

প্রহ্লাদবল্যুদ্ধবকাঞ্জনাদিভির্বৃতঃ সুরর্ষিস্তমপূজয়চ্চতান্। দৃষ্ট্বা প্রসন্নং মহদাসনে হরিং তে চক্রিরে কীর্ত্তনমগ্রতস্তদা। ভবো ভবান্যা কমলাসনস্তু তত্রাগমৎ কীর্ত্তন দর্শনায়। প্রহ্লাদস্তালধারী তরল গতিতয়া চোদ্ধবঃ কাংস্যধারী বীণাধারী সুরর্ষিঃ স্বরকুশলতয়া রাগকর্ত্তার্জ্জুনোঽভূৎ। ইন্দ্রোবাদীম্মৃদঙ্গং জয়জয় সুকরাঃ কীর্ত্তনেতে কুমারা যত্রাগ্রে ভাবভক্তা রস বিরচনা ব্যাসপুত্রোবভূব। ইত্যাদি পাদ্মে।

শ্রীশুকদেবনা শ্রীভাগবত কীর্ত্তন তৌরমদাইদা কীর্ত্তন এংগদবাগীদমক পার্ব্বতীগা লোইনাদুনা মহাদেব অমসু ব্রহ্মা লাকই, মতম অদুদা প্রহ্লাদ, উদ্ধব, বলি, নাচিংবা পুম্বা যন্ত্র পাইদুনা খোংদুনা য়েংদুনা ঈশৈ শকই, মাতম তৌদুনা শ্রীভাগবত কীর্ত্তনগী লেপপা মতমদাসু ইশৈ শকই, যন্ত্র খোংই. কাংস্যনাচিংবা য়ৈ, হৌবাদাসু লো বাদাসু জয়, জয় লাওই, মোইবুং খোংই. মাদুবু মণিপুরদা লাইবিক ভাবদা তৌই, লৈপাক অতৈদা মাদুগা নিংথিনা ভেৌদে।

☞ কীর্ত্তনদা পরকীয়া মধুর প্রেমরস শকপা, ☜

কনানা হানবগে? এংবা। অহানবদা,—

শ্রীমন্মহাপ্রভু অমসু শ্রীনিত্যানন্দপ্রভু, অনিনা

করম্মা সংকীর্ত্তন শন্দোকপগে এংবা।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভু অমসু শ্রীনিত্যানন্দ প্রভু, প্রভু অনিনা বাঙ্গলা লৈপাক্তা সংকীর্ত্তন হৌদোকই। বৃন্দাবন দাসনা হাকম অসিবু ইকোং কোংবা য়াইহেনা মহাকী চৈতন্য ভাগবততা হায়রমই,—

"আজানুলম্বিতভূজৌ কনকাবদাতৌ,
সংকীর্ত্তনৈকপিতরৌ কমলায়তাক্ষৌ।
বিশ্বম্ভরৌ দ্বিজবরৌ যুগধর্ম্মপালৌ,
বন্দে জগৎপ্রিয়করৌ করুণাবতারৌ ॥"

(চৈতন্য ভাগবতঃ)

মৌবিঙানিগী পাম্বোমনা থূকউ [illegible] [illegible], কুচুনা সনাগুমা ফজে. সংকীর্তনগী অমম্তা ওইবা মপানি, মীৎনা [illegible] [illegible] [illegible], তাইবংবু য়োকপী, ব্রাহ্মণমচা অপোইবনি, যুগ ধর্ম্মবু [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] অবতারনি, অতুপুম্বা শ্রীনিত্যানন্দ শ্রী[illegible] [illegible]।

পুরীদা শ্রীচৈতন্যদেবনা [illegible] [illegible] ১৫ [illegible] প্রতাপরুদ্রনা মহাকী সভাপণ্ডিতদা [illegible], "[illegible] [illegible] [illegible] পণ্ডিত সার্বভৌম ভট্টাচার্যনা খুমই, "মাসিদ [illegible] [illegible]"।

চৈতন্য ভাগবততা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উন্মত্ত ওইরে, মতম অতদা [illegible] টোল [illegible] [illegible] [illegible] ঐখোইস্না নংঙাক্না পোক্টনবা কীর্তন তৌগে, কীর্তন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খাদ, ঐখোইবু তম্বিয়ু, —

শিষ্যগণ বলেন কেমন সংকীর্ত্তন।
আপনে শিখায় প্রভু শচী নন্দন ॥
হ[illegible] নমঃ কৃষ্ণ যাদব[illegible] নম।
গোপাল গো[illegible] রাম [illegible] ॥
দিশা শিখায়েন প্রভু হাতে তালি দিয়া।
আপনি কীর্ত্তন করে শিষ্যগণ লয়া ॥

(চৈতন্য ভাগবতঃ)

মাসিদগী নবদ্বীপতা কীর্তন [illegible] সংকীর্তন [illegible]। "[illegible] সংকীর্তন হৈল নদীয়া নগরে।" মাস্তম তৌদুনা [illegible] [illegible] সংকীর্তন তৌবদা ভক্তসীংনা কাংবু কাংবু ওইনা লাক্তুনা [illegible] থুম্মী। মতম অদুদা প্রভুনা ভক্তসিংদা শ্রীহরিনাম মহামন্ত্রবু তাকই, মাতুদা শোম্বনা বিশেষ ওইবা মখল অম, ছুকনবা মখল অমা মাসুমা মখল অনিদোকনা তাকই। মাসু[illegible],—

আপনে সভারে প্রভু করে উপদেশ।
কৃষ্ণনাম মহামন্ত্র শুনহ বিশেষ ॥

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে ।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ॥

(চৈতন্য ভাগবত :)

মাসুম তৌহুনা প্রভুনা মহুৎনা শোরবা ছকপা রাদবা, মন্ত্রবু তারুগা, মপা মদা শরুবা শ্রীহরিগী নাম মথল অমা তাকই ।

"কীর্ত্তন করিহ সভে হাতে তালি দিয়া ।
"হরয়ে নমঃ কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ ।
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন ॥"

মাসিনা ছকনবা নামনি । মাসুম তৌহুনা প্রভুনা ষোড়শ নাম মালাবু মপান্দা কোংনা ছকনদে । মাহুদি মরেকনা ভাবনি জপনীয় মন্ত্রবু কীর্তন তৌবা হৌরক্লে-গী পুম্বনা খংবনি ।

গৌড়ীয় লীলাকীর্ত্তনগী ইতিহাস ।

মথক্তা (অহানবা পম্পুপতা) সু হাঙীখরে । কীর্তনদি মখল অনিনি, নাম কীর্তন, অমসু লীলা কীর্তন অনি অসিনি । মহাপ্রভুনা গৌড়দেশদা নাম কীর্তন হৌদোকপা মহৌদোকপদি হাঙীরবা অতুনি । লীলাকীর্তনবুসু প্রভুনা গৌড়দেশদা হৌদোকই । মাহুবু কবরা হৌদোকপগে হাঙীবাবুসু এংলি । মাহুদি,- শ্রীমন্মাহাপ্রভুনা হৌদোকপা গৌড়ীয় সম্প্রদায়গী লীলা কীর্ত্তনদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী পরকীয়াভাবতা শৃঙ্গার রসবু ছকই । তৌইগুমসু মাসিদি প্রভুতনা বঙ্গদেশদা হৌদোকপাদি নত্তে । মাহুগী সাক্ষীদি প্রভুগী অবতার ভোগদবা চহি চনি রাংলিঙৈদা বাঙ্গলা নৈপাক্তা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুরপ্রেমরসবু গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা কোমল পদাবলী খিবিকনা শকলমপে । মাহুগী মথংদা কবি বিদ্যাপতি কবি চণ্ডীদাস অমসু গৌড়ীয় বৈষ্ণব কবি পুম্নামকসু পরকীয়াভাবতা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুপ্রেম রসবু বর্ণনা তৌই । মরম অসিনা বাঙ্গলাদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী লীলা ছকপদি শ্রীমন্মহা-প্রভুনা অহানবা হৌদোপা নত্তে হাঙীবা চিংনদনা থই ।

বাঙ্গলাদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুরপ্রেম রসবু ছকপদি কবি জয়দেবনা অহানবা ওইরবসু দক্ষিণ ভারততা বৈষ্ণবাচার্য্যশিংদা জয়দেবগী মমাংদা

চহি লীসিং অমারোম হায়না শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুরপ্রেম রসবু শক্কমই। মাহুতগী শংবা শুমই, শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুরপ্রেম লীলাবু ছকপাদি অয়ুক্লেবনা হৌদোকপাসু নত্তে।

বৌদ্ধ যুগতা বৌদ্ধ সাহিত্যনা ভাইবংপানবদা মপা লৈতনা থমথেংনা চাওখৎথি। শৃঙ্গার রসবু পৃথিবীগী পণ্ডিত পুম্নামকনা নিপা সুগীদা পান্দুনা ভাক্তা লেংই। মাহুনা স্বকীয়া ভাবতগী পরকীয়া ভাবনা অমোক চেনলি, বৌদ্ধদি ঈশ্বরবু লৈ, হাঙ্গীবা য়াদে, অহুনা বৌদ্ধ কবিতাদি পরকীয়া ভাবতা শৃঙ্গার রসবু অচম্বা নিপা সুপীদা পান্দুনা ভাক্তা লেংই। বৈষ্ণবাচার্যসীংনা বৌদ্ধ কবিতাদগী পরকীয়া ভাবতা শৃঙ্গার রসবু শ্রীরাধাকৃষ্ণদা পান্দুনা লেংথিবনি। মরম অসিদগী বৌদ্ধ যুগকী মমাংদদি শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুর রসদা মাসুপ ফজনা কবি অমত্তনা লেংলমদে, বৌদ্ধ যুগকী মতুংতদা মাসুপ ফজবা প্রেমলীলাবু কাব্যসাংনা লেংবনি। বৌদ্ধ মহায়ান পন্থাগী মখুং চলবা সহজিয়া পন্থীগী সাহিত্যনা মচাক ওইহুনা বৈষ্ণব কবিনা মাসুপ য়াম্না চাওখৎথিবনি।

মাসিগী মুত্তবা খুদর্নদ অঙ্কুরাগেগী নিংথৌ হালানা মহাকী পণ্ডিত সীংবু মাম্না পানবা মতমদা ফংবা বৌদ্ধকবিতাগী মথৈ থোমজিন্দুনা লাই-রিক অমা লেংথোকহনলি। লাইরিক অহুবু “গাথাসপ্ত শতী” কৌই। লাই-রিক অহুদা কবিতাথোমজিনবা কবিনা লেংবা, কবিতা অমত্তা হাপচিনবা য়াওদে। গাথা সপ্তশতীদা প্রাকৃত ভাষাদা লেংবা বৌদ্ধ সগজিয়াগী অচম্বা নিপা হুপীদা পানবা কবিতা চাতরেং লৈ। লাইরিক অসিবু কমাগুপ্তা পণ্ডিতনা হাঙ্গী, খৃষ্টগী অহানবা চাদা লেংসিনবনি হাঙ্গী। কমাগুপ্তনা হাঙ্গী-বদি খৃষ্টগী অনিসুবা চাদা লেংবা লাইরিকনি হাঙ্গী। বৈষ্ণব কবিসীংনা লেংলিবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাসীং অসিদি রাতমু শ্রীরাধাকৃষ্ণদা পান-থিবনি। গাথাসপ্তশতীদা লৈবা কবিতা ভাক্তনি,

গাথাসপ্তশতীগী চাম্বা মশক।

গাথা সপ্ত-শতীদি হজিক চহি লীসিং অনি হেন্দুবা লাইরিকনি। মুপনগী বৈষ্ণব কবিসীংগীনা মহাকী মতৌ তমহুনা চাওখৎপা নত্তে। ভারতকী কবি লাইপোক পুরে মহাকী মতৌ তবগী চাওখৎপনি। কবি কালীদাসগী অভিজ্ঞানশকুন্তলম্ পুথি

মীদ। আমিগুমদা অখাওবনি, মহাকনা গাথা সপ্ত শতীগী তমজুনা কাউবনি, এদসি — গাথা সপ্তশতী— বা এরি এণ ভরি অং অচ্ছিং কুর্ণ উর উপ্পলয় এণ।

পুকন্তো অবি উহুমং চুম্বন্তো কো সি দেবাণম্ ‖

মাকোংগী লৈতেং, থম্বালগী লৈবক, ময়বগে চুংসিংনা, চুংসিগী মীৎতা চংথরে। মীৎকী উকুল [illegible], [illegible]সিবা লুংসিবী, [illegible] লহি চুপলুরে। থক্লগা খোঙ্গাংবা চেনগৎলে, [illegible] এগলে মীৎকুপ্পা তোকথবে। মীৎ কুপ তবা লাই মংবু কনানা হাঙ্গৈবু [illegible]। [illegible] গাবগা উই। অ ভজান শকুন্তলাগী [illegible] অঙ্গুদা শকুন্তলানা হাঙ্গৈ,—

"ণং দাবণং পেক্খাম্ম, গংবন কেম্পিদ কম্ম্পপল রেণুনা কলুসা কিদা মে দিট্ঠী,"

ঐ এংবা উদরে, [illegible] লম্রিক চংসিংনা চুমজিন্দুনা মীৎতা চংথবে।" [illegible] মশগী তৌবা ফিবমু উই।

কবিজয়দেবনা [illegible] শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুর প্রেম রসবু গীতগোবিন্দ। [illegible] হাঙ্গৈনা লিখি। অদুগা গাথা সপ্ত [illegible] অম অংপি"— মহাকপু অমোক্কং তার [illegible] হঙ্গনা নিংলোই।"— কাবিতা অম লৌহু। [illegible],—

সাধ্বী মাধ্বীক চিন্তা ন ভবতি ভবত শর্করে কর্কবাসি।
দ্রাক্ষে ভ্রক্ষ্যন্তি কেত্বামমৃত [illegible] ক্ষীর নীরং রসন্তে ‖
মাকন্দ ক্রন্দ কান্তাধর [illegible] গচ্ছগচ্ছন্তি যাবৎ।
ভাবং শৃঙ্গার সারস্বতমিহ জয়দেবস্য বিশ্বগ্বচাংসি ‖

জয়দেবগী মাইহৈনা [illegible] পীরিবৈগী মথে দি হে মু মংবু কনানা থকলিংগদ্ৰ? [illegible] নংদি ইকেং কেথই, কে অঙ্গুর নংবু কনাবা এংবগনি। [illegible] হে মহোম নংদি ঊমিংনি। হে হৈ নৌ কপলো, চুংসিগী [illegible]।

জয়দেবজনা গাথা সপ্ত শতক [illegible] ও নবা নংত, সরস্বতী কণ্ঠা ভরণগী ভোজনা গাথা সপ্ত শতী [illegible] অয়াম্বন, মাহম তৌদুনা আনন্দ বর্দ্ধন, মম্মট, বিশ্বনাথ [illegible] গাথা সপ্ত শতীনা মণি পেকনবা থনিনি। প্রেমাবতার শ্রীগৌরহরিনা বিরহিগী [illegible] গাথা

,সপ্তশতীগী মসু লেপ্পুনা প্রেমগী মৈতাক থাবিবতি,—

"কৈ অব রহিঅং লেপ্পং নাধি থিঅ নাথি মানুষে লো।
অহ, হোই কান্দ বিরহো বিরহে হোন্তানি লোজি অই॥"

তাইবং মীওইবনা অাং রাজাথা চৎলিবা হুংলিবা মৈবা হৌনদে হংলিবমু লৌথকি কাইনবা লৈবা হৌনবক কাইনমগা থিবা মৈবা হৌনদে। মসি সপ্তশতীগী অসিনুনা শতকগী ২৫ সুবা শ্লোকনি, মসিমু প্রভুগী শ্রীমুখনা বিরহবিলাপকী বাক্য অসি চৈতন্য চরিতামৃত থোকবা লাইরিকতা মধ্যলীলাদা কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীনা লৌথৎলি, তোইকপমসু সংস্করণ খুদিংমদি য়াওদে। অমাওবা সংস্করণশিংদা শ্লোক অসিমু লাইরিকতু অদুগী লোকনি, হায়বা অশেং অশেংবা হায়দে।

বটতলাগী সংস্করণ চৈতন্যচরিতামৃত অমাদদি শ্লোক অসিমু শ্রীভাগবতকী শ্লোকনি, হায়বা উই (২৫)মাসুমু ঐখোইনা হেক লোকনিংই, অদুম পণ্ডিত চাওব চাওরবাসু মাসুমা ভুল তৌই, মাহুদি শ্রীসনাতন গোস্বামীনা শ্লোক অসিমু ক্ষীরস্বামীগী বর্চননি. হায়দুনা শ্রীভাগবতকী মসিদা গোপী গীতকী ব্যাখ্যাদা লৌথৎলি। মাসুদগী মথং মথং ভুলথারদা অসি তৌনরকপনি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুদি মসিক শেথরনি, তাব নিথি গৌবিন্দ চান্দনা রসগী খনি ওইবা গাথা সপ্তশতীমু নাস্তিক বৌদ্ধ সহজিয়াগী পাষণ্ড মতনি, হায়দুনা হন্দোকপা হোনদে, মরম অদুদগী শ্রীমহাপ্রভুনা "কৈঅব রহিঅং" না হৌবা শ্লোকপু থিদুনা বিরহিণী ব্রজবধুগী বিলাপমু আস্বাদন তৌরম্বনি। পণ্ডিত পুম্নামকনা খংই, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা প্রচার তৌবা ভক্তিবাদদি বৌদ্ধগী লৌখনি। বৌদ্ধ যুগতা ভারতকী সাহিত্যনা চাওখৎখিবা অচুপ পৃথিবীগী মকম অমদা ওইখিদে। কবিগী নিভৃতচিন্তাদা উবা দিব্যধাম অদুদি মপাপুবা মৈলৌমা চারবা যোগীমকনামু তম্নাই তকোকনা হেক উবা নত্তে। বৈষ্ণব কবিশিংগী মথক্তা গাথা সপ্তশতীনা পানবাদি শিঙথাহনা ওবা নত্তে; গাথা সপ্তশতীগী অহানহুবা শতকতা ৩৫ সুবা শ্লোকনা হায়,—

বিরহে থিসং কং বিলাবা অম অমকা হোই সংগমে অহি অম্।
থিং থিহিনা সমসং থিঅ লোহিং থিপিরা থিনিশি অমা॥"

---

(২৩) সাহিত্য আনন্দ বাজার পত্রিকাদা ১৩৬৬ পু ১৮৬।

হুংশিবীদি কাইনায়লা হনি। উনরলা অমুতনি।
কয়রাহু শেমলিগদা লোংদবনা অনিমু তিনসিনবালে।

অমোইদা হুংশিবীগী হুংশিবাবু মাহুপ কননা পুখোকপানু গাথা সপ্তশতীগী মমাংদা কনাগুম্বা কবি অমত্তনা হাঙ্গদোকপা খোল্লমদে। গাথা সপ্তশতীগী শ্লোক অসিদগী লৌহুনা কৃষ্ণদাস কবিরাজনা মাগী চৈতন্যচরিতা-মৃতদা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমদা হাঙ্গরমই,—"বাহে বিষজ্বালা হয়, ভিতরে অমৃ-তময়, কৃষ্ণ প্রেমের অদভূত চরিত"। চণ্ডীদাসনা হাঙ্গরমই,—"কানুর পিরিতি, চন্দনের রীতি, ঘষিতে সৌরভময়। ঘষিয়া আনিয়া হিয়ায় লইতে, দহন দ্বিগুণ হয়। নিমে সুধাদিয়া একত্র করিয়া ঐছন কানুর লেহ। পিরিতি বলিয়া, এতিন আখর ভুবনে আনিল কে, মধুর বলিয়া ছানিযা খাইনু, তিতায় তিতিলদে"। অসিনাচিংবাবু কয়া য়াম্না সন্দোকখিবা।

প্রেমাবতর শ্রীগৌরহরিনা জীব পুম্বাদা প্রেমবু লৌজো হাঙ্গহুনা পিনাবিরমই। প্রভুনা ইবুঙো মাগী দিব্যধাম গোলোক বৃন্দাবনদগী প্রেমবু পুরক্লগা মীওইবদা লৌজো হাঙ্গহুনা পিবরগা অমোক পুহুনা ইবুঙোনা লেংখিবা নত্তে। ইবুঙোনা ঐদি শচীগী মচা নিমাই পণ্ডিতনি, হাঙ্গসিন্নাহুনা পোকপা সাহুনা লৈরগা ওসি শিগনি পাওতাক্তবা, হয়েং শিগনি পাউ-জেন্দবা লোকতাকতা কোঙ্গোননা তাকপাগুম মীংনা কুপ্লদা তাকদবা হকচাং অসিদা দিব্যধামগী দিব্যপ্রেম, মহাক্তি অমাং অতাবা লৈতবনি, মহাকনা অরাবগী তুংনফম ওইবা তাঙবং অসিদা ঐখোইগা লোইনহুনা লৈ। মহাকপু বেদান্তনা ব্রহ্ম, যোগনা পরমাত্মা, ভক্তনা ভগবান্ কৌই, উপনি-ষৎনা হাঙ্গ, "রসোবৈসঃ, রসংহ্যেবায়ং লব্ধানন্দী ভবতি" অর্থদি,—রসনি, মহাক্তি, রসগী মশক ওইবা মাবু ফংলগা জীবনা আনন্দ—মুণ্ডাইবা ওই। অসুম্না শ্রুতিনা তাকই। কবিগী নিভৃত চিন্তাদা রসনা মশক ওইবা মহা-কপু ফংই, বৌদ্ধ যুগতা বৌদ্ধ কবিসীংনা ইবুঙো মহাকপু ফংখি। মাহুন্না ফংখিবা লম্বেন অহুবু প্রভুনা তাকপনি। বৌদ্ধসীংনা রসবু মশক মসিং থংদহনা অচবা নিপা হুপীদা পান্দুনা মাখোইগী কবিতা লেংলমই, মাহুনু শ্রীমন্মহাপ্রভুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণনি, হান্নীনা তাকপীবনি। মরম অসিদগী বৌদ্ধ

গহ্ছিয়ালীংগী গাথার ব্রজবিরহিণীগী ভাবতা প্রভুনা কৈথর রহিঅং নাচিংবা পল্লিপাথা—খুলংইশৈবু শরুবনি। মাহুৎ তৌহনা প্রভুনা তাকলি, মল অহুদি শ্রীরাধাকৃষ্ণনি।

শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা শ্রীভাগবতনা প্রমাণ ওইহনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমরসমু জীবপুম্বা পীনবি। মাহুদা শ্রীভাগবতপু প্রভুনা প্রাচীন কলিগী অচৰা লিপা। মগীগী কাব্যনা ব্যাখ্যা তৌহনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমতত্বমু ভক্তসীংদা থংহনলি। মাসিবু উদা-হরণনা ব্যাখ্যা তৌবা যাই। মাহুদি- পুরীদা প্রভুনা শ্রীজগন্নাথগী রথযাত্রা দর্শন তৌই। মতম অদুদা প্রভুনা ভাবাবিষ্ট ওইরে। প্রভুগী ভাবতি সম্মুখদা লৈ, মপান্দদি কোং দোক্তে, মাহুদি—অক্রূরন শ্রীবলদেব কৃষ্ণবু মথুরাদা পুথি। মাহুদগী হৌহনা শ্রীকৃষ্ণগী বিরহনা গোপীসীংনা অৱাবাগী সমুদ্রদা লুপ্ত না লৈথি। মথৈদা সূর্যগ্রহণদা স্নান তৌন যাগীদমক কুরুক্ষেত্রদা শ্রী মন্নাম তিন্নাথি। মাহুদা শ্রীকৃষ্ণনা যদুবংশ মন্নাম পুরনা লেং-লকই। ব্রজ গোপগোপী পুম্নমকসু কুরুক্ষেত্রদা গ্রহণগী স্নান তৌগা লাকই। মাহুদা শ্রীকৃষ্ণগা গোপীসীংগা উনথি। মাহুম্না উনবদা গোপীসীংনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঈথি, মাহুবু শ্রীভাগবততা হাঈ—

আহুশ্চতে নলিননাভ পদারবিন্দং, যোগেশ্বরৈর্হৃদি বিচিন্ত্যমগাধবোধৈঃ।
সংসারকূপপতিতোত্তরণাবলম্বং গেহংজুষামপি মনস্যুদিয়াৎ সদা নঃ ॥

অর্থ গোপীসীংনা হাঈথি হে থোইদোংদা থম্বাল হোবা হে কৃষ্ণ! ওমথৈ নাইঙবা জ্ঞান লৈবা যোগেশ্বরসীংনা মাথোইগী থমোইদা নিংশিবা, ওইবা তাইবংপানবাগী মগক ওইবা কুহাদা তারবাসীংগী কাথংনবা পাৰে ওইবা নথোং থম্বালনা য়ুমদা লৈজবা গোপী ঐখোইগী পুকনিংদা মতম পুম্নমক্তা থোকপীসনু।

হাঈপ্রবা ভাব অসিদা শ্রীমন্মহাপ্রভুনা কাব্যপ্রকাশগী উদাহরণদা হাঈবা শীলা ভট্টারিকাগী শ্লোক অমবু হাঈরকই মাহুদি,—

"যঃ কৌমারহরঃ স এবহি, বরস্তা এব চৈত্রক্ষপাস্তেচোন্মীলিত মালতী
সুরভয় প্রৌঢ়াঃ কদম্বানিলাঃ। সাচৈবাস্মি তথাপি তত্র সুরতব্যাপার
লীলাবিধৌ রেবারোধসি বেতসীতরুতলে চেতঃ সমুৎকণ্ঠতে ॥"

অর্থ— নিঙোল ঐবু মৌগী সীংদা চলহনখিবা বরসু মহাকনি, মালতীগী লৈনমনা হুংসিরবা কদম্বগী নামিবা হুংসিংসু মাসিনি, ঙুপী অহুসু ঐনি অদুবদি ওইরগা হুংলিগী সাম্না খুমৈদি রেবা তুরেল মপানদা বেতসী উপাল মখোংদা সান্নৌ ঐগী পুকনিংনা পাম্বই।

[illegible] অতুম্বু [illegible] অমাগী মাইছু অসিমা মতুম ওইহনা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীনা [illegible] শ্রীভাগবতকী মাইকু ব্যাখ্যা তৌরে, মাদুদি,— গোপী (শ্রীরাধা) ঐগী [illegible] নমাকনি, মহাক্কী চামাবীমু ঐনি, ঐখোই অমিনা অতুম হুইনা কাইনা [illegible] চারুবা ওসি উনরে হুন্ডাইরে অহুবু ঐখোই অনিগী মারকম শ্রীব [illegible] [illegible] মপানবা [illegible] উপিগী মখোয়দা মায়বা অতুতমু পামই, ব্রজ বৃন্দাবন নত্তবা [illegible] পামবাবুদি পামদে। হাইবনি। অতুগা নখুদি জ্ঞানী যোগীসীংনা খগে-[illegible] নগী নখোও. [illegible] [illegible], মাদুদি অথাবা নিশ্বরসবু চাবওবনি, মাতলা প্রে-[illegible] লৈতে প্রেমবতী [illegible] ঐখোইগীদি ব্রজব অবনতা পামই।

অতুগী শ্রীমুখনা থিরকগা শ্লোক অমুবু অায়গা মী অতৈনাদি কনাম্বু খংবা [illegible], স্বরূপগী স্বরূপ গোস্বামীনা খংই। কুম অতুনা প্রভুগী নাক্তা শাকপা শ্রীরূ-[illegible] খংই। অতুনা প্রভুগী শ্লোক অদুগী শ্রীরূপ গোস্বামীনা অর্থবু লেখোকই, মাদুদি,—

“প্রিয়ঃ সোঽয়ং কৃষ্ণঃ সহচরি কুরুক্ষেত্রমিলিতঃ তথাহং সা
রাধা তদিদমুভয়োঃ সঙ্গম সুখং। তথাপ্যন্তঃ খেলন্মধুর মূরলী
পঞ্চমজুষে মনো মে কালিন্দীপুলিন বিপিনায় স্পৃহয়তি ॥”

[illegible]-গে ইভা। ঐগী [illegible] [illegible] অমিদি, মহাকী চামবীমু রাধা ঐনি, ঐ-খোই [illegible] কুরুক্ষেত্রদা উনরাগী [illegible] ওইরে, অদুমাদি ওইরগা রাধা ঐগী [illegible] রাসগী কুরৈদা মুরলীগী পঞ্চম স্বরনা লৈতেংবা যমুনাগী মপান্তবু পামই। [illegible] [illegible] “যঃ কৌমারহরঃ” হৌবা শ্লোকী অর্থনা থংহনদি। মাসুম তৌদুনা শ্রীভা-[illegible] অপুনপাবু [illegible] প্রাচীন কবিগী অচৌবা নিপা [illegible] কাব্যদা লেংবা রসনা ব্যাখ্যা তৌদুনা মনাই ভক্তদা খংহনদি।

ভক্তিগী ইতিহাস।

মূলবৈদিক ধর্মদগী ভক্তিমার্গ কাউবগী মথং মথং ওইরকপগী ইতিহাসদি অতুম [illegible] পমুপ অসিগী শ্লোকলোন (লামাই ১৮৯ দগীনা ১৯৮ কাউবদা হাইথরে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ভক্তিনা ওইবা [illegible] [illegible] [illegible] অখৈবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈনদি।

ভক্তিগী [illegible] হৌকখ্রদি মথাথুংদা অায়রভনি, দক্ষিণ ভারতগী [illegible] তা [illegible] [illegible] শাকপনি। ভারতবর্ষগী ধর্মদি মখল মামই। শৈব, শাক্ত, বৈষ্ণব, সৌর [illegible] অসিগী [illegible] ভারতকী ধর্ম [illegible] [illegible] ভক্তিমার্গবু ওমা লৌই, [illegible] ধর্ম পুরবক অদুগী অহানবা থোককখদি দক্ষিণাতদি, [illegible] [illegible] [illegible]-

শদ্রি। মায়ুম তৌদ্রনা হাঈগুবা ধর্ম্মগী শাস্ত্রী মুক্ত্যা বৈষ্ণব ধর্ম্মনা ভক্তিমার্গনা মায়া চাওখৎপা ধর্ম পুম্নমকগী ইহেন হেনখি। মুমস্ অসিনা ভক্তিমার্গতা হাঈবা বৈষ্ণব ধর্ম্মবু হায়না লিংসুংই। অসিগুম্বা মুর্ত মুসিনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা অব তার তৌই। প্রভুনা ভক্তিবু থম্থেংনা চাওথৎকনলমই।

প্রভুনা ভক্তিমার্গবু চাওখৎহনুবদা ভক্তিগী সম্প্রদায় মথং মনাওবু থাদোক্কে। অমমু ভক্তিনা মথং মথং হেনগৎলকপগী (Evolution) লখেন্দা ভগবান্গী অবতারগদু চপমান্নৈ, মরম অসিনা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুবু অবতারনি হাঈবা থংই। মরম অসিদগী প্রভুনা ভক্তি প্রেমবু সংকীর্তন তৌদুনা জাইবংপানবদা প্রচার তৌই। মাদুবু চৈতন্য ভাগবততা বৃন্দাবন দাসনা ইকোং কোংবা বাইহেনা হাঈরমই, "সংকীর্তনৈকপিতরৌ" "যুগধর্ম্মপালৌ"। কলিযুগকী ধর্ম্ম ওয়াকতুনা সংকীর্তনবু হৌদোকপা অমুম্না শ্রীগৌর-নিত্যাইবু খুরুমই।

শক ১৪০৭ দা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা অবতার তৌই। প্রভুগী চহি ২৪ সুবদা প্রভুনা সংকীতন হৌদোকই, উন্মত্ত উজ্জ্বল প্রেম রসবু থরাইপানবা খুদিংদা থাইজ থাইবুং নাইদনা পীনবিবা হৌই। শক ১৬৮১ দা ভাগ্যচন্দ্র জয়সিংহনা মণিপুরদা পালই (২৬) মহাকী সুনাহাকথক্তা শ্রীগৌরাঙ্গগী ধর্ম্মনা গৌড়ীয় ধর্ম্ম কৌদুনা সংস্কৃতিগী ইচেল ওইনা (Culture drift) শ্রীরূপ পরমানন্দ পাদগী থোংদা মণিপুরদা চেনসিনলকই (চংলকই) মুরক্তা চহি চয়া থম্নি। মতম অদুদা বঙ্গদেশদা থোকদোক নমক নবদ্বীপতা শ্রীগৌরাঙ্গনা হৌদোকপা ধর্ম্মদি মুংথরে, হাঈবা য়াই। ভাগ্যচন্দ্র জয়সিংহগুম্বা মহামানব অমদা শ্রীগৌরাঙ্গগী ধর্ম্মনা চঙলমদ্রবদি হক্কিক্তি গৌড়ীয় ধর্ম্মদি বাঙ্গালাগী ইতিহাসগী লামাইদা যাতাপ্রগদবনি। মাসিগী মথৎপা যাত্রবা সাক্ষীদি ভাগ্যচন্দ্রগী মমাংদা নিংথৌরেন অথোইবা গরিবনুবাজ মহারাজগী মা চাকথক্তা অমৈদা পূর্ব্ববঙ্গদগী শ্রীহট্টমচা শান্তিদাসনা মণিপুরদা ধর্ম্ম প্রচার তৌবা লাক্লমই। ম হাকনা ভাংলবা তৌরম্বগী চিংনবা লৈতনা থংই মাদুদি, মতম অদুদনা বঙ্গদেশ পুম্বক্তা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুগী ধর্ম্ম লৈতরে। মরম অসিনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা শ্রীগৌরাঙ্গ ধর্ম্মবু নবদ্বীপতা অমোকহনা হিঙহনলুবনি। বাকম অসিবু গৌড়ীয় ধর্ম্মগী ইতিহাসদা সনাগী মালিনা ইদুনা লৈ, মাদুদা প্রণয় ম্লাইবা মুংলরোইদবনি।

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মা মহাকপুম্বা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দনা মণিপুরদা আবির্ভাব ওই। মুদ অদুগা লাইবংপানবদা ফাউরিবা মণিপুরী রাসনা থোকখিবনি। শক ১৬৯৮ গী পৌষ কার্ত্তিক শুক্ল পক্ষ ত্রিয়াংগী চান্দ্রনী ইরাই চুমিংকী অমুক্তা যুথক রৈবা মতুং

(২৮)—ভাকুই, ম্লাইবক্তি "পালু" নক্ষত্র শুরুনি।

পুঙ অমগী মরুদা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দজীউনা মণিপুরদ আবির্ভাব ওই, মাহুগী পুর্ব্বিদা ঠাকুরকপদা মণিপুরগী ফাসনা থোকই।

ভাগ্যচন্দ্রগী মাহাকথক্তা মৈতৈকীর্ত্তন অনৌবা পালা মাংসখা থোই-দাহনা হৌরবনি। অদুগা মহাক্কী মচং পুম্বনা সুম্বদি নিংথৌরেন নরসিংহ মহারাজগী মাহাকথক্তনি। মণিপুরীয় কীর্ত্তনগী ইতিহাসবু আলোচনা তৌরগা চিংনবা লৈতনা থংই, মাহুদি—শ্রীযুৎনরসিংহ মহারাজগুম্বা মহামানব অমাগী মথুংতা তাম্মবত্রবদি মৈতৈগী অনৌবা পালা কীর্ত্তননা বিশ্বজগৎতা মাম্ুপ নিংথিনা ঙাক্লমলোইদবনি। মাহুগী মরমদা মৈতৈ জাতি পুম্নামকনা নিংথৌরেন অসিগী লম্মন তৌরিবনি। মসিদি ভক্তিগী মথং মথং হেনগৎলকপা (ক্রমবিকাশ) গী ইতিহাসনি। মাসিদা ঐখোইনা উরে, মাহুদি শ্রীকৃষ্ণাবতারদা ভক্তিযোগনা মপুংফানা চাওখৎখি। ঋষভদেব অমসুং বুদ্ধদেবগী অবতারদা পবোক্ষ ওইনা মধুর প্রেম ভক্তিবু তাইবং মীওইবদা উৎলমই। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুগী অবতারদা পবোক্ষ ওইনা লৈরম্বা উন্নত উজ্জ্বল প্রেমরসবু প্রত্যক্ষ ওইনা দক্ষিণ অমসুং পশ্চিম ভারততা জীব পুম্নামক্তা পীথোকলমই। প্রভুনা ইবুঙোগী তৌগদবা লীলা লোইফাত্তানা মানব লীলা সংবরণ তৌখরে। মাহুগীদমক প্রভুনা নরোত্তম মহাশয় ঠাকুর ওইনা মহাকনা হৌদোকপা ধর্ম্মবু ঙাক্লমই। তৌইগুমসু ভক্তিগী প্রসারিণী শক্তি (পাকনা চাওনা সন্দোকপা ঙম্বা পাঙল) দি অদুপহাকনা মহাপ্রভুনা ফোংখিদে, সুপনাগী বঙ্গ উড়িষ্যা, অদুগা শ্রীবৃন্দাবন-তদা সন্দোকই, মতম অদুদা প্রভুগী ধর্ম্মবু বিশ্ববরেণ্যনিদি হায়বাবু মতম অদুদা বিশ্বজগৎনা থংখি, হায়বাদি য়াদে। মহাশয় ঠাকুরগী মতমদদি ভক্তিগী প্রসারিণী শক্তিদি প্রভুগা এংনকরবদি ইয়াওবু য়াওখিদরে, উচিন নাচিন্না ঙাকখিবতনি।

ভাগবত ধর্ম্মগী সম্প্রদায়দি (মথক্তা লামাই ২০৭ তগীনা পাসি) ক্ষত্রিয় বাজর্ষিসীংতদা ওই। খোঙদোক্লামাক মিথি মাহুম্না হাঙরোই হাঙরগা মিথিন রাজবংশনা ভাগবত ধর্ম্মবু মীয়ামদা সন্দোকই। রাজম অসিগীদমক ঐখোইনা নৈনাথ্রবা অদুনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ অমসুং নরসিংহ মহারাজ অনিমক তশেং তশেংবা মিথি মাহুম্না হাঙরোই হাঙ-

থম্বা 'মিথিল রাজবংশনি। মাসিমসু ঐথোইনা পণ্ডিত পুরামকতা লৌশিংবা তৌরুনা লাইরিবনি, মাহুদি, মতম অসিদা ব্রহ্মাগী সৃষ্টিদা লৈরিবা মী পুরামকী মরক্তা তশেং তশেংবা মিথিল রাজবংশদি মণিপুর নিংথৌ মচাতা ওইরে। মণিপুর নত্তবা লম অতৈদা লৈরম্বদি কলিগী দোষনা মুংথ্রবনি। মাহুনা হিন্দু শাস্ত্র পুরাণা সাক্ষীনি। মাহুগী মরু ওইবা রাজকমগী মথৈদি ঐথোইগী লাইরিকসীংদা নৈনারিবা অসিনি। মরম অসিদগী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজদা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দনা উদয় ওই। নিংথৌবেন অসিদা বিশ্ববরেণ্য ওইবা রাসনৃত্যনা থোকখিবনি। অমসুং মহাকনা নবদ্বীপতাম্না চৎতুনা শ্রীমন্মহাপ্রভুগী ধর্ম্মবু অমোক হন্না লিংখৎলুবনি। মরম অসিদগী নরসিংহ মহারাজদা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা হৌদোকপা সংকীর্তন মহাযজ্ঞনা অসুবা মওং ওইনা মণিপুরদা ওানথোকখিবনি। মরম অসিদগী মতু ইবুঙো চূড়াচান্দসিংহ মহারাজগী স্নাহাকথক্তা মণিপুরীনৃত্যনা বিশ্বজগৎতা সিনথুংনা সন্দোকখিবনি। শ্রীমন্মহাপ্রভুগী পোকফম শ্রীনবদ্বীপতা শ্রীকৃষ্ণগী রাসলীলা সান্নাফম শ্রীবৃন্দাবনদা রাসলীলা সান্নাক্নবা রাজমেল কীর্তন তৌরুবা নিংথৌ কনানো ?

ভাগ্যচন্দ্র, নরসিংহ, চূড়াচন্দ্র নিংথৌরেন অহুম অসিবু লোনগী থৈরকপাগী মতুংইনা মিথিনিংথৌ হাঙ্গৈগদবদা মৈতৈ নিংথৌ হাঙ্গৈবাতনি মাহুদি, জনক নিংথৌনি। মাহুবু ভাষা বিজ্ঞান (ফিলোলোজি) হৈবা কনানা থংলোইদগে মমিৎ নক্রগা মনাতবু পানবা জীব পুরামক থংদবা রাওরোই। তাইবংপানবাদা লমদম পুরামক্কুগী মানা ইহান হানবা, মগুণদাহু মাঙবা অনি সুদবা মিথিল পাট মণিপুর অসিদা পার্ব্বতী পরমেশ্বরনা অবতার তৌ-তুনা নোংপোক নিংথৌ পানথোইবী কৌতুনা পরকীয়া ভাবতা মধুর প্রেমরসবু পুরামক্কুগী ইহান হান্না আস্বাদন তৌখি। মাহুবু নিংসংবদগী ব্রজব ন্দাবনদা শ্রীকৃষ্ণনা রাসলীলা সান্নাখি। অসুম্না শ্রীমদ্ভাগবতনা হাঙ্গৈ। মরম অসিনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দদা কৎখিবা রাসলীলাবু মপক থংনবাগীদমক অহানবদা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈবা শ্রীরাস পঞ্চাধ্যায়বু বৈজ্ঞানিক প্রক্রিয়াদা বিশ্লেষণ তৌতুনা এংসি। ভাগবত ধর্ম্মবু মীয়ামদা সন্দোকপদি মিথি নিংথৌনা সন্দোকই, অসুম্না শ্রীগীতানা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈবদি মাসিনি।



মৈতৈ কীর্তনগী প্রগতিশীলতা অমসুং সনাতনীয়তাগী
মাসিদা অহুমসুবা পনুপনি।

—:(*):—

